ꯁꯥꯟꯅꯕꯨꯡꯗ ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯁꯥꯟꯅꯔꯣꯌꯁꯤꯡ

শান্নবুংদা ঐখোয়গী শান্নরোয়শিং

(অহানবা শরুক)



অইবী ঃ রত্নেশ্বরী গোস্বামী

এল. ডি. এম. আর্টস সেন্টর, ইম্ফাল



ꯁꯥꯟꯅꯕꯨꯡꯗꯥ ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯁꯥꯟꯅꯔꯣꯌꯁꯤꯡ

শান্নবুংদা ঐখোয়গী শান্নরোয়শিং

(অহানবা শরুক)

ꯁꯥꯟꯅꯕꯨꯡꯗꯥ ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯁꯥꯟꯅꯔꯣꯏꯁꯤꯡ

শান্নবুংদা ঐখোয়গী শান্নরোয়শিং

(অহানবা শরুক)

রত্নেশ্বরী গোশ্বামী

এল. ডি. এম. আর্টস সেণ্টর, ইম্ফাল

Shannabungda Eikhoigi Shannaroishing (Vol-I), a collection of 35 sports essays in Manipuri written by Ratneshwari Goswami, published by Sorokhaibam Saratchandra Singh and Sunita Goswami on behalf of L.D.M. Arts Centre, Imphal.

অহানবা ফোঙবা ঃ ২০১২

কোপী ঃ ১০০০

ফোঙজবা ঃ সোরোকখাইবম সরতচন্দ্র সিংহ অমসুং সুনিতা গোশ্বামীনা এল. ডি. এম. আর্টস সেন্টর, ইম্ফালগীদমক পুথোকচবা।

ডি.টি.পি. ঃ ৱাহেংবম অমর সিংহ, আর. কে. কম্পিউটর, হোজাই, আসাম।

নম্কম ঃ রিনা প্রিন্টিং প্রেস, রাজগড় রোড - ১২৫, গুৱাহাটি-৭

মমল ঃ লুপা ২০০/-

ISBN 978-81-908152-9-1

কচ্চবা



পীক্লিঙৈ,

ঐবু শেন্নবদা অৰা কোঙ্গাই খাঙখিবী,

লমহেনবী, খ্বাইদগী হাযবা ইন্দবী,

অঙাওবী নশু য়াইমনা কচ্চরি

ঙসিদি থম্মোযশেংনা

* **মেমীমা**গী নফমদা নশুগী

শান্নবুংদা ঐখোয়গী শান্নরোয়শিং (অহানবা শরুক)

* ঐখোয ইচিন ইনাও, ঐগী ইখা তাবশিংনা নুংশিনা কৌজবা মীংনি

মেমীমা,

ইচে অহল (সুচিত্রা, মেমী) না পাবুং পোকপা ঐগ্যাবোক্তা ইমা কৌবদগী

কৌজখিবা মীংনি, **মেমীমা** ।

অইবীগী হায়জনিংবা ৱাহৈ খরা

ঐগী খোঙচৎসে ফনা শাংলম্লে । হৈবা হৈতবনা ৱাফম অমা ওইখ্রগা পামজবদগী লম্বীসিদা চঙশিনলক্লিবসি চহী ২০ হেনলম্লে । ইথম্ভা অঙকপসু পোকই । হৈবদি ঙসি ফাওবদসু সুকহৈ হৈত্রি । তম্বদি পুন্সিসিনা হেক লোইদ্রিফাও তমখিবা তারি । হৈত হৈতনা খোংচিঙ্খিবা আর্টিকলশিং অসি, *অথৌবা, সনথোঙ, ইচেম্মান*চিংবা চেফোঙশিংদা ফোঙখিবনা অয়াম্বনি । মচোই মচোই লৈরম্বা আর্টিকলশিংবু লাইরিক অমদা পুল্লপ পুনশিল্লগা অতোপ্পা শক্তম অমা ওইহনবীরিবা অসিনা ইপ্পা সোরোকখাইবম সরতচন্দ্র সিংহ অমসুং ইনাওনুপী সুনিতা গোস্বামীনা হোৎনবীবগী মহযনি । ইপ্পা সোরোকখাইবম সরতচন্দ্র সিংহ অমসুং সুনিতা গোস্বামীগী মফমদা লমন অমদি তোল্লে। লাইরিক অসি ওইরক্লবা হোৎনবদা হাম্না থৌনা পীবীখিবদি ঐগী মরুপ এ সি নেত্রাজৎনি । অনীশুবদা, শক্লাইরবা ওঝা নোংথোম্বম কুঞ্জমোহন সিংহনি । ঊন্নবা খুদিংগী ওঝানা তত্তনা তাকপীবকপা ৱাহৈ খবা লৈ, - "ইবেম্মা রত্নেশ্বরী ! তনগনু, ইবা লেপকনু শান্ন খোৎনবগী অইবা মী যামদে, নুপী অইবীসু লৈতে । মশক নাইবা অফাওবা শান্নবোইশিং আসনী মবিক চুম্বা ৱাবীশিং নখোয়না ইদ্রবদি কনানা ইবীগনি ? ঐখোয়গী মতিক মগুণ লৈরবা শান্নরোইশিং আস মমল নাইদ্রবা লমদমসিগী অশেংবা লন ঙাক্তনি ।" ওঝাগী ৱাহৈশিং অসিনা ঐঙোন্দা থোপ তোপ্পা থৌনা অমা হাপ্পীখি । ওঝা গুরু, অহল-লমন, মরুপ মপাং খ্বাই পুন্নমক্লা পীবিবকখিবা থৌনা-লৌশিং পুন্নমক্তগী মহয়নি ঐহাক্কী অহানবা খুদোল ***শান্নবুংদা ঐখোয়গী শান্নরোয়শিং (অহানবা শরুক)*** ।

লাইরিক অসি ওইরক্লবা হোৎনবদা তেংবাংবীরকখিবা খ্বাই খিবিকপু থাগৎচবি । অতনবসু পোকচদ্রি, ইবসু লেপচদ্রি, অদুনা লাইরিক খরদি মথং মথং পুথোকচগেসু খঞ্জরি ।

ইম্ফাল,

অং ২৪.০৮.২০১২

রত্নেশ্বরী গোস্বামী

(রত্নেশ্বরী গোস্বামী)

ঐখোয়গী তৌবা ঙম্বা গুণতনা মালেমদা শক তাক্লদৌরিবনি । শান্ন-খোংনবগী লম অসিসু অচৌবা সংসার অমনি । মসিদসু সত্যম শিবম সুন্দরম হায়বদু চংই । শান্ন-খোংনবগী পান্নার হাউসনি হায়নরবা মণিপুরীশিংনি ঐখোয় । অতৈ অতৈ লম কয়াদা মণিপুরীশিংবু মশক থোক্লা তাকপা ঙমদ্রবসু শান্ন-খোংনবগী লম অসিদদি ময়েক শেংনা মালেমদা শক তাক্লক্লে । চয়েংনবা কয়া লৈরুরবা মতুংদা শগোল কাংজৈ অসি মণিপুরীশিংনা হৌদোকখিবনি হায়বা ৱাফম ঙসিদি মালেমনা য়ানরে । মসিদা নত্তনা মাইপাক, নীলকমল, থোইবা, টিকেন, মেরী কোম, কুঞ্জরাণী, সনামচা চনু, সরজুবালা, কে. রঞ্জিৎ নোংথাং, দিঙ্কো, তিংগোংলৈমা, মনোরমা গোস্বামী, খোইরোম রোণীবালা, ব্রোজেন অমসুং অনিতানচিংবা কয়ানা মালেমগী মফম কয়াদা মণিপুরী অমা ওইনা ভারতকী মহুৎ শিন্দুনা শক তাক্লি । অসিগুম্বা মণিপুরীশিং অসিগী পুন্সিদা থেংনরকপা অৱা নুঙাই পেন্দবা অসিনচিংবা কয়া য়াওরবা লাইরিক অসি ঙসিদি মীয়ামগী খুত্তা শীন্নজরে । ঐখোয়গী শান্নরোয়শিং অসিগী মরমদা ইবা (চেফোঙ খরদা থেংনরবসু) লাইরিক ওইনা পুথোক্লনা শান্নবোইশিংগী পুক্লিং থৌগৎপবা হায়বসি মণিপুরী অমা ওইনা তৌফম থোকই খঞ্জে ।

লাইরিক অসিগী মিং ***শান্নবুংদা ঐখোয়গী শান্নরোইশিং*** (***অহানবা শরুক***) হায়না মিং থোন্নে । লাইরিক অসি পুথোকচনবা হোৎনবদা স্পোর্টসপু নুংশিজবা মণিপুরী ডিভেলপমেন্ট কাউন্সেল আসামগী মেম্বরশিং ঙাঙোম গুণকিশ্বর, লাইশোম সরত, ক্ষেত্রিময়ুংম রাজবাবু অমসুং থাক্রম চন্দ্রকুমার সিংহনা শেনগী তেংবাং পীবিরক্লনি তাকপিরকপদা পুক্লিংদা নুংঙাইবা ফাওজৈ অমসুং থম্মোয় শেংনা থাগৎচরি ।

অরোইবদা আর. কে. কম্পিউটর, হোজাই, আসামগী ৱাহেংবম অমর সিংহনা লাইরিক অসি পুথোক্লবদা হোৎনবদা অৱাবা কয়া খাংখিবা অদুসু থম্মোয়দা পৈঞ্জে অমসুং থাগৎচরি ।

অদোমগী

(এস. সরতচন্দ্র সিংহ)

(সুনিতা গোস্বামী)

(অহানবা শরুক)

হীরম | লামায়

হীরম	লামায়

***

লাইবক থীবী শগোল কাংজৈ

শগোল কাংজৈ (পোলো) হায়বা মশান্না অসি মণিপুরদগী হৌখিবনি হায়বগী মতাংদা *গুইন্নিস বুক ওব ৱার্ল্ড রেকোর্দস* ১৯৯১ (Editor, Donald Macforlan) গী লামায় ২৮৮ দা অসুন্না ইরি -

> *POLO- origin; Polo can be traced to origins in Manipur started C 3100 BC when it was played as Sagol Kangjei Other claims are of it being of Persian origin having been played as Pulu C 525BC The game was introduced to British officers at Cachar by the Manipur Maharaja Shri Chandrakriti Singh and the earliest club was the Cachar Club (founded in 1859) in Assam, India. The oldest club still in existence is the Calcutta Polo Club (1862) The game was introduced into England from India in 1869 by the 10 England from Indian in 1869 by the 10 Hussars at Aldershat, Hanto*

অমরোমদসু, পোলো মণিপুরদগী হৌখিবনি হায়বসিদা ঐখোয়গী মীয়াম্না চাউখোকচরি অদুবু ওসিগী মীরোলসিনা মশান্না অসি মুৎখিদনবা কদায় ফাওবা হোৎনরিবগে হায়বসিমদি নৈনবা দরকার ওইরি ।

শগোল কাংজৈ (পোলো) হায়বা গেম অসি, তশেংবসু মণিপুরীশিংগীদি নেসনেল গেমনি । থাজনবীগী মতুংইন্না, মশান্না অসি লাই হাক্তকুগী হৌনা নমদমসিগী মরুওইবা লাইরেম্বশিংনা শান্নরম্বগী ৱাফম ফাওবা লৈরি । অদুগা মণিপুরী পণ্ডিত খরগী মোতা, পোলোগী অহানবা মেটচ অসি পাখণ্ডবগী ইমুং মনুংনা, শাগৈ-জাৎ খেন্নবা লাইস্নাবু মাগী নুপী ওইনা লৌরকপদা পাংথোকখিবা লৌখৎপা থৌরমদা শান্নখি হায় ।

গেম অসি, নিংথৌ ক্যাম্বা (ইং ১৪৬৭-১৫০৮) অমসুং নিংথৌ খাগেম্বগী (১৫৯৭-১৬৫২) মতমদসু য়ান্না থৱাই য়াওনা শান্নরম্মী হায়বগী তোঙান তোঙানবা ৱারী কয়া অমসু লৈরি । নিংথৌ খাগেম্বগী মতমদা হৌজিক লৈরিবা পোলোগ্রাউণ্ড অসিদা ইং ১৬০৬ তা পোলো শান্নখি হায়রি । গ্রাউণ্ড অসিমকসু পৃথিবীগী ওইনা খ্বাইদগী লিরবা পোলো গ্রাউণ্ডনি হায়রি ।

অসুম্না মথং-মথং শান্নরকপা গেম অসি, নিংথৌ চন্দ্রকীর্ত্তিগী মতমদা (১৮৫০-১৮৮৬) পৃথিবীগী মফম কয়াদা পাক-শন্না শন্দোক্‌বা মহারাজ অসিনা পোলোগী পেত্রোন ওইনা অকনবা খোঙথাংগা লোয়ননা হোৎনরকখি । ইং ১৮৬৩ দা মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তিনা মণিপুরী পোলো টীম অনী পুরগা কলকত্তাদা এক্সিবিসন মেঁটচ শান্নহনখি । অদুগা ঙসি শান্নরিবা মোদর্ন ফোর্মগী ওইবা খুৎশান্না অসিসু ইং ১৮৫৯ দা অহানবা পোলো ক্লব লীঙখৎলকপা মতমদা শিলচরদা শান্নখি । শিলচর পোলো ক্লব (১৮৫৯) অসি পৃথিবীগী অহানবা পোলো ক্লবনি ।

ঐখোয়গী নিংথৌ কয়ানা পাথাং-পুথাং কায়দনা, জাতি অসিগা শাগোন্নদুনা পুরক্লবা গেম অসি, চুড়াচান্দ মহারাজকী মতমদসু হেন্না ফিভম ফগৎনবা কয়া হোৎনরমখি । মণিপুর ষ্টেট বজেট্রা, মেজর হেদ নম্বর ব্রানগী মখাদা পোলো এষ্টাব্লিসমেন্ট হায়দনা ফণ্ড কাইথোক্লুনা থম্লম্মী । হাণ্ডা কাংজৈ হায়দুনা চয়োল অমদা নুমিৎ হুন্নি নিংথৌকাবা, য়ুমজকৈশা অমসুং ইরাই নুমিৎ অসি পোলো শান্নহন্দুনা থাগী তলবনচিংবসু পীরম্মী । মরম অদুনা মশান্না অসি য়াম্নমক পোপুলার ওইরম্মী অদুবু ইং ১৯৪২ গী মে ১০ দা ইম্ফালদা জাপাননা বোম থাদখিবদগী গেম অসি চাং-নাইনা শান্নবা ঙমদবগী মরম অমা ওইখি ।

ইং ১৯৪৭ তা বৃটিশনা মণিপুর থাদোক্লুনা চৎখ্রবা মতুংদা, মতমদুগী সরকারনা মণিপুর ষ্টেট পোলো কমিটি হায়দুনা ১৯৪৮ দা অমা শেমখি । লোয়ননা মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা ইং ১৯৪৯ গী এপ্রিলদা পোলোগ্রাউণ্ড টোর্নামেন্ট অমসু শিনখি অদুবু ইং ১৯৪৯ গী ওক্টোবর ১৫ দা মণিপুরনা ইন্দিয়ান য়ুনিয়নদা তীনখ্রবা মতুংদগীদি, পোলো শিন্থবরকপগী মরম অসিসু লাকখি ।

ইন্দিয়ান য়ুনিয়নদা তীনখ্রবা মতুংদগীদি মণিপুরগী মফম কয়াদা লৈরম্বা শগোল পুন্নমক সরকারনা লোয়নমক লৌশিনখ্রে। নিংথৌ পাল্লিঙৈদা থম্লম্বা শগোল শংবা চৌকিদার ফাওবা থবক্তগী লৌথোকখ্রে। চাং-নাইনা, হাপ্তা অমদা নুমিৎ হুন্নি শান্নরম্বা অদুসু তোকখ্রে। অসিদসু নত্তনা পোলো চাউখৎনবা থাদরম্বা শেনফম পুন্নমকসু ককথৎখ্রে। পোলোগ্রাউণ্ড অসিমকসু শান্নবদা য়েৎনবা নুংঙাইতবা কয়া লাকপদগী পোলো শান্নফম অসিসু কোনুং লম্পাক্তা ওইরকখি ।

অসুম্না চহী খরা চনৈননা লৈরুবা তুংদা ইং ১৯৫৫ গী দিসেম্বর ২৮ দা

ওল মণিপুর পোলো ক্লব শেমখি। মতমদুগী চীফ কমিসনার ওব মণিপুর, শ্রী পী. সী. মেথ্যুনা প্রেসিদেন্ট, শ্রীমাইবম ইবোতোন সিংহনা সেক্রেটরি ওইনা খনখি। অদুগী চহী খরা ক্লব হায়দুনা লৈরম্বগী ইং ১৯৮৬ কী ওগষ্টতগী এসোসিয়েসন ওম্মোরকখি।

মতম শাংনা হিংদুনা লাক্লবা পোলো এসোসিয়েসন অসি, ঙসিসু পোলো টোর্ণামেন্টনচিংবা চাং-নাইনা তৌদুনা গেম অসি হীংহন্নবা কন্না হোৎনরি অদুবু হৌজিক হংবা য়ারিবদি, তশেংনা পোলোগী হৌরকফম ওইরিবা লমদম অসিদা পোলো হীংবা ঙম্লগদ্রা হায়বসিনি।

হায়নীংলিবদি, মোদর্ন ট্রেন্দা লাক্লিবা মশান্না অসিদা ঐখোয়গী শান্নরোইশিংসু য়াওহনশি হায়রগদি অখন্নবা ট্রেনিং খরা তৌহনবা দরকার ওইরি। অসিদসু নত্তনা, পোলোগী হৌফম ওইরিবা মফম অসিদা পোলো হীংহন্নবগীদমকসু সরকারগী ওইবা অকনবা মীৎয়েং চংলি। লৈবাকসিগী অঙম অথৌ কয়ানা পোলো মণিপুরদগী হৌখিবনি; পোলোগ্রাউণ্ড অসি পৃথিবীগী ওইনা পোলোগী খ্বাইদগী লিরবা শান্নবুংনি হায়দুনা কয়ারক মখৌ পোংনা লাউখ্রবসু মশান্না অসিগী মতাংদা খোইদোক্না পুক্লিং চংবীরমদবা অসিদি ঐখোয় পুন্নমক্কী লাইবক থীবনি। অমরোমদা গেম অসি মফম অমদা হেক্তা শান্নবা য়াদবা, শগোল অমদি মী লোয়নরগা শান্নগদবা ওইবনা শগোল য়োকখৎনবগী থৌরাং অমসু য়ান্নমক দরকার ওইরি। পোলো শান্ননীংবা শান্নরোই ময়াম অমা লৈরবসু শগোল লৈত্রবদি গেম অসি শান্নবা য়ারোইদবনা শা অসি য়োকখৎনবা থৌরাং তৌদবা সুবয়া য়ারোই। চেকশিনকিদবদি নোংম-নোংমগী ময়েং তাশিল্লক্লিবা তাঙলবা পোনী হায়রিবা শগোল মখল অসিসু থৌওইদনা অসুম লৈথোক্লগদি মুংখিবা য়াবা ফিভম ফাওবা লৈ অদুনা, পোলো হীংহল্লবদি পোনীসু মুংপা ঙম্লোই। মখা তানা য়োকখৎনবগী থৌরাংবিহৌদবদগী লমদমসিগী ওইনা মহৌশাদগী লৈজরকপা মশান্না কয়া অমসু নোংম-নোংমাগী শিংখরক্তুনা মমি শান্নকপা কয়া য়াওরি। মরম অদুনা, পোলোগী হৌরকফমদি মণিপুরনি হায়বসিদা ঐখোয় পেম্মোক্তুনা খক লৈথোকফম থোক্কে। হৌরকফম ওইরিবা মফম অসিদগী মতীক চাবা শান্নরোয় পুথোক্তুনা মণিপুরবু পৃথিবীদা হেন্না শক খঙহন্নবা হোৎনফম থোকই। হোৎনববু লেপত্রবদি মদুগী মহয় শোয়দনা ফংগনি।

শগোল কাংজৈগী লৈবাকনি হায়দুনা পৃথিবীনা শকখঙনবা মফম অসিদগী অফাওবা কাংজৈরোয় থোক্লোইদবগী ৱাফম সুকলৈ লৈতে । শগোল কাংজৈ অসি লমদমসিগী লাইরেম্বশিং - মার্জিং, থাংজিং, খল্লাংবা, খোইরিফাবা, ইরুম নিংথৌ, ৱাংব্রেন, ইকোপ নিংথৌ, য়াঙ্গোই নিংথৌ, ইরোঙ নিংথৌ, ওকনরেল, নোংশাবা, নম্বুললাকপা, লোয়ালাকপা, নোংপোক নিংথৌ ফাওবা শান্নরম্মী হায়বগী ৱাফম ঐখোয়গী অরিবা পুয়া *মালেম চুক-খোঙপুবা* হায়বসিদা ময়েক শেংনা ইরি । লাই হাক্তক্তগী ফাওবা শান্নরক্লবা মশান্না অমা য়োকখৎপা হায়বসি ঐখোয় পুন্নমক্কী দায়িত্বনি ।

গেম অসি হীংহন্নবগীদমক সরকারগী পুক্নিং চীংশিন্নুনীংবা ৱাফম খরদি, অহানবদা পোলোগীদমক ষ্টেট ব স্ট্রা অখন্নবা শেনফম খরা লাক্কদৌরিবা চহীসিদগী ময়েক শেংনা হাপহন্নুনীংই। লোয়ননা শগোল কাংজৈ অসি মণিপুর সরকারগী মায়কৈদগী স্পৌট অসিগী মরু ওইবা গেম অমনি হায়না নীংশীংবিদুনা হীংহন্নবা অখন্নবা থৌরাং ওইনা খরসু শিলহন্নুনীংই । শেল য়াম্না চংবা মশান্না ওইবনা, পাল্লবসু শান্নবা ঙমদনা তোকখৎবা শান্নরোই কয়া লমদম অসিদা লৈরি । শেন থুমগী মতেং খরা পাংবিরগদি শান্নরোই কয়া হৌজিকমসু য়াওরকখিগনি । হৌজিক শান্নরিবা খরা অসিদি, ৱারবসু ৱানা মশান্না অসি কন্দহ। য়াদে শাগগী থৌনা অমগা লোয়ননা শান্নবনা অয়াম্বনি। শান্নরোই ময়াম অমা থোক্লগদি অরাংবা শগোলদা তোঙদুনা শান্নবা ঙম্বা কাংজৈরোয়সু শোয়দনা য়াওরক্কনি। অসুন্না নেসনেলগী থাক্তা ওংবা টোর্ণামেন্টশিংদা শান্নরোই অমা অনী হেক্ক য়াওহনবা ঙম্বদা অতৈদি মরি-মরি থোকচরক্কদবা ঙাক্তনি । পোলোগী চপ-চাবা লম্বেল অমা লৈতবনা গেম অসি লমদমসিদা তুফক তুফাই চনবগুম লৈবনি । মাইওন হেক চুমখিবদা মফম ফংলোইদবগী ৱাফম লৈতে । খুদম হায়ববু, ৱেঠ লীফটর কুঞ্জৱাণীনা ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা মমিং লৈখৎলকপদগী মণিপুরদা ৱেঠ লীফটর মশিং নায়দনা থোরকখি । বোক্সর মমিং শেগাক কায়রকপদগী ষ্টেট অসিদা বোক্সর কয়া-কয়া মশিং খঙদনা চোংথোরকখি । পৃথিবীদা লম্বা তৌসি হায়রবদি, ঐখোয়গী ওইনদি স্পোর্টসকী ফিল্ডদা তৌনবা তাবনি ।

অরোয়বদা হায়জনীংবদি, ঐখোয়গী ওইনা লৈজরম্বা মশান্নশিং অসিসু য়োকখৎনবা হোৎনসি । মসিগা ইরোয়ননা মতম মতমগী ওইনা লাক্লিবা গেম কয়াদসু, মালেমগী শান্নবেরাই পুন্নমক্কা লম্বা ঙম্ননবা হোৎনসি । লোয়ননা লমদম অসিবু শক্তাকপদা অচৌবা মফম কনখিবা শগোল কাংজৈ অসি মপুং ফানা মঙাল নাইনা হীংহল্লসি । *অথৌবা*, ডিসেম্বর - ১৯৯৯ ।

*****

মণিপুরনা মীরাইবিরবা

সন ওব মণিপুর মিষ্টর মাইপাক

খৃ: ১৯৭২-৭৩ গী অদুৱাইদা মণিপুরদতা নত্তনা অতৈ মপান লমগী সিনেমা হোলশিংদা *সন ওব মণিপুর* মিংথোনবা, মচু শংলবা অতেনবা দোকুমেণ্টরি ফিল্ম অমা উৎখিবা মতমদুদা মরু ওইনা মপানলমশিংদা লৈনখিবা মৈতৈ মহৈরোয়শিং অমদি থবক ইনখাং তৌনবা অতৈ মীওইশিং খুদিংমক্কী থম্মোয়দা, ফিল্মদুবু উরু য়েংলুবগী চাওথোরুবা পোক্লখিবগী ৱারী মরক মরক্তা কনা কনাগুম্বনা হায়বিবা তাঝৈ।

সন ওব মণিপুর মৈতৈ মচাশিংগী মরক্তগী ঙসি ফাওবদা তোমথিল ওইনা 'মিষ্টর ইন্দিয়া' (১৯৭০) মিংথোল ফংবতা নত্তনা ১৯৭১ দা পেরিসতা পাংথোকখিবা 'মিষ্টর য়ুনির্ভস কন্টেষ্ট' তা শরুক য়ারুদুনা, তোপ তোপ্পা ভারতকী ওইবা মওংগী শাওং (পোজ) উত্তুনা 'বেষ্ট পোজ' গী মনা লৌরকখ্রবা, মণিপুর কৌবী ইমাগী কোলোইবু মালেম শিন্না তাক্লমবা, মীয়াম্নদি নিংশিংবীবগী ঙমখৈগী ৱাংমদা থম্বিখ্রবা 'মিষ্টরৰ মাইপাক' না পেরিসতা উৎখিবা শাওং (পোজ) কয়াবু মরিক চুন্না উৎখিবা ফিল্মনি হায়বা থিজিঙ্গুরুবদগী খঙজরকখি।

খৃ: ১৯৪০-৫০ গী অদুৱাইদগী, মণিপুরদা অহানবা ওইনা, খুয়াথোং পোলেম লৈকাইদগী শগোলশেম ইন্দ্রমণি সিংহনা 'ফিজিকেল কলচর' (শাজেল তৌদুনা হকচাং থাকপা) হৌদোকপিরগা, ১৯৫১ দা 'মণিপুর মেন বুইল্ডিং ইন্সটিট্যুট' লিংখত্তুনা অহানবা 'মিষ্টর মণিপুর' খনবগী থৌরম হৌদোকপিরম্লবা মতুংদা, মণিপুরকী মশা-মউ ফবগী ইতিহাসতা, ঙসি ফাওবদা শরুাইরবা মীওই কয়া থোকখ্রে। অদুবু লাইবক থিবদি অদুগুম্বা মীওইশিং অদো ঙসিদি কনানসু নিংশিংনবিদনা ইচম চম্বা মীয়ামগী সমুদ্রদা অদুম্মক লুপশিনহনখ্রিবসিনি। মতাং অসিদনি খল্লুরকখিবা ইমা লৈবাক মণিপুরবু নিংশিংনবগী ৱাখল্লোন চেনবা মাল্লবা মীওই কয়ানা পিক থম্না লৈরবা মণিপুরদা, লমদমসিবু মালেমদা ৱাংনা থাঙ্গৎপিরম্বগা *সন ওব মণিপুর* মিংথোনবিখ্রবা হৌগৎলক্লিবা নহারোল কয়াগী 'ওজা মাইপাক' কুম্বা মীওই অমবু করিগীদমক্তনো মীয়াম্না নিংশিংবীবগী ঙমখৈগী ৱাংমদা থম্নবিৱোবা ?

'ওজা মাইপাক' হায়রগা নহারোল খরনা হেন্না খঙনবা 'মিষ্টর মাইপাক'

কী মরমদা থিজিল্লরুই । মতম অমদা মণিপুর শিনবা থুংনা হকচাং ফবগী শাওং কয়া মীয়ামদা উত্তুনা, মীয়ামগী পুক্নিং পেলহনবিখ্রবা, মচা খায়না চাওরবা পাম্বোম অনিদা তিক তিক লাওবা মীওই মরি-মরিনা য়ালহল্লগা কোইলে লৈদুনা পাঙ্গলগী অঙকপা মতিক উৎপিখ্রবা ওজা মাইপাকঙসিদি মশাগী চহী ৬১ শুরে । হৌখিবা এপ্রিলগী তাং ১৫ দা ওজা মাইপাকপু উনজরুই । ব্রারী কয়া শাজরকই । হৌখ্রবা ওজা মাইপাককি পুন্সিগী অপেনবা পেন্দবা কয়াগী । মদুদগী খঙজরকপা কয়ানা শাগৎচবা *সন ওব মণিপুর* মিষ্টর মাইপাককি ব্রারী খ্বায়গী মফমদা থমজরী ।

শান্নরোয় অমা ওইনা ওজা মাইপাককি পুন্সি -

শ্রীনোংথোম্বম মাইপাক সিংহ, শ্রীনোংথোম্বম ঁ কমল সিংহ অমসুং শ্রীমতী তম্পাক্নে দেবী অনিগী মচা নুপা অহুমগী মনুংদা য়াইমনি । খৃ: ১৯৩৫ গী জুনগী ১২ দা উরিপোক সোরের্বান থিংঙেল সিনাম লৈকাইদা পোকখি । মশাগী চহী ১৫ তা ভাইরিঙে, নৌরিঙে মতমদগী হৌনা নুপা ওইবগী অকন-অথৌগী মশান্না কয়াদা থব্রাই য়াওরকখি । ১৯৪৮ দা অহানবা ওইনা অকন অথৌগী অরুম্বা থাঙ্গৎপগী মশান্নদা পুক্নিং চংশিনখি । মসিদা পামখিবগী মরম্না, অনিশুবা লাঙ্গাওগী মতমদা, নাওরেমথোং লাইশ্রম লৈরক্তা মতম খরগী ওইনা লৈরম্বা লান্মীগী লেটনেন্ট কর্নেল অমনা মশান্নদু শান্নবা হেক-হেক উরুবদগী পামজরকখিবনি । পামজরকখিবা ব্রাখলনা মাংজিন থাদুনা, লান লোয়খ্রবা মতুংদা, সিফাইশিংনা টীংমৈরোংদা হুন্দোক্রম্বা গাড়ী চাকাগী য়োংশিং নুমিৎ কয়ানিরোম খোংনা হঙ্গৎ হন্দা চত্তুনা হোল্লুরগা, শান্নবা য়ানবা মওংদা শেল্লগা শান্নবা হৌরকখি । মতমদুদা ওজা মাইপাক্তা লমজিং পাওতাক পিখিবনা শামুশংদগী শ্রী এস: শুনিলচন্দ্র শর্ম্মানা ওইখি ।

হায়রিবা মতমদুদা ওজা মাইপাক, অরুম্বা থাঙ্গৎপদনা খর হেন্না পামজখ্রগসু, মতমদুগী মণিপুরদা নহারোলশিংনা শান্নখিবা খুৎশান্না খুদিংমক্তা শরুক য়াখি । ময়ামদুগী মনুংদগীসু ওজা মাইপাক্কী মফমদা খরা হেন্না পামজনা থোকখিবা মশান্নশিংদি *ব্রেঠ* লিফটিং, বোডি বিলডিং, হেমর থ্রো, সোটপুট, দিস্কস থ্রো শিং অসিনা ওইখি ।

অসুন্না শান্নরকপনা, ১৯৫৩ দা, রুপমহল হোলদা পাংথোকখিবা ৪ শুবা মিষ্টর মণিপুর চাংয়েংদা শরুক য়াখি । মীওই নিপান্না শরুক য়াখিবা চাংদম্নবা অদুদা সোইবম ঁ মেঘনা 'মিষ্টর মণিপুর' মনা ফংলগা, ১৯৫১ দগীনা ৫৩ ফাওবদা

থংন থংননা মিষ্টর মণিপুর তারকখ্রবা 'মণিপুরগী তারজান' হায়না খঙনরম্বা ইবোম লখেন্দ্রনা ২ শুবা মনা লৌরগা মথং ৩ শুবদা ওজা মাইপাক্লা লৈখি। অদুগা চহীদুমক্কী মণিপুর পুম্বগী অরুম্বা থাঙ্গৎনবগী চাংদম্নবদনা ওজা মাইপাক্লা অহানবা মনা ফংখি। মদুগী মথক্তা ১৯৫৩ দগীনা ৫৮ ফাওবদা মণিপুরদা পাংথোকখিবা হামর খো, সোট পুট, দিস্কসনচিংবা অতে চাংদম্নবা কয়াদগী ওজা মাইপাক্লা অহানবা মনা ফংখি। কয়াদুগী মথক্তা ১৯৫৮ দা নই দিল্লিদা পাংথোকখিবা নেসনেল কম্পিটিসন য়াওরুনবা মণিপুরদগী, মশাল্লা ৮ গী শান্নরোই অমদি ওফিসিএল পুল্লা মীওই ১৩০ চৎপদা ওজা মাইপাকসু য়াওখি। হায়রিবা নেসনেল কম্পিটিসন অদুদা ওজা মাইপাক্লা, ভারতকী ওইনা হান্না লৈরম্বা হামর খো অমসুং সোটপুটকী রেকোর্ড থুগাইদুনা অনৌবা নেসনেল রেকোর্ড থমখি। লোয়ননা ভারতকী শান্নবুঙদা মণিপুরগী শান্নরোইশিংগী ওইবা অনৌবা ইতিহাসকী লামাই অমা হাংদোকপা হৌখি।

নিংবা কায়বতনা মশরুক ওইনরবা মণিপুরগী শান্নরোইশিংগী পুন্সিগী নিংঙমদবা কয়া ওজা মাইপাক্কী পুন্সিদসু অদুম থোকখি। শান্নবুং কয়াদা মপাল ফনা ১৯৫৯ দগীদি, ইমুং মনুংগী লৈত লাইর কয়ানা নমহৎখিদুনা ১৯৬৫ তাওবা, ওজা মাইপাক করিগুম্বা চাংদম্নবা অমত্তদা শরুক য়াবা ঙমখিদে। অদুবু পামজবগীদমক্তদি থব্রাই ফাওবা পাম্মুনদ্রিবা মীওইবগী পুন্সিনিনা, পামজবা খুশাল্লা কয়ানা ওজা মাইপাকপু অমুক চিংথোকপিরক্লুনা, কল্লা হোৎনরবা মতুংদা, ১৯৬৮ দা পাংথোকখিবা মিষ্টর মণিপুর চাংদম্নবদা শরুক য়াদুনা থোইদোক্লবা 'মিষ্টর মণিপুর ইভরগ্রীন' হায়বা মিংথোল ওজা মাইপাক্তা পিখি। মথং ১৯৬৯ দা মিষ্টর আসাম চাংদম্নবদা শরুক য়াখি। **মিষ্টর আসামশ্রী** মিংথোনতা নত্তনা চহীদুদা ব্রেঠ লিফটিং অমসুং পব্লার লিফটিং য়াওনা ওজা মাইপাক্লা পুন্না সনাগী তকমান অহুম ফংলকখি।

লেপ্তনা চংশিল্লকপা ওজা মাইপাককী শান্নবুংগী খোঙজংদা, ১৯৭০ দগী কলকত্তাদা পাংথোকখিবা মিষ্টর ইন্দিয়া চাংদম্নবদা য়াওরুদুনা, চাংদম্নখিবা ভারতকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংগী মীওই ১৩২ দগী ইহেন হেন্দুনা 'মিষ্টর ইন্দিয়া' মিথোল ফংদুনা মণিপুরবু মীয়ামদা শক্তাকখি।

ভারত পুম্বনা শকখঙবিরবা ওজা মাইপাক মথন্তবু, ১৯৭১ গী সেপ্তেম্বর ২৫ অমসুং ২৬ তা পেরিসতা পাংথোকখিবা মিষ্টর য়ুনির্ভস চাংদম্নবদা ভারতকী

ওইনা শরুক য়ারুনবা খনখি । ওজা মাইপাক্না পেরিসতা চংপদা ভারতকী শরাইরবা ১৯৫১ দা মিষ্টর য়ুনির্ভস চাংদম্নবদা শরুক য়ারুনবা শ্রীমোনোতোস রোইনা ওজা মাইপাককী কোচ অমসুং মেনেজর ওইনা শ্রীজি: বি: গিরিনা মেনেজর ওইখি । পেরিসকী চাংদম্নবা অদুদা পৃথিবীগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াগী মশা ফবা মীওই ৭২ না শরুক য়াখি । মখোয়শিং অদুগী মরক্তা ওজা মাইপাক্না ১০ শুবা লেংদা লৈখি, অদুবু ভারতকী ওইবা তোঙানবা মখলগী শাওং (ইন্দিয়ান ষ্টাইল মিথোলোজিকেল বেষ্ট পোজ) পুথোকপগী অখন্নবা মনা লৌরকখি। চাংদম্নাবা অদুদা ওজা মাইপাক্না উৎখিবা শাওংশিংদি হাওনা তা পায়রগা চোংবগী, খম্বনা জগোই শাবগী, রাধা পোজ, শমচেং হাংপা থৌরি চিংবা, কৃষ্ণনা বাঁসি খোংবগী, মহাদেবনা তান্দব চোংবগি, যীশু খৃষ্ট পাং তিংবগি অসিনচিংবা শাওং কয়ানি । শাওংশিং অদু পৃথিবীগী অতৈ খুদিংমগী ইতোপ তোপখিবা অমা ওইনা চাংদম্নবদু জর্জ ওইখিবশিং অমদি ভাবকশিংনা, অপিবা মতমগী শাংথনা উৎহনদুনা অঙকপা মওংদা য়েংনখি । উৎখিবা শাওং খুদিংবু অয়েংবশীংনা করিনো হায়বদু খঙনবা মতমদুগী 'ইন্টরনেসনেল ফেডরেসন ওব বোডি ব্যুইল্ডর' গী প্রেসিদেন্ট শ্রীবেন রেদর মরক্তা শ্রীমোনোটোস রোইবু ফমবাক্তা কৌখৎতুনা, ভাবকশিংদা শন্দোক্না তাকহনখি ।

অকনবা মীওই অমা ওইনা ওজা মাইপাক -

ওজা মাইপাক্না ১৯৪৮ দগী হৌদুনা মণিপুর অমদি আসামদতা নত্তনা নেসনেলগী থাক্তা ফাওবা মনা মথুম কয়া ফংলকখিবদগীদি, মণিপুরদা নহারোলশিংগী ওইবা অকন অথৌগী মশান্না কয়াগী ঈহৌ অমা লাকখি । মশাগী পিথোকচরক্লবা গুণ কয়ানা লৈতেংলবা মৈতৈ মচাশিংগী মতিক মতমদুদা অতৈ মপান লমগী মীওইশিংনা তশেংনা খঙখি । মদুমক্না ১৯৬৬ তা ভারতকী ওইনা 'রেষ্টলিং' গী শান্নরোই শেমগৎনবা ভারত সরকারনা হোংনরকখিবদা, ভারতকী অফাওবা রেষ্টলর থন্দিরাম (হরিয়ানা) বু চয়োল অহুমগী ওইনা মণিপুরদা রেষ্টলিংগী ওইবা কোচিং কেম্প অমা তৌনবা থারকখি । থন্দিরাম্না অফাওবা রেষ্টলর অমা ওইনা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংদা রেষ্টলিংগী তোঙান তোঙানবা লৌ কয়া চয়োল অনী তাক্লবা মতুংদা মখৌ পোংনা কনাগুম্বনা মহাক্কা লাম্বা তৌনবা ঙম্নবদি অখন্নবা মনা পিগনি হায়দুনা নুমিং নিনিরোম লাওখি ।

ডি: এম: কলেজগী হোলদা পাংথোকখিবা কোচিং কেম্প অদুদা থান্দিরাম

মণিপুরগী শাননরোইশিংবু উশিং থওইদনা লাম্বা থোরকউ হায়দুনা লাওখিবদুদা থম্মোয় শোকখিবা শ্রীথাংজম মধু সিংহ (রিটায়ার্দ, এজুকেসন ডাইরেক্টর) অমসুং শ্রীলাইশ্রম জয়চন্দ্র সিংহ (প্রজাতন্ত্রগী এডিটর) অনিনা ওজা মাইপাক্কা, থন্দিরাম লাম্বা তৌনদুনা মণিপুরগী ইজং কল্লু হায়বিরকখিবদগী শিবা কিদনা ওজা মাইপাক্কা থন্দিরাম অকনবা লাম্বা তৌনখি। মদুদা ওজা মাইপাক্কা মৈতৈগী তাংলবা মুক্কাগী থোইদোক্লবা লৌ শিজিন্নদুনা থন্দিরাম শুপ্নগী মিনিট অমরোমগী মনুংদা মাইখিবা পিখি। থৌদোক অদুদগী মথন্তা ইকাইজদুনা খাঙভমদ্রবা থন্দিরাম কেম্প থাদোক্লুনা, ওফিসিয়েল খরদংদা খঙহল্লম্লগা লোম্না চেনখি। মণিপুরবু মরু ওইনা মৈতৈ মচাবু উশিং থওইখিদবা ভারতকী শক্কাইরবা রেষ্টলর থন্দিরামবু মাইখিবা পিদুনা মণিপুরগী ইজং ঙাকখিবদগী ওজা মাইপাক্কা প্রজা মীয়াম্না ইকাই খুম্নবা উংখি।

ওজা মাইপাক্কা চারকপা চিঙ্খাকশিং -

ময়ুমদা লোইজবা ষনবীগী শঙ্গোম, ইংখোলদা থাজবা হৈ-রা, এনসাং নাপী অমদি লমফেল পান্তা নুমিৎ চুপ্পা ঈশিংলুবগা ফারকখিবা ঙা নত্তনা অতৈ অহেনবা চিঙ্খাক্তি ওজা মাইপাক্কা চাবা ফংলকখিদে।

নুমিৎ খুদিংগী শাজেল লোয়রকপদগী ইংখোলদা অফংবা কোবি ফুন ৫, পেরুক ২, নফোই ৫, শঙ্গোম চাইশেন ১ অসিনটিংবনি। চাবা থকপা ঙম্নবা শান্নদবা অতৈ মতমদা ইংখোল কোইবা, ষণ শেনবদা ওজা মাইপাক্কী লেংদ্রবা মথৌ ওইরকখি। নোংমাইজিং খুদিংগী মতমদুদা ইহাং হাংলম্বা লমফেল পান্তা চত্তুনা নুমিৎ চুপ্পা ঈশিংলুদুনা চয়োল অমা চাবা কোন্ননবা ঙা ফারুবসু ওজা মাইপাক্কী নিয়ম কায়দ্রবা মথৌ ওইরকখি। করিগুম্বা মতমদুদা হৌজিক্কালগী শান্নরোইশিংনা ফংনারিবা খুদোংচাবশিং অসি ওজা মাইপাক্কসু ফংলম্বা তারবদি মিষ্টর য়ুনির্ভসতা নত্তনা মিষ্টর ওলিম্পিক ফাওবা শরুক য়াবা ঙম্নমগনি হায়বা নিঙমদবা ৱাফম কয়া ওজা মাইপাক্কা তম্লকখি।

সরকারগী মাইকৈদগী ওজা মাইপাক্কা মতেং -

১৯৭০ দা 'মিষ্টর ইন্দিয়া' মিংথোল ফংলবা মতুংদা মণিপুর পুলিস ডিপার্টমেন্টতা স্পোর্টস ওফিসার ওইনা এস: আই:গী ফমদা থৌ পুহনখি। অদুবু ১৯৭৩ দা থবক থাদোকখি। মরমনা ১৯৭৩ দা পাংথোকখিবা ৪ শুবা এম:আর: গী 'পাসিং পেরোড' কী থোরমদা ওজা মাইপাকপু হকচাং ফবগী শাওং উংনবু

মতমদুগী কমান্দেন্ট অমদি চিফ সেক্রেটরিনা হায়বিরকখি। শাওং উংপগী থৌরমদ অয়ুক্তা উৎকদবনি হায়দুনা শাজেলনচিংবা তৌদুনা থৌরাং পুন্নমক লোয়রকান্দা, নুংথিলদা ওইনা উংলো হায়দুনা য়েথোক্লকখি । মরক্তুদা ওজা মাইপাক্কী মচা নুপা অতোনবদু খুদোং থীনিঙাই ওইনা মশা ঙম্লক্তুদুনা লম্ফেল হোসপিটালদা পুখত্তুনা থাদোকপা য়াখিদবদগি, নুংথিলদা পাংথোক্কদৌবা শাওং উংপগী থৌরমদু উংপা ঙমখিদে । মদুগীদমক ওজা মাইপাকপু অঙম্বশিংনা থবক্তগী লৌথোকখি (সসপেন্দ)। সসপেন্দ তৌবগী পাও ওজা মাইপাক্তা, থাংমৈবন্দগী থৌ পুমিন্নবা মরুপ অমনা তমলকখি । অদুবু অঙম্বনা অতোনববু তুহংপিবনা চংনবী ওইরগসু ব্রাখলগী থৌনা হন্দবা ওজা মাইপাক্লা খুদক্তা মশানা থবক থাদোকচবগী চে ইদুনা মকোক থোংবদা পিশিনখি ।

১৯৭৩ দা থবক থাদোক্লবা মতুংদগীনা ১৯৭৭ ফাওবা ওজা মাইপাক্লা হিংনবগী লানফমদা মীখা পোন্দনা হিংজবা ঙমজবা লৌ উবা অমসুং শা-ষণ লোইবনচিংবগী শিনফমদা মাই ওনশিনখি । অদুবু ১৯৭৭ তা চিফ মিনিষ্টর য়ংমাশো শৈজানা ওজা মাইপাকপু কৌদুনা ওজা মাইপাককীদমক মহৈ লোয়শঙদা ফম অমা শেমবিদুনা সরকারগী থৌ পুবা হৌখি । অসুন্না লাকপনা হৌজিক্তি দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস ওফিসারগী মখাদা হকচাং থাকপগী ওজা (বোডি ব্যুইলডিং কোচ) ওইনা লৈরি।

হৌজিক হিংলিবা ওজা মাইপাক্কী পুন্সি -

লোইনবী শ্রীমতী মেমচৌবী দেবীগা, মচানিপা ৫ নুপী ৫, ইমুং মনুং পুন্না হৌজিক নাওরেমথোং লাইশ্রম লৈকাইদা অচম্বা য়ুম অমদা হিংলি । ময়ুমদা শেম-শাদুনা থম্লবা শাজেল তৌফমদা (জিম) মশা মউ থাকপা হৌগংলক্লিবা নহারোল কয়াবু নুংতি নুমিৎ খুদিংগী লমজিং লমতাকপিরী ।

ওজা মাইপাক্লা পাওদম্লকখিবা পেন্দবা কয়াগী মনুংদা থোইদোক্লা লাংতক্লবা পোকপা ব্রাফমদি ১৯৫৮ দা নই দিল্লিদা পাংথোকখিবা ভারতকী ওইনা চাংদম্নবদা ভারতকী ওইবা অনৌবা রেকোর্ড থম্লকখিবা ওজা মাইপাকপু, মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর জৱাহরলাল নেহরুনা, দিল্লিদা লৈরো থা-থাগী ওইনা লুপা লিশিং তরা তরা পিগে তক্তনা হায়রকখিবদা, ওজা মাইপাক্লা মহাক্তি মণিপুরগী শান্নরোইনি, মণিপুরগী ওইদুনা লৈগদবনি হায়দুনা য়াখিদবা ব্রাফমসিনি। মসিগা মরী লৈননা, ওজা মাইপাক্লা মাংজিন থাখ্রবা শান্নরোইশিংনা ঐখোয়গী মণিপুরদা ঙম্লবগী

খোঙফম ফংলগদি মণিপুর থাদোক্তুনা অতৈ মপানলমদা চত্তবনা" হেন্না ফৈ, মদুনা অতৈ হৌরক্লিবা শান্নরোই কয়াদা লমজিং মৈরা চুখৎপিনবা মাইকৈ কয়াদগী খোক্লকপগা লোয়ননা মতম মতমগী মীথোই মীহেন্না শান্নরোই কয়াসু লেপ্তুনা খোরক্কনি হায়বগী থাজবসু থম্বিরকখি । হৌজিক হৌজিক ওজা মাইপাক্কী ওইনদি হকচাং থাকপদা থব্বাই য়াওজবা নহারোল কয়াগী লমজিং ওইদুনা অচম্বা পুন্সি অমা হিংলি ।

হৌরক্লিবা শান্নরোয়শিংদা ওঝা মাইপাক্কী পাউজেল -

শাজেল তৌদুনা হকচাং শেংনা, ফনা থম্বা ঙল্লবদি পুন্সিদা অরুবা ব্রাখল ঙাক্তুনা য়োমশিলক্কনি । অফবা ব্রাখলবু চেন্নরবদি কলক য়েংথিনবা, ফুন-চৈনবা, হাৎন-শুনবনচিংবা ব্রাথোক কয়াগী চাংসু হম্বুরক্কনি । মরম অদুনা ঐহাক্কী (ওজা মাইপাক্কী) ওইনদি, মৈতৈ মচাশিংগসু চানবে হায়বা খঙলবা হকচাং থাকপগী মশান্নদা থব্বাই য়াওনা মালেমদা মণিপুরগী শক্তমবু উৎকে খল্লিবা নহারোল খুদিংমক্কীদমকপু ঐহাক্না মতম চুপ্পদা তরান্না ওকচরি, ঐহাক্কী পুন্সিগী থোং খুদিংমক মতম চুপ্পদা মখোয়গীদমক লাওনা হাংদোক্তুনা থমজরি ।

সনখোঙ, মে ১৯৯৫ ।

*****

মণিপুরগী অহানবা ওলিম্পিয়ন

নিলকমল

নিংবা কাইবা ঙাক্তুনা খোয়শাওনরবা মণিপুরী শান্নরোইশিংগী মফমদা "ইশাগি ইতিকপু লৈজরবদি নমহৎপিবা য়াবা নত্তে, দরকার লৈরিবদি নিংহন্নবা লৈত্না হোৎনবদুবুনি" হায়বা অনৌবা পাওজেলগা লোয়ননা, মণিপুরী শান্নরোইশিংগীসু পৃথিবীগী অচৌবা শান্নবুংশিংদা মফম কন্বা য়াই হায়বসি নিলকমলনা ইং ১৯৮৪ গী লোস এঞ্জেলেস ওলিম্পিক্তা ভারতকী হোকি টিমগি গোল কিপ্পর ওইনা শরুক য়ারুবা অদুনা উৎখি। থৌদোক অদুমক্তা মণিপুরগী ওইনা অহান্না ওলিম্পিয়ান অমা ঐখোয়গী ওইনা ফংজখিবতা নত্তনা মণিপুরগী অতৈ শান্নরোই খুদিংমক্তা অনৌবা আশাগি মৈরা তশেংনমক চুখৎখি হায়বা য়াই। পাওস্বম নিলকমল সিংহ, অঙাং ওইরিঙৈদগিদি অতেন্না লমজেল চেন্নদা হেন্না মপুক্লিং লুপচরকখিবা শান্নরোই অমা ওইনা, মোইরাংখোম বোকুল মখোং লৈকাইদা পোক্লক-ৰচাউরক্তুনা হৌরকখি। অদুবু হৌজিক্তি মহাক্কি লোয়নবী শ্রীমতি প্রেমেশ্বরী অমদি মচানুপী অনি অমসুং মচানুপা ১ পুন্না ৱাংখৈ কোনুং কম্পাউণ্ড মনুংদা হোংদোক্লক্তুনা অনৌবা য়ুম লিংদুনা লৈরে। থবক্তা ইন্দিয়ান এয়রলাইন্সকি ইম্ফাল ওফিস্তা ট্রাফিক সুপরিন্টেন্দেন্ট ওইনা থৌ পুরি ।

মশাগি চহি ৪০ শুক্তিল্লক্লবা নিলকমলগি লু-তোংদা শান্নরোই অমগি ঈ চেল্লি, হকচাংদা মীহুল হুল্লি হায়বদি, হৌজিক ফাওবদা মহাক্তা শান্নবুংদগি লাপথোক্তুনা হৌগৎলক্লিবা শান্নরোই কয়াদা হন্না লৈত্না লমজিং পাওতাকপিরিবা কয়ানা ময়েক শানা উৎলি। মৈতৈ মচাশিংগী মরক্তা অহান্না ওলিম্পিয়ান ওইরিবা নিলকমলগি মরমদা খরদং খ্বায়গী মফমদা থমজনবগিদমক কুমারী ৰত্নেশ্বরী গোশ্বামিনা শ্রী নিলকমলবু উনরুইঃ

ৰত্নেঃ করমকান্দৈ হোকি শান্নবিরকখিবগে ?

নিলঃ অহান্নদদি লমজেলদা থৱাই য়াওজরম্বনি অদুবু ১৯৭৫/৭৬ অদুৱাইদগিদি ফুটবোলগা হোকিগদা পুক্লিং চিংশিঙ্গরকখী । মতমদুদা মীয়াম্না খ্বাইদগি হেন্না পাম্নরম্বা খুৎশান্নসি হোকিগা ফুটবোলগা অনিসিনা খরা হেন্না ওইখি। তশেংনদি নৌরিঙৈদগি হৌনা শান্নরোই অমা ওইনা খুৎশান্না অনি অহুম শান্নজরকপনি । ফুটবলদা নেম্নেলগী থাক ফাওবদা

য়াওজরম্মি অদুবু ঐভোন্দা য়ান্না পামজনা অমদি চান্নজনা থোকখিবসি হোকিনা ওইরকখিবনা, মতুং তারকপদদি হোকিরোমদা মাই ওনশিঙ্খিবনী।

রত্নেঃ মণিপুরদা হোকি শান্নরকখিবগী ঈহৌ থেংনবিহৌরা ?

নিলঃ থেংনজরকখি। হান্নদগি, ষ্টেট লেভেলদা করিদা হোকিসি পংশান শান্নরম্নবসু, মণিপুরনা মপান থোক্কুনা ইহান হান্না নেম্নেলগি লেভেলদা শরুক য়ারুবদি ১৯৭৬ তা ওরিষাগী কংটকতা পাংথোকখিবা চেম্পিয়নশিপতগীনি। মদুদা ঐহাক ইশামকসু মণিপুরগী টিমদা য়াওজখি। লাইবকথীবা হায়গদ্রা ফবা হায়গদ্রা অহান্না ওইনা শরুক য়ারুবদুদা ইন্দিয়ান এয়রলাইন্সনা ঐখোয়বু ১২-০ দা ওখাক ইকাইবা পিনা মাইথিবা পিরকখি অদুবু অমরোমদা থোঁদোক্কুমক্কা মণিপুরগী হোকি শান্নরোইশিংদা নৌনা মীংকপ থোকহনখিবগুম থোক্কুনা, ঐখোয় মশেল শি-না কাঁদখে প্রাকতিস তৌদুনা হোংনবগি ঈথিল অমা পীরকখি। মতুং তারকপদদি মণিপুরগী শান্নরোইশিংগী মরক্তগিসু নেম্নেল সেলেক্সন ত্রাএলগি খনগংলবা শান্নরোই কয়া থোক্লকখি, অদুগা ১৯৭৮ দদি ঐহাক ইশামক হাইদরাবাডতা পাংথোকখিবা জুনিয়র ট্রাএল কোচিং কেম্পতা য়াওজরুই। অশুম তৌনা ইখণ্ড খণ্ডহৌদনা ১৯৮১ দা য়ুঃ পিঃ গী মীরুটতা পাংথোকখিবা নেম্নেল চেম্পিয়নসিপ্তদী মণিপুরনা ফাইনেল ফাওবা শান্নবা ঙম্নকখি। ফাইনেলদা য়ুঃ পিঃ গী মখুত্তা মণিপুরনা পোহৌরবসু, মণিপুরগী টিম্না ফাইনেল শান্নবা ঙম্নকপদুদা অতৈ ষ্টেটশীংদা ঙক্না থোক্লকখি।

রত্নেঃ মতমদুদা ইন্টরনেম্নেলগী থাক্ত শান্ননিংঙকখিবগী ৱাখলদি লৈবিখিরা ?

নিলঃ ঐদি শান্নরোইনি । শান্নরনি হায়দুনা থৌনা হন্দনা, অখাং কন্না অচুম্বা মওংদা হোংনববু কল্লবা, চংশিম্ববু লেপত্রবদি মফম অমদি শোয়দনা য়ৌবা ঙমগনি হায়বসিতনি ঐনা থাজখিবা ।

রত্নেঃ ইন্টরনেম্নেলগী থাক্তা শান্নবিরকখিবা চহী ?

নিলঃ ১৯৮১ দা জুনিয়রগি হোং কোংদা পাংথোকখিবা "ৱার্ল্ড ক্বালিফাইং রাউণ্ড" দা ভারতকী গোল কিপর ওইনা শরুক য়াবা হৌজরকখি ।

রত্নেঃ কদায় কদায়দা শান্নবিরকখ্রবগে ?

নিলঃ মশিং য়ামখ্রে। হেক্তা নিংশিংদুনতা পুন্সিদা লৈরগদবদনা ১৯৮৪ গি লোস এঞ্জেলেসকী ওলিম্পিক, ১৯৮৬ কি সিওল এসিয়াড, ৱার্ল্ড কপতা অমুরক

অমদি অতে ৱার্ল্ড চেম্পিয়নশিপ ২২ পুন্না ত্রোকি ২৫ রোমদ শরুক য়াজরুরে। ময়ামসিগি মথক্তা লৈবাক ৫/১০ চাংদন্নবা নত্রগা এসিয়াগী ওইবা চেম্পিয়নশিপ কয়া অমদসু শরুক য়াজরুরে।

রত্নেঃ মণিপুরগী হোকিনা নেম্নেলগী থাক য়ৌরকপদগিনা ঙসি ফাওবদা ওইরিবা ফিভমদা করি খনবিবগে?

নিলঃ শেমগৎ শাগৎপগি খোঙথাংদি হান্নদগি হৌজিক ফাওবদা জিরোদা লৈরি। ঐখোয়না শান্নজরকপা মতমদসু অফবা শান্নবুং লৈখিদে ঙসিসু অদুম লৈতে। নাপিগি অফবা শান্নবুংগি ৱাদি লাপখ্রদুনা হৌজিক্কি মতমগি "এস্ত্রো টর্ফ" কি শান্নবুংশিংগী মতমসিদদি, মণিপুরগী হোকিগী শান্নরোইশীংনা হোকিদা থৱাই লুপ্নগে খল্লবদি অতে মপান লমগী খুদোংচাবশিংদা মীংয়েং থন্নদুনা হোৎনবা তাবনি।

রত্নেঃ করি উপাইদি লৈগনি ?

নিলঃ হোকিগি খুৎশান্নসি মণিপুরীশীংগা য়াম্না চান্নে হায়বসি খঙ্গবতা নত্তনা ভারত পুম্বনা খঙনরবনি। অদুবু করিগুম্বা অরংবা আশা অমফাওবা উদে হায়বা য়াই। "সাই"না নুপাগি টিম অমা য়োকপিদুনা হোৎনবিরম্বদগি আশা তৌবা য়াবা শান্নরোই খরা ফাওবা য়াওরক্লন্নবনি অদুবু মদুসু অঙম্বশিংগী খুজিন-থৌরাং ফজবনিনা মচাই-মচাই তানখ্রমাল্লে। তশেংনা লাইবক থীবনি, ঙসি ফাওবদা ঐখোয়গী শান্নরোইশীংবু নুংশিবিবা শেমগৎপিনিংবা ডাইরেক্টর অমা ফাওবা "সাই" দা লাক্লি হায়নিংই। ঐখোয়গী শান্নরোইশীংবু শেমগৎপসু শেমগৎপিদ্রে, লমদমসিগী সরকারনসু য়েংশিনবিদ্রে মসিদদি ঐখোয়গী চাওখোকচনিঙাই ওইরবা শান্নরোই কয়ানা অতে মপান লমদা খুদোং চাবা য়েংনখিবা হায়বসি মশানা তাজরকপনি। ঙসিদি মণিপুরদা মণিপুরগী ওইনা অফবা শান্নরোইদি অমত্তবু লৈহৌদ্রে। (নোকই) ঐখোয়গী টিম ওইনা শান্নবা হোকিদি লাইরদনা ইন্দিভিজুয়েল ওইবা ৱেঠ লিফটর কুঞ্জরানী ফাওবদা মণিপুরদা লৈবা ঙমদনা চেনখ্রিবসিনী। অতে লায়রি কুঞ্জরানীবু হৌজিক করম তৌখ্রগে ?

রত্নেঃ সিঃ আরঃ পিঃ এফঃ তা ইন্সপেক্টর ওইনা থৌ পুখ্রে। মণিপুরদা হোকিগি মশান্নসি চাওখৎলক্কবা ইশাগি ওইনা করি থৌরাং লৈবিবগে ?

নিলঃ থৌরাংগিদি ওলিম্পিয়ান থোইবাগা ইন্টরনেম্নেল টিকেনগা ঐখোয় পুন্না

শেলগি মতাংদা মাই লৈথোকপিখিবদগী কলকত্তাগী সোর্ল্ট লেক্তা পুখ্রে। মণিপুরদা এস্ট্রোটর্ফ কি শান্নবুং অমা পুরক্কবা কন্না হোংনজরি । য়াম্না লাইবক থীখিবদি ঐখোয়না কন্না হোংনজরম্বা টর্ফ অমা মণিপুর সরকারনা অদুবু মতিক চাবা শান্নবুং লৈতে হায়দুনসু হোকিবু শিংহনবদি য়াদে। ঐনা ভমজবা, হোকিগি গোল কিপর শান্নরোই অমা ওইনা চহিসিদগী হৌদুনা থা অমমম অনৌবা শান্নরোইশীংদা কোচিং পিজবা হৌজনবা থৌরাং লোয়জরে । খঙ্গুরকখিবদি কুইরক্লবনি অদুবু ঐগি য়েংথংবা খোঙদা অনাবা অমা লৈখিবদগি হান্নদগি হৌজবা ভমখিদবনি। অদুবু হৌজিক্তি ঐহাক ইশামক কন্না শান্নজবা হৌজকসু চহি অমমুক ফারক্লে।

রত্নেঃ মণিপুরগী নুপীগী হোকিরোমদদি মীংয়েং থম্বিদ্রা ?

নিলঃ ঐগি মীংয়েংদি হোকি হায়বসিদনি। নুপীগী নুপাগি হায়বা অমা লৈতে। মৈতৈ নুপীমচা অহুম্না ইন্টরনেস্নেলগী থাক্তা হোকি শান্নরকপসিদা খ্বাইদগি নুঙাইজবা মীশকসি ঐহাক্তি খঙ্গুরিবনি । শান্নরোই অমা ওইনা য়েংজবদা মখোয় অহুম হায়বদি গোল কিপর ওইনা তিঙ্গোঙলৈমা অমসুং মনোরমা গোশ্বামি অদুগা লেফট ব্লিংগি নুপীমচা নৌরিবী সুর্জলতা অহুম্মক মফম মতম চানা ফংহনফম থোকপা লমজিং পাওতাক অমদি খুদোংচাবশিং ফংহল্লবদি ভারত্তা কনামত্তনা মখোয় অহুম্বু নমথবা ভল্লোই হায়বসি তশেংনা থাজজে।

রত্নেঃ অফবা শান্নরোই অমা ওইনবগিদমক করম-করম্বা মতিক-মগুণ তঙাইফদনা লৈগদবনি খনবিবগে?

নিলঃ নিশা হায়বসিমদি তোঙান্না সংসারনি খন্দুনা লাপথোকপা, নিংহন্নদবা, থকশি খাশি লৈবা, হোংনবা কন্না, অখাং কন্না, মাইখিবনা মাই পাক্লবগি কৈরাক্লি খন্না ব্রাখল্লোন চেল্লা অদুগা থরাই হকচাং তুম্বা চাবা হিপ্পা খুদিংমক শান্নবদুত্তমক পুক্লিং লুপউ হায়বনি। শান্নরোইশিংদি নুংশি নুঙওনগী ইরাংদগী লাপথোকপসু তঙাইফদে। সিনেমা ড্রামা, লীলা ফলাগি করিগি, নুংশি-নুঙওনগী করিগি ব্রারী-ব্রাতাইগি মহুত্তা, শান্নবগি ব্রারী-ব্রাতাই তৌ, পৃথিবীগী ফাওরবা শান্নরোইশিংগী টেক্নিকশিংগী মরমদা নৈনদুনতা লৈয়ু, শ্বর ফাওবদা শান্নবগি শ্বর হোল্লু হায়বনি।

রত্নেঃ ইচাশিংবসু শান্নবগি লমদা পুশিনবিগে খনখিব্রা?

নিলঃ শান্নবা খঙদে অমা খঙদে করিগুম্বা অমদা থোইদোকপা হায়বসে মশা-

মশাগি পামজবা পিথোকচরক্লবা মগুণ কয়াগি মখা পোন্ননিনা ঐনা-ঐনা ওইহন্নিংবা মওংদা ওইরকহনবা যাদবনিনা খরা য়েংখিবা তারি। পামজবগী ব্রাদি করি অমুক হায়রুনি। হায়গুম্লদনা ইচানুপী অহনসিমদি শান্ন খোংনবদা খরা পামজবগুম উই অদুবু খংদে তুংদা করি ওইরক্কদৌবা, ঐগী অপাম্বগি মখা পোন্না ইচাশিংবুদি চৎহন্নিংদে।

রত্নেঃ শান্নবোই অমা ওইনা খ্বাইদগী নুঙাইখিবা মীকুপ নিংশিংবিব্রা?

নিলঃ মৈতৈ মচা অমা ওইনা ওলিম্পিক্তা য়াওজবা ফংখিবদুনি নিংজৈ।

রত্নেঃ খ্বাইদগী নিংঙমদবা থৌদোক্তি?

নিলঃ ১৯৮১ গী বার্নাড কান্নিফাইং রাউগুদা শাফু কনবা বোল অমনা নখাংদা পানাখিবা অদুগা ১৯৮৬ তা তৌখিবা ওপরেসন অমদগি য়েংথংবা খোঙ নুঙাইরকখিদদুনা শান্নবা লেপখিবা থেদোক অনিসিনা ওইখি নিংজৈ।

রত্নেঃ অরোইবা ওইনা মণিপুরগী অহান্না ওলিম্পিয়ান অমা ওইনা লমদমসিগী হৌবক্লিবা শান্নবোইশিংদা করি পাওজেল থমনিংবগে?

নিলঃ ঙসিগি পৃথিবীগী শান্নবুংশিংদা মণিপুরীশিংগীসু মফম কন্নবা ঙম্লক্লিবসি, ঐখোযগী মণিপুরদা ফংলিবা খুদোংচাবশিং অসিগা হায়রুববদি তশেংনা অংকপা কীনিঙাই ওইরবনি। য়েংশিনবিদ্রে, য়োকখৎপিদ্রে খঙলবা ঐখোয়গী নাইরৈ হায়নারিবা লমদমসিদা অসুম্মক তুফাই-তুফাই চন্দুনা লৈশিল্লবদি কান্নবা অমত্তা পুরক্লোই। ঐখোয় থৌনা লৈনা নিংহন্নদবা তাই। শান্নবখকতদা নত্তনা অতৈ পুন্নমক্তা মরী মখল কয়া থেংনবা ঙন্নবা হোংনবা তাই। শান্নফমদতমক থোক্তুনা শান্নরুবখক্তনা অফবা শান্নবোই অমা ওইরকপনা য়াবোই। ঐনা ঐনা শান্নরিবা মশান্নদুদা, পৃথিবীগী ওইবা লৈরিবা থাক কদায় ফাওবনো হায়বা মুন্না মমুত তানা খঙহনবা হোংনদুনা মদু য়ৌবা ঙন্নবা হোংননিংবগী হন্না লৈতবা থৌনা লৈবা তঙাইফদে। মদুম তৌরবদি থাক থাক শোয়দনমক লানখৎলকপা ঙমগনি। মাই পাকপা ঙমগনি।

সনখোঙ, মার্চ - ১৯৯৫।

*****

মণিপুরী নুপী শান্নরোইশিংগী ধ্রুবতরা

কুঞ্জরাণী

মশিং লাকওমদ্রবশিংগী মরক্তসু তোমখিল ঙাল্লী। লম্মাংনবশীংদা মাইকৈ তাকপিদুনা অনৌবা আশাগী থৌনা পি। পম্বুংফম য়োগে হোৎনরিবশিংদসু লমজিং মৈরা ওই। অশেংবনি কুমারী নামৈরাকপম কুঞ্জরাণী, ঙসিদি মণিপুরগী শান্নরোইশিংগী ধ্রুবতরা হায়বদুমক ওইরে।

মণিপুরগীতা নত্তনা ভারত পুম্বগী ওইনা ঐখোয়গী মৈতৈ চনু কুঞ্জরাণীনা মালেম শিনবা থুংনা মিংচৎ উরোং কয়া অমুক অনিরক্তা নত্তনা হঙ্গিন হঙ্গিন য়ুংলুরে। কে:জি: ৪৪ না মশাগী অরুম্বগী থাক ওইবী নুপীশিংগী অরুম্বা থাঙ্গপো তান্নবগী খুংশান্নদা (ব্রেঠ লিফটিং), ঙসি ফাওবদা কুঞ্জরাণীনা মালেম পুম্বগী নুপীশিংগা লাম্বা তৌরুরবতা নত্তনা অথোই অহেনগী মনা মথুম কয়া কয়া লৌরকখ্রে।

পিক্লবা চীংলৈবাক, মণিপুরগী কুঞ্জরাণী, খৃ: ১৯৯০ গী বৈজিং এশিয়াডতা ভারতকী ওইনা অহানবা মেডল লৌখিবিনি, ভারতকী ইজৎ ঙাকখিবিনি, পিক্লবসু মালেমদা সনা নৈবাক মণিপুর কৌবা চীংলৈবাক অমা মতিক মগুণ চাওনা নৈ হায়বা মীপুমদা তাক্লম্বিনী। ঐখোয়গী ওইনদি কয়াদা লেমজ-চাওখোকচনিঙাইনো?

কুঞ্জরাণীনা মালেমগী মফম কয়াদা পাংথোকখিবা অরুম্বা থাংগৎপা তান্নবগী খুংশান্নদা মনা মথুম কয়া লৌরকখিবগী ৱারীদি মীপুম্না তানরে খঙনরে। মদু লোয়নমক নৌহৌনা পাবিরিবশিংগী মফমদা থমজদ্রবসু কুঞ্জরাণী ভারতকী ওইনা চাওখোকচনিংঙাই, মণিপুরগী ওইনা তোমখিল ঙাল্লিবী ধ্রুবতরানি হায়বসিমদি খৃ: ১৯৯২ দা ভারত সরকারনা লেমজনিঙাই ওইৰবা, শান্নরোই খুদিংগী অচেৎপা পুরিংগী আশাদা শাগোন্নরিবা "আর্জুনা এৱার্ড", কুঞ্জরাণীদা পিবিদুনা ইকাইখুম্নবিখিবা অদুগা অমুক হন্দক্তা ভারত পুম্বগী ওইনা অখন্নবা খনগৎলবা শান্নরোই ৬৭ তা ভারত সরকারনা হৌখিবা ১৯৯৪ গী ডিসেম্বর ১৭ তা শেল ওইনা মনা পিখিবশিংগী মনুংদা কুঞ্জরাণীনা খ্বাইদগী হেন্না চাওনা ফংখিবী (লুপা লাক্ষ মাপন মখায়) ওইখি হায়বসিনা তাকচরে।

অমুক্তসু নত্তে, কুঞ্জরাণীনা এসিয়াড গেমসতা ভারতকী ওইনা অহানবা

অদুম হঙ্খিন্না লৌখি । মনা লৌবগীদি পংলৌতা লৌরকই । কমনরেল্থ গেমসতস লৌই, ৱার্ল্ড ৱিমিন্স চেম্পিয়নশিপতসু কৱিদসু পংলৌতা লৌই । মসিমক্না, মণিপুরগুম্বা পিক্লবা ঐখোয়গী চীংলৈবাক, পেন্দবনা থল্লবা কংলৈপাক অসিদগী কুঞ্জরাণী কৌবী নুপী মচা অমনা করম্না মণিপুরবুতা নত্তনা ভারতপুম্ববু মালেমদা থাংগৎলিবনো ? মাবু করম তৌবা জাংনো ? করম্বা মীওইনো হায়বা অমা খঙনিংলকখীবা কুইরকখ্রবনি অদুবু শাম্নবা য়াওবা চৎখীবা নত্রগা কোচিং কেম্পতা লৈখীবা অসিনচিংবা কয়া অসিদগী মহাক্না ইম্ফালদা ইরৈ-লৈতবনা মরম ওইদুনা অমুক্তং উনদুনা ৱারী-ৱাতাই শারুবগী তাঞ্জা অমা ইফং ফংজখিদে ।

"ভাইববু কল্লবদি ...." হায়বা ইপা-ইপুশিংগী ৱাফমদু চুম্মী থাজজরকপনি অমুক্কা হেন্না থাজজরে । হৌখিবা ১৯৯৪ গী হিরোসিমা গেমস অমদি টরকীদা পাংথোকখিবা ৮ শুবা ৱার্ল্ড ৱিমিন্স চেম্পিয়নশিপ, মথং মথং শরুক য়ারুবা মতুংদা মতম খরগী ওইনা, কুঞ্জরাণী ইম্ফাল থোক্লত্তুনা ময়ুমদা লৈরে তাজবদগী, মহাকপু উনজরুনবা হোৎনখি । উনজরকই । খঙলকই, কুঞ্জরাণী মৈতৈ চনুরা অমনি, য়াম্না চম্বী, মৈতৈ শাম্নবোই অমা ওইবগী হৌনবী নিংবা থুংদবা পেন্দবা কয়া লৈদুনসু মোমোনতা তৌবী মাইথোং চেম্বিনী ।

হৌখিবা নবেম্বর ২৬, অয়ুক্কী পুং ৬ তাবা মতমদা, খুমন লম্পাক্তা লৈবা, "স্পিসিয়েল এরিয়া ওব গেমস" কী শাজেল তৌফম (জিম) দা কুঞ্জরাণীবু ভাইজরুই । থাজখিবদি মফমদুদা মহাকপু তম্বী-তাকপীরকখিবা কোচ শ্রীনেপ্রম কুঞ্জকিশ্বরতা নত্তনা মণিপুরগী অতৈ ৱেঠ লিফটর কয়াসু লৈবনিনা শোয়দনা নাক্লনী হায়রবাসিনি । থাজজখিবা চুমখি । পুং ৭ তাবদা মহাক য়ৌরকখি ।

কুঞ্জরাণী হেক থুংলবগা লৈরম্বা ময়াম পুম্বদা হরাও নুংঙাইবগী ঈথক-ঈপোম খঙহৌদনা হৌরকখি । খুৎ-শোক্লৈ, লাপথোক্লকুরবী মতারোইশিংগা চেজেং কোনশিন্নে । অদুবু ভাংবদি লেপ্তে, টরকীগী ইষ্টানবুলদা পাংখোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা চীনাগা সুপ্নগী কে.জি. ৫/৬ তগী হেন্না খেন্নদ্রে হান্নদি কে: জি: ৩০ মুক খেন্নরম্বনি, নিংথিনা ইম্প্রভ তৌরে হায়দুনা ৱার্ল্ড ফেদরেসনগী কাংবুনা থাগৎপিরকই অদুগা ভারতকী ওইনা কে: জি: ৪৪ গী চাংদা শারগা লেংদনা থম্লবা ৱেঠ লিফটরনি হায়দুনা ফাগী তৌরকখি হায়রবনচিংবা কয়া তৌম্লে । ময়ামগী ৱারীদা ঐপু যাওখি । ৱারীশিংদুনা অনৌবা ৱাফম অমদি টরকীগী চেম্পিয়নশিপ অদুগা, পৃথিৱীগী অহানবা ওইনা টরকী মুসলিম নুপী খরনসু শরুক য়াখি হায়রবাসিনি।

চাওরাক্লা পুং অমরোম ময়ামগা মখল-মখা কয়াগী ৱারী ৱাতাই শান্নরুরবা মতুংদা ঐহাক্লা কুঞ্জরাণীদা, মহাক্লা ফংলকখিবা মেদলশিং, খোম্লকখিবা ফোটোশিং য়েংনিংই, ময়ুমদা অমুক্তং চৎমিন্নরুবা য়াগদ্রা হৌদোক্লুবদা, ইথা-থাজনা, হরাও-হরাও মোমোন নোক্লুনা - "চৎলুসি কৈদৌগে, অদুবু অশ ! ইক্তি ইকাইজখ্রে য়ুমলৈ-কৈরৈ মতাদুদা . . . " পাওখুম ওইনা ঐসু নোকখি অদুবু মহাক্লা হায়খিবা য়ুমলৈ-কৈরৈগী ৱাদুদি হায়নবগী হায়শিন্না মানখি ।

ওঝাশিং অমদি মরুপ-মপীজা ময়ামগা ঙাইহাক অমুক অতৈ-অতৈ ৱারী ৱাতাইনরম্লগা মতুংদা, কুঞ্জরাণীনা "ঐ অমুক থিঙ্গুরক্কে ঐগী গাড়ী মচাদা পুন্না চৎমিন্নসি" হায়বদৈ ঐখোয় অনি মহাক্লা থৌবা গাড়ীদা তোংমিন্নদুনা লাকমিন্নখি। লম্বীদা ঐনা, মহাক্কী মরমদা করিগুম্বা খরা ইনিংদুনা অশেংবৈদি ৱারী শানগে লাকপনি হায়রুবদা কুঞ্জরাণীনা ইরাই লাইনা হায় -

এ অদুদি ঐগী লাইবক ফবনিনা, ফনবু তান চারে ঐনা
হায়নীংদুনা লৈবা ময়াম'ম হায়হৌরগে, মেডল লৌরকপা,
মনা মথুম ফংলকপা ময়াম নত্তবদা, থাক অসি য়ৌরকপদা,
করি করি চংখিবা, ৱাংখিবা, শান্নবদনা ঐনা কয়াম খরাই
য়াওজরকখিবা লোয়নমক হায়হৌরগে, নিংথিনা ইবীরকউ,
তুংগী শান্নরোইশীংদসু থৌনা থজিক্তং ওইরবসু হাপ্লুবা য়াই,
. . . ফরে হোরেল য়ুম য়ৌরগা লোয়না হায়রগে

ৱারী শানা লাকপনা মখোয়গী লৈকাই, কাইরং হাইজিনফম, টৌংমেরোং ডোন বোস্কো মনাক্তা লৈবা শঙাকফম কাইরং লমখাই য়ৌদ্রনা, নোবুক মথাই ফাংনা গাড়ী থোরবকখি ময়ুম য়ৌরগা হায়রগে হায়খ্রগসু কুঞ্জরাণীনা গাড়ী থোনা থৌনা ঐঙোন্দা হায়রকখিবদি লেপতে

ঐখোয় য়ুম য়ৌরমদাইদা লম্বী কোলাস খাদবদা ঙরাং নুমিদাংদা
নোং খরা চুখিবগী লৈখোম উরগা লোরক্কনুবো ঐবুদি ইকাইবনো
সরকারনা ইকাইজসনু . . ঐদি ঙরাংতা খোরককপগী পোৎলো
ফাও লোয়শিল্লমদ্রিবনি ইচায় চায়হৌর নংকৈদা পংজেংগা চৎলুনা
লৈবসিদা ঐদি ঐখোয় দগাগী (মবুং) মচা ফাংবা মশক থঙদ্রে,
অমাংক খরা কুইনা লৈপাদবনিনা থংলরবনি । (করি থনারকখিবনো
মোমোন নোক্লগা) মেদল ফংবগী করিগী পংই ইরবাদি ইংলো

হোংনদনা পংফংতা ফংলকপা মানখিনী, ব্লারকখিবা কয়া,
পেন্দবা লৈরিবা কয়ানা খরা খিং হেন্না ইবিরকউ ।

লমহাং হেন্দোক্লকুনা খুনয়া য়ৌশিল্লকখিবদগীদি লশ্নীদা অচং অওকশীংনা "ব্লানী কৈদৌঙে থোক্লকই" (কুঞ্জরাণীবু লৈকাইনা নুংশিনা রাণী হায়না কৌই) হায়বা ব্লাহং, মহাক্কী "ভরাং থোক্লকই" হায়না খুন্নমবশিংনা ইবান্নিগী ব্লারী মরক ভহাক থংলুবা মতুংদা ইম্ফাল তুরেল তোর্ব্বানদা তাবা কাইরং লৈকাইদা লৈবা কুঞ্জরাণীগী য়ুমদা ঐখোয় অনি চংমিন্নখি।

থৌজিল্লকখিবা গাড়ীগী মখোল তাদুনা ইমুংগী থোক্লকপী কুঞ্জরাণীগী মমানা শকখঙনদ্রিবী ঐহাকপু তরান্না ওকপিখিবা মতৌ অদুমক্কা, খঙহৌদনা ঐগী ব্লাখলদা মহাক্কুশ্নী মমা অমগী মচানবু মীথোই মীহেন্দ্রবদি হায়না খল্লকখি ঐবু তরান্না ওকপীবগা লোয়নননা ঐঙোন্দা "ইচাদি হান্ন উনখ্রবরা, ঐখোয়না অহল ওইশিল্লকপসিদা কাওগল্লবরা খঙদ্রে ইমাদি নিংশিংদ্রে ব্লারৌনুকো" ঐনা খুশ্না নংদিঙেদা কুঞ্জরাণীনা খুমদোকখি

ইমাগা অমুক্কা উন্নদ্রিয়ে, ব্লাংখৈদে ঐখোয় ইমান্নবী হোকিগী
মনোরমা পোশ্লামিদো, মাই মচৌনি ।

ব্লাহৈ মঙা তরা মমাগী মফমদা কুঞ্জরাণীনা হায়খিদুনসু মহাক্কী ব্লাঙাংদুদা, মমাগী মফমদা মহাক্কা কয়ামুক ওইনজবগে নিংজবগে হায়বা ঐগী ব্লাখলদা ফাওখি । মতুংদা মহাক্কী কাদা ফন্নুসি চংমিন্নরগা মনাওন্নগী অমদা হায়রশ্নদৈ পুথোক্লকপা ফোটো, সাইটেসন, মেদল কয়া ঐবু য়েংহল্লকখি লোয়নননা তন্নকই ব্লারী কয়া মথং মথং মাগী ব্লারী । মণিপুরগী ধ্রুবতরা কুঞ্জরাণীগী ব্লারী

ঐনা ইহান হান্না শান্নরকখিবা গেমসতি হোকিনি, মথংদনা ফুটবোল, অদুগী পরার লিফটিং অরোয়বদা হৌজিক শান্নরীবা মীয়ান্না শকখঙবিরীবা ব্রেঠ লিফটিং অসিনি । চান্নবা মখলগী খুংশান্না খিবদা শান্নদবা অমত্তবু য়াওদ্রে । খল্লুরগা নোকপু নোকিংই অরোযবদা ব্রেঠ লিফটিংগা চান্নরগা লোয়শিল্লে হায়দুনি। হোকি, ফুটবোল শান্নবা মতমদদি মীরা-মৈশা কয়া তাখিদে । অহল-লমনসু কা হেন্না অখিংবা লৈখিদে । অদুবু ব্রেঠ লিফটিং শান্নবা হৌরকপদদি কনা অমত্তগী অয়াবা ফঙখিদে । শরু শযাং তেক্রবনি, ঈ ওদুনা শিবা শোয়রবোই হায়দুনা অখিংবগী অখিংবা ভাক্লনি । মনাগা খরা-খবা লৌরকপদগী তোকখিবনি । লৈকাইদা, থওইনা শিফম নাফম খঙলরোইদবগী ব্লাফম ফাওবা ভাংনখি । অদুনা প্রেক্টিস তৌবা

ফাওবা লোন্ন-লোন্না চংখি । অয়ুক পুং ৬ নংনবা খোঙমনগী ওঝা কুঞ্জকিশোরগী য়ুম তান্না চংতুনা প্রেক্টিস তৌরকখি । অদুগী নুংখিল পুং ৩ নংনবা অমুক হন্গং হন্দা কাইরংদগী খোঙমন ! হায়রিবশিং অসি নোংজু নুংশা, নিংথেম-কালেন খিদনা চংথরকখিবা ঙাক্তনি । চংপসু সাইকলদা । শান্নবগী হেক হোৎনরিঙৈদা, কলেজগী পুন্সিসিমা পুরা নাম্থোকখ্রে । শান্নবগী চক্রসিদা ঙসি ফাওবা অদুম উংদুনা লৈরে । হৌজিকসু ঐগী চপ-চাবা মফম ফংলে হায়না লৌজবা ঙমদ্রি । এসিয়ান গেমসতা সনাগী মেদল লৌবা ঙমদ্রি । ৱার্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা সনাগী মেদল ফংদ্রি । শরুক য়ানিংবা ওলিম্পিক্তা শরুক য়াদ্রি । য়ামদ্রবদা ইং ২০০০ দা সিডনীদা পাঙোক্কদৌরিবা ১৬ শুবা সিডনী ওলিম্পিক ফাউবদি শান্নবা ঙম্মনবা হোৎহন্গে খঙ্গরী । হায়রিবা ওলিম্পিক অসিদা ভারতকী ওইনা মনা অমা লৌরম্লগা শান্নবা লেপকে নিংজবনা ঐগী আশানি ।

শান্নবগী ৱারীগি মরক থংনা ঐহাক্কা মহাক্কী ইমুং মনুংগী ৱাফমলোমদা অমুক ওনশিন্নবা খংহন-হঙজীনলুই, ইচিন ইনাওদি কয়ানো ? ৱারী নুংঙাইরক্কদৌরে হায়দুনা মহাক ফাক ফাক নোক্লকই, অদুগা খুম্লকই - "ইচিন ইনাও ২৪ নি । মণিপুর তঙখাই অমদি মরী-মতানি ।" ইমা কয়াগীনো হায়দুনা অমুকসু হংঙজিল্লুই, ইমা ৫ ৱোমগীনি (নোক্ল নোক্লগা মখা তারকই) - ঐখোয় ইমানা ফাষ্টনি । পুন্না ঐখোয়গীনা ৯ নি । ঐনা ইচিন ইনাও ৯ গী মনুংদা ৪ শুবিনী । অদুগা ইমুংদা সরকারগী থবক তৌবসু ইথম্তনি । মীয়ান্না হেক হেক হঙবা ৱাফম খেৎচিঙ্গহৌগে, ঙসি ফাউবা ফংলিবা শেলশিং অসি মতৌ করম্না শিজিন্নবগে হায়বসি তোয়না হঙবা । মসিদা হায়জনিংবদি সরকারগী থবক মচা অমসু তৌরবনীনা ইমুং মনুংগীসু খরগীমখৈ য়েংদবা য়াদে । শান্নবগা মরী লৈননা ফংবা শেলশিংদি অমুক্তদা পুন্না ফঙদে । লুপা লিশিং ২৫/২৫ গী চাংদা ফংই । মসিদি অমরোমদা কৈসু নত্তে । ঐসু ঙৈহাক লৈতনা শান্নবগী চংখোক চংশিন তৌরী । মতাং চানা ডাইতসু চাদবা য়াদে । ময়ামগী মনুংদা হৌজিক হৌজিক নিংথি নুংঙাইনা লৈফম (য়ুম) লৈত্রিবা অসিমতং কোরুবা (ফমফম কা ফাওবা লৈতবদগী মাগী তুমফম কাদ ফম্লীবদু খিন্দুনা) ইচিন ইনাও পুন্না লৈমিন্নবা য়ানবা য়ুম অমত্তং শানবা খঙ্গরীবা থুংনবা হোৎননিঙই, হোৎনবা ঙমদে । অমরোমদা কেম্প নত্রগা কোচিংনচিংবদা লৈবদসু শেলগী দরকার অদুম লৈ । ময়ামসিনা ঐনা ফংজখিবা শেলশিংদি করিসু নত্রি হায়জনিংই । অদুগা ঐনা মতাংসিদা খ্বাইদগী মরু ওইনা

হায়জনিংবা ৱাফমদি - ঐনা ঙসি ফাওবা শান্নবা ঙমজরিবসি ঐবু পোকপী (নামৈরাকপম ওংবী ইবেতোন) ইমাগী মপান্দগিনী । ঙসি ঐনা লৈজরীবা থাক অসি য়ৌরক্লবা হোৎনবদা ইমানা ঐবু হনবা নায়দবা থৌনা পিবিখি । শান্নবা হায়বসিসু অকা অকুন্নি । টুর্ণামেন্ট, চেম্পিয়নশিপ পুন্নমক ভারতকী ওইনা ঐখক্তংনা মনা লৌগনি হায়বা ৱাফম লৈতে । ঐনা নিঙহন্নরকপা, তম্বরকপা মীকুপ কয়াদা ইমানা পিবিখীবা পাউতাকশিংগী, তশেংনা ইতোপ তোম্পা মহাও লৈ খঙ্গে । কম্পিটিসন পুন্নমক্কী শান্নদ্রিঙে মমাঙদা ঐনা নিঙজখিবা অমসুং তত্তনা থৌজাল নিজখিবদি ইমাগী মফমদগী ঙাক্তনি । পুক্নিংদা ইমানবু মোমোন নোক্না মঙ্গল পীরকপগুম উরবদি শোয়দনা মাই পাক্কনী হায়বসু থাজজে । ইমানা ঐবু চেকশিন্না য়োকপীরকপা, ইমান্নবশীংগা লাম্বা পাবা ঙন্নবা হোৎনরকখিবা কয়া ঐনা খক কাউজদে । অমরোমদা ঐগী ইমাগী লিঙজেল জাৎ অমনি । ইমাগী লিঙজেল চপচানা লৌবা ঙন্নবদি সিডনী ওলিম্পিক ফাওবা শোয়দনা ঙমখিগনী খল্লী । ঐগীসু খ্বাইদগী নক্নবা ঐবু শৌগৎপীবা অমা লৈরমদ্রগদি ঙসি ফাওবা শান্নবা ঙন্নমলোই । ইমানা চপ-য়ুংনা ঐগীদমক লেপ্পিবনীনা করিমত্তা চিংনদনা শান্নবা ঙম্মনি । মসিমক্তা ঐনা ১৯৯২ দা অর্জুনা এৱার্ড লৌবা চৎখিবা মতমদা ইমাবু পুদুনা চৎচখি । লোয়নননা ভারতকী মীয়ামদা পিক্নবা ইরমদম অসিগী ইচম চম্বী মমা অমনা শান্নববু পামজবা মচা অমদা পিবিখিবা থৌনা লিঙজেল ময়েক শেংনা উৎচরুবা ঙমজখি । ভারতকী স্পোর্টসকা মরী লৈনবা মীওইশিংনা কীরিবসিসু ঐখোয়গী অখাং কনবা, হনবা নায়দবা থৌনা লিঙজেল অসিদনি ।

মরক থংনা অমুক, ইং ১৯৮৯ দগী ঙসি ফাওবা পৃথিবীগী তোঙান তোঙান্না লৈবাক ১১ দা - শান্নরুবগী ফোটো চবুন অমা পুথোরক্তুনা ঐবু য়েংহনলি। ইন্দিয়াগী ৱেঠ লিফটরশিং, রসিয়ান কোচ, সাইগী দাইরেক্তর, ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা সাই সেন্টরশিং মথং মথং ফোটোদা তাক্লকখি । অদুগা দিল্লি দুরদর্শন কাংবু অমনা মাগী ওইবা ফিল্ম অমা নমগে মথং দিল্লিদা লাকপদা ৱেঠ লিফটিংদা ফঙলকখিবা মেদল, সাইটেসন পুন্নমক পুরগা লাকউ হায়রকখি হায়দুনসু তন্নকখি।

কেন্দ্রগী স্পোর্টস মন্ত্রী মুকুল ৱার্শনিক অমদি সাইগী একজিকুটিভ দাইরেক্তর এ: এস: ভি: প্রসাদ লোয়নননা ওথোরিটি কয়ানা মণিপুরদা স্পোর্টস হেন্না চাওখৎহন্নবা কাঁর করম্বা ৱাফম পায়খৎহন্নীংবগে, ফঙলকপদা অমুক্তং লাক্তুনা মণিপুরগী স্পোর্টসকি কন্দিসনাশিং য়েংশিনবিয়ু হায়রমই হায়নসু ফোঙদোকখি,

মফমসিদা লাক্লগা মমীংনা উরবা মতুংদা অমমমতা হায়গে খন্দুনা । দিল্লি, কলকত্তা, পঞ্জাব হায়রিবা ষ্টেটশিং অসিদা পোক্লম্লগদি নহান্না ঐখোয়সু য়ান্না থুনা ফাওরম্বা য়াবাজাৎনি, কম্মুনিকেসন ফত্তবা, চীংনা কোয়শিনবা ষ্টেট ওইবা, শক-চু তোঙানবা ময়াম অসিনা অহানবদি মৈতৈ মচাশিং অসি মওং অমদা থম্লমই । অদুবু ঙসিদি থবক্না তাক্লবনীনা মিং ফাওবা ঐঙোন্দদি 'কুঞ্জ' হায়দুনা নুংশিনা কৌরে । মতাংসিগা মণিপুরগী শান্নরোইশিংদা হায়জনিংবদি - ঐখোয়গী টেলেন্দ ওইবা তোঙানবা গুণশিং অসি অহানবা ওইনা ময়েক শেংনা উংথোক্লবা হোৎনখিসি, মতুংদা ফেন্সিং, সাইক্লিং, সেপাক তাক্রোনচিংবা গেমসশিং অসিদসু মৈতৈ মচাশিংগী চপ চাবা মফম শোয়দনা ফঙবা ঙমগনি।

ব্রারী কয়া, মরক্তা ফোটো এলবম, মরক্তা চা ইংখিবা খঙহৌদে ফনা থেংলম্লে । অরোইবা ওইনা মণিপুরগী মীয়ামদা, শান্নরোই কুঞ্জরাণীগী ওইনা করি পাওজেল তমনিংই হংলুবদা - 'লাক্কদৌরিবা সিডনী ওলিম্পিক য়াওবা ঙমজবা ফংজনবা মীয়ান্না ঐবু আশীর্বাদ পিনবীনবা নোল্লুক্না নিজরী' হায়জরকখি।

মণিপুরগী শান্নরোইশিংগী ধ্রুবতরা কুঞ্জরাণীগী নিংজবা মতোন লোম্বা ওইসনু । সিডনী ওলিম্পিকতা শোয়দনা শরুক য়ারুদুনা মনা অমা পুরক্তুনা মণিপুরবু মালেমদা ব্রাংনা থাংগৎলমখিসনু ।

সনখোঙ, জানুৱারী - ১৯৯৫ ।

*****

বোক্সিংদী ঐগী প্রোফেসর্নী

পুন্সিদা মায়পাকখিবা মীথোই মীহেন ওইখিবা মী পুন্নমক, অখাঙ কনবা হনবা নাইদনা হোংনখিবা ভাক্তনি । মশাগী পীথোরকপা মগুণবু মশক খংজবগা লোইননা লৈজবী শক্তি খোঁনা পুখোক্তুনা লম্লেল চুন্না চঙশিনখিবা মীওইশিংনি, ঙসি মীয়াম মরক্তা তোমখিন ভানলিবশিংসি । অমরোমদা ফনা ফবা মগুণ চেন্দুনসু মতাং চানা হোংনহৌদ্রবদি অরেম্বদা মাঙখিবসু কোঙ্গাইনি । হীরম কয়াদা মীঙচং উরোঙ খিনলম্বা অফাওবা মী পুন্নমক পুক্লিংগী অকনবা ফিরেপ লৈখিবা ভাক্তনি । মখোয়না মতম্বু চোকশিন্না শেন্নজবগা লোইননা কয়ামুক হোংনখিবগে হায়বসিমদি মখোয় পুন্নমক্কী পুন্সি বারীনা অচৌবা শাখি ওইরি ।

শান্নরোয় অমগী মগুণ চেন্দুনা পোক্লকখিবী এম সি মেরী কোম (অশাংবদা মাঙটে চুঙনৈজাং মেরী কোম) পীক্লিভৈদগী শান্ন-খোংনবা য়ান্না পান্নকখি । মোইরাংগী কাঙথৈ ভিলেজগী অচম্বা ইমুং অমগী এস তোনপা কোম (৫৯) অমদি এ অখাম কোম (৪৩) গী মচা মরিগী (নুপী অহম নুপা অমগী) খ্বাইগী কোকহন লাইহন্নী । করম্না শান্নবা হৌরকখিবগে হায়বগী মতাংদা মেরীনা অসুম্না হায়, ঐগী অহানবা শান্নবা হৌরকপা স্কুলসি মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী মনাক্তা লৈবা লোক্তাক খৃষ্টান মোদর্ন হায়স্কুল অসিদগীনি । মতমদু ঐ ক্লাস সিক্স তম্লে । স্কুলগী এন্যুয়েল স্পোর্টস মিট তৌবা মতমদা ঐসে লমজেলসু চেনলি, জেভলিনসু লঙই. সোটপুটসু লঙই, ব্রোদ জম্পসু হায়জম্পসু চোঙই, লোইনমক প্রাইজ ফঙই । অয়াম্বা ঐনা ফার্ষ্ট তাই । হেক তৌবা মখে লোইনা য়াওই । মদুগী ঐসে শান্নরোয় অফবা অমা ওইনা ওক্সাশিংনা খংবীখি । স্কুলগী ওজা খরনা ঐগী ইমা ববাদা ইম্ফালদা লৈরগা শান্নহল্লু হায়দুনা থওইনা লাকখিবসু লৈখি । ঐনসু ইমাদা কন্না হায়, ঐ ইম্ফালদা লৈরগা ফজনা শান্নগে । অদুবু করম্না শান্নরগনি ? পৈশাসু কয়া পায়দবা ফেমিলি অমা ওইরুবনা পান্নকসু হেক্তা ইম্ফালদা লৈদুনা শান্নবদি ভমখিদে। মমৈদা ইমাগী মচে ন্যু চেক্কোনগী কে আর লেণ্ডদা লৈবা ইমাবোক্কী মনাক্তা লৈবা ফঙবদগীদি ঐ শান্নবদা মায় ওনশিনবা ফজনা ভন্নকখি । ইমাবোক্কী মচানুপা ইবুঙ চুঙথাঙনা মাগী মমান্নবা অমগী খুখাংদগী ঐবু সাইগী এথলেটিক্স কোচ সর কোম্নাগী মনাক্তা পুবীদুনা ট্রেনিং তৌবা য়াওহনবিরকখি। মতমদু ইং ১৯৯৯ গী

সেপ্তেম্বর থাদনি ।

অসুন্না মেরীবু থা অনীরোম অকনবা ট্রেনিং ফঙহন্দুনা ওঝা কোম্নানা করম্বা মশান্নদা চান্নগে কুপ্না খিবীরকখি । মরকসিদা মেরীনসু ঐবু করি শান্নহনগদৌরিবনো খনবা হৌরকখি । অহানবা ওইনা মেরীনা ট্রেনিং তৌরকখিবদি লমজেলদনি । মথংদা জেভলিন, সোটপুটতা ট্রেনিং তৌরকখি । নোংমদি, টাকয়েল সাই সেন্টরদা ট্রেনিং তৌরকখিবী শান্নবোই অসিনা খুমন লম্পাক্তা লৈবা ষ্টেদিয়ামশিং চঙ-চঙদুনা য়েংনিংবা পোক্লকখি । পুক্লিংদা ফাওরকখিবা অকনবা ইথিল অসিগা লোইননা থাংজিং চিরুন্দগী রেবিকা কোম (সিনিয়র ভোল্লিবোল প্লেয়র) হৌরগা সাইকলদা খুমন লম্পাক তন্না লাকখি । অহানবা ওইনা স্পিসিয়েল এরিয়া গেমস (এস এ জি) কী হোলদা চঙলকখি হোল অসিদা হেক চঙলকপদা বোক্সিং রিঙদা নুপা-নুপী পুন্না বোক্সিংগী ট্রেনিং তৌরম্বদু উবদা মেরী কোমগী থম্মোইদা গেম মখল অসি শোইদনা শান্নরগে হায়বগী ৱাখল পোকহনলকখি । মফমদুদা ফনা কুইনা সর ইবোমচানা বোক্সরশিংদা পিরিবা অকনবা ট্রেনিংশিংদু মীৎকুপ্তনা য়েংদুনা লৈখি । মতমদুদা মেরী কোমনা নুপী বোক্সর তরেং নিপানরোম ফজনা শান্নরম্বা উখি । মানা উখিবা নুপী বোক্সরশিংদু গীতা, সরিতা, উশারাণী, সন্ধ্যারাণী, সোমোরাণীনাচিংবনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

এস এ জি হোলদা চংলুরবা মতুংদগীদি মহাক বোক্সিং শান্ননিংই হায়দুনা সার কোম্নাদা পাউ পিরবা মতুংদা বোক্সিংদা মায়ওন থম্লকখি । বোক্সিং পাম্বা খুদিংমক্তা মশান্না অসি তম্বীরগে হায়দুনা লৈরবা সার ইবোমচাগা উন্নরবা মতুংদগীদি মেরীসু বোক্সিংগী ট্রেনিং তৌবা হৌরকখি । থা অমরোম ট্রেনিং ফঙলবা মতুংদা ইং ২০০০ গী দিসেম্বর ১১ দগী ১৪ ফাওবা বেঙ্গলদা পাঙথোকখিবা তরেংশুবা ইষ্ট জোন ওপন মেন্স এণ্ড রিমেন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা কেজি ৪৬ কী কাংলুপ্তা সনাগী মেদল লৌবা ঙমদুনা বোক্সিং শান্নরোয় ওইবা ঙম্লকখি । ঙসি ফাওবদা মেরী কোমনা করি করি মনা মথুম ফঙবা ঙমখ্রবগে হায়বদুসু নৌহৌননা থমজরি।

সনাগী মেদলনা য়োম্লবী বোক্সর অসিনা মানা পুন্সীদা খ্বাইদগী নুংঙাইখিবা মীৎকুপ অমগী মতাংদনা অসুন্না হায়, ঐগী পুন্সিদা ফাওবা ঙমদবা য়ান্না নুংঙাইখিবদি, ইং ২০০২ গী ওক্টোবর ১৯ দগী ২৮ ফাওবা টরকিগী অন্টলয়াদা পাংথোকখিবা সেকেণ্ড রর্ল্ড রুমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদুনি । চেম্পিয়নশিপ অদুদা ঐখোয় ইন্দিয়াগী বোক্সর নীপান শরুক য়াখি । মদুদা ইতোমতমক সনাগী মেদল লৌবা

ঙম্লকখি । মথং মথং মায়থিদুনা লাকপদুদা ইতোমতা ওইরসু ভারতকী ইজং অমখক ঙাকখিবদু য়াম্না নুংঙাইখি ।

নেসনেল থাক্তা সনাগী মেদল মাপল, বেষ্ট বোক্সর অমুরক ইন্টরনেসনেল থাক্তা গোল্ড ১০ সিলভর অমা, বেষ্ট বোক্সর অমুরক্কী মীঙথোল ফঙখ্রবী মেরী কোমনা হৌজিক ওইরিবা পুন্সিগী মতাংদনা অসুন্না ফোঙদোরকখি, ঐ হৌজিক্তি য়ুম পানখ্রে, ইচা-নুপা অনীসু লৈরে । মখোয় থা ১০ শুবদা ঙাইরি, টুইন ওইনা অমুক্তদা পোকপনি (নোক্লদুনা), ঐ মতম খরা শান্নবা লেপ্লুবদু নৌনা অমুক প্রেক্টিস হৌরে । ঐগী ইপুরোইবা (কে ওনলর কোম) নসু ঐবু য়াম্না সর্পোট তৌবী । মতম অমদা ঐগী ইমা বাবনা তৌবীবগুম মানা ঐবু হেন্না থৌনা পীবী । অদুনা ঐ রিঙদা অমুক হল্লকপা ঙমগদৌরিবনি । চহীসিগী সেপ্তেম্বর থাদা হাইদ্রবাদতা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ানবগীদমক ঐ অকনবা প্রেক্টিস হৌরে । ঐ অদুম শান্নখিগনি । ঐনা শান্ননিংবা থাক অমদি ঐ য়ৌদ্রি । অদুনা ঐ শান্নদগী হেন্নসু হোৎনগে হায়না খল্লি । ঐনা য়াম্না নুংঙাইতবসি, মেরীদি য়ুম পানলবনিনা শান্নবা ঙম্লরোই, বোক্সিং খিনবা ঙম্লরোই হায়বসিনি । মসি ঐগী অশাউবীনি । মসিনা ঐঙোন্দগী থৌনাদুম হাপ্পীবনি । চিঞ্জাক ফজনা চারবা, প্রেকটিস ফজনা তৌবা অদু ওইরদি ঙম্লোইদবা করিসু লৈতে।

ইচেম্মা, জুন ২০০৮ ।

*****

নুপী ফুটবোল শান্নবীশিংগী লময়ানবী

রাজকুমারী অমুসনা

মণিপুরদা নুপীগী ফুটবোল ঈহৌ হেক লাকপদগী ঙসি ফাওবা লেপ্তনা শান্নরিবা প্লেয়ার অমগী মমিং পনবা তারবদি মদু রাজকুমারী অমুসনা দেবীনি শোইদনা হায়গনি । ইং ১৯৭৬ তা অকনবা শাফু অমগা লোইননা লাকখিবা মতমদুদগী, য়াম্না ফজনা শান্নখিবগীদমক প্লেয়ার অসি মীয়াম্না থোইদোক্লা শকখঙলখি। ফুটবোল থবায় হকচাং য়াওনা পামজরুবনা শাংলবা চহী ২১ রোম অসি চোকথবা নাইদনা ঙসি ফাওবা শান্নরি ।

আর: কে: অমুসনা ব্রাংখে পেলেস কম্পাউণ্ডদা লৈবা শ্রীমহারাজ কুমার ঘনেন্দ্রজিৎ সিংহ অমদি শ্রীমতী মঙ্গিশিজগী মচা মাপলগী (নুপী ৫, নুপা ৪) তরুকশুবী মচানি । ইং ১৯৬৪ দা পোকখিবী ফুটবোল্লর অসি পীক্লিঙৈদগী ফুটবোলবু থোইদোকনা পাম্লকখি. মশাগী চহী ১০ শুরকপা অদুবাইদগী ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নগী প্লে-গ্রাউণ্ডদা অপোকপা মপাবুংনা লৈবিবা পীক্তকপা বোল অমগা ইরোইতা লোইনদুনা শান্নবা হৌরকখি । অঙনবা অয়ুক অমদি নুমিদাংবাইরম কয়াদা মচু মচুগী ট্রেক শুট অমদি স্পোর্টস পেন শেংতুনা মথক খোঙবা মবুং কয়ানা শান্নরিবশিংদুগী মরক্তা মহাকসু ইতৎ তত্তনা শান্নবা য়াওরকখি । নুপী ফুটবোলগী নুংশিং শিংলকত্রিঙৈ মমাংদগী শান্নবা হৌরকখিবা ওইবনা ইহৌ অসি হেক লাকপগা আর: কে: অমুসনা য়াম্না থুনসু মফম লৌবা ঙমখি । ইং ১৯৭৬ তগী শান্নরকখিবা ফুটবল্লর অসিনা ঙসিফাওবদা ইন্টরনেসনেলগী তোঙান তোঙানবা চেম্পিয়নশিপ মঙাদা শরুক য়াখ্রে । লোইননা এসিয়া অমদি য়ুরোপকী ওইবা ইনভিটেসন টুর্নামেন্ট কয়াদসু ভারতকী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখ্রে ।

মপুন্সিগী অহানবা ওইনা ইং ১৯৭৬ তা নেসনেল থাক্তা লক্ষনৌগী সুলটানপুরদা পাঙথোকখিবা অনীশুবা নেসনেল ব্রিমিন্স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারকখি । হায়রিবা মতমসিদগী মণিপুরদসু ফুটবোল নিংথিনা শান্নবা ঙম্বা প্লেয়ার লৈরে হায়বদু শকতাকখি । মনা মথুম লৌরকপা ঙমখিদ্রবসু, ফজনা

শেম্নীরবদি মাইপাকপা খরদি শোইদনা পুথোকপা ঙমগনি হায়বসিমসু ভারতকী স্পোর্টসকী লমদা শরুাইবা মীওই কয়ানা মত পীরকখি । মসিগী মতুংদগীদি ষ্টেট লেভেল অমদি ইন্টর স্কুল মীটনচিংবদা ফুটবোলগী আইতেম অসি হাপচিন্দুনা ইম্ফালগী পোলো গ্রাউণ্ডা, খুমন লম্পাক্তা শান্নবা হৌরকখি । য়াম্না থুনা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট কয়াদগীসু অফবা শান্নরোই কয়া থোরকখি । ইং ১৯৭৮ দা মালেশিয়া, বেঙ্কোক, শিঙ্গাপুরদা, পাঙথোকখিবা ফোর্থ নেসন ফ্রেণ্ডলি মেটচশিংদসু ফুটবোল্লর অমুসনানা ভারতকী মহুৎ শিন্দুনা শান্নবা য়াওখি ।

মসিগী মতুংদসু, ইং ১৯৭৯ দা টেবেতান লেদিজ ফুটবোল ক্লব হায়দুনা মীঙথোনবা ইংলেণ্ডগী নুপী টিম অমা ভারতকী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা মেটচ ১০ শান্নরুনবগীদমক লাকখি । হায়রিবা টিম অসিগা লাম্বা পানবা ভারতকী নুপী টিম শেম্বদসু আর' কে' অমুসনা ষ্টোপ্পরগী শান্নরোই ওইনা শরুক য়াখি । দিল্লি, বোম্বে, কলকত্তা, লক্ষনৌ, জয়পুর, পাটিয়ালানচিংবদা চৎথখিবা মেটচ অসিগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদসু শান্নখি । হায়রিবা চহীসিগী নবেম্বর থাদা কলকত্তদা পাঙথোকখিবা অহুমশুবা এসিয়ান রিমেন্স ফুটবোল চেম্পীয়নশিপ্তসু ফুটবোল্লর অসি বেক্কী পোজিসন্দা শরুক য়াখি । লোযননা ফাইনেলদা মুলান তাইফৈদা ইন্দিয়াগা শান্নবদা ৩ ১ দা মাইথিদুনা ভারতনা রন্নর্স অপকী মনা লৌহৌখি ।

ইং ১৯৮১ গী জুন ২৭ তগী জুলাই ৭ ফাওবা হোঙ কোঙদা চৎথখিবা ৫ শুবা এসিযান রিমেন্স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ্তসু শরুক য়াখি । এসিয়া মহাদেশকী লৈবাক ১৪ না অকনবা লম্বা তৌনখিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা ভারতকী নুপী টিম্না মরিশুবা পোজিসন্দা লৈখি । নিংশিংবা য়াবদি চহী অহুম অহুম কান্নরগা চৎথরকপা এসিয়া লৈবাক্কী নুপী ফুটবোলগী চেম্পিয়নশিপ অসিদা চিনানা তরুকলক, মুলান টাইফৈনা অহুম্নক, থাইলেণ্ডদা অমুৰক, নিউজিলেণ্ডনা অমুরক রিম্নর ত্রোফি লৌবা ঙমখে ।

ভারতকী ওইনা লৈরিবা থাক অসিগী মতাং পল্লদুনা ফুটবোল্লর অমুসনানা অসুম্না হায়, 'ইং ১৯৮৬ ফেব্রুৱারী ১৭ তগী মার্চ ৩ ফাওবা ইন্দোনেসিয়াগী জাকরটাদা পাঙথোকখিবা তরুকশুবা এসিয়ান রিমেন্স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ

অদু ফাওবদদি ভারতকী টিম অহুমশুবা থাক ফাওবা কাবা ঙম্লমই । পৃথিবীদা ফুটবোলগী ঈহৌ হেন্না খোঙজেন য়াঙখৎনরকপা, তোঙান তোঙানবা মখলগী টেক্নিক কয়া শীজিন্নরকপনা ভারতকী নুপী টিম হেন্না ফগৎলক্লি হায়বদি হায়নিংদে। মীগীদি, মালেমদা লাক্লিবা ট্রেন্দ অদুদা য়াওবা ঙম্লনবা কদাইদা করি হায়দুনা মমিং লাওথোক্নুনা শেমগৎনবা হোংদে । ঐখোয়গীদি করপসনগী চাওর চাওরবা মকোন শাজিন্দুনা নোংম নোংমগী লৈখাদা চিঙথনরি । ঐগী প্লেয়ার, মাগী প্লেয়ার, ঐগী ষ্টেট হায়দুনা অফোঙবা করপসনগী নীটি ময়াম অমা চৎথদুনা লৈরে । চহী লিশাং শিংনা শান্নজরকপা প্লেয়ার অমা ওইনা ফুটবোলগী ৱারীদি ইমিংনা উখিবসু কয়ানি, ইনানা তাখিবসু কোঙ্গাইনি । ভারততা শান্নবোই ওইনা পোক্লুবা ঐসি য়াম্না চাংবা ইপাপ অমা চেল্লরা ফাওবা খল্লকপা য়াওখ্রে । ঐনা খোইদোক্না হায়দবসু হৌখিবা অটলান্টা ওলেম্পীক্তা মতিক চাবা প্রমাণ তোঁজখ্রবদুনি । মথক্লোমদগী অনৈবা মপৈ মপৈ শিংথরকপনিনা মণিপুর অমুক য়ৌরকপদি অদুম ফজনবা তারবনি। শান্নবা হায়বসি অকা অকুমনি, মী হায়বসি মাগী মাগী মতম লৈনবা ঙাক্তনি। অশেংবা প্লেয়র অমগী মফম মণিপুরদা লৈ অমসুং লৈতে হায়বসিদী প্রজাশিংনসু হেন্না খঙই । করপসনগী চাওরবা নোংলৈসিদা অসুম নৈশিন্দুনা থম্মীরবদি মণিপুরদা নোংমা নোংমগী শান্নবগী ফিবম ফরক্লোই । চহী কয়া লিশাং শিংনা শান্নরক্লবা ফুটবোলর অসিনা মখা তানা হায়, "প্লেয়রশিংবু মশক খোক্না ফুটবোল হৈহনগে খল্লগা, ঐগী মীগী নাইদনা তাকপীখিবা ওঝাশিংগী মমিং পনবা তারবদি সার দব্লিউ কামিনিকুমার, সার পুন্যচন্দ্র, সার ব্রজমনি, সার অমুতোম্বী, সার আলেঙ, সার ইবোহলবীনি ।"

অদুগা ঐবু অৱাংবা থাক ফাওবা শান্নবা ঙম্লনবা হোংনবীখিবা সারনা দব্লিউ কামিনি কুমারনি । হৌজিক্কী অনৌবা থোরক্লিবা কোচ খরদি নংগী এসোসিয়েসন, ঐগী এসোসিয়েয়ন, মাগী প্লেয়ার, ঐগী প্লেয়ার হায়দুনা তোঙান তোঙান খাইদোকপদা অমত্তা য়ুনিটি লৈত্রে । গ্রুপ মচা মচা খাইবদা প্লেয়ার মরক্তসু খাইবুং খাইবুং য়েঙবদা অৱাবা পোকই । হায়রিবশিং অসি ঙসিদগী চহী ১০ / ১১ অদুৱাইদদি লৈরমদে । ফুটবোল প্লেয়ার (নুপী) ময়াম অমবুদি থোরক্লে হায়ববু অখুবা অনেম্বা থাক্কী ৱাখল্লোন ময়াম অমনা হান্নলা তম্বীবনিনা অৱাংবা থাক য়ৌবদা খরদা

ঝাখিগনি খল্লি । মসিমদি খরা চুমথোকপা চুমগনি।

হায়জনিংবা ঝাফম অমনা, ঙসিদা ভারতকী ওইনসু খ্বাইদগী মতম শাংনা শান্নহৌবা নুপী ফুটবোল প্লেয়ার অসি সুপ্নগী ঐখক্তং ঙাইহৌরে । মরম অদুনা ইন্টরনেসনেলগী মওং তাবা চেম্পিয়নশিপ অমা য়াওজরগা ফুটবোলদগী পোত্থাজগে খল্লবসি ঐগী শান্নবগী কেরিয়র ফজরক্তবনা নত্রগা নমদুনা পোত্থাহল্লগে খনবনবোবোবো হন্দক্তি নেসনেল কোচিংদসু য়াওবা ফঙদ্রে । হৌজিক্তি নুপী ফুটবোলদা অর্জুন এৱার্দকী ক্লেম তৌবা য়াবা মনা ফঙবা য়াবসি ইরৈসু লৈরক্রবনি। মতম কুইনা খল্লুদবা, নিংশিংলুদবা ঝাফম অসি, হেক খল্লকপগা ফুটবোলগী জগৎতগী ইন্থদুনা থম্বীরল্লবনিনা নুংঙাইতবা ঝাখল্লোন অমগা লোয়ননা ঐহাক ফুটবোলদগী পোত্থাবা তারে ।

অথৌবা, ওক্টোবর - ১৯৯৭ ।

*****

মঙাল ফুদোংলবী

মণিপুরগী সনামচা

চহীসিগী ফেব্রুৱারী ২৬ তগী ৩০ ফাওবা নাউরুদা পাঙথোকলিবা ফর্ষ্ট কমনৱেলথ ৱেঠ লিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তা ভারতকী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুবী মণিপুরগী থিংবাইজম সনামচা চনু না গোল্ড মেদলগা লোয়ননা ৱেষ্ট লিফটরগী মনাসু পুরগা লাকখি । মণিপুরগী ৱেঠ লিফটর, অর্জুন এৱার্দি কুঞ্জরাণীগী মতুংদা, ষ্টেট অসিগী ইজৎ ঙাকপা ঙমগদবী, মালেমগী ৱেঠ লিফটিং চাংদম্নবা কয়াদা ইতৎ তত্তনা মনা পুরকপা হৌরক্লিবী হেন্না মঙান নাইরক্লিবী লিফটর অমদি সনামচা চনুনা ওইরক্লি ।

অকন-অথৌগী ওইবা মশান্না অসিদা থৱায়-হকচাং য়াওনা লমদমসিগী মিংচৎ পুবা হৌরক্লিবী লিফটর অসি ১৩ শুবা বেঙ্কোক এসিয়ন গেমজ অমদি ইং ২০০০ গী সীডনী ওলেম্পিক্সতা মালেমগী নুপী লিফটর কয়াগা অকনবা লম্বা তৌবা ঙন্নবা ট্রেনিং তৌদুনা লৈখিবনা শান্নবোই অসিগী মরিক চুম্বা ৱাফম মীয়ামদা পাউদমজবগী খুদোংচাবা ফংজখিদে । অদুবু, চহীসিগী মে ২৮ দগী জুন ১২ ফাউবা নুমিৎ খরনিগী ওইনা থোরক্লম্বা অদুদা তাঙ্খা অমদগী লিফটর অসিগা উন্নজহৌই।

মোঙ-হাদবী, পিক্তক তৌবী, কে: জি: ৪৬ কী ক্লাসতা লৈবী, বেঙ্কোক এসিয়ন গেমজতা গোল্ড অমুক্তংদি ফক্লুনা পুরক্কে তেমশিংঙনরিবী সনামচা চনুনা হরাও-হরাও ওকপীদুনা নুমিৎ অমা মাগী স্পোর্টসকী পুন্সিবু মরিক চুন্না লিদুনা তাহনবিরকখি ।

অহানবা ওইনা, সনামচা চনুনা হায়, "ঐহাক্না ৱেঠ লিফটর অমা ওইরক্লিবসি ইথন্তা খল্লুবদা হৌজিকসু অঙকপা পোক্লি । শান্নববুদি খরা অদুম ঙমজরকই । অদুবু নেসনেল লেভেলগী থাক য়ৌনা গেম অমদা হান্না শান্নরকখিবসু লৈখিদে । লৈকায়-ক্লবকী স্পোর্টস মচা মচা লমজেল, কাবাদিগুম্বদা কাবক কাবক শান্নরকপদনি । অদুগা, ঐহাক মমাংদা ৱেঠ লিফটিং করম্না শান্নবনো হায়বদুসু সুকউ উরকখিদে, সুকখঙ খঙলক্কে । মীওইবগী লাইবক হায়বসিসু অঙকপনি । ঐহাক ইশানা অমদি ইমুং মনুংদা থৌওইনা গাইড তৌদুনা শান্নহল্লকপসু নত্তে ।"

"লিফটর অমা ওইয়ু হায়না তন্নকপা তাঙ্খা অদু লিংখ্রগনি মতাগুম ঐবু

লেকায়গী ইমুং কেবোজিংনা এমতিং লমতাক তৌবিদুনা ইং ১৯৯২ দা স্পেসিয়েল মসিনা গেম অসিদা চঙনবগী অচোবা লম্বেল ওইজখি । সিলেক্সন ফঙজদুনা ইং ১৯৯২ গী মায় থা মণিপুরগী এস এ জী গী শান্নবোয় ওইজবকখি । চহী তরুকশোম শান্নজবকপা অসিদা সনাগী, লুপাগী, ব্রোঞ্জগী মেডল কয়ামরুম ফঙজখ্রে"।

থেঠ নিফাটিং শান্নদ্রিঙে মমাংদা তৌরম্বা পুন্সিগী মতাংদনা সনামচা চনুনা লোকমী লোকমী তোবদুনা হায়বকখি "গেম অসি শান্নজদ্রিঙে মমাংদা ঐনা হান্না তৌজবম্বা শিনফম অসি, ইমুং মনুংগীসু মতেং পাঙবা ওইনা ফনেক ময়েক নাইবা শাবা অমাদি লোনর্বান । মণিপুরগী ওইনসু ঐখোয লৈকায অসি ফনেক ময়েক নাইবা শাবদা মমং য়াম্না চংলবা তোপ মোইরাংকম্পু হায়বদুনি ।" ব্রাহৈসি হায়না কন্না লোকপ্না সনামচোনা মখা তারকই, 'ইচে, ঐগীদি ফনেক শানবা তেম পায়রম্বদগী য়োং থাঙ্গৎনবা বারদা তারকপা হায়বদুনি । হান্নদা তৌজরম্লিবা অসিনা ইশাগী পাম্বোম পাঙ্গল শীজিন্নদুনা মচু-মচুগী ফনেক ময়েক নাইবী কয়া তেম শীজিন্নদুনা য়েদুনা শাজরম্মনি । শাবদা নত্তনা খোই লোনবা কোনবদসু খুং শম্পী হায়দুনা ইং ১৯৯১ গী ডিসেম্বর ফাওবদি মীয়াম্না পান্নবীবা হায়গদ্রা খ্বাইদগী থবক চিনবা মীওই অমসু ওইজখি ।'

"অদুগা ব্রাফমসিমসু হায়জনিংই, মীওইবা হায়বসে মানা-মানা তৌজরুরিবা থবক অদুদা খরদং থব্রায় য়াওনা চেকশিন্না তৌজরবদি মদুগী মহয় শোইদনা ফঙগনি । নীতি নীয়ম চুম্না হোংনখিবা অয়াম্বা মীওই অদুমক মায় পাকখিব্রা হায়নসু খঙ্গে । হোংনখিদবা কনা পুন্সিদা মায় পাক্লমগনি হায়বসিমদি শুকথা থাজদ্রে । অদুনা, ঐনা হৌজিক খঙ্গরিবসি মীয়ামগী থাজবসু থম্বীরিঙে, ঐগী হৈনিংবসু লৈজরিঙে তাঙ্গা অসিদা লেমজনিংঙাই ওইরবা মনা খরদি লমদমসিগী খঙ্গদুনা পুজরকপা পামজে ।"

থিংবাইজম সনামচা চনুদি লৈখিদ্রবা টি ঐচ ইবোহল মৈতে অমদি থিংবাইজম ওংবী খম্বী লৈমগী মচা নিপান (নুপা অহুম, নুপী মঙা) গী তরুকশুবী মচানুপীনি।

তোপ অরাং লেকাই (টিনসিদ রোড) দা লৈবা ইমুং অমদা পোকখিবী শান্নবোয় অসি হৌজিক্তি মশাগী চহী ৩১ চঙশিল্লক্লে । হান্না য়ানিংদবা খরা লৈরম্লবসু হৌজিক্তি ইমুং মনুংনা মপুং ফানা সপোর্ট তৌবীবদগী লিফটর অসিদা

হেন্না থৌনা অমসু লাকখ্রে । মতাংসিদা, সনামচানা হায়, "ঐবু হেন্না থৌনা পীবিবা ইমুংগী মীওই অমা হায়জরগদি ঐগী দাদায়াইমা শান্তকুমারনি । হৌজিক্তি ইমুং- মনুংগী ইমা, দাদাশিং, ইচেশিং, ক্লবকী, এসোসিয়েসনগী মীয়াম অমনা ঐঙোন্দা থশ্মীরিবা আশা অসি অমুক্তংদি থুন্ডহনগে হায়বসি ঐগী লেঙদ্রবা আশানি ।"

"হন্দক্তি ঐ ইশাগী চপ চাবা ৱেঠতা চৎতুনা শান্নজগে খল্লরি । কন্দিসন খরদগী মমাংগী এসিয়ন অমদি ৱার্ল্ড চেম্পিয়নশিপ খরদা ঐহাক ইশাগী ৱেঠ চপ চাবিদা শান্নজবা ফঙখিদবদগী মেডল কাংলগা হল্লকপা য়াউখ্রে । চহীসিদা নবেম্বর থাদা বেঙ্কোক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা '১৩ শুবা এসিয়ন গেমজ' অসিদদি ঐ ইশাগী চপ চাবা ৱেঠতা সিলেক্সন তৌবীনবা হায়গনি । এসিয়ন গেমজকুম্বদদি ঐসু খরা ৱাংবা মেডল পুরগা মায়পাক্পা ইরমদা হল্লকপা পামজৈ ।"

খ্বাইদগী কুইদ্রিবা চেম্পিয়নশিপ অমগী ৱারী লিরদুনা সনামচা চনুনা হায়, "চহীসিগী মে ১৮ দগী ২৪ ফাওবা বলগেরিঅদা পাঙথোকখিবা মরিশুবা জুনিয়র ৱার্ল্ড ৱেঠ লিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তা ঐহাক থার্দ পোজিসন ফঙজরকখি । তশেংবদি, ঐ অহানবা লিফ লৌবদা শোইখি । মরম অদুনা, টোট্যালদা পোইন্ট য়ান্না লৌবা ঙমজখিদে। অদুগা, এসিয়াগী লিফটরশিংগী মতাংদা হায়জনিংবা অমদি, চাইনিজ নুপীশিংগী লিফ অসি অঙকপা ফঙনা ফজবা য়াওই । ফজ-ফজবা টেক্নিক শীজিন্নবা লিফটর খরদি চহী খুদিংগী য়াওরকই । থৌওইনা মখোয়না শীজিন্নরিবা অরুবা টেক্নিকশিং খঙহৌনবা হোৎনবদা ইশাসিদা নুংঙাইবা অমসু য়াওই । অদুগা অমরোমদা, হৌজিক্তি তোঙান-তোঙানবা ড্রগ ময়াম অমা শীজিন্নরম্বদগী তাম্বোকখিবা লিফটরশিংসু য়ান্না য়াওখ্রে । বলগেরিঅ চেম্পিয়নশিপ অসিদসু ড্রগ শীজিন্নরম্বগী লিফটর মঙা পুম্সিগী ওইনা তাম্বোকখি । মখোয় অমুক হন্না ৱেঠ লিফটিং শান্নবা য়াররোই । অসিগুম্বা অসি গেমস অসিদদি তোয়না তোয়না থোকই । অদুবু ভারতকী লিফটরশিংদদি থোয়না তাম্বোক-তাশিন তৌবগী থৌদোক অসি হৌজিক ফাওবদি থোক্তি ।"

অৱা-অনা কয়া খাংদুনা মশাগী স্পোর্টস কেরিয়ার কঞ্চনবা হোৎনজরকপগী মহয় ওইনা ইং ১৯৯৬ কী মে থাদা পোলেণ্ডদা পাঙথোকখিবা অনীশুবা জুনিয়র ৱার্ল্ড ৱেঠ লিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তা সেকেণ্ড পোজিসন তারকখি । মসিদগী লিফটর অসি হিংজনবগী লম্বেলসু ফঙখি ।

শান্নরোয় অসি ইং ১৯৯৬ কী জুন থাদগী সি: আর: পি: এফ (নই দিল্লি)

দা এস আই রেঙ্কতা জোইন তৌখ্রে । অদুগা, হন্দক বেষ্ট লিফটর তারকপা অদুগীদমক ইন্সপেক্তরদা প্রোমোসন পীরগনি হায়দুনা লাউথোকহৌরে হায়নসু তম্লকই । থাগী লুপা ৬,৭০০ (এস: আই) ফঙদুনা শান্নবা ঙমজবদগী ইন্টরনেসনেল থাক্তা মনা লৌবা ঙমলকখিবনি হায়রদুনা সনামচানা অসুম্না মখা তানা হায়- "শান্নবা হৌরকপদদী থোয়না শেলগী প্রোব্লেম লৈরমদে । ইন্টরনেসনেল য়ৌরকপা অদুব্রাইদা থব্রায় য়ান্না ব্রাখি । সি: আর: পি: এফ: তা থবক তৌনবা ওফর ফঙজবদগী, মদুদগী নৌনা অমুক অনৌবা আশা অমগা লোয়ননা ঐহাক শান্নজরকখিবনি । অদুবু হায়জনিংবা অমদি, ঐগী স্পোর্টস কেরিয়ার অসিগীদমক খঙ্গরগা ঐহাকসি সি: আর: পি: এফ: তা জোইন তৌজখিবনি । মসিদা পুন্সিগী ওইনা মখা তানা থবক তৌজগে হায়বা খঙ্গবা করিসু লৈজদে । ইং ২০০০ গী সীডনী ওলেম্পিক" ফাওদংগীনি সি: আর: পি: এফ: তা লৈজগদৌরিবসি । "সিডনী ওলেম্পিক" অসিগী মতুংদগীদি ঐহাক অনৌবা ব্রেঠ লিফটর খরা শেমগৎতুনা লৈজগে হায়বসি ঐগী ব্রাখলনি । সি: আর: পি: এফ: তগী ফঙজরিবা থাগী তলব অসিনা দাইটকী শেনফম খাইদোকখ্রগা মরক মরক্তা য়ুমদসু লুপা ১,০০০ শুম্বা থাজে । মসিনা ঐবু হিংহনবীরীবনি খঙ্গে ।

অদুগা ব্রেঠ লিফটিংগী পাটিয়ালা কোচিং কেম্পতা চত্খরিবা রুটিন অসিনা, অয়ুক পুং ৮ দগী ৯ ফাওবনা ব্রেকফাষ্ট, পুং ১০.৩০ দগী ১২.০০ ফাওবনা প্রেক্টিস, পুং ১ দগীনা ২ ফাওবদা লঞ্চ টাইম, পুং ৪.৩০ দগী ৬ ফাওবনা নুংথিলগী প্রেক্টিস, নুমিদাং পুং ৯ দগী ১০ ফাওবনা ডিনর সুমাইনা চৎলি ।"

"থাংজগী নুংথিলদনা প্রেক্টিস রেষ্ট পী, লোয়ননা নোংমাইজিংদনা ফুল রেষ্ট ওই । নোংমাইজিংদি ঐখোয় সিনেমা য়েঙবগী প্রোগ্রাম ওইনা থমই । ব্রেঠ লিফটিংগী প্লেয়রশিংদি অতৈ কেম্পরশিংদগী হেন্না টেকশিন্না থম্ব্রা হায়নসু খল্লি । চাবা, থকপা, তুম্বা কুপ্পা য়েংশিনবী ।"

"হৌজিক এসিয়ন গেমজকী ওইনা পাটিয়ালা কোচিং সেন্তরদা ঐখোয় তরেং ফোরেন কোচ য়াওনা অকনবা ট্রেনিং পীবিরি । লিফটর তরেং অদুদি, এন. কুঞ্জরাণী, লক্ষী, কর্নাম মালেশ্বরী, সুমিতা লাহা, উজলা, দব্রিয়ু নন্দিনি অমসুং ঐ ইশানরি ।"

কোচকী মতাংদনা সনামচানা হায়, "অহানবা ঐবু খুং পায়দুনা তম্বীরকখিবা কোচনা ওঝা কুঞ্জকিশোরনি । মথংদনা ঐবু ইন্টরনেসনেল থাক য়ৌনবা ইনখৎপীরকখিবা

কোচনা অহৈবম রঞ্জন সিংহ (এন. আই. এস.) সাইনি । লোয়ননা ইন্টরনেসনেল এরেনাদা মেডল লৌনবা তোঙান-তোঙানবা টেক্নিক কয়া তাকপীদুনা হৌজিক-হৌজিক লমজিংবীরিবা কোচনা বলগেরিঅগী সর ষ্টোচেভনি ।"

"নুংঙাইবা ৱাফম অমনা ইন্দিয়ান ওলিম্পিক এসোসিয়েসন্না সীডনী ওলেম্পিক্কীদমক ঐখোয় মরি অমুক খঙ্গৎতুনা তোঙানবা ট্রেনিং পীবা হৌরে । এন. কুঞ্জরাণী, লক্ষী, মালেশ্বরী অমসুং ঐহাক কোচ অনিনা লিফটর অনি/অনি খাইদোক্লগা কোচিং চংখবা হৌরে । সার ষ্টোচেভনা হৌজিক্তি ঐগী খ্বাইদগী চাওবা গাইদ ওইরি । মালেমগী অফাও-অফাওবা লিফটর কয়াগা থেঙনবা ঙম্নবা মানা ঐবু চেকশিন্না শেম্নবিরি ।"

মণিপুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফথ নেসনেল গেমজকী মতাংদনা ময়াম্না ঙাংনহৌবা ৱাফম খরা তম্নদুনা সনামচানা অসুম্না হায়, "তৌগনি হায়বসি অয়াম্বা ষ্টেটকী প্লেয়রশিংনা থাজনহৌদে । পাটিয়ালা কোচিং কেম্পতা লৈহৌবা প্লেয়র ময়াম অমনদি মণিপুরদা য়াম্না লাক্লিংহৌই । মখোয়না ষ্টেট অসিবু য়াম্না খঙনিংবসু মাল্লি । করিগুম্বা মণিপুরনা ঙমদ্রবদি পঞ্জাবনা তৌখিগদবা মানবসু লৈ । নুমিৎ খরা থোকচরকপা অসিদা শাগৎলিবা ষ্টেডিয়ম ময়াম অমসু য়েঙজরুরে । ঐগী ওইনদি অসুক য়াম্না শান্নবুং মণিপুরদা শাগৎলমগনি থাজরুদে, তশেংনা অঙকপা ফাওজে। নেসনেল গেমজ ষ্টেট অসিদা সুকশোয় শোয়দনা পাঙথোকহনবদি পামই । ষ্টেট অতৈগী ময়াম অমসু অমুক্তংদি মণিপুরবু য়েঙহঞ্জনিংই ।"

সনামচা চনু হৌজিক্কী ইমুং মনুংগী মীওই পুন্নমক্না শৌগৎতুনা মঙোন্দা অচৌবা আশা থমহৌরি । লিফটর অসি ইমুংগীসু অচৌবা আশানি । লৈকায়গীসু আশানি । মণিপুরগীসু আশানি । ভারতকীসু আশানি । বেঙ্কোক এসিয়ন গেমজতা সনাগী মেডল পুরকপা ঙম্নবা মাবু পোকপী মমানা থম্মোয় শেংনা মচাবু মঙ্গল পীহৌরি । থকশি খাশি খঙনা, নীতি-নীয়ম নাইনা, ওঝা গুরু মশক খঙনা চৎননবা, মতম খরা উন্নবা অদুদা তত্তনা পাউতাক পীহৌরি । মঙোন্দা আশা তৌরিবা খুদিংমক্না ১৩ শুবা বেঙ্কোক এসিয়ন গেমজতা সনামচা চনুনা মায়পাক্না ভারতকীদমক গোল্ড পুদুনা হল্লকপা ঙাইনহৌরি ।

অখৌবাগী মাইকৈদগীসু রেঠ লিফটর সনামচা চনুনা বেঙ্কোক এসিয়ন গেমজতা নত্তনা ওলেম্পিক্সতা সনাগী মেডল পুরকপগা লোয়ননা লমদমসিবু শান্নবগী জগৎতা ময়েক শেংনা মালেমদা শকতাকপা ঙম্নবা ঈশ্বরগী মফমদা নিজরি ।

অখৌবা, জুলাই ১৯৯৮ ।

৪ শুবা নেসনেল গেমসতা

মণিপুরগী আশা

শান্নবগী লমদা মণিপুরগী এপেক্স বোদী ওইনা লৈরিবা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসন্না মশা য়াম্না খীংবা মাল্লকপসি নেসনেল গেমসকুম্বা পাওখোক্কদবগী নকশিল্লকপা স্বাইসিদনি । অতে মতমদসু তৌবা য়াবা অচৌ অচৌবা থৌদাং লৌরম্বদি য়াই, অদুবু মকাদী কয়া ফোংবা উদে । অদুগা করি করি মশক মচু থোকপা ষ্টেট অসিগী শান্নবোইশিংগীদমক অফবা থৌরাং তৌরিবগে হায়বসিসু নৈননীঙাই ওইরে । নেসনেল গেমসকুম্বদা শান্নবোই খরা চাওখোম খোমজিল্লগা স্পোর্টস নুংশিবা শাবা অঙম অথৌ, শেঙ্গাও পাইবা কয়া পিকনীককী মওংদা ধুম ধাম তৌদুনা চৎপনা মণিপুরদা স্পোর্টসকী ফীবম ফগৎলকপা নত্তে ।

তুল্লমদাইদা পাল লৌবগী থৌদৌ -

নেসনেল গেমস হায়বসিদা ভারতকী করম করম্বা ষ্টেটনা করম করম্বা মশান্নদা চুশিন্নবগে হেন্না হৈশিংবগে হায়বদু উৎথোক্লগদৌরিবনি । লোইননা হেন্না মনা লৌবা ঙমখিবা ষ্টেট অদু ভারতকী ওইনদি চপ চাবা মীৎয়েং থমদুনা ইকাইখুম্নবা উৎকদৌরিবনী । অদুনা গেমস অসি তরাইনা লৌফম থোক্তে । শরুক য়াহনগে হায়রগদি শোইদনা মনা লৌরক্কবগীদমক থা খরগী মমাংদগী কুপ্না শেন্নদুনা মতিক চাবা কোচিং পীবীদুনা হোৎনবিবগী তঙাইফদবা লৈরি । মসিংখক্কী নুমিৎ খরানীদা স্পোর্টস ইভেন্ট খরগী কোচিংনী হায়দুনা তৌখিবা, দাইতনি হায়দুনা মদুদি উবদা ফাগী মার্নখি । নোক্লিংবা পোকই । তৌখিবদুগা মেদল মথং মথং লৌরক্লিবসিগদি পুক্লীং নুংশিবদুম পোকই ।

শান্নবোইশিংগীদমক লৈবা ওইরগদি য়ামদ্রবদা তৌবা য়াবা থৌরাংগা লোয়ননা মরম চাবা থবক মওম চানা চানা পাইখৎপীবা তাই । এসোসিয়েসন অনি অহুমগী অচৌ অচৌবা কোর্নশিল্লগা থবক্তি মনা অমত্তা তৌদবা অঙম অথৌ ময়ামসু মতাং চানা ফম থাদোকপীবা ফরে। থবক তৌদনা ঐদি প্রেসিদেন্টনি, সেক্রেটরিনি হায়বা ময়াম অমগা নোংমা নোংমগী মশিং হেক্সৎলকপা অসিদা স্পোর্টসকী লমদা

শকখঙনরিবা অসি হীরম অমত্তদসু মাইপুনবা থবক তৌবা ঙমহন্দ্রে ।

মেগী ৩১ দগী হৌরগা মথং থাগী জুনগী ১১ ফাওবা কর্ণাটাকাগী বেঙ্গলোর অমদি মহিশুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা মরিশুবা নেসনেল গেমস অসিদা মেদল কয়াগী আশা তৌবা য়াগদগে হায়বসি কুপ্পা শেন্নদুনা হোংনরক্লগদি ইরাই লাইনা হায়বা য়াগদবা মরম ঙাক্কনি । মণিপুর অসি শান্নবদা মমিং লৈবা ষ্টেট অমনি অদুনা ঐখোয় শ্বাইদা ভাষন নুংঙাইনবা পঙলাও লাওরগা শান্নবা ক্নখঙখৎলক্কদবা নত্তে। শান্নবগী মমিংদা খুদোংচাবা পঙলৌদা লৌনিংবা নাকন অমদনা স্পোর্টস নুংশিবা শাবা তৌথোরকপদনা শান্নরোই হাংনবগী ফীভমদা লাকপসিনদি হান্না লৈজরল্লীবা থাক অসিদগী তপ্না তপ্না হাইথরকপা তাবনি ।

নিংশিংবা য়াবদি, অহুমশুবা নেসনেল গেমসতা মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা ফঙখিবা মেদল অসি সনাগী ১৩, লুপাগী ১১, শেঙ্গ্লেংগী ১৮, পুন্না ৪২ নি । হন্দক্তি ষ্টেট অসিনা গেমস অসিদা মেদল কয়াগী আশা তৌবা য়াগদগে হায়বসি নৈনরুকাদি হেন্না ফীভম ফগৎলক্কদবগী ৱাফম করিসু লৈতে । মমাংগী গেমসতা মেদল লৌরম্না শান্নরোই কয়া অতোপ্পা ষ্টেটতা থবক তৌদুনা মশাগী স্পোর্টস কেরিয়ার কঙ্গনবা লৈনখিবনা ঐখোয়না হেন্না আশা তৌনিংঙাই করিসু লৈতে । হান্না ফঙখিবা অসিদগী তানা ফঙলক্তবদি ওইসনু ।

অমরোমদা, থা অমা অনিদা নেসনেল গেমসকীদমক থৱাই য়াওনা এসোসিয়েসন, ইউনিয়ন অমদি স্পোর্টসকী সংস্থান কয়ানা মাইকৈ কয়াদগী হৌ-হৌ হোংনখিবা অদুদি অচৌবা কুপ্মে অমা ওইখি । স্পোর্টস এসোসিয়েসন কয়াগী উরি ৱাওরীবা শান্নরোই ট্রাইয়েল তৌদনা সেলেক্সন তৌরম্বগী ৱাথোক, বেঙ্গলোর ফাওবা কোইবা চৎলুনবগী মওংদা মচা মনাও হাপচীনবগী থৌদোক য়ান্না ময়েক শেংনা শেংনা থোরকখি । মণিপুরগী অয়াম্বা এসোসিয়েসনদি মী অমা অনিনা খুদোংচাবা লৌরগা শান্নবগুমসু তৌরি । শান্নরোই সুকনৎ নত্তবা ফাওবা পার্টিসিপেট তৌরুবগী সার্টিফিকেট পাইবা য়াওনরি । য়ান্না নুংঙাই নুংঙাইবা হুরান লানাগী কুপ্মে কয়াসু স্পোর্টসকী মরুমদা লৈরমলি । ষ্টেট অসি করপসন্দা মকোক থংনা চেল্লি হায়বদু থোক্লিবা থৌদোক-ৱাথোক কয়ানা প্রমাণ ওইরি । অদুবু স্পোর্টসতা অচৌবা করপসনগী মকোন শাদুনা শেরান তুরান তৌবিবদি চুমদে ।

গ্রুপ্পীজমগী ঈহৌ -

লমদমসিগী শান্নবগী এসোসিয়েসন অয়াম্বা অঙম অথৌ শক্তি লৈবা কয়ানা সুপপাই পাইখিবনা তশেংনা শান্ন-খোংনববু থম্মোই শেংনা নুংশিজবা য়োকখৎপা পামজবশিংদদি পাঙ্গল ফুদোকপা ঙমদবগী অৱাবা কয়াসু মায়োক্নরি । গ্রুপ্পীজমগী অচৌবা ঈহৌ অমা লাকপসিদা শান্নবোই কয়াদসু লম্মাংনবা খোকহল্লে।

মসিমক্তি য়ান্না চুমদবা শক্তিবু লান্না শীজিন্নবা নীতিনী ।

ইশানা খংনা চুমথোকপিবা মতম ওইরে -

"কর্নাটকাদা পাংথোকলিবা মরিশুবা নেসনেল গেমসকী শান্নবোই খনবা মতমদসু চয়েংনবা চৌনবশিং পীক থন্না লৈখি । শান্নবোইশিংবু অফবা লম্বেল অমদা নিংথিনা লমজিং লমতাক তৌদুনা পুবা ঙমদ্রগদি এসোসিয়েসন লৈবগী দরকার ওইদে । শক্তি পাম্বা খরগী লম-কোইবা নুংঙাইনবা, ৱাজাও ঙাংবা য়ানবা, নুপী অঙাং পুদুনা চংপা য়ানবা, স্পোর্টস য়োকখৎপা পাম্বা শাদুনা লৈবদি সুকচুম চুমদে । শান্নবগী মগুন খঙদবা, শান্নবোইশিংবু অচুম্বা লম্বেলদা লমজিং লমতাকুনা নিংথিনা চংহনবা ঙম্লোইদবা ওইরগদি খুদক্তা ফম থাদোকপীবা ফরে। অৱা অনা কয়া মায়োক্নবা ঙমগদবা অচুম্বা পামজবা খরসু লাইবক য়েংজসনু । অদুগা লৈকাই অমা অনিগী ওইবা ষ্টেট লেভেল থাক্কী এসোসিয়েসন খরা লৈরিবসিসু য়ান্না থুনা শেমদোকপা ফরে । খ্বাইদগী শাথিবা অমনা, ইমুং অমা অনিখক্তনা মপুং ওইনা শান্নবা, এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরিসু, মেনেজরসু, কোচসু, প্লেয়রসু, ওইবা য়াওরম্নিবা অসিসু মতমসিগা চান্নদবা থৌওংনি । হৌজিক্কী মতমদা শান্নবোই ওইগে হায়রবদি শান্নগদৌরিবা ইভেন্ট অদুখক্তা উবা য়াদ্রে । নাক-য়েং ভুং-মাং কন্দাইদা করি হায়বদুসু তঙাইফদনা খঙবা তারক্লে । শান্নবোইশিংগী মমিংদা খুদোংচাবা লৌগদৌবা ময়াম অমনা ওম্থোক ওনশিন শান্নরকপা অসিদা খরদি মীং না শিংনা লৈবগী তঙাইফদবসু লৈরে । খুদম অমত্তং পল্লবদা ৪২ শুবা সি: সি: মীটকী চেম্পীয়ন ওইখিবা টিম অমদি মণিপরগী ইলেভেন টিম অনিবু মপান্দগী কৌথোক্তুনা মোহন বগান টিমগা মেটচ অনি শান্নহন্দুনা মণিপুরগী মমিং লৈরবা লাইওন্স অমদি লাইওনেষ্ট ক্লবনা শেঙ্গাও ময়াম অমা খোমগংখি । শান্নবোই ময়াম অমসু হরাওনা শরুক য়াখি । অমফানসু অঙম্বা মতেং পাঙখি । মদুগী

তৌবীমল খঙবা ওইনা মণিপুরগী প্লেয়রশিংদা লুপা চাম্মা চাম্মা ক্লব অসিনা পীখি। লোইননা মীংকী লায়েংশঙ অমা শাননবগীদমক শান্নরোইশিং অসিবু মতাং চানা শিজিন্নখি । মতাংসিদা হায়নিংবদি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননসু লাইওন্স ক্লবতা মতেং পাঙহন্দুনা মণিপুরগী ফুটবোল শান্নরোইশিংগীদমক মতাং চাবদা নুংঙাইবা মেটচশিং পাঙথোক্তুনা শেল খরা খোমজিন্নবা হোংনবীয়ু । মাই পাকখিবগী পাড়া অদুমদি নিংখিনা ফাজিনবীহৌ । মসিগী কান্নবসু লাক্কনি । ভারতকী অফাও অফাওবা ফুটবোল টিম, অমফানা কৌবদনা হেন্না লাক্লীংগনি । অমবু ওইরে, অমবু ওইরে মতমগা চান্নবা থৌরাং খরদি তঙাইফদনা তৌবা চুমই। চহী ১০/২০ গী মমাংদা লৈখিবা চৎন লোনচৎ অদুনদি করিসু কান্নবা পুরক্লোই । স্পোর্টস চাউখৎহনবসু ঙল্লোই ।

মণিপুরগী চাংয়েং -

কয়ারক হন্না য়েথোক্তুনা লাক্লবা কর্নাটাকাগী নেসনেল গেমসসু হন্দক্কী মেগী ৩১ দগী জুন ১১ ফাওবা পাঙথোকখ্রে । শান্নরোইশিংগীদমক থবক তৌজনবগী চাদা মরি কোটা লৈবা ষ্টেট অসিনা স্পোর্টস চাওখৎনবা কযামুক হোংনবগে হায়বদু মরিশুবা নেসনেল গেমস অসিদা উবা ফঙলে । গেমস অসিগীদমক মণিপুরগী শান্নবা মখল ১৮ কী হায়বদি আর্চেরি, এথলেটিক্স, বেদমিন্টন, বোক্সিং, সাইক্লিং, স্বীমিং, রাটর পোলো, টাইকোন্দো, ট্রাম্পোলিন, ফেন্সিং, জিমনাষ্টিক্স, হেণ্ড বোল, জুদো, কাবাদি, রোয়িং, সুটিং অমদি ফুটবোলগী শান্নরোই, কোচ অমদি টিমগী মেনেজর পুন্না ২৪০ না শরুক য়াখি । মণিপুরগী টিম ওফিসিয়েলশিংনা মথৎশিংনা সি. ঐচ. ইবোহল, ডা' জি এ. ইবোশিশক, টিঃ নবকুমার অমসুং ডা' এ. কে. জয়নী ।

গেমস অসিগীদমক শান্নরোইশিংগী মমিং মথা মতম চানা য়ৌহনকপগীদমক আই. ও. এ না ভারতকী ষ্টেট অহুম মহারাষ্ট্র, পঞ্জাব অমদি মণিপুরবু নেসনেল পেপরশিংদা থাগৎপা ফোংদোকখি । শোমদনা প্লেয়ার শেরান ডুরান খর্নাজিনখ্রে হাযদুনা রাথোক ওইনখি, সেক্রেটরি ফম থাদোকপা ফাওবা য়াওনখি । অমসু অমসু মতম চানা কুপ্পা খন্ন নৈনরগা তৌরন্নবদি অশোইবাশিংদু থোক্লমদবসু যাবনি। মতম চাদবদগী অযাম্বা স্পোর্টস ইভেন্টশিংগী মনুংদা রাথোক মচা মচা কযা

লৈখি। ষ্টেট আসিগীদি লাষ্ট অরানবদা নমফু হাফু তৌবা হায়বসি হান্নদগী চৎনবী ওইদুনা লৈবনি । থা ৫ / ৬ কী মমাংদা সেলেক্সন লোইশিন্দুনা অয়ুক নুংথিল কোচীং পীদুনা কদাইদা করি হায়দুনা কুপ্না শেন্নদুনা থারল্লবদি আশা তৌরম্বদুদগী হেন্না মেদল পুরক্রমগনি। হৌজিক তৌরিবসিদি নরাইবক য়েঙনজরুরো বেঙ্গলোর তান্নদি পুবিরক্লেদনা হায়বগী মওংদুনি । নিংথিনা শেম শারবা অতে ষ্টেটকী প্লেয়রশিংগা মণিপুরগী শান্নরোইশিংগা করম্না মতিং মথৌনা ফুদোক্তুনা থেঙনবিগে হায়বদু ফজনা উবা ফংলে ।

অরোইবদা, গেমস অসিদা শরুক য়ারিবা লমদমসিগী শান্নরোইশিংনা হান্না লৈখিবা থাক অসিদগী হেন্না ব্রাংখৎনবা মশা মশাগী শক্তি থৌনা ফুদোকপদি হৌরক্লি । গেমস অসিদবু চপ চাবা মফম লৌবা ঙমখ্রগদি অতে ষ্টেটনা নমদুনা ঐখোয়গী শান্নরোইশিং লৌহৌগনি । লোইননা মশামকসু তুং কোইনা শান্নরোই ওইনা হীঙবা ঙমগনি । ষ্টেট গভমেন্টতগীদি করিনো ঐখোয়গী শান্নরোইশিংনা আশা তৌরুগদবা, এব্রার্দকী শেল খরদি ফঙবা য়াই । অফবা শান্নরোইগীদি মফম অদুমক ফঙগনি। তাঙ্খা ফঙলিঙেসিদা খোঙফম অমমমদি গেমস অসিদা শেমহৌবা ফরে ।

অথৌবা, জুন ১৯৯৭ ।

*****

স্পোর্টস এৱার্দ অমসুং শাল্লরোই

শাল্লরোইশিংদা মতাং চানা পুক্রিং থৌগৎপীবা, থৌনা পীবীবা হায়বসি য়াল্লমক দরকার ওইবা ৱাফমনি । থোইদোক্লা শাল্লবগী লমদা, ইরমদম অসিবু মালেমদা শক্তাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মমিং লৈবা শাল্লরোইশিংবু ঐখোয়না মতাং মতম চানা তৌবীমল উৎপা হায়বসি তশেংনমক তৌফম থোকপনি । মখোয়গী হোৎনজমন থৌনা লৌশিং অমদি শক্তিনা পুরকখিবা মপান নাইদ্রবা মীংচৎ কয়া, ঐখোয়সু চপ চানা ইকাইখুম্নবা উৎতুনা থম্মীবা তাই ।

অমরোমদা, মণিপুর সরকারগী মাইকৈদগীসু হৌখিবা ইং ১৯৮৪ দগী, নেসনেল অমদি ইন্টরনেসনেল থাক্তা মনা মথুম লৌরকখিবা শাল্লরোইশিংদা ইকাইখুম্নবা উৎতুনা ইন্সেন্টীব স্পোর্টস এৱার্দ পীবগী থৌরম অমসু লেপ্তুনা ঙসি ফাওবা চৎথরক্লি । হায়রিবা চহী অসিদগী পীবা হৌখিবা এৱার্দ অসি মরু ওইনা ইং ১৯৮২-৮৩ দা শাল্লরোই কয়া অমনা মা-মানা লৌরকখিবা মনা মথুম অমদি এচিবমেন্ট অদুদা য়ুমফম ওইরগা পীখিবনি । চাওরাক্লা ইং ১৯৮৪ দগী ইং ১৯৯৩ ফাওবদা রাজ্য সরকারনা পীখিবগী এৱার্দকী চার্ট মখাদা উৎচরি ।

Year	Total	No. of National receipients	International	Amount
(1)	(2)	(3)	(4)	(5)
1984-85	83	76	7	Rs. 1,47,000/-
1985-86	97	73	24	Rs. 2,79,500/-
1986-87	77	52	25	Rs. 3,31,000/-
1987-88	115	98	17	Rs. 2,56,000/-
1988-89	140	121	19	Rs. 2,89,000/-
1989-90	78	59	19	Rs. 3,47,000/-
1990-91	103	60	43	Rs. 3,68,000/-
1991-92	164	132	32	Rs. 3,68,000/-
1992-93	489	424	65	Rs. 10,71,390/-
	1346	1095	251	Rs. 33,09,890/-

য়ুথ এফিয়ার্স এণ্ড স্পোর্টস দিপার্টমেন্টদগী ফংজবা চার্ট অসিগী মতুং ইন্না রাজ্য সরকারনা ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী মমিং লৈরবা শাল্লরোই ১৩৪৬ তা ইকাই খুম্নবা উৎখ্রে হায়বা তাক্লি । লোইননা মখোয়দা লু: ৩৩,০৯,৮৯০ গী শেলগী

তেঙবাং পীখ্রে হায়বসু খঙলে । লেপ্তুনা চংথরক্লিবা থৌরাং অসিগী শরুক অমা ওইনা ১১ রকস্তবা ওইনা পীগদৌরিবা ষ্টেট স্পোর্টস এৱার্দকীদমকসু পুন্না শান্নরোই ৩৭৪ গী মমিং মথা খন্দোকপা লোইখ্রে । ইং ১৯৯৪ দা য়ুমফম ওইরগা পীগদৌরিবা অসিদা, ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা ৫২, নেসনেলগীদা ৩২২ না হায়রিবা মনা অসি ফঙগনি । এৱাদি ওইগদৌরিবা ৩৭৪ অসিগী মনুংদা নুপীমচানা ১৯৫ অদুগা নুপামচা শান্নরোইনা ১৮৯ নি । ১১ শুবা ইন্সেন্টিব ষ্টেট স্পোর্টস এৱার্দ ১৯৯৪ অসিগী অপুনবা পীগদৌরিবা শেনফম্না লুপা ১৪,১৪,৫০০ নি হায়না দাইরেক্তর, য়ুথ এফিয়ার্স এণ্ড স্পোর্টস দিপার্টমেন্টনা হায়রি । অথুবা মতমদা পীননবগীদমক শেম শাবা লোইশিনলক্লবা এৱার্দ অসিদা আচেৱীগী কুমারী বি: অঙ্গেলানা লুপা লিশিং ৫৩ গী খ্বাইদগী য়াম্না মনা ফঙবী শান্নরোই ওইগদৌরি । নেসনেল অমদি ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা মহাক্না পীখিবা পরফোমেন্স অদু য়েঙলগা শান্নরোই অসিনা হায়রিবা শেনফম অসি ফঙগদৌরিবনি। নিংশিংবা য়াবদি, টেন ইন্সেন্টিভ ষ্টেট স্পোর্টস এৱার্দ ১৯৯৩ দদি কংলা শঙ্গোমশঙদা লৈবী মশাগী চহী ২০ খক্তা ঙাইরিবী সাইক্লিষ্ট দব্লিউ: বেমচানা লুপা লিশিং ৪২ ফঙদুনা খ্বাইদগী য়াম্না শেলগী মনা লৌখিবী শান্নরোই ওইখি । শান্নরোইশিংদা পীরিবা এৱার্দ অসিগী মতাংদা হায়নিংলিবদি, হৌজিক রাজ্য সরকারনা পীবীরিবা এৱার্দ অসি চহী শাংনা শাংনা গেব অমা লৈনখিবনা মতাং মতম চাদবা অমা শান্নরোইশিংদা মাইয়োক্লহল্লে। চহী শাংনা কান্নমনখিদুনা এৱার্দকী মমিং লাওথোকপদা, হৌখিবা চহীদা শিখি নাখিবা য়াওদুনা মচা মশুনা রিসিপ্ট তৌনবা ফাওবা য়াওখি । মরম অদুনা মরক্তা ফরক খরা তাদুনা লৈরিবসি সরকারগী মাইকৈদগী অথুবা মতমদা মেনখৎতুনা এৱার্দ অসি মতম চানা পীহন্নিংই । ইকাই খুম্নবা উৎপীগে হায়রবদি মতাং মতম চাহনবীবসু চুমই । চহী ৩/৪ মমাংগী ইকাইখুম্নবা হৌজিক্তদা উৎপীবা হায়বসি মতম চাদবা থবক্নি । অদুগা পিরীবা এৱার্দ অসিগী মমিদা নেসনেল অমদি ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা খৌশাবা ইউনিয়ন, এসোসিয়েসন খরা লৈরিবসিসু মরি লৈনবা কাংবুনা কুপ্না য়েঙশিনবীবা ফৈ । লোইননা এৱার্দ অসি করি করম্বা কেটেগোরী খাইরগা পীবনো হায়বাসংসু য়াম্নমক ময়েক শেংহনবা চুমই । ময়েক শেংদবা খরদগী, মমাং চহীদা টীংখহৌবা খরদসু হন্দক চহিসিদা মেনখৎপা

য়াওগদৌরি। স্পোর্টসকী মতাং অসিদি তরু-তরু ময়েক শেংহনবা য়াম্না দরকার ওই । ফঙফম থোকপা শান্নরোইশিংনা মাগী মাগী ফঙফম থোকপশিং অদু ফঙজসনু । এব্রার্দ পীবগী মতাং অসি হান্নদগী ময়েক খরা শেঙলক্লগসু পুমশেং শেংলে হায়বদি হৌজিকসু য়াদ্রি । অদুনা কুপ্পা জ্ঞান তানা খন্নবা চঙলি । রাফম অমনা, সরকারগী মাইকৈদগী পীবীরিবা এব্রার্দ অসি শান্নবগী লমদা মচিন তুমখৎলক্লিবা সব-জুনিয়র, অমদি জুনিয়রগী থাক্তা লৈরিবা শান্নরোইশিংদনা হেন্না পীহল্লনিংই । থবক ইনখাং তৌদুনা লৈনখ্রবা, মশাগী মফম অমমম ফঙখ্রবা শান্নরোইশিংগা মশাগী চপ চাবা, খোঙফম অমা ফঙনবা হোৎনরিবা অনিগী থৌদাং অসি খেন্নৈ। অদুনা মশাগী মতিং ফুদোক্লবগীদমক লৈজবী শক্তি থৌনা পুন্নমক শিজিন্নরক্লিবশিংদনা হেন্না কান্নবসু ফঙগনি হায়নিংই।

অথৌবা, মে - ১৯৯৭ ।

*****

সিডনি ওলেম্পিক্তা

ঐগী অরোইবা আশানি

গোৱাদা, টাইকোন্দোগী কোচ কম প্লেয়র ওইনা লৈখ্রবা শুনিল শর্ম্মানা হায়, "ঐখোয়না ইরমদম থাদোক্তুনা মীরমদা থবক তৌদুনা লৈজরিবসি তঙাইফদনা মতম শাংনা শান্নরোই ওইনা শান্নবা ঙম্নবগীদমক্তনি। মণিপুরদদি ঐখোয়গী মফম লৈতে। অতোপ্পা লমদদি রেল-কম ফজনা তৌবীবগা লোয়নননা ঐখোয়বু ফজনা থম্বীদুনা ঈকাই খুম্নরি।"

মতম খরগী খোঙচৎতা ইম্ফালদা থোরকখিবা শান্নরোই অসিনা মখা তানা অসুন্না হায়, "মণিপুরনা হোষ্ট ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মঙাশুবা নেসনেল গেমস অসিদা ঐহাক ইশামক মণিপুরগী রিপ্রজেন্ট তৌরোই। মরমদি, ঐখোয় মীগী মরমদা তাংদুনা, মাঙলন্নগদবা ঐগী স্পোর্টর্স কেরিয়রবু কনবিরকখিবা গোৱা ষ্টেটতগী থোরক্কনি। মতম চানা থা ৬ লোমগী মমাংগী ট্রান্সফর তৌননবগী প্রোসেসনচিংবসু মরী লৈনবশিংনা তৌবিখিদবনা তঙাইফদনা ঐ, ঐনা লৈজরিবা ষ্টেটতগী থোরকপা তাবনি। ঐগী কেটগরিদা মেদল অমা লৌনবসু হোংনজগনি। মদুদা থেংনবা তাবনি। ঐ মণিপুর মচানি, ঐনা ঐগী ইরমদম করিগী নুংশিরোইদৌরিবনো ? চাউরবা ভারতকী ষ্টেট কয়াদা লৈবা মণিপুরগী প্লেয়র পুন্নমক ষ্টেট মশাগী শান্নবা পান্নরমগনি। অদুবু, কন্দিসন্না মৈতে মচা ফনা য়ান্না হোকিদা, ফুটবোলদা, ৱেঠ লিফটিংদা অতোপ্পা ষ্টেটতগী রিপ্রজেন্ট তৌরক্কনি। শুনিল শর্ম্মা ইং ১৯৮৬ দগী অহানবা ওইনা শান্নবদা খোঙদাবা হৌরকখি। লোয়নননা ইং ১৯৮৯ দগী ষ্টেট চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াবদা নত্তনা মেদল লৌরবসু ঙমদুনা ষ্টেট লেভেল শান্নরোই ওইরকপগা ইরোয়নননা নেসনেলগী রিপ্রজেন্ট তৌদুনা মথং মথং শান্নবা হৌরকখি। নেসনেলগী থাক্তা সনাগী মেদল ৪, লুপাগী ২ অমসুং ব্রোঞ্জ ২ মথংশিংনা ফংবা ঙমখ্রে। লোয়নননা এসিয়া অমদি ৱার্ল্ডগী মফম কয়াদসু ভারতকী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুরে।

পনবা য়াবা খরদি, সুনিল শর্ম্মা ইং ১৯৯৩ দগী গোৱাগী শান্নরোই ওইনা

লৈখিবনা, ইং ১৯৯৪ দা পুনে অমদি বোম্বেদা পাঙথোকখিবা ১৩ শুবা নেসনেল গেমসতা গোৱা ষ্টেটকী রিপ্রজেন্ট তৌদুনা টাইক্বোন্দোদা সনাগী মেদল ১ লৌখি। হন্দকসু বঙ্গলরদা পাঙথোকখিবা ৪ শুবা নেসনেল গেমসতা গোৱা ষ্টেটকীদমক ব্রোঞ্জ মেদল অমা লৌখি। হন্দক্কী গেমস অদুগী মতাংদা সুনিললনা হায়- "ঐগা রেঠ পুল্লি হায়দুনা ফাইট তৌনহনখিবা দেল্লিগী প্লেয়র অদুনা থওইদনা ঐগী নাক্তা লাক্লগা গোল্ড মেদল অসি নঙনা ফঙফম থোকপনি। পোইন্ট পীবদা জর্জ মশেন্দা মিষ্টেক্ত লৈখিবা মাল্লি, মেদলসি লঙ লৌজরো হায়দুনা ঐঙোন্দা হুকচিল্লকখি"। শান্নরিঙৈদা পোইন্ট লান্না মথং মথং পীরকখিবা অদুদা শাওনিংবা খরদি পোকখি। অদুবু দেক্লার তৌরক্লবা তুংদদি ঐ শাওনিংবা পুম্বা ফাজিনখি, মার্সেল আর্ট তৌজবা ঐখোয়গীদি থকসি-খাসিদা চৎনবনিনা ঐ তুমিন্না লৈজখি। তশেংনসু দেল্লিগী প্লেয়ার অদুনদি ঐগা হান্নসু খঙনবা, ঐগী ষ্টাইল টেক্নিকসু হান্না খঙবনিনা ঐগী নাক্তা লাকখিব্রা খল্লি। জর্জনা লান্না পীশিনখ্রবসু ঐগা শান্নমিন্নখিবা প্লেয়ার অদুনা লাক্লগা হায়রবদা ঐনা নুংঙাইজখিদবসি ভারতকী স্পোর্টসকী এরেনা করপসনগী অসুক চাওবা মকোন শারবদি কৈদৌনুংদা লৈবাক অসিনা স্পোর্টসতা হাইগৎলকপা ঙম্লোই হায়বসিনি। তশেংনা শক-চু মান্নদবা ঐখোয়সি খরসু য়েংশিনবগুম তৌই। তৌরিব্রবা ময়াম অসিদা ষ্টেটনসু অমুক ঐখোয়সি থওইবিদ্রিবনি।

হৌজিকসু মতম লৈরি, নেসনেল গেমসতা মনা লৌবশিং রাজ্য সরকারনা থবক চংবদা খুদোংচাবা পীগনি হায়দুনা চাওহায় হায়রিবসি, স্পোর্টস পোলিশি অমা ফজনা শেম্লগা অসিগুম্বা রুলশিং অসি লৈরে খুদক্তা চৎনরগনি হায়বা অমা থম্লবদি মণিপুরগী মপান্দা লৈখিবা শান্নরোই ময়াম অমা নমদম অসিগীদমক খব্রায় খুবাক্তা হাপ্তুনা মেদল ফংনবা হোৎনরক্কনি। মসিগী মতাংদসু খন্থহন্ননিংই।

গোৱাগা মণিপুর ষ্টেটকা খেৎনবা মতাং অমা পল্লদুনা সুনিল শর্মানা মখা তানা হায়- "ঐখোয়গীদি শান্নবা চৎলনদাইগী শেল কাইথোক কাইশিনগী মতাং অসি মতম য়ান্না কুইনা চংই। অদুবু গোৱাগীদি সেলেক্সেনগী চে হেক ফংবগা স্পোর্টস দাইরেক্টরদা থাজিল্লুরবা তুংদা য়ারে হায়বসি সুপ্পগী নুমিৎ শুন্নিখক্তমক চংই। নুমিৎ শুন্নিগী মনুংদা দরকার লৈবশিং ইসাগী সহী অমা তৌরগা য়ান্না খুনা পী। ঐখোয়রোমদা তৌরিবাসিদি কোক ঙাওই। অদুগুম্বা শান্নরোইবু শেমগৎনিংবা

লমদমদুদদি ঐখোয়সু চঙশিন্দুনা পোক্লুদে হায়দুনা শাওনিংবদুম ফাওই ।"

করিগীদমক মণিপুর থাদোকখিবনো হায়বগী মতাংদা শান্নরোই অসিনা হায়, "ঐ মতম শাংনা শান্নজনিংবদগী থাদোকচখিবনি হায়না তেন্না খুমজনিংই । ঐসু ঐনা তমজরুবা, হৈজরুবা বিদ্যা অসিমদি ফজনা মপুং ফানা ফোংদোকপা পামজে । শেলগী প্রোব্লেম লৈবদগী থবক চঙগে খন্দুনা লক্ষনৌগী আর্মি বেষ্ট ক্রোসনা গুরখা রেজিমেন্টকী ইনষ্ট্রক্টর ওইনা ইং ১৯৯৩ গী জানুৱারীদগী জুলাই থা ফাওবা লৈজরমই । অদুবু মখা তানা শান্নরোই ওইনিংবদগী থবক থাদোকচরকখি। লক্ষনৌদগী খোরক্লগা মতম খরা য়ুমদা-নৌরম্লগা গোব্রাদা অমুক কন্টেক্ট ফঙদুনা কোচ কম প্লেয়ার ওইনা ইং ১৯৯৩ গী দিসেম্বর থাদগী লৈরকখি । গোব্রাদা লৈরবা তুংদা ইকুই কুইদনা দিসেম্বর থাদা পাঙথোকখিবা নেসনেল চেম্পিয়নশিপ্তা গোল্ড মেডল লৌরকপগা ইরোয়ননা ১১ শুবা এসিয়ন টাইকোন্দো চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারকখি । শিংথানিঙাই ওইবা অমদি ইং ১৯৯৫ দা ফিলিপিন্সকী মনিলাদা পাঙথোকখিবা ১২ শুবা মেন্স অমসুং ৫ শুবা বুমেন্স ৱার্ল্ড টাইকোন্দো চেম্পিয়নশিপ্তা বেষ্ট স্পিট ফাইটর ওইনা সনাগী মেদল অমা ফঙলকখি । মসিনা ভারতকী ওইনসু অমত্তা ঙাইবা মনা ওইখি।"

প্লেয়ার সুনিল শর্ম্মা ইং ২০০০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা সিডনি ওলেম্পিক ফাওবা শান্নখিগনি হায়রি । ওলেম্পিক অসিদা মশাগী চপ চাবা মতিং ফুদোক্লুনা শান্নরগা টাইকোন্দোগী শান্নরোই ওইবদগী পোত্থাগনি, মতমসি য়ৌদ্রিফাওবা মখল মখা কয়াগী অকনবা ট্রেনিং তৌদুনা মেদল অমা শোইদনা লৌননবা হোৎনগনি হায়রি ।

মণিপুরদা মতম খরগী ওইনা থোরকপদা থেঙনরকপা পেন্দবা অমগী মতাংদা শান্নরোইসিনা হায়, "মীওই খরনা মপান্দা লৈখিবা ঐখোয়সি-ইরমদম নুংশিদবা ওইনা খনবা য়াওই, মসি অরানবা অনেম্বা থাক্কী ৱাখল্লোননি । মপান্দা ঐখোয়না লৈরিবসিদি ব্যবহার অমগী মখাদা মওং অমদা তিন্নবনি । মৈতৈ মচা ঐখোয় মশেন মরক্তা অপিকপা ৱাখল শাগৎনবসিদি নুংঙাইজদে । অদুগা মণিপুরদা হেক থোকচরকপগা ঐহাক মঙাশুবা নেসনেল গেমসকী কোচিং তৌরিবা টাইক্কোন্দো শান্নরোইশিংগী মনাক্তা চৎচখি । ঐগা শান্নরম্বা অমদি ঐগা লোইনরম্বা চহী

নৌরিবা কয়াদা ঐনা খঙজরকপা টেক্নিক ষ্টাইল কয়া তান্নবসু পামজখি । অদুবু ঐনা নিঙবা অদু কাংবু অমনা লান্না খনবীখি । মসিদি নুংঙাইজদে । টেক্নিক হায়বসিদি ঙৈহাক লৈতনা হোঙবনিনা এসিয়া অমদি ৱার্ল্ডগী চেম্পিয়নশিপ্তা করম্বা খুৎশান্না শান্নরিবগে হায়বসিদি ঐখোয়না হকথেংননা উজরুবনিনা খরদং খঙজরুবসু লৈ । অদুগা টেক্নিক হায়বসি তাকথোক্লবদা কাইবা করিসু লৈতে । অহৈবা, এপ্লাই তৌবা ঙম্বনা তৌজরগা ফাইট তৌনগদবনিনা ঐখোয় মশেল অমগা অমগা পীনবা ঐগী ওইনদি পামজে । অঙাং খরদি ইনাক্তা লাক্লমই । ঐনা খঙজবা খরসু তান্নজখি ।"

আরোইবদা, *অথৌবা*গী মাইকৈদগী থাগৎ ৱাহৈ ফোংদোকচরি । লোয়ননা ইং ২০০০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা সিডনি ওলেম্পিক্তা শরুক য়াদুনা·ভারতকী মনা অমা পুরকপা ঙম্নবগী সুনিল শর্ম্মদা *অথৌবা*গী ষ্টাফনা মঙ্গল পীজরি ।

অথৌবা, দিসেম্বর - ১৯৯৭ ।

*****

এথেন্স গেমস ঙাইবা তাৱি

চহী অসিগী সেপ্তেম্বর ১৫ দগী ওক্টোবর ১ফাওবা ওষ্ট্রেলিয়াগী সীডনীদা ২৭ শুবা ওলিম্পিক গেমস, ২০০০ মায় পাক্না পাঙথোকখ্রে। চহী লীশিং পরিং (মিলেনীয়ম) অসিগী অঙকপা মৈগী কুম্ফে কয়াগা ইরোয়ননা চত্থরিবা সীডনী গেমসকী হৌদোকপা অমদি লোয়শিনখিবগী থৌরমশিং মীয়াম্না মতম কুইনা নীংশিংগদৌরগনি ।

ওষ্ট্রেলিয়াগী স্প্রিন্টর কেথি ফ্রিমেননা মৈরা চুদুনা অঙকপা মওংদা হৌদোকখিবা ২৭ শুবা সমর গেমস অদুদা মালেমগী লৈবাক ১৯৯ গী নুপা এথলেট ৬,৪১৬, নুপী শান্নবোয় ৩,৯০৬, পুন্না ১০,৩২২ না শরুক য়াখি । হায়রিবা শান্নবোয়শিং অদুনা মশান্না ২৮ দা চাঙয়েং তৌনখি । মশান্নশিং অদুদি একাতিক্স (স্বীমিং, দাইভিং, সিনক্রোনাইজ, ৱাটর পোলো), আর্চেরী, এথলেটিক্স, বেডমিন্টন, বেজবোল, বাস্কেটবোল, বোক্সিং, কেনোয়িং / ক্যাকিং (স্প্রিন্ট, স্লে লোম), সাইক্লিং (ট্রেক রোদ, মাউন্টেন বাইক), একাষ্টিন (জম্পিং, দ্রেসেজ, থ্রি-দে ইভেন্ট), ফেন্সিং, ফুটবোল, জীম্নাষ্টিক (আর্টিষ্টিক, ট্রাম্পোলিন, রিদিমিক), হেণ্ডবোল, হোকী, জুদো, মোদর্ন পেন্টাথ্লোন, রোয়িং, সেলিং, সুটিং, সোফতবোল, টেবল টেনিস, টেকোন্দো, টেনিস, ট্রাইথ্লোন, ভোল্লিবোল (বিচ ভোল্লিবোল), ৱেঠ লিফটিং, রেষ্টলিং (গ্রেকো-রোমান ফ্রি ষ্টাইল) নি।

অসিগুম্বা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা গেমস অসিগী মরুওইবা অর্থসু মালেম অসিদা শান্তি পুররকবা মীওইবা জাতীনা খুন্দা-লৈতাদুনা লৈরিবা গ্রহ অসি, অপিকপা ইমুং অমগুম উইহন্দুনা নুংশি চান্নরা হিংমিন্নবগী পান্দমনি । অদুননি হেক হেক লাউরিবা- ওলিম্পিক গেমসতদি মায় পাকপদগী শরুক য়াবদুনা হেন্না মরুওই । অদুম ওইনমক স্লোগান অসি লৈজরগসু গেমস অসিগী মোটোদি হাইয়ার, ফাষ্টর, ষ্ট্রোঙ্গর হায়বসিনি । ৱাহৈ অহুমসিগী মরমদনি মালেমগী শক্তি লৈরবা লৈবাক কয়ানা ওলিম্পিক্স অমুক অমুক লাকপদা মখোয় মখোয়গী থৌনা লৌশিং, হৈ শীংবা পুন্নমক অঙকপা পোকহন্দুনা উথোক্নবা ঙাইরিবনি ।

অদুগা, শান্নবগী খ্বাইদগী ফজরিবা অমনা শান্নবুংদাদি জ্বাং বীজাং, শক চু

ক্যাংলুপকী খেন্নবা লৈতবসিনি । শান্নবগী এবেনাদদি মালেম অসিগী অপুনবা ফজরবা শক্তম অমা ইরায় লায়না উবা ঙমই । মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাক্নবা শান্নবোয় ওইনরবসু খেন্নবা থন্নদনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নখি। মসিনি শান্নবগী খ্বাইদগী চাউবা মগুণ ।

লেপ্তনা চঙশিল্লক্লিবা মোদর্ন ওলিম্পিক গেমস অসি ঙসিদি ২৭ লক শুজিনখ্রে । ইং ১৯৯৬ তগী গ্রীককী এথেন্সতগী হৌরকখিবা গেমস অসিদা নুপী শান্নবোয়শিংনা শরুক য়ারকখিবদি ইং ১৯০০ দা পেরিসতা পাঙথোকখিবা অনীশুবা মোদর্ন ওলিম্পিক গেমসতগীনি । হায়রিবা গেমস অসিদা শুপ্নগী নুপী শান্নবোয় ১৯ খক্তা অহানবা ওইনা শরুক য়ারকখি । অদুদগী মথং মথং লেপ্তনা য়াওরকপনা ইং ১৯৭২ দা মুনিকতা চংখখিবা ওলিম্পিক গেমসতগীদি নুপী শান্নবোয় ১,০৫৮ য়াওরকখি। লোয়ননা হন্দক্কী সীডনী ওলিম্পিক গেমস অসিদদি নুপী শান্নবোয় ৩,৯০৬ না শরুক য়াখি । মালেমগী নুপী শান্নবোয়শিং অসিগী মনুংদা মৈতৈ চনু অনীসু য়াওখি । ইতিহাসিক ওইহৌরগদবা সীডনী গেমস, ২০০০ অসিদা, মণিপুরগী সনামচা চনু (ৱেঠ লিফটর) অমদি লৌরেম্বম ব্রোজেশ্বরী (জুদো) না অহানবা ওইনা হন্দক্কী গেমস অসিদা শরুক য়াবা ঙমখি । মালেমগী অচৌবা শান্নবুংদা মৈতৈ নুপীসু য়াওবা ঙম্লে হায়বদু ময়েক শেংনা উৎখ্রে ।

সীডনী ২০০০ দা শরুক য়ারুরবী লিফটর সনামচা চনুনা মাগী ওইবা মোত খরা ফোঙদোক্লদুনা অসুম্না হায়- "মালেমগী ওইবা খ্বাইদগী চাউবা গেমস অসিদা মৈতৈ নুপী মরক্তগী এল ব্রোজেশ্বরীগা ঐগা হন্দক য়াওবা ঙমখিবসি তশেংনা নুঙাই । অদুবু লৈবাক অসিগী ওইনা মেদল পুরকপা ঙমখিদবা অসিগীদমক্তদি নুংনাঙবা পোকই । হন্দক্কী ওলিম্পিক গেমস অসিদা মেদল লৌরকপা ঙমদ্রবসু ইং ২০০৪ গী এথেন্স গেমসতদি শোয়দনা লৌবা ঙন্নবা হোৎনগে হায়না কন্না খঙ্গুরি। সীডনী ২০০০ দা শরুক য়াজরুবা অসিদা তোঙান তোঙানবা টেক্নীক কয়াসু হকথেংননা উবা ফঙজরকখি । অদুগা ঐ ইশাগী অশোয়বা খরসু চুমথোকচগে খল্লি । মরুওইনা ঐনা স্নেতচ অমদি ক্লিন এণ্ড জর্ক থাঙ্গৎপদা শীজিন্নরিবা টেক্নীক অসি খরগীমখৈ স্লো ওই হায়বসি ঐ ইশানা হন্দাক্তি ফজবা খঙবা ঙম্লে। মরম অদুনা ফোরেন কোচ অমদা চহী খরদি ট্রেনীং ফজনা তৌবা পাম্মী ।

ফজবা মখলগী টেক্নীক, ফুট ৱাক্ক খরা মওং তাহনবদা মেদল অমদি মথংগী ওলিম্পিক্সতা শোয়দনা ফঙগনি থাজে । মসি ওইখোক্নবা হন্দক্তি ফেদেরেসন অমদি আই ও এ গী ওফিসিয়েলশিংদা তক্করুগনি । ভারতকী লিফটর অমা ওইনা থৌনা ফনা মেদলগী আশাদা পার্টিসিপেট তৌবদু ঐখোয় পাম্মী । চহী খরা থা খরখক্না ওলিম্পিক্সকী ট্রেনীংনি হায়দুনা চত্থবসি তৌদনবা হন্দক্তি কন্না তক্করুগনি। সীডনী ওলিম্পিক্স অসিগীদমক্তদি অতৈ হায়নীংবসু য়াম্না লৈখ্রে । চংহনগনি চংহল্লোই হায়বসিদা, মতম খরা ট্রেনিংনি হায়দুনা তৌখিবদুসু ইশাদা মুদ অমত্তা হেক য়াওখিদে। তশেংনা চংকদবা হয়েংদা ঙাইরবফাওবা ইশাদা নুংঙাইতবশিং ময়াম অমা লৈখি । অদুবু পেন্দবা নুংঙাইতবশিং অদু হৌজিক্তি ঙম্নমক হৌখ্রবনিনা এথেন্স ওলিম্পিক্স অসিদা ঐগী চপ চাবা লৌশিং ফুদোকপা ঙম্নবা হোৎনজরগে হায়না পুক্নিংদা লেপ্লে । হায়জনীংবা অমনা সীডনীদা লৈরিঙৈ, কম্পিটিসন তৌদ্রিঙৈদা শান্নবগী মম্ব্রি লাকপীদুনা লুপা লাক্ষ অনীগা চিঠি, কার্দনচিংবা ময়াম অমা পীবীরক্তুনা মণিপুরগী প্রজাশিংনা পুক্নিং থৌগৎপীরকখিবদু খোইদোক্না নুংঙাইজখি । প্রজা মীয়াম্না মতাং চানা থৌনা পীবীরকপা হায়বসি শান্নরোয় ওইজরিবা ঐখোয়দি হেন্না শক্তি হাপ্পীরকপগুম থোকখি । মসিগীদমক মীয়াম্বু থাগৎপা ফোঙদোকচরি । মতুংদসু মীয়ামদগী য়াইফ-মঙ্গল নীজরি ।" লোয়ননা লমদমসিগী জুদোকা ৱোজেশ্বরীনা ওলিম্পিক গেমস অসিগী মতাংদা অসুন্না হায়-"মালেমগী জুদোকা ময়ামসিদা ঐনা খোইনা তুজুংবদি লৈজদে । মখোয়না কম্পিটিসন তোয়না থেংনরবনিনা টেক্নীকতা খরা এদভান্তেজ ওইখিবগী ৱানি । মী থেংনবা ৱাংপা, মীনা এটেক্ট তৌহনগদৈ শরুক ঐনা হান্না তৌবনা ফৈ হায়না খরা তহা তহা তৌবদুদা হন্দক্তি মীনা লাকচখ্রে । অদুবু ঐ হোৎনখি । মেদল লৌদনা ওলিম্পিক্সতগী হল্লকপসি শান্নরোয় অমা ওইনা য়াম্না নুংঙাইখিদ্রে । হৈবদগী হৈরবা, ফাওবদগী ফাওরবা ময়াম অমগী খেঙনফম্নি হায়বসি খঙনা, ঐখোয়সু অফাও অফাওবা, মমিং লৈরবা মালেমগী কোচ কয়াদগী ট্রেনিং তৌবা দরকার ওইরম্লে । অদুনা এথেন্স ওলিম্পিক্সকীদমক্তদি লৈজবীদা হোৎনগে খল্লে । ওলিম্পিক্সতা শরুক য়াবদি ঙমখ্রে । মেদল লৌবদি ঙমদ্রি হায়বসি ঐহাক পুক্নিংসিদা চেংনা থমজরে ।"

— — শান্নরংগী অক্লনবা লানফম অসিদা মালেম

অসিগী সুপর-পৱার ওইরিবা য়ু এসনা খ্বাই পুন্নমক্কী মাঙজীন থাদুনা চৎখি । ইতিহাসিক ওইবা ২৭ শুবা সীডনী, ২০০০ অসিগী ইহান হানবা গোল্দ মেদলসু য়ু এসকী নাম্সী জোন্সননা নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ইভেন্টতগী ফঙবা ঙমখি । লোয়ননা গেমস অসিদগী সনাগী মেদল মঙাগী মঙ মঙখিবী য়ু এসকী এঠলেট মেরিঅন জোন্স (২৪) সু, মশান্না মরিদগী সনাগী মেদল অহুম, শেঙ্গেংগী অনী লৌবা ঙমখি । মেরিঅন সুপ্নগী চহী নীপালখক্তা ঙাইরিঙৈদগী হৌনা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন ওইনিংবগী মঙলান শাগৎপা হৌরকখি । মমিং লৈরবী এঠলেট ওইরবা মতুংদা মহাক্না মসিদসু খল্লকখি মদুদি ওলিম্পিক্স অমদগী ফিল্দ এণ্ড ট্রেকতা সনাগী মেদল মঙা লৌবা ঙম্বী ওইদুনা মালেমগী অহানবী নুপীগী-শিংদা চনগে । লোয়ননা ইং ১৯৪৮ দা পাঙথোকখিবা লণ্ডন ওলিম্পিক গেমসতা নেডরলেণ্ডগী ফেন্নী ব্লেনকরস কোইননা গেমস অদুদগী সনাগী মেদল মরি লৌখিবগী রেকোর্দ অদুদগী হেন্না ফজহনগে খনখি। অদুবু গেমস অসিদা নীঙবা থুঙখিদবনা ইং ২০০৪ গী এথেন্স গেমস অমদি ইং ২০০৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক্স ফাওবদা পুন্না মেদল ১৩ শুনবা আশা তৌবা হৌখ্রে । জোন্সনা এথেন্স গেমসতগী মেদল মঙা ইং ২০০৮ গী গেমসতগীনা মেদল অহুম লৌগে হায়বগী ফীরেপ থমখ্রে।

নুমিৎ ১৭ নি চখিবা মশান্না ২৮ গী মালেমগী শান্নবগী চাঙয়েংনবা অদুদা য়ু এসনা চাওনা মায় পাকখিবগা লোয়ননা সনাগী মেদল ৩৯, লুপাগী ২৫, শেঙ্গেংগী ৩৩ পুন্না ৯৭ লৌবা ঙমদুনা অহানবা পোজিসন তাখি । মথংদা ৰৰরসিয়ানা সনাগী ৩২, লুপাগী ২৮, শেঙ্গেংগী ২৮ লৌদুনা অনীশুবা থাক্তা লৈখি। অহুমশুবনা চাইনানা সনাগী ২৮, লুপাগী ১৬, শেঙ্গেংগী ১৫ লৌদুনা তাখি। ওলিম্পিক গেমস অসিগী য়ুম্মু ওইখিবা ওষ্ট্রেলিয়ানা সনাগী ১৬, লুপাগী ২৫, শেঙ্গেংগী ১৭ ফঙদুনা মরীশুবা থাক্তা লৈখি । হন্দক্কী গেমস অসিদা সুপ্নগী লৈবাক ৮০ না মেদল টেল্লিগী কলমদা য়াওবা ঙমখি । লৈবাক ১১৯ দি মেদল কাঙলগা মরৈবাক্তা ওলিম্পিক্সতা শরুক য়াবখক্কী নুংঙাইবা লৌরগা হন্নখি ।

রাফম অমনা, চহী নীশিং পরিং অসিগী অহানবা সমর ওলিম্পিক গেমস অসিদা চাউরবা ভারতবর্ষ অসিগী ওইনদি সুপ্নগী শেঙ্গেংগী মেদল অমখক ৱেট লিফটিং (নুপী) দগী কর্নাম মালেশ্বরীনা পুরগা হন্নরকখি । ভারতকী ওইনা

শান্নবোং ৭২ না মশান্না ১২ দা মালেমগী শান্নবোয় কয়াগা লান্না তৌনরুবদা শান্নবোয় অমখক নওনা ৭১ দি মায়থীরগা হল্লকখি । মেদল টেল্লিগী পোজিসনসু অতোপ্পা লৈবাক ১০ গী ৭০ শুবা থাক্তা লৈমিন্নখি । নীংশিংবা য়াবদি ইং ১৮৯৬ কী এথেন্স ওলিম্পিক্স গেমসতগী সীডনী ওলিম্পিক গেমস ফাওবদা ভারতনা পনা ১৬ খক্তমক ফংবা ঙম্লি । মসিগী মনুংদা মেদল ১১ দি হোকীদগী ফঙলকখিবা ঙাক্লনি ।

অমারোমদা ওলীম্পিক গেমস হায়বসি মালেম অসিদা লৈরিবা লৈবাক কয়াগী অচোবা চাংয়েং তৌনফমনি । সনাগী, লুপাগী, শেঙ্গেংগী মেদল কয়া লৌবা ঙম্বা শান্নবোয় পুথোরকপা হায়বসি নুমিৎ খরনিদা হেক্তা যাবা নত্তে । য়ুরোপ, আফ্রিকা অমেরিকা অষ্ট্রেলিয়া অমাদ এসিয়াগী মমিং লেরবা লৈবাক কয়াদগী পাখোরাবা, ঊবদা ফজুংবা পোক্লবা শান্নবোয়শিং অসি চহী কয়া মখল মখাগী শান্নবোয় কয়া হেন্না শেন্নবা শেন্নকখিবনি । শেম শাবা হায়বসিদসু মখল মখাগী মচাক কয়া লৌনা অমা অমগা শেম শাবা ওইরিবনি । হৌরমসিদা ভারতনা কয়া য়াম্না থুমাঙ চাউশিনবা চেন্নবগী হায়বসিসাদ শৌজকফাওবগীদি মতিক চাবা পাউখুম ফঙগদবা মান্দ । শাগৎগী সে মুবা খৌরকপদা ঙাইবগম তৌরি । ওলিম্পিক্সকী হীস্টাসতা ভারতকী পাফোমেন্স য়াম্না নৌরে । মীঙ৮০ খরা খরা লৌবা ঙম্বা হোকীসু ঙসিদি অতোপ্পা লৈবাক নেদরলেণ্ড, কোরিয়া হোলেণ্ডনচিংবনা মুনখ্রে । ওলিম্পিক্সকীদমক্তি ঐখোয় হেনগদবা য়াম্না রাগনি । অদুগা সীডনী ২০০০ গী ষ্টেটিষ্টিক্স ব্যুরো টাম্না লোংকাথখিবা অঙ্ক অমদা মীশিং থ্বাইদগী য়াম্বা লৈবাক্কী মেদল থ্বাইদগী ফঙদবসি ভারতনা মকোক তাখ্রে । সুপ্লগী মীশিং লাক্ক আনীগা লীশিং তরেৎখক লৈবা যারবারদোসনা শেঙ্গেং অমা লৌবা ঙমখিবা অসিনা মীশিং থ্বাইদগী য়ামদবা লৈবাক্কী মেদল ফঙবা ঙম্বা লৈবাকশিংগী মকোক ওইখ্রে ।

অসুম্না সীডনী ওলিম্পিক গেমস অরা-নুংঙাই, অঙকপা কয়াগা ইরোয়ননা লোইশিনখ্রে । মথংগী এথেন্সকী গেমস অমুক ঙাইবা তৌরি ।

আখীবা, নবেম্বর ২০০০ ।

*****

চীঙলৈবাক্কী সাইক্লিষ্ট রামেশ্বরী

পঞ্জাবতা নবেম্বর ১৯ দগী দিসেম্বর ১ ফাওবা পাঙথোকখিবা সিক্স নেসনেল গেমসতা মণিপুরগী সাইক্লিষ্ট চবুংবম রামেশ্বরীনা বেষ্ট স্পোর্টস পার্সন (নুপী) গী মিংথোল লৌরকখি ।

লেমজনীঙাই ওইরবা টাইটল অসি করম্না ফংলকখিবগে হায়বগী মওংদা রামেশ্বরীনা অসুম্না ফোঙদোকপীরকখি "হন্দক পাঙথোকখিবা পঞ্জাব নেসনেল গেমস ২০০১ অদুদা ঐহাক্না গোল্ড মেদল মঙা লৌবা ঙমজখি । ইভেন্টশিং অদুদি মি: ৫০০ গী টাইম ট্রাইয়েল, মি: ৩০০০ গী ইন্দিভিজুয়েল পার্সুইদ মি: ১৫০০ গী টিম টাইম ট্রাইয়েল, কি.মি ৫০ গী পসুইদ রেস অমসুং মি: ৩০০০ গী টিম পার্সুইদনি। অসুম্না গোল্ড মেদল মঙা লৌবা ঙমজখিবা অদুগীদমক পীবীরকপা থগৎচে ।"

মিংথোল অসি ফংলকপদা করি ফাওখিবগে হায়বগী মওংদনা সাইক্লিষ্ট অসিনা অসুম্না হায়, "সাইকল হেক পায়জরকপদগী খুঙিদগী নুংঙাইগীবা মাকুপ অমা হায়রগদি হন্দক বেষ্ট স্পোর্টস পার্সন ফংজরকপসিনি ।"

নীংশিংবা যাবদি, ইং ১৯৯৫ দগী সাইক্লিষ্ট অমা ওইনা খোঙদারকখিবী রামেশ্বরীনা ঙসিফাওবদা সনাগী মেদল ৩০, লুপাগী ৮, সেঙ্গেংগী ৭ পুম্না মেদল ৪৫ (ইন্টরনেসনেল থাক্কী গোল্ড অমা, ব্রোঞ্জ অমা য়াওনা) ফংবা ঙমখ্রে ।

শান্নরোই অমগী মওং চপ চানা চেন্দুনা পোক্লকুবী রামেশ্বরীনা স্পোর্টসতা খোঙদারকপগী মওংদনা অসুম্না হায় ঐহাক ইরোইশেম্বা টাংজীন্দা লৈবা পাম্বা ইমোম শীনমশঙ হায়বা স্কুল অদুদা নর্সরীদগী ক্লাস ফোর ফাওবা তমজরকখি । এনা ইহান হান্না শরুক য়াজখিবসি, স্কুল স্পোর্টসকী লমজেলদনি । অদুদা সাইকল থৌবা পাম্নরকখিসিদু য়াম্না পীক্লিঙৈদগীনি । ঐগী দাদা অহানসি অয়ুক্কা হাঊ ছাত্রী ময়াম অমা টুসন তৌই । টুসন তম্বা লাকপশিংগী সাইকল তুমীন্না ইম্পোক্লগা অফং অফংবা থৌবসি ঐগী হৈনবী ওইরকখি । মসিনা খুঙিরম্বন্দ বজার ফাওবা ইমাগী মনাক তান্না থোক্লগা হল্লকই । এনা অঙাং ওইরিঙৈদা ইমাসি বজারদা ঙায়োনবগী শানফম তৌরম্মী । অহল ওইশিল্লকপা, নীংথমথাগী

অহংবা অসিদা দাদানে, ইচেনে, ঐখোয় ময়াম্না তোক্লো হায়দুনা ঐনা শান্নবা হৌরকপা ইং ১৯৯৬ অদুদগী তোকহনখিবনি ।

"বাবাসি এগ্রীগী দ্রাইভর ওইরম্মী । ইং ১৯৯১ দা লৈখিদ্রে । অঙাং ওইরিঙে পীক্লিঙৈদা ঐনা শান্ন খোংনবদা থরাই য়াওনা, মখল কয়াগী মশান্ন কয়াদা অমসু অমসু ইশান্দা শান্নবদু, বাবানদি শুকয়া য়াখিদে । ইমুং-মনুংগী লৈত-লায়রদা মঙেঙ পাঙ্গন্দে, শান্নবা হায়বদুদি ব্রাও-পাদবা ইমুংনা শান্নগদবনি হায়দুনা চৈদুনা লৌখি । করিগুম্বদা ঐনা শান্নদুনা লৈথোকপা উরগদি কোয়তান তাম্লে । বাবানা তান্নবা ফংদনবা ঐনা ঐখোয় মনাক্তা লৈবা উবাকথোং লাম্থোক্লগা নাওরেমখোং খুলেম লৈকায়দা লৈবা ইমাগী মচেগী ময়ুম তান্না হেক-হেক চেনখি। অদুগা ইমাবোক্কী মনাক্তা লৈবা বর লম্পাক হায়না খঙনবা লম্পাক্কুদা শান্নদুনা নুমিৎ চুপ্পা অমা লৈথোকই । অমরোমদা ঐখোয় বাবাসি মটীং য়ান্না ফত্তবা মীনি অদুবু ঐদ অতোন অতা ওইরুবদুনা বাবাগী চৈগদি কয়া চাহৌদে । মরুওইনা বাবা য়াখিদবসু ইমুং মনুংগী লৈতবা ময়াম মরক্কুদা নীংবা থুংলক্লোই হায়দুনা তোরম্বজাহনি। ঐনা শান্নবদু পামজরকপদু ঈশ্বরনদি উবজাগনি । ঐনা নীংজবা থুংলবখি ।

সাই স্পোর্টস হোষ্টেলদা চঙলকখিবগী মতাংদনা রামেশ্বরীনা অসুম্না ফোঙদোকপীরকখি "ঐবু ইহান হান্না ষ্টেট লেভেলগী মশান্নদা পুশীনবীরম্বদি তাকয়েল কোলোম লৈকায়গী মোইরাংথেম সনাতোম্বী (ক্রিকেটর) নীন । মহাক্না ঐবু ইহান হান্না ক্রিকেট শান্নবা য়াংহনবীরকখি । অদুগী, মথং মথং ১৯৯০ দা সাইদা বাস্কেটবোলগী কোচ ওইনা লৈরম্বা সার প্রদীপ দেবনাথনা ঐবু সাইগী টেলেন্ট হন্ট প্রোগামদা য়াওননবা হায়রকপদগী মায় পাক্কুনা ইং ১৯৯৫/১৯৯৬ গী সেসনদা সাইগী শান্নবোয় ওইজরকখি । বাস্কেটবোলদসু হৌজিক ফাওবা অদুম শান্নবা ঙম্লি । ঐগী সাইক্লিং কোচ জি চন্দ্রজিৎ শর্ম্মা থেঙনজরুবদগী শান্নবোয় অমা হায়বসিদি ইভেন্ট অমখক্তদা থরাই হকচাং য়াওনা শান্নগদবনি হায়না তাকপীবদগী সাইক্লিং খন্দদা পুক্লিং থমজরকখি ।"

সাইক্লিং কোচ জি চন্দ্রজিৎ শর্ম্মা (এন আই এস) গী মতাংদনা রামেশ্বরীনা অসুম্না হায়বীরকখি "ঐখোয় ওঝাসি খ্বাইদগী শাথীবা, কোচিং পীবদসু অকনবা রুপীং তৌবা, খরা ষ্টিক ওইবা মীওইনি । ছাত্র অমা শুংকম নম্বীদ্রিঙৈদা,

মাদি অকনবা ব্রাহে-ব্রাতা হায়দুনা চাংয়েং কয়া তৌই। মকে য়াম্না শেম্বা, তৌশীন্নবা খুজিন-খুয়া খাকপা, ফেসন য়াম্না তৌবসি য়াদে । মশোন্দা লাকপা শান্নবোয়শিংদা কাষ্টিং ফাওদংগীরা নত্রগা দ ইন্দ ফাওবগীরা হায়দুনা করেন্নদুনা হেক্তা হংই। শুক্তম ওর্মাদ্রিভেদা নশাগী ব্রাল য়াওদবা, খুং-থোঙ থীত্তং তেকপদা সাইকলদা লাক্তুনা লংথোক্লমগদবা ওইরগদি কান্নদে, হান্না তোকহো হায়দুনা ভাংই । মসি হায়রগা তুংকোয়না "দ ইণ্ড" ফাওবা য়াওবা ঙমদবশিং সহী তৌ হায়দুনা রেজিষ্টর অমা পুথোক্কনি নত্রগদি মতম মাঙনবনি, তশীবা ঙম্লোই হায়দুনা অমুক তুমীন্না লৈথোকখিনি । ংঝাগী আসিংগুম্বা অকনবা রুল অসিনা ঐঙোন্দদি থৌনা অমা পীবংগুম থোকখি ।

মসিনা মরম ওইদুনা পুন্সিদা অহানবা ওইনা হং ১৯৯৫ দা চান্দিগড় দা পাঙথোকখিবা ট্রাইথ্লোনগী কি.মি: মঙাগী রেস অমদা তুশিনবদগী ঐগী খুং ওই

মণিপুরগী শান্নবোয়শিংনা ফংখিবা অপুনবা মেদলশিং				
মশান্না	গোল্ড	সীলভর	ব্রোঞ্জ	অপুনবা
আচরী	২	১	১	৪
এথলেতিক্স	০	২	০	২
বোক্সিং	৩	৩	৪	১০
কেনোইং	০	১	০	১
সাইক্লিং	৮	৪	[illegible]	৪
ফেন্সিং	৮	০	২	১০
ফুটবোল	১	০	০	১
হেণ্ডবোল	০	০	১	১
জুদো	৩	১	১	৫
ক্যাকিং	০	০	১	১
বোইং	০	০	১	১
তাইকুন্দো	৫	[illegible]	৩	১০
বেঠলিফটিং	০	২	০	[illegible]
রেষ্টলিং	০	১	২	৩
অপুনবা	৩০	[illegible]	[illegible]	[illegible]

৩েকাখি । ৩েক্লা তেক্লা পশুং য়োনবা অতেকপা খুতু থাঙ্গৎলগা খুং নাম্মনা অদুম লৌরকাখি । ওঝানা পাযরগা য়েঙবদা তেক্রে খঙবদগী পুং মাপল-মাপল কান্নরগা চাগদবা গুলি থারককখি । ওইগি কলর বোন তেকপদুগী বেন্দেজ তৌনবা শরু অনী চেঙশিন্নখিবদগী ঐবু নমদুনা খুং অনীনা খাঙ মেংহনখি । নাবদি লোয়রে অদুবু শান্নবা লৌরকপদা ওঝানা হায়খিবা ময়ামদুনা ঐ তুমীন্না চীকপা নাবা খুদিংমক থাঙখি । অদুগা ঐখোয় সাইক্লিষ্টতদি তেকপা কায়বা, শরু নাম্ভোকপা মাস তৌইনা থোকপা থৌদোক ভাক্রনি ।

নাবা থাঙবা ভনবাগী তেকপগী গুলি চাবাসি পুং তান্দ্রিঙেদা মতম শুদ্রিঙেদা চাশিন্নবা ঙাক্লনি । ঐগীদি ওঝাগা অহানবগা চেংমীন্নবা ওইরে মরীল লৈতে, অখাং কন্দে, শান্নবা তোক্লো হায়রক্কদা হায়দুনা, ওঝানা নঙবু চীক্রনে নাদ্রনে হংনাকপা খুদিংগী ঐনা চীক্তে নাদে অদুম খুম্মী । ঐগী ইতৌদুদা অদুদি কম্পিটিসনসু লায়রে, সাইচ সীইং চেংনুসি নঙ ভমগদা হংলকখি। ঐসু খোঙ তেকপসু নঙবসিবু চৌনলেনগী রোজ গার্দেন, রোক য়েঙবা নুমিত্তুদা চংখি । শরু তেক্লা তেক্লা অনাবা থাঙখিবা অদু ওঝানা ভসিফাংবা হেক হেক অতোম্পদা ব্রারী শাই ।

অদুগা বাক্ষম অমনা, সার চন্দ্রাজিৎকী কোচিং অসিদ ইন্দিয়াগী কোচিং কেম্পগী লেন্না শাখি । চযোল অমগী মনুংসিদা এয়ারপোর্ট লম্বীদা অনীরক, খুমন লম্পাক্কী ভেলোড্রোম অনীরক তাকয়েলগী জীমদা শুমিং নানী লোংমাইজিংনা রেন দেনী । প্রেক্টিস মতম্না অয়ুক্কী পুং তরুংগী নীপানমখাইফাওবা, নুংথিলগীনা পুং অনীমখাইদগী মরিফাংবনি । মসি শোয়বা লাকপগা য়াবা নত্তে। খীতং অয়ানবা অমগা লৌরুবা ওঝাগী মমাংদা লোংপা সুকভম ভমদে, কিবনা । অদুনা ওঝানা ফাগী ওইনা ব্রা ভাংদনা মায়দা মুন্না য়েঙলকপদা লাল্লুরবদি মীহুলগাসি কি.মি ৫০ থোরুবদগী লেন্না খপ্পী । যান্না চেকশিন্না লুনা তৌবীবনিনা ঐখোয়সু ওঝাবু অদুক্কী মতীক ইকায়খুম্নমা চংচে । কিবদসু ঐখোয ওঝামুক কিবা লৈতে। মানা ভাংনীংবা ফুনীংবা মফম মতম হায়বা লৈতে । সাইগী মতাংদনা অসুন্না হায "মণিপুরদা সাই লাক্রমদবা ঐখোয়গুম্বা লাইরবা ইমুংদগী লৌরকপা শান্নবোযশিংদি মফম খঙদনা মাঙলমগনি । সাইনা

পুখোরক্লিবা মমিং লৈবা ব্রেঠ লীফটর, বোক্সর, হোকি শান্নবোই, এথলেত ময়ামসি মণিপুরগী লেমজনফম নওবরনে ? ময়ামসিগী মরক্তা সাইক্লিষ্ট অমা ওইনা, মথং চহীদগীদি হৌভেন্ত অসিগীসু এসিয়ান গেমসতা একাউন্ট অমা হাংদোকপা ঙম্নবা হোৎনগে খঙ্গরি অদুবু নুরিবদি ঐনা থৌজরিবা সাইকল অসি মতমসিগা চপ চান্নবা সাইকল ওইদ্রি । লাক্ষ মঙা-তরাগীদি খল্লুবা লামশিল্লুবা ঙমদ্রি । সুপ্পতংগী লাক্ষ অমা অনী পীবা সাইকল অমত্তংদা খুংচাবী থমদুনা প্রেকটিস তৌবা ঙমজরবদি ঐহাক পুসান এসিয়ান গেমসতা মফম অমদি কনবা ঙমগদ্রা কন্না নীংলি । হৌজিক্কী ওইনদি, সাই অমদি ষ্টেট গোভর্নমেন্টগী সাইকলদা প্রেকটিস অমদি কাম্পতিসন তৌজরি । ইশাগী নীশিং ১৩ পীবা অমা থৌজরম্বদুসু মপুন্সি লোয়খ্রে।

ষ্টেনা পীবীবা সাইকল অসিসু ট্যুররদি ইশানা শীংখ্রে । ট্যুরর অসিসু জুরাদা লুপা ১৫০০ নি । থা অমদদি জুরা অহুম মরী চঙই । হন্দক সেপ্তেম্বর থা দগী নবেম্বর ১০ ফাওবা পাটিয়ালাদা চত্থিবা কোচিং কেম্পতুদা লুপা নীশিং গ্রাসীররোম ট্যুরর লৈবগক্তংদা চঙখি । ইমুংদসু শেল যাম্না থোকপা মীওই য়াওবা নংবানিনা ইন্দিয়াগী কোচিংগা কোয়রকপাসি ইশাসিদা নীংতিং মাংতজনবা অমা হপোক পোকই । অদুগা ফিফথ নেসনেল গেমসতদি মতমদুগী মণিপুর সরকারনা শংগী মতেং ফজনা পীবীখিবনা মখা তানা শান্নজবদা য়াম্না নুংঙাইজখি। ননক্কী সিক্স নেসনেল গেমস (পঞ্জাব) অসিগীদি মণিপুর সরকারগী মাথংকোগী কারিংগুম্বা মথংগী অথন্নবা লফর অমা তৌবকপা লৈত্রি । শান্নবোয়বু নুংশিবীবা ওর্গেনাইজেসন য়য়ানবুদি ওকপা অমাদি থাগৎপীবা থৌরম খরা পাঙথোকপীখ্রে । মাসিগীদমক্তসু মীয়াম্বু থাগৎচরি ।

অদুগা মণিপুর সরকারদা থম্মোয় শেংনা ফোঙদোকচনীংবা য়াফম অমদি এগীদমক সতমগা চান্নবা সাইকল অমা পুসান এসিয়ান গেমস মাঙওইননা লৈবীগেরা নত্রগা মণিপুরগী সাইক্লিষ্ট অমা ওইনা হীংজবা ঙম্নবা থবক মচা অমা পীবীগেরা হায়বসিনি । মতাংসিদা সরকারগী মীওয়েং চৌডাশিনহল্লনীংঙ । পুসান এসিয়ান গেমস ২০০২ গী ক্বালিফাইদ ওইখিবদগী গেমস অসিদগী মেদল অমা লোবা ঙম্নবা থাগনগে হায়বসি ঐগী আশানি অদুবু অফবা সাইকল অমা লেপ্তাদি ঐগী মঙ মান নংফাওনবা য়াগানি খল্লি । ঐহাক ইং ২০০২ গী ডিসেম্বর ০ দগী ০৫

ফাওবা মালেসিয়াদা পাঙথোকখিবা "পাব্লিস ওপন মালেসিয়া" দা ভারতকী সাইক্লিষ্ট অমা ওইনা শরুক য়াজরুবে । মদুদা ঐনা থৌর্নরিবা সাইকল অদুদি পুরা ফাগীনি । ঐসু অফবা সাইকল অমদা ভমজবী খাদুনা নীংথিনা থৌরম্লবদি মেদল অমদি শোয়দনা ফঙলমগনি ।

হন্দক্কী পঞ্জাব নেসনেল গেমস অসিদা বেষ্ট স্পোর্টসপার্সন ফংজরকপগী ওকপগা মরী লৈনবা ডা: এল চন্দ্রমনিনা লুপা লীশিং তরা খুৎশিন্নবীরকখি । ভিদিওকোননসু টিভি অমগা লীশিং তরাগা পীবাগনি হায়বিরকখি, অদুগা ময়াইকোইবীদগী মীওই অমনা লুপা লাক্ষ অমা মখায় পীবা সাইকেলদু মতেঙ পাঙবা ঙম্বা য়েঙগে হায়বীরম্বগী ৱাফমসু লৈ । পুন্নমকসি ঐবু নুংশিবীবদগী ফোঙদোকপীরকপা ঙাক্কনি ।

থৌনা হাপ্পীরকপগীদমক রামেশ্বরীনা অসুম্না হায় "সাউদর্ন রেলবে" (হাইদ্রবাদ) রোমদগী জুনীয়র ক্লার্ক পীগে হায়রকপদি মমাংদা লৈখ্রে । ষ্টেটকী শান্নবোয় ওইনা লেজবনা হেন্না পামজবদগী ভসিফাওবা খাঙলকপনি । খঙদে কয়াম কুইনা খাঙখিদবনো ? মতম্না পুরক্লগা খঙবদা তাবে ।

নীংশিংবা য়াবদি পঞ্জাব নেসনেল গেমস ২০০১ অসিগী সাইক্লিং ইভেন্টতা নুপী সাইক্লিষ্ট মঙা, নুপা তরেৎ পুন্না ১২ না শরুক য়াখি । ইভেন্ট অসিদা মণিপুরগী নুপী সাইক্লিষ্টশিং গোল্দ মেদল তরুক, সীলভর অমা, ব্রোঞ্জ অনী পুন্না মাপল লৌরকখি । নুপাগীদনা গোল্দ অনী, সিলভর অহুম পুন্না মঙা লৌবা ঙম্নরকখি । নুপী অমসুং নুপা পুনশিল্লগা গোল্দ নীপান, সীলভ্র মরী, ব্রোঞ্জ অনী পুন্না ১৪ লৌবা ঙমদুনা হন্দক্কী গেমস অসিদা মেদল খ্বাইদগী লৌরকপা ঙম্বা ইভেন্ট ওইখি।

অরোয়বদা, পুসান এসিয়ান গেমস ২০০২ দা মেদল অমা শোয়দনা লৌরকপা ঙম্নবা *অথৌবা*গী মায়কৈদগীসু সাইক্লিষ্ট রামেশ্বরীগীদমক মণিপুর সরকারগী অকনবা মীৎয়েং চীংশিল্লরি।

অথৌবা, জানুৱারী ২০০২ ।

* * * * *

অশাংবা লমজেলদি ঐখোয়না চেনগদবনি:

এথলেট অরুণা

ৱেঠলিফটিংদা, হোকীদা, ফুটবোলদা, ফেন্সিংদা, সাইক্লিংদা, বোক্সিংদা জুদোদা অচৌবা মফম কন্না ওম্বগুম, অশাংবা লমজেলদসু মৈতৈ চনুরা খরা অমদি অচৌবা মীংচৎ পুরকপা ওল্লি। মী পীকতক তৌবী, ফুট মঙাগা ইঞ্চি অহুল্লোমতমক ৱাংবী অশাংবা লমজেল্লোই ওইরিবী লাইশ্রম অরুণা দেবী হৌজিকমকসু মিটর ৫,০০০ অমসুং ১০.০০০ গী কম্পিটিসন কয়াদা লৈজবী থৌনা উংথোক্লিবী এথলেটনি।

লাইশ্রম অরুণা ইং ১৯৯৩ দগী হৌনা অশাংবা লমজেল চেনবা হৌরকখিবী এথলেটনি। মথৌনা লৈবী, অখাঙ কন্নী লমজেল্লোই অসি হোৎনবদা অখাকপা থল্লকপী শান্নবোইনি। ইং ১৯৯৩ দা হাওবম মরক স্কুলদা ক্লাস এইট তম্বা মতম স্বাইদগী অরুণাদা লমজেল চেন্নীংবগী ৱাখল পোক্লকখি। অদুনা লমজেল চেনবী শান্নবোয় করম্না ওইজগদগে তত্তনা খল্লকখি। অশেংবা এথলেট অমা ওইরগে হায়বগী ৱাখলগা ইৱোইননা অঙনবা অয়ুক্তা হোৎতুনা খুমন লম্পাক তান্না চৎতুনা প্রেকটিস তৌবা হৌরকখি। মফমদুদা সাইগী কোচ ওজা কোম্নাগা থেঙনরকখি। লোঙ দিষ্টেন্সতা হেন্না পুক্লিং থম্বা উবদুদা ওজা কোম্নানসু অরুণাদা দরকার লৈবা অশাংবা লমজেল চেনবদা চঙবা ফেক্সিবল এক্সরসাইজনচিংবগী অকন্না ট্রেনিং পিবা হৌরকখি। অসুম্না লোঙ দিষ্টেন্সকী লমজেল্লোই ওইহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং পাঙলকখি। অয়ুক্তা পুং অনী, নুংথিলদা পুং অনী চাং নাইনা হোৎনরকখি। থা অহুমবোমগী মতুংদা ফনা য়াম্না ইম্প্রুফ লাকখি। অহান্না চাঙয়েং ওইনা ইং ১৯৯৩ গী ওক্টোবরদা ৱাঙ্কিদা পাঙথোকখিবা ইষ্ট জোন এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা অরুণা শরুক য়াখি। মসিদা মিটর ৫,০০০ অমদি ১০,০০০ গী অশাংবা লমজেলদা ৱোঞ্জ মেদল অমমম ফঙলকখি।

হায়রিবা চহীসিদগী হৌরগা নেসনেল লেভেলদগী সনাগী মেদল ১৩, লুপাগী ১৩, সেঙ্গেং ১০ পুন্না মেদল ৩৬ অরুণানা লোবা ওমখে। মসিদা ৱেকারেজগীদি যাওখ্রি হায়রি।

এথলেটে অরুণা লেসনেং থাংজদা নওনা হুন্দরনেসলেল এরেনাদসু মফম বনবা ঙমখ্রবা শান্নরোগীন । নমজেলোই অসি ইং ১৯৯৬ তা ন্যু দেল্লিদা পাঙথোকখিবা জুনিয়র এসিয়ন ট্রেক এণ্ড ফিল্ডদসু ভারতকী এথলেটশিংগী মরক্তা যাওদুনা শান্নখি । মসিদা মিটর ১০,০০০ গী ইভেন্টতা মঙাশুবা পোজিসন তারকখি। মসিদগী অমুক ভারতকী টিমগীদমক অহোবা চেম্পিয়নশিপ কয়াগী কোচিং কেম্পকীদমক খনখম্পদা যাওরকখি । ইং ১৯৯৬ তগীদি ভারতকী মমিং লৈরবা লেসনেং। কোচ কয়াগসু খঙনরকখি । কোচিং কেম্পতা মতিক চাবা দাইত চাদুনা চাং নাইনা লৈনজবা ঙল্লকখি । ইং ১৯৯৭ কী মাচকী অশান্না চয়োলদা ইংলেণ্ডদা পাঙথোকখিবা বাল্ড ক্রোস কান্ত্রি রেসতসু ভারতকী টিমদা যাওদুনা শরুক যাখি । লোইননা ১৯৯৯ গী দিসেম্বর থাদা জপান অমদি হোঙকোংদা পাংথোকপা মখল্লবা রেসতসু যাওরকখি। হায়রিবা হোংকোং অমদি জপানগী রেসত অসিদা ভারতকী টিম্না মলমশুবা পোজিসন তারকখি । মথং ইং ২০০০ গী মাচতা পটুগালদা পাংথোকখিবা বাল্ড ক্রোস কান্ত্রি রেসতসু শরুক যারকখি । পৃথিবীগী এথলেট ৩৮৭ না শরুক যাখিবা রেস অসিদা অরুণানা ৮১ শুবা পোজিসন তারকখি । অদুগা ২০০০ গী সেপ্তেম্বর ২৮ দগী ৩১ ফাওবা জকর্টাদা চংখিবা এসিয়ন ট্রেক এণ্ড ফিল্ডদা মিটর ১০০০০ গী নমজেলদা সেকেণ্ড পোজিসন তারকখি । লোইননা মিটর ৫০০০ গী দনা হোংখ পোজিসন্দা লাকখি । জকর্টাগী এসিয়ন ট্রেক এণ্ড ফিল্ডদা অফবা পর্ফোমেন্স পীবা ঙম্বা এথলেটশিং সীদনী ওলোম্পিক্স ২০০০ দা শোইদনা শরুক যাহনগনি হায়বা রাফম মাঙজোনন্না লাওথোকখ্রবসু নমজেলোই খরা অমদি "সীদনী ওলেম্পিক্স ২০০০" দা যাওবা ফঙখিদে । মতাংসিদা অরুণানা অসুম্না হায়, ঐনা জকর্টাদা চেনখিবা রেকোদ অসি মিটর ১০,০০০ গীদা ৩৪৩১১০ নি । ওলোম্পিক্স ক্বালিফাইং মার্ক ওইনা ইন্দিয়ান ওলেম্পীক্স এসোসিএসন্না থম্বা মার্কনা ৩২ নি । মার্কতুমগী ঐসু যোবা ঙমখিদে । অদুবু ঐঙোন্দগী হেন্না ফজদবা য়াওনা ফেদরেসন্না এথলেট ২৭ সীদনী ওলোম্পিক্সতা শরুক য়াহনখি । মসিদি মাগী মাগী দাও হায়বা ওরে । মখোয় ২১ অসিগী মনুংদা হুপ্পগী শান্নরোয় অহুমখক্তংনি ক্বালিফাইদ ওইখিবাদ। মমাংদা হায়জরবোই লোইখবা রানি। ঐসু ঐগী কোচ নিগী মোহম বেনকোহিনা থাজবা পীখিবা মতম লৈখি।

অদুবু সীদনীদা ফঙখিদ্রবনিনা এথেন্সতনি ঐনা টগেটি থগ্লীবসি ।

ইং ১৯৯৭ কী সেপ্তেম্বর থাদগী ইষ্টর্ন রেলরেজদা লৈদুনা শান্নরক্লিবী এথলেট অরুণানা রাফম অসিমসু ফোঙদোকপীরম্মী- অশাংবা লমজেল চেনবীনবা শান্নরোয় ভারতকী ওইনসু ইরৈ লৈতে, মশান্না অসি মৈতৈ মচাশিংগা হেন্না চান্নরা খঙ্গে । লোঙ দিষ্টেন্সকী রেসতা পরফোমেন্সপু ফজরবদি ইরাই লাইনা চন্নফম লৈ। অদুনা চহী নৌরিবশিংনা পান্নগদি হৌজিক্কুগী হোংনহঙ্গনিংই। হায়নিংবা অমনা, নুঙগী কঙক্রিক মরক্তা, কোয়লাস মথক্তা মতম শাংনা প্রেকটিস তৌবীদনবা রাফমসিমসু হায়জনিংই । অশাংবা লমজেলগী প্রেকটিস তৌফম লৈতবনা ঐমকসু লম্বীদা টিদিম রোড়তা ফনা য়ান্না তৌরকখি । অফবা মতিক চাবা খোঙউপ উপ্লগা তৌরকপসু নতবনিনা হৌজিক্তদা নুংঙাইতবা পোক্লকই । খোঙগী খুজেং, ফৈগন, মশর্লশিং মুক্তুনা নুঙ মরক্তা কুইনা চংশিনলক্লগদি অফবা ওইফম থোক্কে । মতমদুদাদি য়ৌনা খল্লুদে । প্রেকটিস লেপ্পা য়াদে, অয়ুক্তা কদাইদা নুংথিলনা কদাইদা হাযদুনা হোংনজরকখিবা ঙাক্তনি । অদুগা য়ান্না নুংঙাইবা রাফম অমনা হৌজিক ইষ্টর্ন রেলরেজদা লৈজারিবসি মৈতৈ নুপীদা এথলেটিক্সকী ওইনা ঐখোয় ৬ নি । ইন্দুবালা (জেভলিন), জীবেশ্বরী (হেমর), রাই বালা (রাকিং রেস), এন রাধার্মনি (লোঙ দিষ্টেন্স) দব্লিউ কমলা (লোঙ দিষ্টেন্স) অমসুং ঐ ইশামক্কনি ।

মণিপুরগী মপান্দা লৈরগা শান্নবগী মতাংদা অরুণানা অসুন্না হায়, ষ্টেট অসিদা লৈরিবা শান্নরোয় খুদিংমক মনিপুর সরকারনা থবক পীবা ওইথোক্কে, মতিক চানা শেম্বীবসু ঙন্লোই । য়ামখ্রবা শান্নরোইশিং অসিগী মনিং থুঙহনবা হন্দক মপোক্কী ঙম্লরোই । কর্মচারীগী তলব ফাওবা পীবা ঙমজদ্রবা অসিদা শান্নরোই ঐখোয়বু কয়া য়ান্না য়েঙশিনবীবা ঙমগনি । অদুনা কদাই কদাইদা ঐখোয় এটেচ তৌবা য়াবগে হায়বসি কোয়থি খিদনা শান্নজবসিনা খ্বাইদগী ফৈ । ঐখোয় প্লেয়র অযাম্বদি লাইরবা ইমুংদগী হৌজরকখিবা ঙাক্তনি । মণিপুরদা অসুম লৈরম্লবদি ঐসু নহান্না শান্নবদগী পোত্থারম্লগনি । ঐগী ইমুং-মনুংনা কয়া য়ান্না ঐবু য়েঙশিনবীবা ঙমগনি । শান্নবা হায়বসিদি প্রেকটিসপু তৌরুরবদি দাইত চাদবা য়ারোই । চহী মরি মঙা অসিদি জোব মচা অসিদা ইষ্টন রেলরেজদা ফঙজবদগী খরাদি প্রক্লিং পুন্না শান্নবা ঙমজরে । মণিপুরদা শান্নবীরিবা প্লেয়রশিং চাং নাইনা

কন্না হোংনহন্নরিংঙি । নেসনেলগীদা রেকোদ অমা অনী শং শং থম্বা ভন্নবদি লোঙ দিষ্টেন্সকীদি থবক ফঙবদসু পাইনা থোকপনি । মণিপুরদা হৌজিক এথলেটিক্সকী শান্নবোয় ময়েং য়াম্না তাবদৌনা তৌই । মেন ষ্টেদিয়মদা সিন্থেটিক ট্রেক লৈরবা মতমসিদা এথলেটিক্সকী শান্নবোই ইউ-উদবসি নুংঙাইতে । নহাবোল শান্নবোয়শিংবুদি অহল ওইরবা ইমাশিংনা হেন্না থৱাই য়াওনরকপগুম ভেটরন শান্নবোইশিংনা হেন্না উবংগুম তৌই । অতে অতে ইভেন্টতনা হেন্না পান্নখ্রবমানলে । মণিপুরগী শান্নবোয়শিং অসি বোদি কন্টেক্ট গেমশিংদনা হেন্না পুক্নিং চঙনখ্রবা মালি । অদুবু ৱাকিং রেসকুম্বা, লোঙ দিষ্টেন্সকী মখল মখলগী অশাংবা লমজেল চেনবা ভমগদবা শান্নবোই খরদি মণিপুর ষ্টেটতগী লেপ্তনা থোকহন্নীংঙি । ইভেন্ট খুদিংমক্তা মণিপুর মচানা মশিং হেনগংলকপসি ঐখোয়গী ইমায়নি হায়দুনসু ফোঙদোকপীরম্মী।

পুন্সিদা খ্বাইদগী নুংঙাইখিবা মীংকুপ অমগী মতাংদনা এথলেথ অরুপানা অসুন্না হায়, জকর্টাদা ইং ২০০০ দা পাঙথোকখিবা এসিয়ন ট্রেক এণ্ড ফিল্ডদা মিটর ১০,০০০ গীনা নুংঙাইজখি। লমগী নুংঙাইখিবা অমনা জপান অমসুং হোঙ্কোংদনি। ঐখোয়গী শক-চু হাইফেং মান্নবা ওইনা তৌরদনা খুং শোক্নরগা পুঙনোক্তা নোকমিন্নখিবশিংদু য়াম্না নুংঙাইখি । ৱা ঙাংদুনা লোন ফাওনদ্রবসু উবগা য়া খীপংলদুনা নোকপা হানবা তান্নকী নুংঙাইবসিসু মতা অমা ওইখি ।

ৱাফম অসিমসু অরুপানা মখা তানা ফোঙদোকপীরম্মী করিগুম্বা এসিয়ন গেমসকুম্বদা ঐখোয় মণিপুর মচা ঙাক্তা শরুক য়াবদা ফাওবা হৌজিক্তি মেদল খরদি ফঙবা ভন্নগনি । মণিপুরদা পাঙথোকখিবা শন্তোস ট্রোফিদা মণিপুরনা চেম্পীয়ন ওইখিবদু কলকতাদা লৈবা ঐখোয় শাখিনা নুংঙাইজখি । মফমদুদদি ফুটবোলগা ক্রিকেটকদি য়াম্না পোপ্যুলার ওই । থৱাই য়াওনা য়েংনৈ । অদুনা বোক্সিংদা ওইরো, হোকিদা ওইরো, জুদোদা ওইরো নেসনেল লেভেলদা করম করম্বা ষ্টেটনা ফগংলক্লিবগে হায়বসিসু অদুম লোইনমক ৱারী শান্নে । নেসনেল গেমসকুম্বদা থবক ফঙদ্রিবা শান্নবোয়শিংসি খরা থৱায় য়াওনা হোংনহন্নীংঙি । শেল খরা থোক্লগদি আশা খরদি লৈ । জোব অমা ফঙজরগদি হীঙদৌবসু মানবনি। ইশাদা অৱাবা ময়াম খেঙনরকপনিনা মতাং চানা য়াম্না কন্না কন্না হোংনহন্নীংঙি । হৌজিক হৌজিক ভারতকী তোঙান তোঙানবা কোচিং সেন্তর

কয়াদসু মণিপুর মচা য়াম্না য়াওরি । পাটিয়ালা, বেঙ্গলোর, দেল্লিনটিংবা মফমশিংদা ট্রেনিং তৌরিবা শান্নবোয়শিংগী মরক্তা মণিপুরগী ওইনদি নুপী শান্নবোয়শিংনা মশিং য়াম্বা য়াম্না হেনলি । মসিসু ফনা নুংঙাইবা ৱাফমনি ।

অবোয়বদা অরুণানা হায়বীরম্বা ৱাফম অমদি মণিপুরদা হৌজিক হৌজিক লমজেল্লোইশিং অসি য়েঙশিনবীবা ৱাংপগুম উরে । হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদদি অফবা এথলেট থোরকপা ৱাগদবা মালে । হৌজিক হৌজিক লৈরিবা খরসিগী লোইশিল্লকপদা অশাংবা অমদি অতেনবা লমজেল চেনবীনবা শান্নবোই লৈগদবা মানদ্রে । অদুগা মণিপুর ষ্টেটকী ওইনদি জুনিয়র থাক ফাওবদা মফম নিংথিনা কন্না ঙমদ্রগদি অৱাবা ওইরগনি হায়বীরম্মী মরমদি সিনিয়র থাক য়ৌরকপদদি য়েঙশিনবীবা ৱাংলকপা অদুগা সেনিয়র নেসনেল য়াওবা ফঙনবা তাঙ্গা শেম্বীদবা অসিনা থোইনা আশা তৌনিংঙাই লৈতে । জুনিয়র নেসনেল ফাওবসিদা লৈজবী থৌনা ফুদোক্তুনা চঙ-চঙ লাওনা লৈহৌরগদি অমদবু ওইরবসু অমদবু ওইরবসু লম্বী খরদি ফঙগনি খল্লি । নত্রগদি থোইনা কান্নগনি থাজদে হায়নসু থম্মোই শোকা ফোঙদোকপীরম্মী ।

এথেন্স ওলেম্পীক্স ফাওবগী টর্গেট তৌদুনা শান্নরিবী লমজেল্লোই অরুণা হেন্না মায় পাকপা ওইসনু । মৈতে চনুরা কয়াগী শান্নবগী মপাউ মালেম শিন্না ওইরসনু ।

ইচেম্মা, জুন - ১৯৯৮ ।

*****

মণিপুরনা শন্তোষ ত্রোফিগী ৱিন্নর

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী লমজিং লমতাক মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা চহীসিগী ওক্তোবর ১৭ তগীনা নবেম্বর ৫ ফাওবা ইম্ফালদা ৫৮ শুবা এল জী শন্তোশ ত্রোফি ২০০২ মায়পাক্না পাঙথোকখ্রে । ভারতকী ওইনা লেমজনিংঙাই ওইবা ত্রোফি অসিদা পুন্না টিম ২৯ না শরুক য়াখি ।

পুন্না মেটচ ৪৩ শান্নখিবা ত্রোফি অসিদা মণিপুরনা ফাইনেল মেটচতা মমাং চহীগী ৱিন্নর কেরলাবু ২ - ১ (গোল্ডন গোল) দা থোইদুনা চেম্পীয়ন ওইখি।

নিংশিংবা য়াবদি, ত্রোফি অসিগী প্রিলিমিনরি রাউণ্ডদা মণিপুরনা হিমাচল প্রদেশপু ৮ ০ দা, পোন্দিচেরিবু ৯ - ০ দা মাইথিবা পিদুনা ক্বাটর ফাইনেল য়ৌরকখি । লোইননা ক্বাটর ফাইনেলদা মমাঙ চহীগী সিমি ফাইনেলিষ্ট টামিলনাদুগা ২ ২ ড্রো চংখি অমসুং ওরিষ্যাবু ৪ ১ দা থোইদুনা গোল মশিংদা য়েঙলগা সিমি ফাইনেল চঙলকখি ।

অসুন্না নবেম্বর তাং অনীদা খুমন লম্পাক্কী মেন ষ্টেদিয়ামদা মণিপুরগা গোৱাগা ফাইনেল চঙননবগীদমক অকনবা লম্বা তৌদুনা সিমি ফাইনেল শান্নখি । মেটচ অসিগী মিনিট ৫৫ চংলকপা মতমদা গোৱাগী ক্রাইমেন্স লোরেন্না য়াম্না কন্ত্রোভর্সিয়েল ওইবা গোল অমা চনখি । হায়রিবা গোল অসি ওফ সাইদতগী চনবনি হায়না ভাবকশিংদগী অকনবা প্রেসর অমা লাকুনা প্লে মখা চত্থবদা অপনবা ওইখি । মেটচ অদুগী রেফ্রি ওইখিবা দিল্লিগী এস এম বালু, এসিষ্টেন্ট রেফ্রি রিজৱান হগ অমদি বেঙ্গলগী বিশ্বজিৎ বেরানা গোল পীথোকখিবনা ঙৈহাক য়েংনবা লৈখি । মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা অকনবা প্রোটেষ্ট তৌখিদবনা ষ্টেটসিগী প্লেয়ারশিংনা মখা তানা মেটচ শান্ননবা হোৎনখি । অদুবু খোইশাওনবা ভাবকশিংনা ৱি রাঙ জষ্টিশ হায়বর্নাচিংবা খোল্লাওগা লোইননা ৱাটর বটল মশিং খঙদনা ফিল্ডদা লঙশিনলকপদগী শান্নবা মখা চত্থবা ঙমখিদে অসিদসু নত্তনা ভাবকশিংনা স্কোর বোর্দ থুগাইদুনা লঙথরকপা, মৈ থাবর্নাচিংবা চংথরকপদগী য়াম্নবা ভাবক

লিশিং ২০ রোমদু লাকশিনবদা অরাবা ওইখি । মমৈদা মেটচ অদু এবান্দন তোরে হায়না সেকুয়রিটি ইন চার্জদা নত্তনা অস্ফাগী ভাইজ প্রেসিদেন্টসু ওইরিবা আং পি এস ওফিসার এ রোমেনকুমারনা লাওথোরকখি ।

রি প্লে ওইনা মথং লোংভানবা নবেম্বর অহুমদা গোরাগা মণিপুরগা অকনবা লম্বাগা লোইননা অমুক শান্নখি । টিম কম্বিনেশন্দা পাসিংদা গোরাগী শান্নরোয়শিংনা হেন্না চেকশিন্না শান্নখিবনা মেটচ অদু হৌরকপদা মণিপুর টিম খরা লোপ্লপ লৈখি । গোরাগী দিফেন্দর কোবান লোরেন্স লাম্থোক্তুনা বোল কাওশিনবা ঙম্বা য়াওখিদে। মণিপুরগী এন উত্তমসু মেটচ অসিদা দবল কোসন চাদুনা সেন্টর ওব তৌখি । অসুম্না প্লেয়ার ১০ খক্তনা শান্নবগী তাঞ্জা অমা লাকখি । ঙরাংদগী য়েথোং(ং)গা মেটচকা ওইরে ভাবকশিংদা লৈতাদবা অমসু পোকহনখি ।

অদুম্ শান্নরোম ১০ খক্তনা ঙাইরবা মতমদদি মণিপুরগী শান্নরোয়শিং শান্নগী খরা হোৎদোক্লগা চেকশিন্না শান্নবা হৌরকখি । অদুম ওইনমক মপিবা মংমদদি গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্মখিদে । এক্সট্রা টাইম মিনিট ১৫/১৫ অমুক হান্না শান্নরম্ থোইনবা ঙম্মখিদে । মমৈদা টাই ব্রেকতা মেটচ দিসাইদ তোবা তারকখি।

টাই ব্রেকতা মণিপুরগী টিম কেপ্টেন কে ঐচ রতননা গোল অমা চন্নবা নত্তংদা গোরাগী অহানবা ওইনা জুনিয়স দাইস অলবটোনা কাওবদা মণিপুরগী গোলকিপর ঐচ লোরেন্না সেব তৌখি । অদুগী মণিপুরগী পি রেনেদি, এম বীরেন, এল জেমসনা মথং মথং চনশিনলত্তুনা গোল মরিদা লৈরকখি । গোরাগীদা কেলভান লোরেন্স, মেনিংগ ফনান্দেজ, বোবিয়ানো ফনাদেজ মখোয় অহুমখক্তমক গোল চনবা ঙমখিবনা মণিপুরনা গোরাবু ৪-৩ দা মাইথিবা পীরম্বগা ফাইনেল লোরকখি ।

অসুম্না নবেম্বর মঙাদা মমাং চহীগী চেম্পিয়ন কেরলাগা হন্দক্তা লোনা ফাইনেল চংলকপদা ভাইরিবা মণিপুরগা "৫৮ শুবা এল জি শন্তোশ ট্রোফি" আসনীদমক অকনবা চাংয়েং তোনখি । মণিপুরগী ভাবকা চান্না ভীম্নবা মেটচ অসিদাদি মমাংগা শান্নখিবা খুম্পাম্নগী পুমগন ওথোক্লগা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং খরায় মাংলা শান্নরকখি । সুম্নগী মিনট তরেৎ চংলকপদা মণিপুরগী জার্সি নম্বর ১১ লৈংপা এল টিকেন্না অহানবা গোল একাউন্ট হাঙদোকখি । ফষ্ট হাফ ফাওবদা

মণিপুর ১০ দা, লিদ তৌদুনা লাকখি । অদুবু সেকেন্দ হাফকী মেটচ লোইগদবা মিনিট খরাতমক ওাইরক্রবা কান্দা কেরলাগী দিফেন্দর মহম্মদ সফিরগী পাসতা অব্দুল নৌসাদ এম কেনা গোল অমা চনশিল্লকুনা অপিবা মতমদা গোল ১-১ দা লেনখি ।

এক্সত্রা টাইমগী গোল্ডন গোলনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী লাইবক লেপ্পা তারকখি । এক্সত্রা টাইমদা গোল্ডন গোলগীদমক চেকশিন্না শান্নবা হৌরকপগী তাঙ্গা লৌরগা মণিপুরগী দব্লিয়ু তোম্বানা সুপ্নগী মিনিট মঙা চৎলকপদা কাওশিনলকপা বোল অমা কেরলাগী গোলকিপ্পরব পুকসথমা টিত্তিনা ফাবা ঙমহৌদনা হুনচিন্দুনা চঙখিবগী গোল ওইদুনা ফাইনেল মেটচ অসি ২ ১ দা থোইদুনা রিন্নর ওইখি । অসুম্না "৫৮ শুবা এল জি শন্তোশ ত্রোফি ২০০২" য়ুম্বু মণিপুরনা মায়পাক্না লৌবা ঙমহৌখি ।

পনবা যাবদি, চন্দক মণিপুরনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা "শন্তোশ ত্রোফি" অসিদা লমদমসিগী মপানগী মমিং লৈরবা ক্লব কয়াদা শান্নখ্রবা অফাওবা শান্নবোয় কয়া শরুক য়ারকখি। মনিতোম্বী, রেনেদি, জেমস, উত্তম, বীজেন, উত্তমকুমার, বুংঙো, তোম্বা, ৫৮ শুবা শন্তোশ ত্রোফি মাইপাকহনবদা অচৌবা খোনাং লৌরম্লগা নরেশ্বর মাপনদা মাগী মাগী ক্লবশিংদা নেসনেল ফুটবোল লিগ টোনামেন্টকীদমক মথং মথং হুন্নখ্রে ।

অদুগা এল জি ত্রোফি ২০০২ অসিগী মনা মথুম ফঙখ্রবা মণিপুর টিমগী মমিং লৈরবা শান্নবোয়শিংদি :-

1 Most valuable player of the tournament L. James
2 Most valuable player of the final match . W Tomba (Golden Boy)
3 Opening goal scorer of the final match : L Tiken
4 Top goal scorer : M. Bijen (10 goal)
5 Best goal keeper : H. Noren

লোইননা ৫৮ শুবা এল জি শন্তোশ ত্রোফি ২০০২ অসিদা মেটচ ৪৩ শান্নখিবদা পুন্না গোল ১৪৬ স্কোর তৌনখি ।

মণিপুর টিমনা ফাইনেল য়োরকপদা ষ্টেটসিগী গবনর বেদ মরৱানা লুপা লাক্ষ অমগী মনা পীখি । মণিপুর গভর্মেন্টনসু চেম্পিয়ন ওইরকপদা শেলগী মনা লাউথোরকখি । ফুটবোল হেন্না চাউখৎলক্রবা লোক সভাগী এম পী ঐচ চাওবা অমদি রাজ্য সভাগী এম পি রিশাং কৈশিংনসু লুপা লাক্ষ ৫/৫ গী শেনফম পীগনি

হায়না লাউথোরকখি । অসুম্না হরাও নুংঙাইবগা লোইননা ষ্টেট অসিনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা এল জি শন্তোশ ত্রোফি মায়পাক্না লোইশিনখ্রে ।

অথোবা, ডিসেম্বর ২০০২ ।

*****

২০০২ গী ফিফা ৱার্ল্ড কপকী

শন্নপা পাওদম

মাংমাসগী শান্নবগী কুম্মৈদা খ্বাইদগী চাওনা মীয়াম্না খ্বাংদগী পান্নবা মশান্না ফিফা ৱার্ল্ড কপ মসিগী তাং ৩১ দা সিওল, সাউথ কোরিয়ানা হৌরগা জুন তাং ৩০ দা য়োকোহামা জপান্দা লোয়শনখ্রে। ফুটবোলগী মশান্নসিনা মালেমসিগী মীয়াম্না খ্বাইদগী পান্নবা ওইরি । ওলিম্পিক্সসু অতৈ মশান্না খুদিংমক্তগী ফুটবোলগী মশান্ননা খ্বাইদগী মীয়াম্না হেন্না য়েঙনে চাম্মদা নিফুগুম্বনা ফুটবোলদা য়েংলগা অতে লেমহৌবা হুমফুনা এথ্লেটিক্স, হোকি, ভোল্লি, ঈরোইবনাচিংবা কয়াদা চাইথোকখি। হন্দক্কী ৱার্ল্ড কপ অসিনা খরা লেম্না শিনবা খংনা চেনবা, ইরাং খ্বাইদগী থোক্কবা কুর্মনি লৌনরী । কপ হৌদ্রিঙেদগী শান্নবগী লমদা খংহৈরবা কয়ানা করম্বা নৈবাক্না কপ লৌগদগে হায়বা কয়া খরা ওন্ননা নাকখি । সোক্কর কিং লেজেন্দরী পেলেমক্না সেমিফাইনেল শান্নগদবা হায়বদি খ্বাইদগী ফবা নৈবাক মরি অদুগা বুকিজ কয়াদসু ফ্রান্স নম্বর ৱান নৈখি মথংদা ইংলেণ্ড, অর্জেন্টিনা, ইটলিনা, জর্মননা, লৌগনি থাজনখি । নৈবাক মরিগী মনুংদা ব্রাজিল পনবসু য়াওই। অদুগা সেনেগাল, কেমেরুন পর্টুগাল স্পেনসু থাজবা নৈবাক ওইনি পন্নখি । ওইসু ওইখি ।

সেনেগল পর্তুগল, স্পেন নাইবক্না নৈহৌবানি হায়বা য়াই । অদুগা ইথা থাজেদনা মথক মথা ওন্নখিবদি অর্জেন্টিনা ফ্রান্স চেংখ্রে অহানবা ৱাউণ্ডদা

লেহৌখি অদুগা ইটালি, আয়রলেণ্ড, দেনমার্ক ফজ ফজনা অনিশুবা রাউণ্ডদা লেহৌখি। কাটর ফাইনেল য়োবা ঙম্মখিদে। এসিয়া লৈবাক্কী জপান, সাউথ কোরিয়া ফজনা শান্নখি চৌনা অহানবা ৱার্ল্ড কপ য়াওবগী অহানবা রাউণ্ডদা লেহৌখি। সাউথ কোরিয়াদি পাথবীগী থাজবগী ৱাংমদা কাখৎলকখি। জর্মনগা সেমিফাইনেলদা শান্নবদা যাম্না লাকচনা কাথবা নত্তে। ব্রাজিলগা জর্মনগা ফাইনেল শান্নরকখিবসি ফিফা ৱাল্ড কপ্তা মখোয়নি থেঙনবা অহানবনি। অদুগা অতোপ্পা শন্দোকনসনেল মেচচৌদি মাঙজোননা ১৭ লক থেংনখিবদা ব্রাজিলনা ১১ লক খোঙহাৎ অহুম্নরক খোঙনখিরে, জর্মননা মারিরক খোইখি। ফাইনেল থেঙনবা মতমদা ব্রাজিলনা মাঙজোননা মারিরক অমুগা জমননা অহুমলক কপ লৌনখিবনি। অদুগী মতক ব্রাজিলনা মঙারক লৌদুনা রেকোর্দ খরা থাপ্পা লেনরে। ব্রাজিল শান্নবীশিংগী মহৌশানা অয়াম্বা মতমদা এটেকিং ফরগা দিফেন্সতা খরা রাগনা ... জর্মননা মহৌশাগী দিফেন্স ফবা অমদি রাং চংবা মীওই ওইবনা ... যাম্না শান্নে হেন্না গোল চেনখিদে। ব্রাজিলনা মখোয় যাম্না শিংবা বো... যাম্না লেবা য়েন্নবগী গোল মাউথতা ইনথবা পাস ফজবান। অদুগা জমননা খরা হেকগী মথক্তা মপাঙ্গল কনবা ভাক্তনি। মসিনি টিম অনিসিগী মগুণ অমদি খেল্লবা। হন্দকসু ব্রাজিলগী দিফেন্সকী মতাংদা কোচতা মীযাম্না শাংন্নে খন্ননে। মসি সেমি ফাইনেল ফাওবা হায়রিবা লোবাক অনিসি শায়রিবা মওংসিদা লে। জমনগী থোইদোকপা ওন অমনা গোলকিপ্পর ওলিভর কান ইউরোপকী চহী খরাসিদা খ্বাইদগী ফবা গোলকিপ্পরনি। হন্দকসু ৱাল্ড কপসিগী খ্বাইদগী ফবা গোলকিপ্পরগী মনা ফংখে। ব্রাজিলনা ৱাল্ড কপ ফাইনেলদা মীযাম্না খন্নরবগী ওন্নতেনবা তোরকখি। দিফেন্স অঙকপা ফংনা ফগৎখি। জমননা কোনর ১০ কাওবদা হেক অমত্তা তোবা ঙম্মখিদে। ফজনা ওপন লেত্তা কাওবা অনিংতম্বদগী হেন্না ফঙহনখিদে। অমবোমদা ব্রাজিলগী শান্নবোইশিংনা জর্মনগী দিফেন্স রাগ পুমথু থুগাইখি। গোলকিপ্পর কানমক নংলমদ্রবদি গোল ... চেনশিনখে। ব্রাজিলগী থোইদোকপা ওগ অমনা শান্নবোই খুদিংমক বোটোম রেক লাইনদা লৌরবা গোলপ্পর ফাওবা বোল পুবা ঙম্মী, ষ্ট্রাইকর ওই। অদুনা লেফ্ট উইংগী রোবার্টো কার্লোস, মিদলগী রুসিও অমদি রাইট উইংগী কাফু ইত্তা ... দিফেন্স ওপঙগা চৈ মেকর ওই। হন্দাক্কি ৱাল্ড কপ লৌবা য়াবা চপ চাবা লোবাক। ... রাফিমান শায়বা উদে। ব্রাজিলনা অতে লোবাকগী হেনবা

মগুণ অমনা, ঙসি ফাওবদা ৱার্ল্ড কপ হৌবদগী অমুক্তা টিংখদনা ক্বালিফাইদ ওইদুনা শান্নবা য়াওরিবা লৈবাকসি মতোমতা ওইরি । অদুগা হন্দক্কি খা আমেরিকাগী ক্বালিফাইদ রাউণ্ডদা লৈহৌগে লৈহৌগে তৌবনি । লৈবাক মঙা খনগদবা রাউণ্ডদা থেংনবদা য়াম্না ৱানা মরিশুবদা তাদুনা লাকখিবনি । আর্জেন্টিনাদি য়াম্না হেন্না মকোক ওইদুনা লাকপনি । ৱার্ল্ড কপকী ইতিহাসতা আর্জেন্টিনানা অহানবা রাউণ্ডদা লৈহৌবা হন্দক্কা অহানবনি ।

মফম : জপান ১ দি সাউথ কোরিয়া ।

ওপন্নিং সেরেমোনি : মে ৩১ সাউথ কোরিয়া, সিওল ।

ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০০২ অসিদা পুন্না টিম ৩২ না শরুক য়াখি । অদুগা শান্নবুং ২০ দা চাঙয়েংনখি । পুন্না মেটচ ৬৪ শান্নখি ।

ফাইনেল মেটচ : জুন ৩০ য়োকোহামা, জপান ।

* খ্বাইদগী ইহান হান্না গোল চনখিবসি সেনেগালগী শান্নরোইনি, মে তাং ৩১ দা ফ্রান্সকা সেনেগালগা শান্নবদা মিনিট ৩০ দা পাপে বৌবা দিওপনা চনখি। অদুগা ইকোন কোন্না চনবনা ব্রাজিলগী রোনাল্দোনা জমনদা ৭৯ শুবা মিনিটতা চনখি ।

* খ্বাইদগী ইহান হান্না অহানবা রাউণ্ডদা লৈহৌবা লৈবাক্তি সাউদি আরাবিয়ানি ।

* মেটচ অমদা গোল খ্বাইদগী য়াম্না চনখিবনা জর্মন্না সাউদি আরাবিয়াদা ৮ ০ চনখিবা অসিনি।

* ব্রাজিল শান্নরোই নম্বর ১০ লিংপা রিভাল্ডো শান্নবদা ফজদবা মীনশ্বগী মতৌ উৎপগী ফাইন তৌবা ৱার্ল্ড কপকী ইতিহাসতা অহানবা শান্নরোইনি । টর্কিগা শান্নবদা কোর্নর ক্যাওবগী বোল পিরকপদা (কাওরকপদা) রিভাল্ডোগী ফৈবাক্কা পানবদা মাইদা পানবগী মওংদা ৱাহুশন্নখিবগীনি। ফাইন লুপা লাখ অহুমলোম তৌখি ।

* শান্নবদা য়েল্লো কার্দ ইহান হান্না ফংখিবা শান্নরোইসি মে ৩১ দা ফ্রান্সকা সেনেগলগা ফ্রান্সকী ইমানুয়েল পেতিত (১৭) নি অদুগা রেদ কার্দ ফংখিবা শান্নরোইনা জুন ৩ তাং অহুমদা ক্রোসিয়াগা মেক্সিকোগা শান্নখিবা মেটচতা ক্রোশিয়াগী দিফেন্দর বোরিশ জিভকোভিক অহানবা ওইনা রেদ কার্দ ফঙখি।

* ২০০২ গী ৱার্ল্ড কপতা প্রি-কোয়াটার ফাইনেল থাক য়োরকপদা ইহান হান্না টাই ব্রেক (পেনাল্টি স্যুট) তৌবা জুন ১৬ সিওলদা স্পেনগা আয়রলেণ্ডগা শান্নবদনি।

স্পেননা ৩-২ দা থোইখি ।

* সাউথ কোরিয়ানা সেকেণ্ড রাউণ্ডদা চণ্ডনবা পর্টুগালগা শান্নবদা পর্টুগালগী শান্নরোই অনি রেড কার্ড ফংদুনা মী ৯ গা শান্নখি । সাউথ কোরিয়ানা ১-০ দা থোইখি ।

* হন্দক্কী কপাসিদা ড্রো শুংকচং চৎতবা শুকপো পোদবা লৈবাক্তি ব্রাজিলনি ।

* খ্বাইদগী ফজংনা লেম্না শান্নবা লৈবাক্কা বেলজিয়ম, খুইদেন অমদি জপাননি ।

* ইং ১৯৯০ দা কেমেরুনগী মথংদা সেনিগালনা ক্বাটর ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা আফ্রিকাগী অনিশুবা লৈবাক্নি ।

* সাউথ কোরিয়ানা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা ইহান হানবা এসিয়া লৈবাক্কী ওইরে ।

* ইকোন কোম্না রেড কার্ড ফংখিবা শান্নরোই ব্রাজিলগী রোনার্দিনহোনি। ইকোন কোম্না য়েল্লো কার্ড ফংখিবা শান্নরোইনা জমনগী ক্লোস ব্রাজিলগা ফাইনেল শান্নবদনি ।

* খ্বাইদগী য়াঙনা থুনা গোলচনবগী রেকোর্দতা টর্কিগা সাউথ কোরিয়াগা অল্লমশুবা মফমগী জুন তাং ২৯ দা শান্নবদা টকিগী হকন সুক্কুরনা হৌবগা সেকেণ্ড ১০ (১১) দা চনখি । হান্নদি ইং ১৯৬২ চিলিদা জেকোসলোভাকিয়াগী ভাক্লার মাসেকনা মেক্সিকোদা সেকেণ্ড ১৫ দা চনখি।

* গোল খ্বাইদগী য়াম্না চনবা শান্নরোই রোনাল্ডো (ব্রাজিল) ৮, ১৯৯৮ কপতা ৪ চনখ্রে । রোনাল্ডোনা মথংগী ২০০৬ কপ জমনদা শান্নগদবা, মহাক য়াওদুনা গোল অহুম চনবা ঙম্নবদি ৱার্ল্ড কপকী ইতিহাসতা গোল খ্বাইদগী চনবা শান্নরোই ওইগনি । নিংশিংবা য়াবদি হৌজিক হৌজিকতি জর্মনগী গদ মুল্লরনা ১৪ চন্দুনা খ্বাইদগী ৱাংবা ওইরি। (১৯৭০-১৯৭৪ দনি) অদুগা পেলেদি (১৯৫৮-১৯৭০) ১২ চনখি । খ্বাইদগী ফাওরিবা মেরাডোনাদি খ্বাইদগী গোল য়াম্না চনবা মীওইদা চিংদে । খ্বাইদগী য়াম্না চনবা লৈবাক্কা ব্রাজিল গোল ১৮ ।

* ২০০২ কপ অসিগী ইকোন কোম্না শান্নবদগী তাম্থোকখিবা শান্নরোইদি জর্মনগা সাউথ কোরিয়াগা সেমি ফাইনেল শান্নবদা মিচেল বেলেকনি। মহাক্কা কোরিয়াগী লি সুন চুদা ফাউল্ট অমা তৌরুবদা য়েল্লো কার্দ অমা হান্ননা ফংঙম্বনা শান্নহন্দনা মপান থোকখিবনি। শান্নবা অদুদা জর্মননা মাইপাকপগী

অমত্তা ভাইরবা গোলদু মহাক্না চল্লম্বনি ।

* জর্মনগী গোলকিপ্পর ওলিভর কাহননা বেষ্ট গোলকিপ্পর মনা লেভ য়াশিন ট্রোফি 'ফংখ্রদা নত্তনা খ্বাইদগী ফবা শান্নরোইগী মনা' জর্মনগী এডিদাস কম্পনিনা পিবা 'গোল্ডন বোল' গী মনাসু ফঙখি । হান্ননা গোল্ডেন বোল ফংখ্রবা শান্নরোইশিংদি - পাওলো রোসি (ইটালি) ১৯৮২, ডিএগো মেরাদোনা (আর্জেন্টিনা) ১৯৮৬, টোটো স্কিলাসি (ইটালি) ১৯৯০, রোমারিও (ব্রাজিল) ১৯৯৪, রোনাল্দো (ব্রাজিল) ১৯৯৮ ।

* ২০০২ ৱার্ল্ড কপ মনুংদা World Cup Website www.fifa world cup.com না লৈবাক ৩১ দগী মীওই লাখ ১৫ রোমনা ৱার্ল্ড কপ ইতিহাস হৌবদগী হৌজিক ফাওবগী ওইনা খ্বাইদগী ফবা শান্নরোই ১১ খনবদা মেরাদোনানা ভোট খ্বাইদগী য়াম্না ফংই । মথংদা লেজেণ্ডরী পেলে লৈ । ভোট মশিংগা লোয়ননা ৩রামখোই অদুদি গোলকিপ্পরদা লেভ য়াশিন, রুশিয়া (২৪,০৪১) বেক / দিফেন্দরদা রোবার্টো কার্লোস ব্রাজিল (৫৮,২০০) পাওলোমল্ডিনি, ইটালি (৫৮,৫২৩) ফ্রেঞ্জ বেকখহোর, জর্মন (৮১,৪৪২) লিঙ্ক / মিদফিল্ডর মেরাদোনা, আর্জেন্টিনা (১,১১,০০৫) জিনদাইন জিনদেন, ফ্রান্স (৮০,৫২৭) রোবার্টো বেজিও, ইটালি (৫৫,৬২৫) মিচেল প্লেটিনি, ফ্রান্স, (৫৩,৫৩৯) ফোরাদ / ষ্ট্রাইক্কর পেলে, ব্রাজিল, (১০৭,৫৩৯) জোহন ক্রুএফ, হোলেণ্ড, (৫৩,৬৪৫) রোমারিও, ব্রাজিল (২৯,৪৮০) ।

ৱার্ল্ড কপ ২০০২ - মে ৩১ দগী জুন ৩০ ফাওবদা গোল চন্নখিবা

মেটচ মশিং	লৈবাক মমিং	গোল	লৈবাক মমিং	গোল
১	সিনেগল	১	ফ্রান্স	০
২	আইয়রলেণ্ড	১	কেমেরুন	১
৩	দেনমাক	২	উরুগুৱে	১
৪	জর্মন	৮	সাউদি আরাবিয়া	০
৫	আর্জেন্টিনা	১	নাইজেরিয়া	০
৬	পেরাগুৱে	২	সাউথ আফ্রিকা	২
৭	ইংলেণ্ড	১	স্বীইদেন	১

মেচটা মশিং	লৈবাক মমিং	গোল	লৈবাক মমিং	গোল
৮	স্পেন	৩	স্লোভিয়া	১
৯	ক্রোসিয়া	০	মেক্সিকো	১
১০	ব্রাজিল	২	টরকি	১
১১	ইটালি	২	ইক্কেদর	০
১২	চিনা	০	কোষ্টারিকা	২
১৩	জপান	২	বেলজিয়ম	২
১৪	সাউথ কোরিয়া	২	পোলেণ্ড	০
১৫	রুসিয়া	২	টুনিসিয়া	০
১৬	য়ু এস এ	৩	পোর্টুগাল	২
১৭	জর্মনি	১	আয়রলেণ্ড	১
১৮	দেনমার্ক	১	সিনেগাল	১
১৯	কোমেরুন	১	সাউদি আরাবিয়া	০
২০	ফ্রান্স	০	উরিগুয়ে	০
২১	স্বুইদেন	২	নাইজেরিয়া	১
২২	স্পেন	৩	পেরাগুয়ে	১
২৩	আর্জেন্টিনা	০	ইংলেণ্ড	১
২৪	সাউথ আফ্রিকা	১	স্লোভেনিয়া	০
২৫	ইটালি	১	ক্রোসিয়া	২
২৬	ব্রাজিল	৪	চিনা	০
২৭	মেক্সিকো	২	ইক্কেদর	১
২৮	কোষ্টারিকা	১	টরকি	১
২৯	জপান	১	রুশিয়া	০
৩০	সাউথ কোরিয়া	১	য়ু এস এ	১
৩১	টুনিসিয়া	১	বেলজিয়ম	১
৩২	পোর্টুগাল	৪	পোলেণ্ড	০
৩৩	দেনমার্ক	২	ফ্রান্স	০
৩৪	সিনেগাল	৩	উরুগুয়ে	৩

৩৫	কেমেরুন	০	জর্মনি	২
৩৬	সাউদি আরাবিয়া	০	আয়ারলেণ্ড	৩
৩৭	স্বুইদেন	১	অর্জেন্টিনা	১
৩৮	নাইজেরিয়া	০	ইংলেণ্ড	০
৩৯	সাউথ আফ্রিকা	২	স্পেন	৩
৪০	স্লোভেনিয়া	১	পেরাগুরে	৩
৪১	কোষ্টরিকা	২	ব্রাজিল	৫
৪২	টরকি	১	চিনা	০
৪৩	মেক্সিকো	১	ইটালি	১
৪৪	ইক্কেদর	১	ক্রোসিয়া	০
৪৫	টুনিসিয়া	০	জপান	২
৪৬	বেলজিয়ম	৩	রুসিয়া	২
৪৭	পোর্টুগাল	০	সাউথ কোরিয়া	১
৪৮	পোলেণ্ড	৩	য়ু এস এ	১

প্রি ক্বাটর ফাইনেল

মেটচ মশিং	লৈবাক মমিং	গোল	লৈবাক মমিং	গোল
৪৯	জর্মনি	১	পেরাগুরে	০
৫০	দেনমার্ক	০	ইংলেণ্ড	৩
৫১	সিনেগাল	২	স্বুইদেন	১
৫২	স্পেন	৪	আইরলেণ্ড	৩
৫৩	মেক্সিকো	০	য়ু এস এ	২
৫৪	ব্রাজিল	২	বেলজিয়ম	০
৫৫	জপান	০	টরকি	১
৫৬	সাউথ কোরিয়া	২	ইটালি	১

ক্বাটর ফাইনেল

মেটচ মশিং	লৈবাক মমিং	গোল	লৈবাক মমিং	গোল
৫৭	ইংলেণ্ড	১	ব্রাজিল	২

মেটচ মশিং	লৈবাক মমিং	গোল	লৈবাক মমিং	গোল
৫৮	জমন	১	ইংলেণ্ড	০
৫৯	স্পেন	৩	সাউথ কোরিয়া	৫
৬০	সিনেগাল	০	টরকি	১

সিমি ফাইনেল

মেটচ মশিং	লৈবাক মমিং	গোল	লৈবাক মমিং	গোল
৬১	সাউথ কোরিয়া	০	জর্মনি	১
৬২	ব্রাজিল	১	টরকি	০

থর্দ কপ

মেটচ মশিং	লৈবাক মমিং	গোল	লৈবাক মমিং	গোল
৬৩	সাউথ কোরিয়া	২	টরকি	৩

ফাইনেল

মেটচ মশিং	লৈবাক মমিং	গোল	লৈবাক মমিং	গোল
৬৪	জর্মন	০	ব্রাজিল	২

ফাইনেল মেটচকী গোল অনীমক রোনালদোনা সেকেণ্ড হাফকী মিনিট ৬৭ অমদি ৭৯ দা চনখি । হন্দক্কী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০০২ অসিদা পুন্না গোল ১৩২ চনবা ঙমখি । অদুগা ব্রাজিলগী সর্ট নম্বর মাপল রোনালদোনা মেটচ তরেৎতা গোল নীপাল চন্দুনা গোল্ডন বুটসু ফঙখি ।

অমরোমদা হৌজিক ফাওবদা গোল্ডন বুট ফংখ্রবা ফুটবোলরশিংদি ইং ১৯৩০ দা উরুগুৱেগী গুইলরমো ষ্টেবিইলনা পুন্না নীপান চন্দুনা মহাক্কী টিম্মু ৱার্ল্ড কপকী মপু ওইহনখি। ইং ১৯৩৪ দনা ইটালিগী এঞ্জেল্লো সচিভিয়ো, চেক্কী ওলদ্রিস নেজেটলী মখোয় অনীনা গোল মরী / মরী চনবা ঙম্নদুনা পুন্না তোপ স্কোরর ওইখি । ইং ১৯৩৮ দনা ব্রাজিলগী লিওনিদাসনা গোল নীপান চন্দুনা গোল্ডন বুটকী মপু ওইখি । ইং ১৯৫০ দসু ব্রাজিলগী এদিমিরনা গোল মাপল

চন্দুনা তোপ তাখি । ১৯৫৪ দনা হঙ্গেরিগী সন্দোশ ওসিসনা গোল ১১ চন্দুনা তোপ স্কোরর ওইখি । ১৯৫৮ দনা ফ্রান্সকী জষ্টফাউন্টেন্না গোল ১৩ চনবা ঙমদুনা
পুন্নমক্তগী হেনখি । ১৯৬২ দনা ব্রাজিলগী ঘরিঙ্কা অমসুং ভেভা, য়ুগোস্লোভিয়াগী জেকোভিক, চিল্লিগী লিওনেল সঞ্চেস, য়ু এস এস আর গী ভেলেন্টাইন ইভানোক অমদি হঙ্গেরিগী ফ্রোবিয়েন্ট এলবর্টনা পুন্না গোল মরী / মরী চন্নদুনা তোপ স্কোররশিং ওইমিন্নখি । ১৯৬৬ তনা প্রোটুগালগী য়ুসিভিওনা গোল মাপল চন্দুনা খ্বাইদগী মকোক ওইখি । ১৯৭০ রেষ্ট জর্মনিগী গদ মুল্লরনা পুন্না গোল ১০ চন্দুনা তোপ তাখি । ১৯৭৪ দনা পোলেণ্ডগী বেগোস লাতোনা গোল তরেৎ চন্দুনা তোপ স্কোরর ওইবা ঙমখি । ১৯৭৮ দনা আর্জেন্টিনাগী মারিও কেম্পেসনা গোল তরুক চন্দুনা মকোক তাখি । ইং ১৯৮২ দনা ইটালিগী পাওলোরোসিনা গোল তরেৎ চন্দুনা তোপ ওইখি । ইং ১৯৮৬ তনা ইংলেণ্ডগী গেরি লিনেকরনা গোল তরুক চন্দুনা খ্বাইদগী গোল চনবা ঙম্বা ফুটবোল্লর ওইখি । ইং ১৯৯০ দনা ইটালিগী সলবাতো শিলাচীনা গোল তরুক চন্দুনা গোল্ডন বুটকী মপু ওইবা ঙমখি। ১৯৯৪ দনা রুশিয়াগী ওলেক সেলেনকোভ অমসুং বলগেরিয়াগী ষ্টোইসকোভনা গোল তরুক / তরুক চন্নদুনা পুন্না মকোক ওইমিন্নখি । ১৯৯৮ দনা ক্রোসিয়াগী দেবোর সুক্করনা গোল তরুক চন্দুনা গোল্ডন বুট ফঙখি । অসুন্না গোল্ডন বুটকী ইতিহাস অসি মথং মথং লাকখি ।

অথৌবা, ওগষ্ট - ২০০২ ।

*****

জুদোকা অঙোম অনিতা চনু

লমাদমাসিগী ওইনা বেঠ লিফটর এন কুঞ্জরাণীনা ইহান হানবা ওইনা ইং ১৯৯০ দা অর্জুন এবার্দকী মনা লৌবা হৌরকখি । মথংদা বোক্সর এন জি দিঙ্কোনা ইং ১৯৯৮ দা ফঙলকখি। মসিগী মতুংদা বেঠ লিফটর সনামচা চনু অমসুং হোকি শান্নবোই তিঙ্গোঙলৈমনা ইং ২০০২ দা মনা অসি লৌরকখি । মথং ইং ২০০৩ দনা বোক্সর মেরি কোম অমদি হোকি শান্নবোই সুরযকান্তানা ফঙলকখি।

অসুম্না অর্জুন এৱার্ড তরুক মথং মথং থোরকখ্রবা মতুংদা ইং ২০০৪ গী ইনা অঙোম অনিতা চনু (জুদোকা) না হন্দকসু মনা অসি পুদুনা লাক্লি ।

ভারতকী ওইনা শান্নবোইশিংনা পীবা লেমজনিংঙাই ওইরবা মনা অসি ফংলাখিবা অঙোম অনিতা চনুগী মতাংদা অদোম শোয়দনা খঙবীনিংলমগনি । হৌজিক অনিতা চনু কনানো হায়বদুগী মতাংদা ৱারী মখা তাবীয়ু, অনিতা চনু ইম্ফালগী কিলোমিটর ২২ রোম লাপ্লা ময়াং ইম্ফাল থানা অনীলোঙবী ৱাংখে লোকাইদগীনি । ইচম চম্বা ভামীগী ইমুং অমদগীনি । ময়াম্বা অহল চাওবা, মবুং মাইমা সুজিৎ অনিসু মমিং লৈরবা জুদোকা ভাক্কনি । সুজিৎতি ইন্টরনেসনেল জুদোকানি । অদুগা মচে তম্পাকসু ৱুসুগী নেসনেল প্লেয়রনি । মখোয় মাচন মনাও নুপা অহুম নুপী মঙা পুন্না নীপানগী মনুংদা মরিদি শান্নবোই ভাক্কনি ।

মেদিয়াগী খুখাংদা ওগষ্ট ২২ দা অর্জুন এৱার্দ ফঙগদবা শান্নবোই মথং মথং লাওথোকপদা অনিতা চনুগী মমিংসু ময়েক লানা য়াওরকখি । অদুবু ওগষ্ট ২৯ দা প্রাইম মিনিষ্টরনা মনা অসি য়েখোক্কদবা লৈবনা অনিতা মণিপুরদা উন্নবা ফঙবগী ৱাফমদি লৈখিদে । অদুম ওইনমক ইমুং মনুং অমদি অনিতাবু পোকপী ইমা লোয়নননা অনিতাবু থাক অসি য়ৌহল্লকখিবা ময়াই লম্বী স্পোর্টস একাদমীগী মরু ওইবা মীওইশিং উন্নজবা চংচখি । পুন্নমকশিং অসিনা অনিতা চনুগী মতাংদা মীরক চুম্বা ৱাফম কয়া তম্বীরকখি ।

জুদোকা অসি সাইগী অথাকপা শান্নবোই নত্তে, স্পেসিয়েল এরিয়া ওব গেমসকী প্লেয়রসু নত্তে । ইচম চম্বা লাইরবা ইমুং অমগী থোনা লৈরবী, শান্নবগী মগুণ চপ-চানা চেনবী শান্নবোইনি । অনিতা চনুগী মতাংদা অপোকপী কোম্বীবে লৈমনা অসুম্না পাউদম্বীরকই, ঐগী ইচানুপী অনিতানা হন্দক অর্জুন এৱার্দ হায়বা

মনা অসি ফগুলকপদা য়াম্না নুংঙাই । অদুগা ঐগী ইচাশিংদি শান্ন খোংনবসি পীক্লিঙৈদা লোইনা পান্নকই । ইচা অহল কোকহন লাইহন চাওবনা ইহান হান্না জুদো অসি শান্নবনি, মথংদা মনাওনুপা সুজিংসু ময়াম্বগী মতুং ইন্দুনা শান্নখি । অদুগা মচেন অনি তম্পাক অমদি অনিতানসু মথং মথং শান্নখিবনি । তম্পাক্তি ব্রুসুনা হেন্না পাম্মী হায়দনা ওনখিবনি ।

ব্রারী অমনা ইমাসু পীবা অনিগী মনুংদা ইতোমতনি । চহী ১৫ দা য়ুম পান্নকপনি । ইমুং মনুংগী লৈত-লাইর কয়াগা ইরোইননা ইচাশিং অসিগীদমক য়াম্না গুন্না শিংজমে খ্বাইরম্বন্দ, লম্লোং কৈথেলশিংদা গা ললোন্দুনা লেল্লকখি । ইমানা গা মোন অনি অহুম নুমিৎ খুদিংগী পুদুনা ইচাশিং অসি মপাগা লোয়ননা রানা থোক্কখি । অনিতাগী অপোকপসিসু মখোয়না মণিপুরদা তৌখিবা নেসনেল স্পোর্টস কন্না তৌরিঙৈদা লৈখিদবনি । শান্ন খোংনবসি মপানসু য়াম্না পাম্মি । অদুনা ইচাশিংগী অপাম্বসি শান্নহল্ললি হায়দুনা শান্নহনখিবনি ।

চাওবগা সুজিংকদি উরিপোক্তা লৈবা ওঝা খোঙশেল নংগী মনাক্তা থাদুনা তমহল্লকখি। মদু মযাং ইম্ফালদগী ইম্ফাল য়ৌবদা শিকি মঙা পীরিঙৈগী মতমনি । মখোয় অনিগী লুপা অনিমখায় / অনিমখায়সি নুমিৎ খুদিংগী পীনবা চাংনবদা লেকাইনগা নোরুবা য়াওখপোংনি । থবক ইনখাং মতেং পাঙহনগোদি হায়দুনা শেল তিংনা ইম্ফালদা থারুগা শান্নবা তমহান্নবসিবু কোম্বীসিবু গুাওব্রা হায়দুনা । অদুবু ঐনা থওইনা তারুদে । ইমাসে লাইরজরবসু মীনা লাকচবদি যারক্তে। গা ললোনববু ওইরবসু, ফিশা লোনশাবু ওইরবসু, লৌ খাওনরবসু, লো লিংনরবসু মীগা লম্বা তৌনবদা ঐতনা মাঙজীন থানবা হোৎনরকপা মীশাক্তি । ঐ ঐনা হৈজবা শিনফমদা মীকোক খোঙনবা হোৎনবা হায়বসিদি মীওইবা ওইরবদি তৌনবা তাবনি । অদুগা রাফম অমনা লাইরবা ইমুংদা ওংলুবনিনা ইমাদি গুন্ন গুন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরককই । নোংমনা গা থারুগনি, নোংমনা লোক্তাকলোমদা চেংলগা লোকলৈ পুল্লে য়াল্লুগনি । মদুদসু মীনা পুনরিবা অদুদগী ঐনা হেন্না পুরুগা হল্লক্কনি । মসিদা ইবুং অহলসিনা য়ুমদা হল্লকউ হায়দনা কৌথোকপসিনা মহানি। নগুনা অদুম্না ললোন-ইতিক কোইচেং চেংকদবা ওইরবদি য়ুমদা চঙনকপা য়ারোই হায়রকপদগী চহী ফনা কুইনা ইপামদা চেংখিদে । ইমাসু ইথন্তা পোকপগী মচিং অমদি ফজনা লৈ । অদুগা ইচাশিংদা ঐনা হায়রিবনি, নমান্নবা মরুপ মপাংশিং নুংশি চান্নবা লোয়নবা তম্মু, কৈদৌনুংদা মতাং চাদবদা মুক্ত রুগনু । মুক্তবা

হায়বসিদি মতাং মতম চানা তৌনগদবনি । ব্রাহে ব্রাতা নুংশিনা লোয়নবা হায়বসিগী কান্নবা য়ান্না লৈবনি । মীনা নুংশিবীবা হায়বসিসু অথোইবা গুণনি । মীগা য়েংনবা, খংনবা, মুরুবা ইমাদি শুকপাম পামজরক্তে । নুংশিনা তিন্নবা লোয়নবা হায়বাসিমুক ফবা লৈতে হায়দুনা কন্না হায়বদগী ইচাশিং অসিসু ওঝা গুরুশিং মরুপ মপাংশিংনসু নুংশিনা তৌবীবা উজে।

আনৈতানা শান্নরকপগী মতাংসি সুমাং তৌই । ময়াম্বা অনিনা অয়ুক্তা ওঝাগী মনাক্তা চংলুরগা নুংখিল নুমিদাংব্রাইরমসি কাওনবা থিননবা নুংতিগী তৌই । লুমাংনা ওরো ওরো তাবমখে শান্নবাসি পীশক পীরুদনা খোংগ্রাও মচা অমা শেংলগা তুমিন্না হেক হেক য়েঙই । মাদ ফনেকসু কয়া শেংনু খোংনু যারক্তে । ময়াম্বশিংনা শান্নরিবদু মানা হোরেন মতোমতা অমুক চোঙপদৌরিবনি । বা নানসু কয়া গাংনক্তে । নোংমাইজিংদা পোকপা ওইনা তৌরদনা মরিনসু থরা থাই । কম্পগা হোৎ্নবসু নুমিংচুম্পা অমা কম্পা ওস্মী, মতা অমগী অঙাং ওইনা হোরকখি। পচা নিপানসিগী মনুংদা মরিল খ্বাইদগী থাবসি মহাক্ত । নুমিং অমা কাওবু কাওদি কেনোমা চৈবীবু হায়বদা ঙেহাক লেরগা নুংশা খিঙং নেমথরগা চেক্লসি হায়রবদা মাগী মবেদু হোরকপদগী মপানা থুমথংনা শাংদুনা পাঙখংলি অমুসু য়ুনথুংনা অদুম চেং চেং চোদুনা কত্তুনা অদুম লৈখি। মংগাদি মতা অমান। অদুবু অদুংখা মাগী মাচংু ওংপাদ শান্নবদা ওনশিনাখিবদগীদি ফবোনা ।

নাগী মহাংবা ওয়াদি ময়াম্বশিং অসিনা ওইবা তারবনি । ময়াম্না অহংদি থরা শান্নবা থাংবগুম হমুং মনুংগী মতেং পাংনগে শাথদনা অসোম ব্রইক । পচা থবক তৌরে । হৌজিকনা দিসাপুরদা লে । অদুদগী নবুং থাইমা সুজংনা শান্নবা ওম্বা চোং থাসু চেংনা থাংগে, শান্নবা য়েঙ্গনিংই হায়দনা নিওই তোবদগী নুমিং অমাদ নয়বা নুক্তিংনা বসতা পুদুনা চংখি । মদুদা ফনেক শেংনু যাদবক্তী তাওয়েং অমা শেংচিংনা পুখি । অদুবু বনকী সিটতা তাওয়েলদু লোখোক্রগা ফনদুনা চেরগী চায়দনা ময়াম্বশিংনা ওস্মী । খোংগ্রাও মচা অমা শেংলগা চেংদা ময়াম্বনাদি ইকাইদুনা মোরেগী তাওয়েলদুনা য়েংশিনবীবা জাগান, হায়ব্রিবসি চহী নিপান হন্না হরবা মতম খ্বাইদনি । ব্রাদি কয়া ঙাংদে, মানা তৌনিংবদু তুমিন তাগীন অদুম তৌখবনি ।

সুমাইনা আনিতাসি হোরকখি । ঙসিবুদি মখং মখং শান্নরকুনা দীগী সি আর পি এফ তা থবক তৌদুনা লৈখ্রে । মানা থবক চংখিবাস নেসনেল

গেমস মণিপুরদা তৌখিবদুগী মতুংদগীনি । চহী মরি / মঙা হায়রক্লে । ইমানসু হায়রে শান্নগে হায়রবনিনা নঙ-নঙনা শান্ননিংবা অদুদা থৱাই হকচাং য়াওনা নমান্নবগী মকোক থোংনবা শান্নরো । থবকসিসু মণিপুরদা তৌহন্নিংবনি। অদুবু করিসু উপায় লৈতে, মণিপুর সরকারসু থবক পীবা ঙমদে হায় । ইচানুপা য়াইমনা পুলিস কন্সটেবল ওইরক্লিবসিসু চহী ১৩ রোম শুরে। ঙরাংদা থবক তৌখিবা মচন্নুপীনা ফম চাওবা, তলব চাওবা হেল্লি হায়, অনিতানা ওইরিবসি এস আই হায়দুনি হায়রা ? ইমাদি মুন্নদি খঙদ্রে । মচন্নদি চাওবা হেল্লমাল্লে । সিসু নুংঙাইনেকো ? মণিপুরগা দিল্লিগা খেন্নে হায়বা ।

অসুন্না মথং মথং ৱারী শান্নবা মতুংদা ময়াম্বা য়াইমা সুর্জিৎ (ইন্টরনেসনেল জুদোকা) না অনিতাগী মতাংদা অসুন্না হায়, "ইমানা হায়খিবদু অশেংবনি । মাবু ইন্সান হান্না জুদোগী লৌ সুমাইনা চঙদৌনি, লঙবনা সুমাইনা লঙদৌনি হায়না ওস্থীখিবাস ঐহাক্কি । মানা শান্নবা হৌরকখিবদি চহী নিপান্দগীনী । যান্না থুনা মঙোন্দা ইম্প্রুভ লৌখিবসিনা মহাক হোৎনবা খরা কল্লি মরিনসু খরা থাবা হায়দুনি । এনা খরা খরা তাকপীরবা মতুংদগীদি মযাই নর্থ স্পোর্টস একাদেমিগী খাংদেম শণমাপ (এন আই এস) গী মখাদা অকনবা ট্রেনিং লৌদুনা শান্নবা হৌরকপখিবনি । মদুগী মতুং মখং স্টেট লেভেলগী চেম্পিয়নশিপ যাওবা ডল্লকনা মনা কাম্মকম [illegible] হৌরকখি । স্টেটকী নেসনেল নেসনেলদগী ইন্টরনেসনেল লেভেল খুনা য়ৌরকই । মখাক্তা [illegible] অর্জুন অৱার্ড [illegible] হৌরকপসি ইশামক [illegible] নংগাইবা ফাওই" হায়নসু [illegible] হৌরকপীরকখি ।

অনিতা নু অর্জুন অৱার্ড [illegible] দা [illegible] মচুংদা হাঁইজিল্লকী [illegible] ইন্টরনেসনেল চেম্পিয়নশিপ অমা লৌবগী মণিপুরদা সেপ্তেম্বর [illegible] দা [illegible] । জুদোকা অনিতা সুগী নাইমা [illegible] তৌরকখি । সেপ্তেম্বর ১০ দা মণিপুর থাদোকখি । মতো অতোবা ইন্টরনেসনেল চেম্পিয়নশিপশিংদা মখল্লবা [illegible] অমা অক্টোবর ৭ দা লৌবনা মহাক মণিপুরদা কুইনা [illegible] । [illegible] মীয়ামদা অনিতাগীদমক [illegible] [illegible] [illegible] । অনিতানা [illegible] [illegible] [illegible] পাবিরম্মী।

শক্তাক চেরোল

মীং : অঙোম অনিতা চানু।

ইমা/বাবাগী মীং : অঙোম ওংবী কোম্বীরৈ লৈমা / অঙোম খোঙনেম মৈতে।

লৈফম : ময়াং ইম্ফাল থানা অনিগোংবী রাংখৈ লৈকাই।

চহী : ২০

পোকপা নুমিৎ : নোংমাইজিং।

রাশি : কণ্যা।

অরুম্বা : কেজি ৫২।

অৱাংবা : সেন্টিমিটর ১.৫৫

মশান্না : জুদো।

মহৈগী থাক : মেট্রিক পাস।

ইচিন ইনাও : পুন্না নিপান (নুপা ৩, নুপী ৫) গী ৭ শুবী।

পান্দম : ওলোম্পিক্তা মেদল ১ লৌবা।

শিনফম : সি. আর. পি. এফ. দিল্লি, এস আই রেঙ্ক।

স্পোর্টস এচিবমেন্ট

১। ইন্টরনেসনেল জুদো চেম্পিয়নশিপ, জর্মন ২০০১ - ৫ শুবা থাক।

২। কমনৱেল্থ গেমস ইংলেণ্ড (য়ু কে) ২০০২ - পার্টিসিপেট।

৩। থার্দ ইন্টরনেসনেল জুদো টুর্ণামেন্ট, হো চি মীন সিটি, ভেটনাম ২০০৩ সনাগী মেদল।

৪। ৱার্ল্ড জুদো চেম্পিয়নশিপ জেজু, কোরিয়া ২০০৩ পার্টিসিপেট।

৫। এসিয়ান জুদো চেম্পিয়নশিপ জেজু, কোরিয়া ২০০৩ শেঙ্গেংগী মেদল।

৬। এসিয়ান জুনিয়র জুদো চেম্পিয়নশিপ, চিনা ২০০৩ লুপাগী মেদল।

৭। রাজিব গান্ধি ইন্টরনেসনেল জুদো চেম্পিয়নশিপ, ইন্দিয়া ২০০৪ সনাগী মেদল।

৮। এসিয়ান জুদো চেম্পিয়নশিপ কাজকিস্থান ২০০৪ পার্টিসিপেট ।
৯। কমনৱেল্থ জুদো চেম্পিয়নশিপ ২০০৪ ন্যুজিলেণ্ড সনাগী মেদল ।
১০। ৱার্ল্ড জুদো চেম্পিয়নশিপ ইজিপ্ত, কাইরো পার্টিসিপেট সেপ্তেম্বর ৮ ১০, ২০০৫ ।

অয়ুক অমা অনিতা উন্নবা চৎলি । ইমুং মনুং, কৈরোল লৈকাই, মরী মতা কয়া লাক্লুনা অনিতাগী ইমুং মনুং পুন্নাং লাংদুনা লৈরম্মী । মরক্কুদা ৱারী ঙেহাক শান্নবা তাঙ্গা লৌজরকখি। ইমুংদা হান্নবা চৎনুবদু অনিতাগী ইমা, ইমুং মনুং অমদি ময়াম্বশিংনা হরাও হরাও তৌবীদুনা ৱারী নুংঙাইনা শান্নবা ফঙজরকখি । ইমে চম্বা ইমুংগী অচম্বা মীওইশিং শাক্তা ওইবনা লৌথুপ লৌকোশি লেতনা ৱাফম কয়া অমসু তম্বীরকখি । সাইগী এস এ ভি গী শান্নবোই নওবাননা ডিরেক্টরগী কোটকী ৱাদেনগী পার্মিসন যাওদনা হায়নিংবা কয়াসু নানং তম্না খেল্লদোরকখি।

অশান্নবা ওইনা অনিতানা হায়, ঐঙোন্দা হন্দক অর্জুন এৱার্দ পীবগী মতাংদা ৱাহৈ পীনবা যান্না কন্না শান্না থবুবা লৈজখিদে । শখক্তা মনা মাস ফঙবা যাত্রা এগারা তায়, তোরবিনা ঐহাক খোইনা থবুদে । মাস ঐঙোন্দা যান্না শতোপদনা খোঙচপা লোতোক অমানি খল্লে। ন্যুসপেপর ওগষ্টকী তাং ২৫ নি । ন্যূএজ্যাংৱাইরম প্রেক্টিস তোইন হল্লকপদা ঙাইরি । ৱিঙ অমা লাকই হায়দুনা পায়রুবদা ইখোয়গী চিফ কোচ জিবন শর্মনা ঐহাক অর্জুন এৱাদকী পীনবা খঙগৎপদা যাওৱে হায়না তম্নকখি । ঐ হৈশার্মক্তি থাজবা খিঙং ৱাপ্পদগী ঐনা অমুক হওই সর পাউসি কন্দাইদগী ফঙবনো ? ইন্দিয়ান ফেদরেসনগী সেক্রেটারি মুকেশ কুমারনা হায়রকপনি হায়দুনা তম্নকখি । মীৎকুপ্তা ঐঙোন্দা যান্না নুংঙাইবা অমা ওইজখি। অসুন্না ঐহাক ওগষ্টকী তাং ২৯ দা পুন্সিগী হরাও নুংঙাইবা অমগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর ডাঃ মনমোহন সিংহদগী অর্জুন এৱার্দ ত্রোফি অদুগা লুপা লাক্ষ অহুমগী চেক অমগা লৌবা ফঙজখি । অর্জুন এৱাদ পীবিদুনা পুক্কিং থৌগৎপীরকপসি য়ান্না নুংঙাইজে । অদুবু ঐনা খ্বাইদগী পামজবদি ২০০৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক্তা মেদল অমা লৌবনি ।

শান্নবা হৌরকপগী মতাংদনা জুদোকা অসিনা অসুন্না হায়, ঐগী ইহান হানবা ওঝাদি দদা সুর্জিৎনি, মথংদনা ময়াই লম্বী স্পোর্টস একাদেমিগী কোচ খাইদেম গুণমণি (এন আই এস) নি । একাদেমি অসিনা ঐবু ঙসি থাক অসি য়োহনবীরকপনি । একাদমি অসিদা মরক মরক্তা লাক্লুনা তাকপী তম্বীরিবা ওঝা

অমগী মীং পঙ্খবা তারবদি সর খোঙশেলনহানি । অসুল্লা ওঝাশিং অসিনা ঐবু জুদোগী তোঙান তোঙানবা টেক্নিক কয়া তাকপীরকখিবনী, হৌজিক ঐহাক ইশাগী চপ চাবা পান্দম য়ৌজদ্রিবনিনা তুমিন্না লৈজরবনি । মতাং চাবদা ওঝা-গুরু অমদি ঐবু ইন্টরনেসনেল থাক য়ৌহনবীরকপগীই অচৌবা মতেং পাঙজগনি । একাডেমি অসিগী পীক্লবা শঙ্গোই অমদা হৌজিক হৌজিকসু শাল্লবোই ৫০/৬০ সুপ্লগী মেটচ ১২/১৩ দা ওন্দুনা শাল্লরিবসি য়াম্না নুংঙাইজদে । সুমাইনা অপীকপা জগাদা শাল্লরগা অচৌবা মফমদা শাল্লরকপদা খুদোং চাদবা ময়াম অমসু থেঙনৈ। পুন্নমকসি স্পোর্টস দিপার্টমেন্টনা য়েংশিনবীরগা অচৌবা মতেং য়াম্না পীহল্লনিংই। হৌজিক হৌজিক ময়াং ইম্ফালসিদা ঐঙোন্দগী হেন্না ফজনা শাল্লবা কয়াসু থোরক্লি।

ইন্দিয়াগী ওইনা লৈরিবা জুদোকাশিংগী মতাংনা অনিতানা অসুল্লা ফোঙদোকপীরকখি, ব্রেঠ লিফটিং, বোক্সিংগুম জুদোসু মণিপুরগী নুপীশিংনা লিদ তৌদুনা লৈ । সি: আর পি: এফ তা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা মণিপুরগী জুদোকাশিংদি মথংশিংনা এল ব্রজেশ্বরী, রিজা চনু, লক্ষ্মৌনী, গোমতী, তোম্বী, নীরুপমা, সর্জুবলা, বেবীরাণী, বেমবেম, থোইনু, ইনাকখুনবী অমদি কোচ ওইনা লৈবা সেম্মানি । ঐখোয় পুন্না ১২ নি । অতোপ্পা ষ্টেটকী থারগা সি: আর: পি: এফ: কী ওইনা লৈরিবসি ১১ নি । মখোয় অসেদি পঞ্জাব, হরিয়ানা, দিল্লি অমসুং হিমাচলদগীনি ।

চহী অসি সেপ্তেম্বর ৮ দগী ১১ ফাওবা ইজিপ্তগী কাইরোদা শাল্লকপা ব্রাল্ড চেম্পিয়নশিপ ২০০৫ গী মতাংদা অনিতানা অসুল্লা ওয়েমই ইন্দিযাদা অর্জুন এরার্দ লৌরক্লগা নুংঙাইবা মুদ অমদা ঐহাক চেম্পিয়নশিপ অসু শাল্লবা চংচখিবনি । মদুসু ঐখোয় মরি পঞ্জাবতগী নুপা অনি মণিপুরগী নুপী অনি কে ঐচ তোম্বী (ময়াই লম্বী স্পোর্টস একাদেমিদগী হৌখিবী) অমদি ঐগনি ।

ঐনা অহানবা তারিবা জুদোকা অদু ওলোম্পিক্কী মেদলিষ্টনি হায়না শাল্লবা তৌদ্রিঙোদো যা য়া লেৌরকপদগী ঐঙোন্দা কৈনোমা ফাওখি । মদু ঐগী অশোয়বনি হায়বসি কোন্না খঙজরকখি। শাল্লবদা ইশাদা থৈনিংদবা অমা লৈখি । অদুনা ঐহাক মাইথিহৌখি । হায়রিবা শাল্লবোই অসি ঐনা এসিয়ান চেম্পিয়নশিপতা পীথখিবা জুদোকা অমনা অমুক পীথরমখি । ঐ কোন্নদি ঐগী অশোয়বদু খঙজরকপগা লোয়নবা নুসিংচুপ্পা অমা কল্পুনা লৈখি । হন্দক্কী ব্রার্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঐনা অচৌবা পারা অমদি ওয়ে । ঐনা কনাবু বক্কীদমক বিগলৌরিবনো ? ঐগী

লম্বানি হায়দুনা হেক লৈরিবা খুদিংমক অকিবা, তুজুংবা, নিংহন্নবা অমত্তা ফাওদনা থেংনবা হায়বসি ঐগী তৌফম থোকপনি । ঐগী মপুং ফাদবা ৱাখল অমা লৈখিবদুনা ঐ মাইথিরকপনি । ঐনা থৌনা ফনা অকিবা অমত্তা পোক্তনা শান্নরন্নবদি ঐহাক মেডল অমত্তসু পুরক্কবা য়াবনি । মতুংদদি ঐ পুক্নিং ফজনা লাকশিল্লগা শান্নরগে হায়না লেপ্লে । অশোয়বশিং অসি মতুংদা থোরক্তনবা ঐনা মীয়ামদা ফোঙদোকচনিংই হায়নসু তন্নমখি ।

অরোইবদা, অনিতানা মণিপুরগী চহী নৌরিবী জুদোকাশিংদা পুক্নিং থৌগৎলদুনা অসুন্না হায়বীরম্মী, জুদো হায়বা গেম অসি ঐখোয় মণিপুর মচানা শান্নগদবা গেমনি । মপান্দগা শান্নবা চৎপসি ঐখোয়সু অহানবদদি য়ান্না কিরম্মী । খণ্ডদ্রিগী উদ্রিগী অণ্ডকপসু ফাওরম্মী । অদুবু হৌজিক্তি ভারতকী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটতগী লাকপা শান্নরোইশিং অসিসু মগুণ ফজনা খঙলে । ষ্টেট অনি অহুমখক নত্তনা জুদোদা মণিপুর মচাগা লাম্বা পাম্বা ঙমগদবা ঈবে লৈতে । ঐখোয় কন্না হোৎনসি । জুদো হেন্না চাউখৎহনসি । লোয়ননা মণিপুর প্রজা পুন্নমকপুসু ঐহাক্না ইকায়খুন্নবা উৎচরি, হন্দক অর্জুন এরার্দ ফংলকপাগী ঐবু ওকপগী থৌরম পাঙথোকপীখিবা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোকপীরকখিবা খ্বাই পুন্নমকপুসু ইকোক নোন্না খুরুমজরি । মথংদদি ঐহাক ওলেম্পিক্কী মেডল পুরকপা ঙম্বা ওইজগে হায়নসু পনবীরম্মী ।

অঙোম অনিতা চনু হেন্না হেন্না মাইপাকপা ওইরকখিসনু । মালেমগী খ্বাইগী চাওবা শান্নবুং ওলেম্পিক্কী মেদল পুরকপা ঙম্বা ওইসনু হায়না অখোবাগী মাইকৈদগীসু মঙ্গল পীজরি।

অখোবা, নবেম্বর ২০০৩ ।

*****

এস এস বীনা চেম্পীয়ন

ইং ১৯৫০ দগী চখবা হৌরক্লিবা সার চুরাচান্দ সিংহ, কে. সী. এস. আই, সী. বী. ই. মেমোরিয়েল ইনভাইটেশন ফুটবোল টোর্নামেন্ট, অশম্বীদা সী সী মীট শায়না খঙনবা টোর্নামেন্ট হন্দকসু য়াম্না মপুং ফানা পাঙথোকখি । অরাং লোংপোক তারকী ওইনা, ফুটবোলগী থ্বাইদগী চাওবা মীট অসি মথং মথং লেপ্তনা চখরকপনা ভসী চহী ৪৩ শুজিনখ্রে ।

মণিপুর স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শীন লাংদুনা চখবা হৌরকখিবা মীট অসি হৌজিক অল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা) না দায়ত্ব পুম্নমক লৌদুনা চত্থনশিন্না পাঙথোক্লিরি ।

৪৩ শুবা সী সী মীট, ইং ১৯৯৯ গী দিসেম্বর ২২ দগী হৌরগা ইং ২০০০ গী জানুৱারী ১৮ দা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা ফাইনেল শান্নরগা লোইশিনখি।

ষ্টেটকী টীম ২৬, মপানগী টীম ৩, সি আই এস এফ (নুই দিল্লি) এফ সী দীনাপুর (মিজোরাম) অমসুং নাগাল্যাণ্ড পুলিস পুন্না টীম ২৯ না হন্দকী সী সী মীট অসিদা শরুক য়াখি ।

নিংথৌশিংনা যাবাদ, হন্দক্কী সী সী মীট অসিদা এস এস বী অমদি নুখ সোসিয়েল রেলফেয়ার এসোসিয়েসন (রাই এস দব্লিয়ু এ) অনীনা ফাইনেল শান্নবদা এস এস বীনা ২ ০ দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল ট্রোফিগী মপু ওইখি।

নিশাং শিংনা চখরাক্লিবা সী সী মীট অসিদা এস এস বীনা হন্দক্কী অসি থারগা, তরুক্লক ফাইনেল য়ৌরকপা ভমখ্রে । অদুগা, রীল্লরনা মরীরক ওইখ্রে ।

টীম অহুম অহুম্না শাবা গ্রুপ মাপল খায়দোক্লগা লম্বা তৌনবা হৌরকখিবা প্রিলিমিনেরি নোক আউত রাউণ্ডদা এস এস বীনা গ্রুপ বীদা শুপ্নগী টীম অনীখক্তমক্কা লম্বা তৌনরকখি । প্রিলিমিনেরি নোক আউটতা এস এ সীবু ৩-০ দা মায়থীবা পীরম্লগা কাটর ফাইনেল লানশিলকখি। অদুগা, কাটর ফাইনেল মেটচতা রাই ও এস সীবু ২ ০, রাই এ সী বুনা ১ ০ দা মথং মথং থোয়রম্লগা সেমি ফাইনেলদা নেরোকাগা অকনবা লম্বা তৌনখি ।

জানুৱারী ১৮, ২০০০ দা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা নেরোকা অমদি এস সী সীগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুদা সী সী মীটকী ইতিহাসতা অমুক্তা ঊর্খিদ্রিবা থৌদোক কয়া অমসু থোরকখি । ঢেকশিন্না শান্নরম্লবদি

গোল অমা অনীদগী হেন্না চনশিনবা ঙম্নরম্লোইদবা নুমিত্তুগী সেমি ফাইনেল অদু মমৈদা ফাগী শাখিনা তাখি । অম্পায়রগী দিসিজন্না অরোয়বা ওইগনি হায়বা ৱাফম লৈখিবনা, ভাবক্লা পঙচন্দা চনশিনবা মান্না উখ্রবসু গোল মশিংদা হাপচিল্লম্বনা নুমিত্তুগী সেমি ফাইনেল অদু এস এস বীনা ৬-০ দা থোইখ্রে হায়না লাউথোরকখি। অসুন্না এস এস বী ফাইনেল য়ৌরকখি ।

অমরোমদা, অহানবা ওইনা সী সী মীট অসিদা ফাইনেল য়ৌরকখিবা ৱাই এস দব্লিয়ু এ (উংলো) টীম, প্রিলিমিনরি নোক আউট রাউণ্ডগী অহানবা মেটচতা, সিটিজন ক্লবপু ৩-০ দা মায়থীবা পীরম্লগা কাটর ফাইনেল য়ৌরকখি । অদুগা কাটর ফাইনেল লীগ রাউণ্ড মেটচতনা অহানবদা ক্লাসাবু ১-০ দা থোয়খি। মথংদনা কাদোবু ৪-০ দা মায়থীবা পীরমখি । লোয়ননা কাটর ফাইনেলগী অরোযবা মেটচতা সী আই এস এফ (নই দিল্লি) পু ৩১ দা থোয়রম্লগা সেমি ফাইনেল লানশিল্লকখি । অদুগা লোয়ননা সেমি ফাইনেলদনা নাগালেণ্ড পুলিসপু ১০ দা মাযথীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙলকখি ।

জানুৱারী ২২ দা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মগী ভাবক্লা চোন্না তীনবা গাউণ্ড অদুদা এস এস বী অমসুং ৱাই এস দব্লিয়ু (উংলো) ফাইনেল ট্রোফীগীদমক খম্বা তৌনদুনা শান্নখি অদুবু অহানবা ওইনা সী সী মীটকী ফাইনেল চঙলকখিবা টীম ওইখিবনা, ৱাই এস দব্লিয়ু এ, ইথক-থক্কপা মানবা খুশোন্না কযা উখি । মদুম কুনা শুংঙাশিবা মেটচ ওইহনখিদে । এস এস বীনা হাফ মমাংগী গোল অমগা চনশিনখ্রবসু হাফ মতুংগী মিনিট ৭৪ অমসুং ৭৫ দা টিমাসগী এম হেমো (৬) অমসুং এল সাগর (৩৪) না গোল অমমম চনশিনকুনা ৪৩ শুবা সী সী মীটকী ফাইনেল ট্রোফীগী মপু ওইবা ঙমখি ।

ফাইনেল শান্নখিবা শান্নরোইশিং	
এস এস বী, মোংশাঙ্গৈ	ৱাই এস দব্লিয়ু এ উংলো
১। এ কুমা সিংহ (১)	১। ঐচ রোশন (১)
২। কে ঐচ বাবু (৪)	২। এস ভুমেশ্বর (১৭)
৩। এম চাওবা (৩)	৩। টী খাবা (৬)
৪। এস এচ জীলাঙম্বা (১৭)	৪। কে কেশো (৫)
৫। ৱাই রাজেন (৫)	৫। এল জয়ন্তা (৯), কেপ্টেন

ফাইনেল শান্নখিবা শান্নরোইশিং

এস এস বী, মোংশাঙ্গৈ	রাই এস দব্লিয়ু এ. উংলো
৬। জী পাওচাইরুই (১৫)	৬। টি ঐচ গোরা (৮)
৭। কে ঐচ মনাওবা (৬)	৭। এল দোলেন (১১)
৮। এল হেমো (৯)	৮। ও সনাতোম্বা
৯। ভের্লি চীরু (৭), কেপ্টেন	৯। রাই প্রবিন (১৮)
১০। রাই গুনেশ্বর (১২)	১০। টি বসন্তা (১৬)
১১। এন সাগর (১৪)	১১। এল রোজিৎ কুমার (১৪)
১২। রাই রঞ্জয় (১১)	১২। এস ইবোমচা (২)
১৩। কে ঐচ ভুমেশ্বর (২০)	১৩। কে ওপেন্দ্রো (১০)
১৪। রাই প্রেমজিৎ (১৮)	১৪। কে পাওলিন (১৫)
১৫। এল পামেল (১৬)	
১৬। কে উপেন (১০)	
১৭। এম বিশ্বজিৎ (১৯)	

অমরোমদা লোংমা লোংমগী মপুং ফাবা হেস্পংলাক্লিবা ফুটবোল টোর্নামেন্ট অসি [illegible] ফাইনেল ট্রোফি [illegible] লোয়ননা লুপা ৭১০০০ [illegible] ফংখি। অম্ফানা পুথোরকপা লুপা ৫০০০০ গী মখল সাবা মেডেল [illegible] লৈরবা টীমদা লুপা ২০০০০ অমসু [illegible]। মদুগা [illegible] টীমদনা লুপা ১০০০০ ট্রোফিগা খুদোল [illegible]।

ফুটবোল টোর্নামেন্ট অসি [illegible] থোরমদা [illegible] মনা কম্যাসু অম্ফানা [illegible] কম্যাদা পীখি।

[illegible] মীট অসিগী বেষ্ট প্লেয়র অসি এস এস বীগী রাই [illegible] (১২) [illegible] তাখি। ফেয়ার প্লে ট্রোফিনা রাই ও এস [illegible]। বেষ্ট [illegible] মনানা ক্লাস [illegible] জোনী [illegible]।

[illegible] ফুটবোলগী [illegible] মণিপুর [illegible]।

খ্বাইগী [illegible] অমনা [illegible] মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েশন্না মতম

অমগী ফুটবোলদা মমিং লৈজরম্বা ভেটরান শান্নরোয় অহুমদসু মনা মথুম পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখিবদুনি । অহল ওইশিল্লক্লবা শান্নরোয় অহুম অদুদি শ্রীএন ব্রজমনি সিংহ (৭৫), শ্রীজী অথোইমৈ কবুই (৭৪) অমসুং শ্রী এস ললিটকুমার (৬৯) নি ।

নিংশিংবা য়াবদি, শ্রীনিংথৌজম ব্রজমনি সিংহ, ব্রাহেংবম লৈকাইদগীনি । পিক্লিঙৈদগী মশান্না অসিদা পান্না খোঙদারকখি । মশামক প্লেয়র অমা ওইনা, কুকী স্পোর্টিং ক্লব, ইম্ফাল স্পোর্টিং ক্লব, কখুলোং য়ুথ ক্লবনচিংবদা শান্নরকখি। ইং ১৯৪২ দা শিল্লোংদা পাঙথোকখিবা আসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ্তা মণিপুর টীমদা য়াওদুনা শরুক য়ারকখি । মদুদা মণিপুর টীমনা চেম্পিয়ন ওইরকখি। ১৯৫২ দসু (নাওগোঙ) মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা ইন্দিপেন্দেন্টস কপতা য়াওরকখি। য়ুথ এফেয়াস স্পোর্টস দিপার্টমেন্ট (মণিপুর) তসু ফুটবোল কোচ ওইরম্মী । ইং ১৯৭৩ অমসুং ১৯৭৪ দসু টীমগী কোচ ওইনা শরুক য়ারকখি । মসিগী কোচ অযাম্বা, ভেটরান প্লেয়ার অসিগী ছাত্রনা অয়াম্বনি ।

ভেটরান শান্নরোয় শ্রীজী অথোইমৈ কবুই, থৌজাইকি মশাগী চহী ৭৪ শুরে । কেশামথোং কবুই খুলদগীনি । রিটায়ার্দ এস পী (মণিপুর) নি । মশামক সেকেণ্ড রাউণ্ড ৱার মমাংদগী ফুটবোল শান্নবা হৌরকখি । শিল্লোংদা ১৯৪২ দা পাঙথোকখিবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ তা শরুক য়ারখি । চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরনা রানর্স ওইরকখি । পার্টিসন তৌরিঙৈদা [illegible] শীল্দযা [illegible] মাচিং কম্যারক হন্না শরুক য়ারকখি ।

অতোপ্পা ভেটরান ফুটবোলর শৌগাইজম ললিতকুমার সিংহ, খৌজাক খোজেক মশাগী চহী ৬৯ শুরে । মোইরাংখোম শৌগাইজম লৈরকপীনি । [illegible] কিলপর শান্নরোয় অমা ওইনা ইং ১৯৪৯ দগী শরুক য়ারকখি । মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা তোঙান তোঙানবা মেচ কয়াদসু য়াওরকখি । ইং ১৯৫২ দা মপান কাংলৈবুংদা পাঙথোকখিবা মণিপুর অমসুং মোহন বগান অনীগী এক্সহীবিশন মেচ অদুদসু শরুক য়ারকখি । মহাক রিটায়ার্দ ইঞ্জিনিয়ার (পি এচ ই দি মণিপুর) নি ।

অসুম্না [illegible] হৌবা [illegible] মীচ, [illegible] অমা [illegible] মপান [illegible] [illegible] মথৌ [illegible] [illegible] মোন [illegible] [illegible] শাউনবা [illegible] [illegible] পাল্লা জানুৱারী ২২ দা [illegible]।

অপোকপা [illegible]ফব্রুৱারী ২০০০ ।

মণিপুরগী সনাগী মপারী ময়োমশিং

(মণাশুবা নেসনেল গেমস ১৯৯৯)

এথলেটিক্স: মশাগ্না অসিগী মিটর ১০,০০০ অমসুং মিটর ৫,০০০ গী লমজেন্দা হাওবোক মমাঙ লৈকাইদা লৈবা মশাগী চহী ২৫ শুবা নোংথোনবম গোজেন্না গোল্ড অমমম লৌদুনা বেষ্ট এথলেট ওখি।

মশাগী চহী ১৮ রোমতমক ওইরিবী থোংজু রাইখোং খোংনাংদা পোকখিবী বকফিংতাবম জিবেশ্বরীনা মিটর ৫৩২২ শান্না লংদুনা হেম্মর থ্রোগী গোল্ড লৌদুনা ষ্টেটসিগী ইজজং কনখি।

খোংমন ওক্রম চুখেক্কা পোকখিবা মশাগী চহী ২৭ শুরবা ওকেন ওক্রমনা কিলোমিটর ৪২ শাংবা মরাথোনদা অনৌবা নেসনেল গেমস রেকোদ অমগা লোয়ননা পুং ২ মিনিট ৩২ সেকেণ্ড ৪৩ দা চেন্দুনা গোল্ড লৌখি।

কিলোমিটর ৫০ গী রাকিং রেসতা নাওরেম চাপ্রো অরাং লৈকাই, শামুরোদা লৈবা নাওরেম ব্রজমনিনা পুং ৪ মিনিট ৩৯ সেকেণ্ড ১৭ তা চেন্দুনা ষ্টেটসিগী ইজজং কনস্কগা লোয়ননা গোল্ডগী মপুসু ওইখি।

কিলোমিটর ২০ গী নুপীগী রাকিং রেসতসু যুম্নাম বালা চহী ১৮, হাওরেবী মযাই লৈকাইনা অনৌবা নেসনেল রেকোদ অমগা লোযননা মিনিট ৫১ সেকেণ্ড ৫৬ তা চতুনা ষ্টেটসিগী গোল্ড লৌখি।

নুপাগী জেভলিন থোদা আসামগী কাচার লক্ষীপুরগী মনং চনবা রাপোকপী খুঙ্গংদা পোকখিবা মশাগী চহী ২০ লোমতমক ওাইরিবা মণিপুরগী থৌনাওজম বিক্রমজিৎনা মিটর ৭০৩০ লংদুনা গোল্ড লৌখি অমদি ষ্টেটসিগী ইজজং কনখি।

ফেন্সিং : চৎখিবা নেসনেল গেমস অসিগী অহানবা মণিপুরগী গোল্ড মশাগ্না অসিদা ফংখি। মণিপুরগী অহানবা গোল্ড অদু ক্যামপে অরাং লৈকাইদা লৈবা হাওবম মংলেম্বা মৈতৈ না (২৬) সেবর ইন্দিভিজুঅলদা লৌখি।

মশাগ্না অসিগী নুপীগী ঈপী ইন্দিভিজুঅলদা মশাগী চহী ১৬ রোমতমক ওাইরিবী কৈশামথোং এলাংবম লৈকাইদা পোকপী এলাংবম পীতোনা সনাগী মেদল অমসু লৌখি। নুপাগী ঈপী টীমদা ঐচ সঞ্জয়, চিত্তরঞ্জন টি ঐচ হোলেন অমসুং

ঐচ মংলেম্বনা ষ্টেটসিগী অহেনবা গোল্ড অমগা অমুক তিনশনবা ভমখি । মশান্না অসিমক্কী মেন্স ফোই টীমদসু চিত্তরঞ্জন, সুরঞ্জয়, দীপক অমদি রোনেন্দ্রজিৎনা গোল্ড ফংবা ভমখি।

সাইক্লিং : দিসিপ্লিন অসিগী মিটর ১০,০০০ গী টাইম ট্রাইঅল, মিটর ৩০০০ গী টীম টাইম ট্রাইঅল অমসুং ইন্দিভিজুঅল ইভেন্টতা অনৌবা নেসনেল অমদি গেমস রেকৌদকা লোয়ননা মণিপুরগী চবুংবম রামেশ্বরীনা পুন্না গোল্ড অহুম ফংবা ভমখি ।

মশান্না অসিগী নুপীগী মিটর ১০০০ গী টাইম ট্রাইঅল অমসুং মিটর ৪৩,০০০ গী ইন্দিভিজুঅল পর্সুটতা চবুংবম রামেশ্বরীনা গোল্ড মেদল লৌখি । নুপীগী মিটর ৩০০০ গী টীম পর্সুটতা রামেশ্বরী, এ বীনাকুমারী, জী গীতাঞ্জলী অমসুং তোম্বীসনানা গোল্ড মেডল লৌখি ।

নুপাগী মিটর ৪০০০ গী ইন্দিভিজুঅলগী গোল্ড মেডল মণিপুরগী দী ঐচ জেফরসননা ফংখি । কি. মি ৩০ গী পোইন্ট রেসতা প্রেমজিৎনা মকোংদা [illegible]খি। নুপাগী কি.মি ৭০ গী রোদ টাইম ট্রাইঅলদা মণিপুরগী জেফরসন, ঐচ সঞ্জয়, এন রাজু অমসুং এন বুধা সিংহনা গোল্ড মেদল পুরকখি । নুপাগী কি.মি [illegible]০ গী মাস ষ্টার্টতগী জেফরসননা মহাক্কী অহুমশুবা গোল্ড মেডল ফংখি ।

জিমনাষ্টিক : মশান্না অসিগী ইন্দিভিজুঅল কম্পিটিশনগী নুপাগী রোমন রিং অমসুং ভোল্টিং হোসকী এপ্পরেটসতা মণিপুরগী ওখেনশম জগৎনা গোল্ড মেডল অনী ফংলকখি ।

রেশলিং : নুপীগী ফ্রী ষ্টাইল রেশলিংদা মণিপুরনা গোল্ড মেডল অনী ফংখি। কে জি ৫১ গী কেটিগরিদা মাইবম রমানি অমসুং কে জি [illegible] গী কেটিগরিদা লৈশাংথেম কিরন্না গোল্ড মেডল পোরকখি ।

ফুটবোল : নেশনেল গেমস অসিগী [illegible] নুপীগী ফাইনেলদা মণিপুরগী টিম্না [illegible] গোল [illegible] মেডল [illegible] । [illegible] মণিপুরনা [illegible] লায়থোকপখি ।

ট্রাইঅথলোন : [illegible] নেশনেল গেমস অসিগী [illegible] অমদি [illegible] [illegible] অমসুং [illegible] দা [illegible]খি [illegible] গোল্ড [illegible] মশান্না

কর্নাটকাদা ফেন্সিংগী কোচ ওইখ্রবা

মৈতৈ মচা অমা

রাজ্য অসিগী স্পোর্টস মিনিষ্টর শ্রী এম: হেমন্তনা প্রেস কনফারেন্স অমদা হায়খি, "মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা মপানগী ষ্টেটতা চৎখিবদা নুংঙাইতনীঙাই মরম লেতে" । লমদমসিদগী চৎখিবা শান্নরোইশিংনা অতোপ অতোপ্পা ষ্টেটকী মেদল অমদি মীংচৎ লৌখিবা হায়বসি মণিপুরগী ওইনসু চাওথোকচনিংঙাইনি । মণিপুর অসি তশেংনা অফবা শান্নরোই কয়া পুথোকপা মফম অমনি হায়বসি ভারতদি খোইদোক্না তাক্লিনিঙাই ওইদবা রাফমনি । ৱেট লিফটিং, হোকী, ফুটবোল, আর্চেরী, বোক্সিং, টাইকোন্দো অমদি ফেন্সিংনাচিংবদা মৈতৈমচা কয়ামরুম অতোপ্পা ষ্টেটতা লেদুনা মশা মশাগী মশক তাক্লবা হোৎনরি । ঐখোয়গী মতিক চারবা শান্নরোইশিং অসি পিক্লবা স্পোর্টস দিপার্টমেন্ট অসিদা শান্নরোইশিং তাক্লবা হোৎনরি। ঐখোয়গী মতিক চারবা শান্নরোইশিং অসি পিক্লবা স্পোর্টস দিপার্টমেন্ট অসিদা থবক পনখাং পীবা হায়বসিসু ওইথোকফবা রাফমনি । মরম অদুনা খুদোং চাববু ফঙলবদি মপানগী ফার্ম, কম্পানি অমদি দিপার্টমেন্ট কয়াদা থবক তৌনখিবদা নুংঙাইতানিংঙাই কারিসু লেতে ।

স্পোর্টস মান্ত্রীগী ৱারোল অসি খরগীমখে অচুম্বা যাওরবনু মণিপুরগী হৌজিক লেজারিবা শান্নখোল্পনবগী থাক অসি মুন্না থল্লগদি মযেক শেংবা স্পোর্টস পোলিশি অমা রাজ্য অসিগী ওইনা থম্নগী ওঙাইফদবদি নৈ । শক্তি যাওদ্রবদি থবক অমত্তা লোনা ফানা চঙশিনবা য়াদবা কাদমাসিদা কোবনোটকী থাক যৌদবা স্পোর্টস মান্ত্রিনা বন্দাইফাওবা থবক তৌবা ঙমগদগে হায়বসিসু মীয়ামগী বাহংনি ।

অমরোমদা মশাগী স্পোর্টস কেরিয়ার কয়নবগীদমক স্পোর্টস ওথোরিটি অব কর্নাটকাদা ফেন্সিং কোচ ওইনা থমখ্রবা দেবান ইরোমশনা হায়, 'ফেন্সিং কায়রা মশানা অসিনা মেডেলশিংবু যাওশিনবা পীরা ঙমখাদা ওইখ্রে লেতে । মশানা মাগী কোচ অমদি শীফ হায়বসিগা মেডেলী চাওন কাডোন শরিং শরাপকা নকবা নীর লোনবনা, থাদওই শরিং শরাপতা খুনোইবা অযাম্বা

মৈতৈ মচাশিং ফেন্সিংগা চান্নবা লৈ । অদুবু শান্নবা মখল অসি খুৎলাইগী মপান তাংবা কষ্টমদা শেল য়ান্না চঙবা ওইবনা লাইরবা ষ্টেট মণিপুরগুম্বা শেল য়ান্না চঙবা ওইবনা লাইরবা ষ্টেট মণিপুরগুম্বগী শান্নবোইশিংদদি হৈরুবসু মখা তারকপদা লম্বি লম্মাংনবগুম থোক্কদবা কয়াসু লৈতবা নত্তে 'শ্রী দেবাননা ফেনসিংগা মরি লৈননা ফোঙদোকপা ৱাফম খরা থমলি ।

* করম্না কর্নাটাকাদা কোচ ওইখিবা -

স্পোর্টস ওথোরিটি ওব ইন্দিয়াগী অখন্নবা টিম অমা লাক্কুনা মণিপুরগী থাঙতা শান্নবা পুন্নমক্কী খনগৎলবা ১৯৮৯ দগী নই দিল্লিগী ইন্দিরা গান্ধি ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ট্রেনিং তৌদুনা লৈরকখি । ঐহাক ইশামক ট্রেনি ওইনা লৈজরকখি। রুশিয়ান কোচনাটিংবা থমদুনা অকনবা ট্রেনিং কয়া তৌরকখি । ফেন্সিং তশেংনা মেতৈশিংগী ওইবা গেমনি হায়নীংঙই । শেম্বমখৈ শেন্নুরগা করম্বা জগাদা ঐখোয় ময়াম অমা থমগদগে হায়বসি কোক ভাওবা মতম অমা স্পোর্টস ওথোরিটি বাংক্ল্ম সু লৈখিদবা নত্তে । অদুবু, শান্নবদা, হেন্না থৱাই য়াওবা, শান্নবোইশিংগীদমক স্পোর্টস কোটা চাদা মরি থম্বা ষ্টেট অসিদা ঐগী পাফোমেন্স খঙবীবা খরনা কর্নাটাকাদা লারকপীদমক খঙহনবীরকখি, লোইননা ১৯৯০ গী জানুৱারী ১ দগী স্পোর্টস ওথোরিটি ওব কর্নাটাকাদা ফেন্সিং কোচ ওইনা ঐহাক জোইন্ট তৌজখি। লৌজিক ষ্টেট আসগী নুপীমচা শান্নবোই ১৫ অদুগা নুপামচানা ২০ পুন্না ৪০ ট্রেনিং তৌরি ।

পনবা যাবা ৱাফম অমদি ইন্দংঙা লোইখিবদা ভাইরিবা ৬ শুবা নেসনেল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা কর্নাটাকাগী নুপা অমসুং নুপীগী টিম্না টিম চেম্পিয়ন ওইখিবা অসি ইবোম দেবানগী অচোবা মাইপাকপা অমনি হায়না ফেন্সিং কোচনা ফোংদোকনমখি ।

* অতোপ্পা ষ্টেটতা কোচ ওইবদা ফাওরকখিবা ৱাখল -

[illegible]গী ষ্টেটতা ফেন্সিংগী । [illegible] চাবা মফম [illegible] নরকাব[illegible]

[illegible] শান্ন[illegible] ময়াম অমা [illegible]নবগী থোরাং তৌবা [illegible]

[illegible] মংফম কর্নাটাকা ষ্টেটং শান্ন[illegible] [illegible]নবা [illegible]

[illegible] টিমদ [illegible] খরা [illegible] থোং [illegible]

[illegible] থোংং [illegible]কী হৌশংবা পুং [illegible]

মৈতৈ মচাশিংনা শাথিনা হেল্লি । ঐনা লৈরিবা জগা অসিদা বেঙ্গলোরদা লাইরিক তম্বা মৈতৈ মচা খরদি থওইনা ফেন্সিং তম্বা লাকই । মণিপুরনা খরগীমখৈ ইনাকখুনবা ষ্টেট ওইরল্লগদি মৈতৈ মচা ফনা য়াম্না ভারতকী ওইনা মীংচৎ পুরকপদা অচৌবা মতেং ওইরমগনি হায়নিংই ।

* মণিপুরগী হৌজিক লৈরিবা ফেন্সিং এসো:গী মতাংদা -

ঐহাক মার্চ ৮ দা ইম্ফালদা থোকচরকপনি । মার্চ ২০ ফাওবগী ছুটি পৌরগা লাকচবা অসিদা ইরমদমসিগী ঈ পাউ হাৎন শুনবা ময়াম অমসু তাজরে। লোইননা ফেন্সিং এসোসিয়েসনগী মতাংদা চয়েৎনবা কয়াসু পাউ তাজরে । ইশামক শান্নরোই ওইজরিঙৈদো থেঙনজখিবা নুংঙাইতবা কয়া নীংশিংলক্লগা হেন্না নুংঙাইজদে । এসোসিয়েসন্দা মুকবা থোকপা হায়বসি শান্নরোইশিংদদি হেন্না খুদোংথিবনি । মরম অদুনা সরকারনা অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা শিলহল্লনিংই। মুকবদা মাঙজগদোরিবসি এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট নত্তে, সেক্রেটরিদা নত্তে, প্লেয়ারদনি । মসি থুনা লোইশিলহনবীবা চুমই ।

কর্নাটাকাদা থেংনরকখিবা এক্সপিরিয়েন্স অমদি মখা তাবা রাখল কর্নাটাকা ষ্টেটতা ৪ শুবা নেসনেল গেমস পাংথোক্কনি হায়বসিগা মরি লৈননা, মমাং চহিগী মে থাদগী হৌরগা চয়োল তরুক চুপ্পা ফেন্সিং কোচশিংগী ওইবা ট্রেনিং কোস অমসু পাঙথোকখি । কোর্স অসিদা নেপালদগী ১, শ্রীলঙ্কাদগী ৬, মালদিপ্সতগী ৬, পুন্না ১৩ সু শরুক য়াখি । ইন্দিয়ান ওলেম্পিক কমিটিগা খুৎশয়দুনা শিনখিবা কোচশিংগী ওইবা কোর্স অদুনা ষ্টেট অসিদা অচৌবা শাফু অমা পীবা ঙমখি । মফমসিদা লৈনা লৈনা ইরমদমবু খক কাওবা লৈতে । খুদোংচাবা খরদংবু পীবিরবদি হৌজিকসু খুদক্কা মণিপুরদা লাকীংই । অদুবু হৌজিক লৈরিবা ফীবমসিদা লাক্কবদি ঐসু কাম্ম থাঙ তাদুনা লৈবা তাবনি । মীরমদা লৈজরবসু ঐখোয় মণিপুরগী ফেন্সরনি হায়বসি মীয়াম্না খঙনবা ঙাক্কনি । হৈজরুরিবা বিদ্যা অসিগী খল্লগা, মতম খরদি কর্নাটাকাদা লৈখিগদবা মাল্লি । মফমসিদদি চপ চাবা ইকাইখুন্নবা অদুমক ফঙই হায়না খল্লে ।

ইরোম দেবান, নোংমৈবুঙ ওল চেক্কোন বজার মনাক্কগীনি । মশাগী চহী ৩০ রোম শুরে । ইরোম ঘনাশ্যাম সিংহ অমদি শ্রীমতী ইবেতোন দেবীগী মচা মাপল (নুপা মঙা নুপী মরি) গী মরিশুবা মচানি । মণিপুরগী শক্লাইরবা ফেন্সরশিংগী মনুংদা ইরোম দেবান অমনি । মশাগী হোৎনজমন, হনবা নাইদবা থৌনা কয়াদগী

ভসিদি কর্ণাটাকা ষ্টেটকী মমিং লৈরবা ফেন্সিং কোচ ওইনা থৌ পুদুনা লৈখ্রে ।

অথৌবা, এপ্রিল - ১৯৯৭ ।

*****

ডি গ্রেড ইন্ডিয়ান ব্রিমিনস রাফটিং ভোয়েজ '৯৪ দা মৈতৈ চনুরা অহুম

চাওখৎপগী খম থেংবা ভমখে য়োরক্লবগুম খন্নরক্লবা মতম অসিদাদি হিরম খুদিংমক্তা নুপাগীনি নুপীগীনি হায়বা পনখে অমা খন্নরক্তে থমফমসু থোরকত্রে। নুপীনসু থা কারে । অদুবু ভারতকী ওইনা য়েংলুরগদি নুপীশিংগী ফিভম অসুক্কী মতিক হন্থবা মীংয়েংদা য়েংবিদুনা থম্বিরী হায়র্বাস ঐখোয়গী মীংয়াঙদা নুংতিগী থোক্লিংবা থৌদোক রাথোক কয়ানা খুদম পিদুনা তাকচরবা রাফ্লিন্ন । মমা ওইবীশিংগী গর্ভনুংদা তাইবং মঙাল ফংনবা মীহুন হুনখ্রবা থরাই কয়া কয়া, বিজ্ঞানগী মতেং লৌদুনা নুপীনি নুপানি হায়বা খঙদোক্লগা নুপীনেবু হায়র্বদি মরু-ফুরু মাংহন্নবগী রারীনা কোন্সাই অমা, কন্নিসু লৈতবা অউনপোং খরগীদমক মীনুংশি খঙদনা হাংতোকাপিবগী রারীনা কয়া কয়া, নুপী ওইব্রিবশিংদি খরাই থোন্সাল রাংম লালহৈদে খন্নদুনা চাওখৎপগী মঙাল ফংহন্নিদনা ফক্লাং মরিগী অকোইবদা লোয়শিনহল্লীবা মপুন্সি কয়া; অসিংঙল্লবা তুহংপিবা নৈহংপিবা হন্থনা য়েংবিবা ঙাক্তনা থল্লবা নুপী ওইবীশিংগী পুন্সি রারীদা অনৌবা পাওজেল পুবা রারী অমা হন্দক্তা হৌখিবা সেপ্তেম্বর ৯ দগীনা ওক্টোবরগী ১৭ ফাওবদা মথৌনা মরিংজেল লৈরবী ভারতকী চনুরা ১৭ না লিখ্রে।

নুপাগুম নুপীসু মীওইবনি, নুপা-নুপী খেন্নবা লৈতে, নুপাদা চেন্বা শক্তি-গুণ খুদিংমক নুপীদসু চেল্লী, নুপীবু হন্থবা মীংয়েংনা য়েংবিগনু হায়বা শেংলবা পাওজেল অসিনা মাং ওইনরগা, অমরোমদা হিন্দুশিংগী শেংলবা গঙ্গাগী ঈচেলদা অমৃত চেল্লবা ঈশিং চেন্দ্রে অমোং অকাই, ফত্তহৌদিনা থল্লে হায়না মীয়ামদা তারুবা ওইনা ভারতকী চাওরবা লনাই কম্পেনি "তাতা ষ্টিল" না অচৌবা শেল্লাং পুথোক্লবা

মতুংদা অতৈ অৱাং অপা কয়ামুক অমনা অতোম্পা লনাই কম্পেনি "স্বাষ্টিক ৰবৰ" গা ভারতে সরকারগী "ডিপার্টমেন্ট ওব য়ুঠ এফিয়ার্স এণ্ড স্পোর্টস" অনীনা মেনখতুনা শিনাখিবা থৌদোক অসিবু ভারতকী নুপীগী ইতিহাসতা অহানবা ওইনা 'ডি গ্রেট ইন্দিয়ান রিমিন্স রাফটিং ভোয়েজ ১৯৯৪ হায়না ময়েক শানা হশিনহোৱে।

"ভোয়েজ" (খোঙচৎ) অসি গঙ্গা তুরেলগী ইচেলদা "রাফট" হায়না খঙনবা ৰবৰদা পুংশিং কামশিন্দুনা শেম্বা হি মখল অমদা ভারতকী তোঙান তোঙানবা মফমদগী খনগৎলবী মখোয় ১৭ না, সেপ্টেম্বরগী ৯ দগীনা ওক্টোবর ১৭ ফাওবা পুম্না নুমিৎ ৩৯ নি চৎনা পুম্না কিলোমিটর ২০০০, হি হোন্দুনা লাকখিবগী থৌদোক। মখোয় ১৭ কী লুচিংবীনা, নুপীশিংগী মরক্তগি খ্বাইদগী ইহান হান্ন হিমালয় চিংগী "মাউন্ট এভরেষ্ট" কারুবী বাচেন্দ্রী পালনা ওইখি। কর্ণাটকদগী ১, বেঙ্গলদগী ৩, হিমালয়দগী ৪, হিমাচল প্রদেশতগী ৩, ইউ.পি.গী ঘরৱালদগী ৩ অদুগা মণিপুরদগী ৩, পুম্না মখোয় চৎপী ১৮ গী মথক্কী নুপী ১৭ কি খোঙচৎ অসি উত্তর প্রদেশকী হরিদ্বারদগী হৌরকখিবনা কলকত্তাগী "মেন ও-বার জৌও" হায়না কৌবা হাম্বাগী হিখাংফমদা অশোয়-অতাম য়াওদনা খুংলখীবগা লোয়নবা মাই পাক্না লোয়শিনখি।

অসিগুম্বা অশেংনমক হৈতিহাসিক ওইৱবা, নুপীশিংগীদমক অহাম্বা ওইরিবা ভারত পুম্বগী ওইবা খোঙচৎ অদুদা ঐখোয়গী পিক্কবা মণিপুরদগী মেতৈ চনুবা অহুম্নসু শরুক য়ারুদুনা মণিপুরগী মিংচৎ শরোং য়ুংলুবসি খোইদোক্না লেমজনিঙাইনি।

মণিপুরগী ওইনা চাওখৎলকচনিঙাই ওইবী চনুবা অহুম অদুদি

১ কুমারী ৰন্ধোনী দেবী খোংমন পণ্ডিত লৈকাইদগীনি, শ্রীকেশাম চাওবা সিংহ অমসুং শ্রীমতী মধুমতী দেবী অনিগী মচা তরুক্কি ইতোন তোম্বীনী। লৌরিঙৌদা জংলো চাইকুন্দোনাচেংবা মশাম্না কয়াদা মথৱাই য়াওরকখী। অদুবু কোম্নাদ চীং কাবগী লমলোনদা চেংশিনকখীদুনা ১৯৮১ দা "হিমালয়ান মাউন্টেনরিং ইন্সটিটুট [illegible]" দা চীং কাবাগী লেনিং [illegible] ফংলুববা মতুংদা ১৯৮০-৮৩ দা, বাচেন্দ্রী [illegible] মাউন্ট এভরেষ্ট কানবা শেম শাবা [illegible] শরুব [illegible]

[illegible] ৰন্ধোনী [illegible] ১৯৯৭ দা মণিপুরগী স্পোর্টস [illegible]

[illegible] (উমথং [illegible]) [illegible] থাকং [illegible]

[illegible] শামখোৎলবগী [illegible] মখাদা [illegible]

[illegible]

"রাটর স্পোর্টস" (ঈশিংগি শান্নবা খুংশান্নশিং) কয়াবু হৌদোকরক্লুনা য়োকখৎননবা অমদি মতাং মতম চানা নৌরিবী শান্নবোই কয়াবু লমজিং লমতাকপিহৌবা হায়বসিনা কুমারী রঞ্জোনীগী অচেৎপা পুক্নিংগী অপাম্বা ওইরি । মথক্তা পঙ্গখিবা গঙ্গাগী খোঙচৎ অসিদা শরুক য়ারুনবা হিমাচল প্রদেশকী পোংদামদা লৈবা "রিজনেল রাটর স্পোর্ট সেণ্টর" না মহাক্কী থোইদোকপা মতিক মগুণশিংদা থাজবিদুনা লমজিংবিরকপদগী, মশামক্তা হোৎনজদুনা "টাটা ষ্টিল" না খল্লকখিবনী। খোংচৎ অদুবু শরুক য়ারুনবা কুমারী রঞ্জোনীনা মণিপুরদগী খোঙশানখীবদা করিংগুম্বা মাইকৈ অমত্তদগী শেলগী মতেং ফংখীদে, মরম্মাই পুখোকচদুনা চৎখী।

২. কুমারী য়ুম্নাম নোলিনী দেবী, লৈকাইনা শানৌবী হায়রগা হেন্না খঙনৈ, খোঙনাং থৈদেকেপি অহৈবম লৈকাইগী শ্রী কুলচন্দ্র অমসুং শ্রীমতী মেম্মা দেবী অনিগী মচা তরেৎকী মনুংদা মহাক্তা অমুলনী। জি পি উইমিন্স কলেজদা টি ডি সি অসুমসুবা চহীগী ছাত্রীনী । মহাকসু কুমারী রঞ্জোনীগুম গঙ্গাগী খোংচৎ অদুদা শরুক য়াবা ফংখিবিনী। "রাটর স্পোর্টস" পু মণিপুরদা য়োকখৎপা লোংজা কুমারী ঈশিং মরাং কাইবিঙেদা মণিপুরগী তুরেলশিংদসু গঙ্গাগী খোঙচৎ [illegible] নুপীশিংগীতা ওইনা শাংগোরকপা থামদ্রবা। ঈশাংগী খুংশান্না খরগা [illegible] [illegible] মতে [illegible] কয়াবু ইণ্টরনেশেনল থাক্ত শানবদা শরুক য়াবা [illegible] [illegible] লায়বগাচংবা কয়া অমনা কুমারী নোলিনীগী [illegible] রাখলনী।

৩ কুমারী য়ুম্নাম মঙ্গুরী দেবী কেশামথং খোকখোং লেইকাইদগী [illegible] [illegible] অমসুং শ্রীমতী [illegible] দেবী অনিগী মচা [illegible] [illegible] [illegible]। কলেজদা টি ডি সি অসিগী চহীগী ছাত্রী [illegible] । নৌবদোম [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। গঙ্গাগী খোঙচৎ অদুগীদমক শান্নবোং [illegible] [illegible] "[illegible] [illegible] [illegible]" না মণিপুর মাউণ্টেনিয়রিং [illegible] ট্রেকিং এসোসিয়েসন' দা খঙহনকখিবদা এসোসিয়েসন অমনা কুমারী মঙ্গুরীবু [illegible] খোঙচৎ অমদা শরুক য়াকুনবা খাগৎখিবনি। কুমারী মঙ্গুরীগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পুক্নিংগা অনৌবা থৌনা [illegible] [illegible] থোদাং কয়া য়াম্না [illegible] [illegible] হায়বনিনি।

রঞ্জোনী নোলিনী অমসুং মঙ্গুরী, মেতে [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] খনগৎনবা নুপীজা ১৭ কী মনুং চন্দুনা গঙ্গাগী খোঙচৎতা শরুক য়াব ফংংবসি [illegible] থোইদোক্লাই ওইতে। মণিপুরী মরু ওইনা [illegible] [illegible] [illegible]

শান্নখোংনবগীদমক্তা থোইদোক্লবা ঈচেল অমা শোয়দনা য়াওরে হায়বসি, ঐখোয়গী কুঞ্জরাণী, লিম্বোইঙম্বী, মাইপাক, নিলকমল, থোইবা টিকেন, সান্তিকুমার কয়া-কয়ানা তাক্কুনা লাক্লিবনী। অদুবু লুরিবদি মখোয়শীং অসিবু করি-করম তৌনা, কনা কনাদগী করম-করম্বা মতেং ফংদুনা, করম্বা মখলগি খুদোংচাবশিং ফংনদুনা মাগী মাগী লমদা তোমথিল ওান্নরক্লিবনো হায়বসিমদি ঐখোয় অয়াম্বনা খন্থনদবগুম তৌরিবা মওং অসিনি। অরোইবদা থমজনিংবা য়াফমদি, ভারত শিম্বা থুংনতা নওনা পৃথিবী পুম্বদা ভারত নুপীগী শক্তমবু অরাংবা থাক্তা পুখংপদা শরুক য়াকুরবী মণিপুরগী মৈতৈ চনুরা অহুম রঞ্জোনী, নোলিনী, মঞ্জুরী, মখোয় অহুম অসিবু মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমশিং অসিদা কয়া কুইনা মতিক মথৌনা ফুদোকচবা ওঙ্গখিগদগে ? য়াফমসিমদি ঐখোয় খুদিংনা ঐ অমদি ঐগী পুন্সি হায়বা মীংয়েংদগী খৈদোক্লদুনা য়েংনরগা খন্ন নৈনবগি মতমদু থিনমন্নে হায়জনিংই।

সনখোঙ, দিসেম্বর - ১৯৯৪ ।

*****

মণিপুরবু মালেমদা শক্তাক্লিবী

লিম্হো

মতম খরগি মমাঙদদি মৈতৈ ঐখোয়না 'লিম্হোইঙম্বী' হায়বা মিংসিবু হেক তাবদা, খৃঃ ১৪৩২ ৬৭ তা পানখিবা মৈতৈ নিংথৌখোম্বগি লৈমা, নিংথৌ ক্যাম্বাবু পোকখিবী 'লিম্হোইঙম্বী'.... মপুরোইবা লৈত্রিঙৈ, মৈতৈ ফম্বাল ঙাকখিবী, মৈতৈ লৈমা অথৌবী মাবুতবু খঙনরম্বনি। অদুবু ঙসি খৃঃ ১৯৯৪ সিদগিদী 'লিম্হোইঙম্বী' হায়বা মিং অসিনা অদুঙৈগি মৈতৈ লৈমা অথৌবীদুতা নত্তনা, মশাগী চহি শুপ্পগি ১৪ তমক ঙাইরিবী ওইদুনসু, থোইদোক হেন্দোক্লবা মতিক-মগুণ কয়ানা লেতেংলবী, পৃথিবী শিনবা থুংনা মৈতৈ লিংজেল উৎলুরবী, মণিপুরবু মালেমদা শক্তাক্লিবী, মৈতৈ শান্নবোই, চনুরা লিম্হোইঙম্বীবুসু খঙনরে।

খৃঃ ১৯৮০, ফেব্রুৱারি ২০। লমশাঙ বজারগি অৱাং নোংচুপ পাংবদা চংশিলগা লৈবা চীংলক্কী তম্পাক মচা 'উকাশোয়' । পুন্সিগি হিংনবা নানফমদা, অৱা পোৎলুম পুমিন্না, নুঙাই শরুক য়ামিন্না হিংমিন্নরীবা শ্রী সোরাইশম মঙলেম সিংহ অমদি শ্রীমতী সোরোজিনী দেবী অনিগী য়ুম্বানমিন্নবগী পুন্সিদা, নুমিত্তুদা থোকখিবা বসন্তগি হি য়ায় পুরক্লবা সনা মচুগি নুমিংকি মশেক্তা অনৌবা পুন্সিগী আশা পিবিরম্মী। নুমিত্তুদা শ্রীমতী সোরোজিনীগী গভদগী 'লিম্হোইঙম্বী' তাইবং মচাল ফংখী।

'ঐখোয় অনিনা লৌবুক্তা লৌরাং শুরিঙৈদা ইবেম্মনা ঙাহৌ ঙাহৌ পিক্লবা লৌরিদা চেল্লকখীবদা, ঐখোয়না তুশিল্লদ্রা হায়না পাখৎচদুনা ঙাং-শকখীবা কয়া..ইবেম্মনা লৌরিদা তফি তফি চেল্লকখীবদা অমুক্তসু তুশিনখীদবা কয়া... ময়ামদু হৌজিক্তা নিংশিংলক্লগা শুম খঙ্গবদা, ঐখোয়না পামজবগী ৱা ঙাক্তসু নত্তনা মঙোন্দা লমজেল চেনবগীদমক ঈশ্বরনা করিগুম্বা খরদি পিবিরকপদুম খঙ্গরিবনী,' হায়বা মোমোন চেন্বা ৱাহৈশিং অসিনা শ্রীমঙলেম অমদি শ্রীমতী সোরোজিনী অনিনা, মচানুপী কোকহন লাইহুন লিম্হোইঙম্বীগী ওইরক্লীবা মতিক মগুণশিংদা থাজবা ফোংদোক্লকই।

হৌজিক হৌজিক লিম্হোইঙম্বী, মোম্বা অমা, মনাওনুপী অনি পুন্না মখোয় মচিন মনাও মরি মমা মপাগী য়ুম লমশাঙদা লৈ। *সনথোঙ*গি কাঙবুনা মহাকপু

উনবা চংশুবদা, মৈতৈ নুপী মচা অমা ওইবগী তরু-তরুবা ফনেক শেং, ব্লাউজ অমা লিং তরু তনান ইচম-চম্না ময়ুমদা লৈরম্মী। হেক উবদা জাপানী মান্না, নোকমী-নোকমী মাইথোং চেন্নী ইচম-চম্বী নুপীমচা অমা ওইনা উই। অদুবু ব্লারী ব্লাতাই শানমীন্নবা কান্দদি মশাগী য়াওজ্রবা মতিক-মগুন খঙহৌদনা কাপথোকচরকপা থেংনৈ।

'ঐবু নুংশিবীদুনা উনবা লাকপিখীবা মীওই খুদিংমক্তা ঐঙোন্দা করম্বা মতমদাগী লমজেল চেনবা হৌরকখীবগে হায়বসি হেক্তা হংবী। অদো, ঐদী, ঐনা অঙাং অমা ওইনা হেক নিংশিংবা থোকপদগী অদুম চেন্দুনা লৈরক্লে। করম্বা মতমগী হায়দুদি খঙদে। ঐগী ইমাগা পোকমিন্নবা মাম্মা, ঐগী 'কোচ' সু ওইবিরিবা শী টোম্বেং প্রিয়োব্রতসারনা তাকপিবদদি, ঐ ইশাগী চহি ৬ মুক শংরকপদগিদী তশেংনা লমজেল চেনবা তান্নবদা শরুক য়ানবা প্রাক্টিস তৌবা হৌরে হায়।' হায়বসিনা লৌথোকনা হংখিবা ব্লাংগী পাওখুম ওইনা নোকমী নোকমী টাং লেম্না খুমরকখিবা লিংথোইঙম্বীগী ব্লাহৈনি।

মশাগী চহি ৬ শংরকপদগিদী স্পৈট লেজেলদা শাংথোককপা কম্পিটিসন কয়াদা লায়না শরুক য়াবা হৌরকখিবনা ঙসিদি, এশিয়া অমসুং অলেম্পিক লমজেলদা, লিংথোইঙম্বীনা মণিপুরবু পাংথোকপা শক তাকপা ঙম্লে।

লিংথোইঙম্বীবু পোকপী সোরোজিনী পোকমিন্নবা শী পিয়োব্রতসার সেন আর. খন। মা লিংথোইঙম্বীবু ইহান হান্না লমজেল-লমতাকপির মনি। পিয়োব্রতসারনা লিংথোইঙম্বীবু মশাগা মায়োকনবদা থাবদুনা চেনগা লোন্নবীনা নাওদে মশামক্তা মতম অমদগী লেজেলগী ময়াদা লমজেলগী এথৈ অমা ওইবনা ভাব তানা, লৈরিবী লিংথোইঙম্বীগী মশাদা লেপ তোকপা মতিক বয়া লৈবা ঙম্বদগী, মশক নাইবা শান্নরোই (স্পোর্টসমেন) অমা ওইনা লিংথোইঙম্বীবু পুথংলক্লবা থৱায় মথোং য়াংনা হোৎনখিবনি। মখোয় অনিগী অহান্না প্রাক্টিস তৌকম শান্নবগুনা দরিলোক কাংচুপ লম্বীগী মাতাং, লমশাং স্মাল টাউনগী মনুং চান্না লৈবা খুদেবম মপাক লায়বাসিদা ওইরকখি।

লিংথোইঙম্বীবু পোকপী পোকপা অনিশু শান্ন থোকনবদা খরায় যাওজনা হোৎনকপা মীওম ওইনখিনি। মতম অমদা মখোয়না পঙ্গাম্বিবা খুদেবম লম্পাক অসিবু সরকারগী লম ওইনা লৌশিন্নবা হোৎনরকখিবদা, লৌশিন্না য়াদে খুনগী শান্নবুং ওইনা থম্মাদ্রবা মায়বাগী অকম্বা লমশাঙ লমগী প্রজাশিংগী থোউজংদা

অচৌবা থৌদাং য়াখিবা মীওইসু ওই। মসিগি মতাংদা শ্রী মণ্ডলেন্না জেলদফাও চণ্ডলুবগি ৱারী ঐখোয়দা লিরকখি।

-"পিক্লিডৈদগী হৌনা মমান্নবীশীংগা মান্নদবা খরদি অদুম উরক্কে। পিশক পিক্লিভৈদগী হৌনা পোবি-পশ্বিবদা মশানা কয়া য়ারক্কে। অয়াম্বা মতমদা মখন্তা থাদোক্তুনা শান্নহল্লিমখে হৱাওদুনতা লৈখী। মানা শান্নরিঙৈদা পম্ন-লাক্কুৰবদি ৱান্থ-ৱান্থা হেক্তা কপখিদুনা খেন্নবকা ওন্নদে। অদুগা য়ান্না ওক্না খোকখিবা অমনা মহাক্না শুপ্পগি থা ৮ তমক শুরকপদা হৌগত্তুনা চৎপদি লায়রদনা কোইচেন চেনখিবনী, মদুদা লৈকাইগী ময়ান্নসু ওক্না হায়নখী। অফ-ফত্তা মথোং খণ্ডিঙৈদা ময়ান্না অঙাংসি মওং অমদি শোয়দনা তৌৰনিসে হায়নবিখী। পুন্নমকশিং অদু ওসি মানা লমজেল কন্না চেনখংলকপসিদা নৌহৌননা নিংশিংহল্লে।" মসিনা শ্রীমতি সোরোজিনীগী, মণিপুরগীতা নত্তনা ভারতকী ওইনা তুংগি আশা কয়া থম্লিবী মচানুপী লিম্হোইঙম্বীবু নুংশিনা য়েংজরগা ঐখোয়দা তমজরকপা পাওদান্নি।

লিম্হোইঙম্বী, মশাগী চহি ৩ শুরকপা মতমদগি লমশাঙদা লৈবা, মমা পোকপা মপুগি ময়ুমদা হায়বদি মাম্মা প্রিয়োকুমারগি মনাক্তা লৈরকখী। মসিমক্তসু মহাক্কী পুন্সিদা লমজেল্লোই অমা ওইরকপগী অচৌবা মরম অমসু ওইখি। মাম্মা প্রিয়োকুমার মতম অদুদা এথলেটিক্সকি নেম্নেং প্লেয়ার ওইরম্বনা, নোংজু নুংশা খাংদনা খুঁদৈবম লম্পাক্তা কন্না নুংতি নুমিৎ খুদিংগি প্রাক্টিস তৌখিবা মর্তান্নি। মতমদুদগি হৌনা পিক্লিবী লিম্হোইঙম্বীসু মাম্মাগি মতুং ইন্দুনা কোইচেন চেনবা হৌরকখি। খঙহৌদনা মাম্মানা তাকপিবা ইচম চম্বা টেক্নিক খরনা লমজেলগিদমক পোক্কক্লগী মহাক্কী মফমদা চুশিন্নখিদুনা, মশাদা য়াওজরক্লবা লমজেলগি মতিক মগুণ কয়া, মশাগী চহি ৬ শুরকপা মতমদা মীয়াম মাঙদা উংথোকচবা ওন্নকখী।

হৌখিবা ১৯৮৬ মণিপুর স্পোর্টস ক্লব, কাক্চিপুরনা পাংথোকখিবা 'অহান্না ইম্ফাল মৰাথোন, ১৯৮৬'তা মপুন্সিগী ইহান হান্না ওইনা কি মি ২০ দা চেন্দুনা শরুক য়াখি। মৰাথোন অদুদা ৭ শুবা পোজিসন ওইখী। লোয়ননা খ্বাইদগী চহি নোরিবী শান্নরোইসু মহাক্না ওইখী। মতম অদুদা মহাক্কী চহি ৬ মপুং ফারকপদং ডাইরী। নুমিৎ অদুদগি লমদম অসিগী শান্নববু নুংশিজবা মীওই কয়ানা ঙাঙকপা অমগা লোয়ননা লিম্হোইঙম্বীবু শক খঙবা হৌবতা নত্তনা তুংগিদমক অচৌবা আশা কয়াসু থন্নবা হৌখী।

মতুংদদি ষ্টেটকী ওইনা পাঙথোকপা অশাংবা অমদি অতেন্বা লমজেলশিংদা

শরুক য়ারক্নুনা, লিম্নোইওম্বীবু মণিপুরগী মীয়ান্না শকখঙনরকখী। লোয়ননা নৌরিবী লিম্নোইওম্বীবু 'স্পোর্টস ওথোরিটি ওব ইন্দিয়া, ইম্ফাল ব্রাঞ্চ' না লৌশিন্দুনা হোস্টেলদা থমখি। মতমদু মহাক্কী চহি ৮ শুবতা ভাইরি । অদুগা হোস্টেলদুদা লৈখিবা শান্নবোইশিংগী মরক্তা মহাক্না খ্বাইদগী অভাংসু ওইখি।

'সাই'দা লৈরবা মতুংদগীদি, সাইগি অফাওবা কোচ কয়ানসু লিম্নোইবু অকন্না ট্রেনিং পিবা হৌরকখি। মদুদা জ্ঞান তারক্কবা মতাংদা লিম্নোইওম্বীনা মহাক্কী মাম্মা প্রিয়োকুমারগি মনাক্তা লাক্লুনা কুপ্না হেক্তমক হংজখী। অশাংবা লমজেল করন্না চেন্না হৌরগনি, অতেন্না লমজেলদনা করিনা হেন্না মরুওইবগে হায়বনচিংবসি লিম্নোইওম্বীগী পিক্লবা মকোক মচানা তত্তনা খল্লকখী। অদুবু মহাক্কী মঙ অয়াম্বদি-লাম্বা তৌনবা, লৈজবী থৌনা মখে পুথোক্লুনা মাঙ থানবা চেন্না হায়বসিনা মাঙওইনরকখী।

১৯৮৯ দগীদি 'নোর্থ ইষ্টর্ন স্পোর্টস ফেষ্টিবেল' নচিংবদসু তত্তনা শরুক য়াবা হৌরকখী। জুনিয়ারগি থাক্তা মহাকপু মাইথিবা পিবা ঙম্বসু থোক্লকখিদ্রে। মসিগি মতাংদগীনি মহাকপু ভারত শিন্না থুংনা 'মণিপুরগী এথলেটস লিম্নোই' হায়দুনা পাক-শন্না খঙনরকখিবসি।

লেপ্তুনা শান্নরকপগি মহৈ ওইনা, ১৯৯২ দগি নেশ্নেল জুনিয়ার চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াবা ঙম্নকখী। লৈকুৎ লৈতোং মরক্তা চেল্লম্বদগী 'সিন্থেটিক ফিল্ড' দা অহান্না ওইনা চেন্নদা মঙোন্দা হৈনদবা ফাওখি । তারং মালংদা চেন্নদৌনা ইভাও ভাওখি । হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা মহাক্না মরিশুবা তাখী। মিটর ৩০০০ গী লমজেল অদু মহাক্না মিনিট ৯ সেকেণ্ড ৪৯ দা চেনখি ।

হৌখিবা চহি, ১৯৯৩ দদি টুর্ণামেন্ট, চেম্পিয়নশিপ খরতমক শরুক য়াখি। এসিয়া মহাদেশকী জুনিয়ারগী ওইবা চেম্পিয়নশিপ কয়াগী আশাদা নোংজু নুংশা, অব্রা অনা খিদনা কন্না হোৎনদুনা লৈখি ।

লিম্নোইওম্বীগী খ্বাইদগী ফবা প্রাক্টিস তৌফমদি লাঙ্গোল চীংশাং পবেং খুমন লম্পাক অমসুং মপাল কাঙজৈবুংদনি । হৌজিক্তি খুমন লম্পাকসু ষ্টেডিয়ম লোইশিন্নগা মরী লৈননা প্রাক্টিস তৌবদা অব্রাবা অমা ওইরে । অদুনা চীংলৈবাক্তা পোকপগীনি চীংলৈবাক্তা চাওবিনী খন্দুনা ইরোইশেম্বগী চীংচেঙ্গী চেল্লক্নগা লাঙ্গোল চীংশাং পবেং অসিদা হঙ্গৎ-হন্দা প্রাক্টিস তৌরি । ভর্সাদি অনান্না সিন্থেটিক্টসু হৈনরে। মমল অয়াম্বা, য়োৎপি অমদি বুট ফাওগৎ-ফাওদ তৌদবা অয়াংবা স্পাইটকি

খোঙউপ অমত্তং উণ্ডুনা চেনবা ঙম্নবদি হায়দুনা কন্না শোল্লী।

অরোইবদা, লিম্মোইঙম্বীনা চৎলিবা চহি, ১৯৯৪ দা শরুক য়ারুবা অমসুং ফংলকখিবা পোজিসনশিংগী মতাংদা পঙ্থরবদা -

১. মার্চ ২৬, হঙ্গেরি, '২২ শুবা ৱার্ল্ড ক্রোস চেম্পিয়নশিপ' তা মণিপুরদগী জুনিয়ার এথলেট ওইনা, ভারতকী ওইনা শান্নরোই ১৬ চৎপদা মথন্তা য়াওখী। লমজেল্লোই ৭০০ লোন্না শরুক য়াখিবা, কিলোমিটর ৮ লোম চেন্নগি চেম্পিয়নশিপ অদুদা চেল্লকপা ঙমখিবী শান্নরোই অহান্বা ১০০ গি মনুং চনখী।

২. মে ৫ দগিনা ১৫ ফাওবদা মালেসিয়াদা পাঙথোকখিবা 'এসিয়ান জুনিয়ার এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ' তা শরুক য়ারুই লৈবাক ১৫ না শরুক য়াখিবা চাংদম্নবা অদুদা মহাক্না মিটর ১৫০০ গি লমজেলদনা মিনিট ৪ সেকেণ্ড ৩৮.৯৫ দা অদুগা মিটর ৩০০০ গি লমজেলদনা মিনিট ৯ সেকেণ্ড ৫৬.৬ তা চেন্দুনা অনৌবা রেকোর্ড থম্বগা লোয়ননা লমজেল অনিমক্তা স্নাগি মেডল লৌরকখী।

৩. মে ১৮ দগী ২৯ ফাওবা, চাইনিজ টাইফৈদা পাংথোকখিবা 'ইন্তরনেস্নেল ফ্রেণ্ডসিপ এথলেটিক্স মিট'তসু ভারতকী এথলেটিক্স শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারুই। হায়রিবা মিট অসিদনা মিটর ১৫০০ গি লমজেলদনা ৪ শুবা অদুগা মিটর ৩০০০ গি লমজেলদনা অনিশুবা মনা লৌরকখী।

৪. লোয়ননা চহি অসিগি জুলাই তাং ৪ দগী আগষ্ট ২ ফাওবা শুইডেন্দা চৎথোখিবা কোচিং কম্পিটিসন অমদসু শরুক যারুই। মসিদদি রাধামনি অমসুং গোজেন সিংহ কৌবা মৈতৈ মচা অনি অমগসু শরুক য়ারুই।

কম্পিটিসন, কোচিং, চেম্পিয়নশিপ কয়া কয়াদা শরুক য়ারুবা অমদি মালেমগী মফম কয়াদা মণিপুরগী শক্তম উৎলুৰবগী মতুংদা, হৌজক-হৌজিক্তি লিম্মোইঙম্বী মরমদমদা, মমা-মপা মরুপ-মপিজীশীং মরক্তা লৈরি । ক্লাস নাইন্দা তম্লিবী লিম্মোইঙম্বীবু শান্নবনা লাকশিনখিদুনা লাইরিকলোমদা শোয়বা তারে খঙ্গদুনা ইমুং মনুংনা অয়ুক-নুংথিল খাক্তনা কন্না হোৎনহল্লি। শান্নবদা থাদরিবা থোনা অদুমক লাইরিক-লাইশুদসু পিনবা, লৈকাইগী অহল লমন কয়ানা তক্তনা পাওতাক পিরী। তশেংনসু লিম্মোইঙম্বীগী মতৌশিংদা য়েংলুরগদি শান্নবগী লমদগী নক্তনা লাইরিক লাইশুগী লমদসু শুংশোয় শোয়দনা মাই পাকপগা লোয়ননা, তুংগি পুন্সিগী লমজেল কয়াদসু স্নাগি মেডল কয়া লৌরকখিগনী হায়রিসিনা ঐখোয়গী অচেৎপা, লিম্মোইঙম্বীগী মফমদা থমজবা থাজবনী।

অষ্ট্রেলিয়াদা মৈতৈ নুপী অহুম্না

ভারতকী মায় ঙাকখিবা

মার্চকী ১৫ দগী ২৬ ফাওবা অষ্ট্রেলিয়াগী সিদনিদা পাঙথোকখিবা ১৮শুবা কমনরেল্থ গেমসতা মৈতৈ চনু অহুম্না ভারতকী মীংচৎ পুরকখ্রে। ভারতকী শান্ন-খোংনবগী লমদা মণিপুরী নুপীনা লৌরিবা থৌদাং ঙসিসু নৌহৌননা অমুক খঙহনখ্রে।

মৈতৈ চনু নামৈরাকপম কুঞ্জরানী দেবীনা সিদনিদা চংখরিবা ১৮ শুবা কমনরেল্থ গেমসকী কেজি ৪৮ গী রেথলিফটিং ইভেন্টতা ভারতকী অহানবা গোল্ড মেডল লৌদুনা ভারত অমসুং মণিপুরগী মায় ঙাকখ্রে। রার্ল্ড নম্বর থ্রিগী রেঙ্কিংদা লৈরিবা কুঞ্জরানীনা গেমস অসিগী ইহান হান্না গোল্ড মেদল ফংবা শান্নরোই অমসু ওইখি। নুপীগী কেজি ৫৮ গী কাংলুপ্তা মণিপুরগী হৌখিবী য়ুম্নাম রেনুবালা চনুনা পুন্না কেজি ১৮০ থাঙ্গৎতুনা ভারতকী অনীশুবা গোল্ড মেদল লৌদুনা মৈতৈ নুপীগী থৌনা লিংজেল ময়েক শেংনা উংথোকখি। নুপীগী কেজি ৬৯ গী কাংলুপ্তা মণিপুরগী মেনিকা দেবীনা পুন্না কেজি ২২২ থাঙ্গৎতুনা ভারতকী মেদল তেলিদা অচৌবা মতেং পাংখিবা নত্তনা মৈতৈনা ময়েক মাঙবা য়াদে হায়বদু নাখে শেংনা মালেমগী মমাঙদা উংখি।

মেলবোর্ন এক্সিবিসন সেন্তরদা পাঙথোকখিবা রেথলিফটিং ইভেন্ট অদুদা কুঞ্জরানীনা স্নেচটতা কেজি ৭২ অমসুং ক্লিন, এণ্ড জর্কতা কেজি ৯৪ থাঙ্গতুনা পুন্না ১৬৬ থাঙ্গৎখি। মহাক্না ইং ২০০২ গী কমনরেল্থ গেমসতা ক্লিন এণ্ড জর্কতা কেজি ৯২.৫ থাঙ্গতুনা থমখিবা রেকোর্দ অদু মশানা থুগাইজদুনা অনৌবা অমুক থমখি। থাজবগী রাংমদা লৈরুরবী কুঞ্জরানীনা জাতি অসিগী লেমজনিংঙাই ওইবা মীংচৎ পুরকখি।

মায় পাক্লবা মতুংদা ভারতকী মচু অহুমগী ফীরাল চিংখতুনা জাতিগী ঈশৈ শক্লকপদা মহাক্কী হৎরাউবগী পীরাং শিন্থবকখি। ষ্টেদিয়ম অদুদা তিল্লিবা ভাবকশিংনা লেপখতুনা কুঞ্জরানীবু ইকায় খুম্নবা উৎলকপা মতম অদুদা মহাক্না মশাবু থাজবা পোক্লকখি। থোঁদোক অদু তশেংনা অতাংবা পুংজা অমা ওইখি, গোল্ড মেদল অদুদা 'স্পিসিএল' হায়না হকুনা মেদল অদুবু হেন্না থোইনা মশক

নাইবা অমা ওইহনখি। কুঞ্জরানীগী ৬৭ লকশুবা মেদল অদুনা নুমিৎ ১২ নি টুপ্না পাঙথোকখিবা কমনৱেল্থ গেমস অদুগী অহানবা গোল্ড মেদলসু ওইখি।

মেদল ফংলবা মতুংদা হরাউবনা থুমহংখিবা কুঞ্জরানীনা হায়খি, ঐনা এক্সপরিএন্স লৈমনবদগী হন্দক্কী গোল্ড মেদল অসি ফংবনি. মসি ইমা লৈবাক্কীদমক্নি। ঐনা ঐগীদমক মঙোল ওইনবা অমদি শৌগৎলকখিবশিংগী লমন তোনশিন্নরে। গেমস অসিগীদমক হৌখিবা চহী ৪ কুঞ্জরানীনা নোংমতা ফাওবা য়ুমদা চত্তবা মখে হোৎনদুনা লাকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মহাক্না করিগুম্বা অশোক অপন য়াওদ্রবদি চাইনাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইং ২০০৮ গী ওলেমপিক্স গেমসতা শরুক য়াগনি। অহানবদা প্রেসর য়াম্না লৌখি, কম্পিটিসন অমদা মেদল অমা লৌবা হায়রবসি পুক্নিংদা খল্লবনি। কম্পিটিসন অমদা অকিবা, থুকৎপা থেংনবা হায়রবসি কররিসু নত্তে, ঐ ইশানবু পুক্নিংদা ফাথবা ভল্লবদি মায় পাকপা ভমগনি। মেদল অদুনা ঐগী অৱাবা পুন্নমক অমদি পুক্নিংগী লৈতাহনবা ভম্মী।

ইভেন্টস অদুদা কনাদাগী মোরনিলু দোজোইন্সনা স্নেচটতা কেজি (৭৩ ৭২) থাঙ্গৎখি। মহাক্না চহী ৪ মমাঙদা মাচেস্তত কমনৱেল্থ গেমসতা ফংখিবা গোল্ড মেদল অদু ফংনবগীদমক অৱোয়বা ওইনা ক্লিন এণ্ড জর্কতা কেজি ৯৪ থাঙ্গৎপা তাখি। অদুবু মহাক্না ক্লিন এণ্ড জর্কতা কেজি ৯২ থাঙ্গৎতুনা পুন্না কেজি ১৬৫ থাঙ্গৎখি অমদি সিলভর মেদল লৌখি।

কুঞ্জরানীনা চহী ২০ হেন্না ইভেন্ট অসিদা শান্নরকপগী মহে ওইনা নহা ওইরিবী দোজোইন্স মহাক্কী প্রেসর খাঙবা ভমখিদে। মহাক্না ক্লিন এণ্ড জর্ককী অহানবা এতেম্পতা কেজি ৮৬ থাঙ্গৎখি। অনীরকশুবদা কেজি ৮৮ থাঙ্গৎখি। অহুমশুবা অমসুং অৱোয়বদা কুঞ্জরানীনা কেজি ৯১ অমসুং ৯৪ থাঙ্গৎখি। 'মসি রাখলগী লাল থেংনবগা চপ মান্নখি অমসুং অকনবা প্রেসর মায়োকবা গুম্বশিংনা মায পাকখি' হায়না কুঞ্জরানীনা ফোঙদোকখি।

হন্দক্কী কুঞ্জরানী অমদি দোজোইসকী বোদি ৱেঠনা কুঞ্জরানীগী বোদি ৱেঠতগী তাথরম্বা তারবদি মখোয় মখোয়না থাঙ্গৎখিবা ৱেকোর্দকী মতুং ইন্না, গোল্ড মেদল অসি দোজোইসনা লৌখিবা য়ানা লৈ।

কুঞ্জরানী থাঙ্গৎপা হৌরকপদা মহাক্কী ফীবম ফংখিদে স্নেচকী অহানবা এতেম্পতা শোয়খি। 'শোয়খিবা অদু মহাক্কী খ্বাংদা ফারিবা পেটি অদু বনা

ফাজিনবগী মখ্বাংদা নারকপদগী থোকখিবনি' হায়না মহাক্কী কোচ হন্সা শর্মানা শেংদোরকখি ।

'ঐ হৌরকপদা শোয়খি, অদুবু আশাদি মাঙখিদে অমসুং অহানবা শোয়খিবদু ফুকংনবা ঐগী লৈজবা শক্তি শীজিন্নখি' হায়না কুঞ্জরানীনা ফোঙদোকখি । ইং ১৯৮৫ তগী ইহান হান্না অরুম্বা থাঙ্গৎলক্তুনা ভসি ফাওবা শাংলবা মতম অসি গেমস অসিদা খোঙদারকখিবনি।

মখাক্কা মীথোই মীহেল্লকপা মতম অসি ফাওবা মহাকপু শেম্বীরকখিবা কোচ কুঞ্জকেশ্বরবু কাওথোকপা লৈতে । 'ঐনা মহাকপু কৈদৌঙেদা কাওবা ঙম্লোই' হায়না মহাক্কা নুংশিনা শোনখি ।

মসিনা মহাক্কী অরোয়বা কমনৱেল্থ গেমস ওইগদ্রা ? 'হোয়, ওইবা য়াই, ঐনা ভারত্তা হল্লবা মতুংদা শান্নখিগদ্রা নৎত্রগা শান্নরোয়দ্রা হায়বদু লেপকনি । ঐ তশেংনা মেদল অসি লৌবা পাম্মী অমসুং ফংবা ঙম্লে । এসিয়ান গেমসসু লাক্লে, মদুনসু মেদল লৌবা ঙম্নবা হোৎনগনি,' হায়না কুঞ্জরাণীনা ফোঙদোকখি ।

ওক্লেন্দ কমনৱেল্থ, ১৯৫০ দা অহানবা ওইনা ৱেঠলিফটিং ইভেন্টস হাপচিনখি । নুপীগী ৱেঠ লিফটিং মাচেস্টরর গেমস ২০০২ দা হৌদোকখ্রবা মতুংদা হন্দক অনীরকশুবা ওইনা ইভেন্ট অসি সিদনি গেমসতা হাপচিল্লকখিবনি । ইং ২০০৬ তা ইভেন্ট অসিদা লাকখিবা অচৌবা অহৌবা অমা ওইনা, স্নেটচ, ক্লিন এণ্ড জর্ক অমসুং ওভর ওলদা মেদল পীরম্বগী মহুত্তা ৱেঠ দিবিজন খুদিংগী অপুনবা কেটেগোরিদা মেদল পীখিবনি ।

গেমস অসিগী ৱেঠলিফটিংগী কেজি ৫৮ গী কাওলুপ্তা মৈতৈ নিঙোল য়ুম্নাম রেনুবালা চনুনা পুম্না কেজি ১৮৫ থাঙ্গৎতুনা ইভেন্ট অসিদা ভারতকী অনীশুবা গোল্ড মেডল ফংলকপা নুপী ওইখ্রে । রেনুবালানা স্নেটচতা কেজি ৮০ অমসুং ক্লিন এণ্ড জর্কতা কেজি ১০৫ থাঙ্গৎতুনা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্নবা লম্বা অনীদগী কেজি ৭ হেন্না থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেদল মুল্লকখিবনি ।

চহী ১৯ খক্তা ভাইরিবা মৈতৈ নুপী অসিনা স্নেটচতা অহুম্লক অমসুং ক্লিন এণ্ড জর্কতা অহুম্লক পুম্না তরুক্লক থাঙ্গৎপদা অশোয়বা অমত্তা য়াওখিদে । রেনুবালা গোল্ড মেদল ফংলিবা কেজি ১৮৫ অসি মহাক্কা নেসনেল চেম্পিয়নশিপ্তা থাঙ্গৎখিবা রেকোর্দ (কেজি ২০৩) অদুদগী কেজি ১৮ হন্থবনি । ইং ২০০৪-০৫ কী কমনৱেল্থ রেঙ্কিংদা রেনুবালানা পুম্না কেজি ১৯২.৫ থাঙ্গৎখিবনি ।

রেনুবালা তোঙান তোঙানবা নেসনেল অমদি ইন্টরনেসনেলগী চেম্পিয়নশিপ কয়াদা মেদল কয়া ফংলকখ্রবীনি । তান্তেলদা ইং ২০০৫ দা পাঙথোকখিবা কমনৱেল্থ গেমসতসু মশাগী কেজি ৫৮ দা গোল্ড মেদল ফংলকখ্রবীনি । মহাক হৌজিক হৌজিক পৃথিবীগী ওইনা ৪২ শুবা রেঙ্কিংদা লৈরি ।

য়ুন্নাম রেনুবালা চনু ক্যামগৈ ময়াই লৈকাইদা লৈবা য়ুন্নাম মণি অমদি য়ুন্নাম ওংবী তম্ফা দেবীগী মচানুপীনি । মচিন মনাও ৮ পোকপগী মনুংদা মহাক্না তরেংশুবা মচানি । ইং ১৯৯৬-৯৭ তগী তগ-ওব-ৱার হায়বা মশান্নদা খোঙ থাংজিল্লম্লবা মতুংদা ইং ১৯৯৯ দা দিষ্ট্রিক লেভেলগী ওইবা ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তা ইহান হানবা ওইনা মশান্না অসিদা শরুক য়ারম্লবা মতুং য়ু পিগী সাইদা চঙখি । খোংমনদা লৈবা ওঝা কুঞ্জবিহারীনা লমজিংদুনা ৱেঠলিফটিং মশান্নদা খোঙদাবা হৌরকখি ।

গেমস অসিগী এথলেটিক্স ইভেন্টতা দিপমালা, বোক্সিংদা এম সুরঞ্জয়, নুপীগী হোকিদা সঙ্গাই, ইবেমহল মাইমোম চনুসু শরুক য়াখি । শান্নরোইশিং অসিদা নত্তনা ইণ্ডিয়াগী ৱেঠলিফটিং টিমগী টিম মেনেজরসু মণিপুর ৱেঠলিফটিং এসোসিয়েসনগী ওনরেরি সেক্রেটরিগী থৌ পুরিবা সুনিল এলাংবমনা ওইখি । ইণ্ডিয়াগী ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী ওবজার্বর অমা ওইনা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরি, বি. সি. সিংহসু গেমস অসিদা শরুক য়াখি ।

অখোৌবা, মার্চ-এপ্রিল ২০০৬ ।

*****

সীডনী ওলিম্পিক্স

ওষ্ট্রেলিয়া পুন্নমক পুন্নাং লাংলে । ওলিম্পিক নত্তনা মখোয়দা অতৈ করি'মা চঙখিদ্রে । ওলিম্পিক্কী নীংথীরবা মৈরানা লৈবাক অদুগী কাটীন কোয়া শিখুংনা কোয়রুরবা তুংদা শান্নবুংগী ময়োল তম্না চঙশিল্লক্লে । ওলিম্পিক অসিগী হ্বারীখক্তনা সীডনীদা ফোঙবা পাউ-চেশিংদা শরুক তঙখায় অমা হেন্না কনখ্রে । লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা শীনশুবা কয়াসু তুম্ন হীগ্নবা কাউনরক্লে । অমগা ওইনা পুনখ্রে । মায় পাকপা ওলিম্পিক গেমস অমা পাঙথোক্লনবা । লৈবাক অদুগী ইজৎ সন্মান লৌহৌননবা।

দোলর বিলিয়ন ১.৯২ রোম চঙবা কনষ্ট্রকসনগী থবক পুন্নমক মতম চানা সীডনীগী ওফিসিয়েলশিংনা লোয়শিনখ্রে । মীওই ১,১১,০০০ অমুক্তদা ফস্বা চেন্নবা ওলিম্পিক ষ্টেডিয়মনা শান্নরোয়শিংবু তরাম্না ওক্কদবগী ভাইখ্রে । হৌজিক মী নীশিং কয়ানা নীংথিরবা, মিলেনীয়ম অসিগী খ্বাইদগী চাউরবা ষ্টেডিয়ম অসিবু তুম'নি চানি কাউনবমখৈ মতীন য়োংনা য়েঙনরি ।

শান্নরোয় ১০,০০০ রোম্না ওলিম্পিক কুপ্পৈ অসিদা শরুক য়াগনি । মসিগী কোভরেজনা প্রিন্ট অমসুং এলেক্ট্রোনীক মেদিয়াগী মীওই ১০,০০০ রোম্না তৌগনি । য়াম্নরবদা লৈবাক ২০০ রোম্না শরুক য়াগনি । মশান্নগী মখলনা ২৮ লোয়ি ।

গেমগী মেস্কোত -

সীডনীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলম্পিক এদিসন অসিগী গেম মেস্কোত অসি Olly, Syd অমসুং Millie হায়বা শা অহুম অসিনা ওইগনি । শা অহুম অসি ওষ্ট্রেলিয়াদা ফংই। মথংশিংনা পৃথিবী, নুংশিং অমসুং মৈগী মহুৎ শিল্লি । Syd অসি platypus নি । টিম প্লেয়ারনি । মহৌশানা নুচাংবা হায়বসিগী মহুৎ শিল্লি । খোম থকপা জীবনি । মথাগী শরুক্ত ভানু মাল্লি । মশানা ভা চাবা শনম্বা মাল্লি অদুগা মমায়না মতু অমোনবা পানবা, বীবর কৌবা ঈশিং অমসুং কংফাল অনীমক্তা লৈবা শা অসি মাল্লি । মেল ওইবশিংদা ওনবা অরুম্বা অসি চাউরাক্লা কিলো ১.৭ ওই । অশাংবনা চাংচেত্তা সেমি ৫০ ওই । মখোয় অসি ইরোয়বা ভস্মি । মদুগীদমক অপাকপা খোঙপাক পাল্লি । হঙোই, তিল অমদি সেলফিসনচিংবা

চাদুনা হীংই ।

Olly না Kookaburra নি । মীনা হংবদা তেনবাঙম খুম্বা ভশ্মি । খুইদগী চাউবা, ভা ফাবা ভম্বা ভারাকপীনি । সে: মি: ৪২ রোম শাংই । অরুম্বদি কিলো-মখায়মুক্তনি। মসি সহর য়াওনা লৈবাক অদুগী মফম অয়াম্বদা ফংই । মীনা নোকপগা হায়রপ মান্নবা নোকপগুম্না মখোল থাদোকপা ভশ্মি । উচেক মখল অসি খর্মী, অচৌবা তিল কাং অমদি লীল চায় । নার্বাশিংদি মখোয়গী মসাগী শরুক্তা অতিয়া মচুগী শরুক য়াওই ।

Millie না ককচেং চাবা শানি । Spiney anteater সু কৌই । প্লেতিপসকুম্না মরুম কোকই, মখোম থকই । মাগী মরৈ অদু সে: মি: ১৮ লোম শাংই । ককচেং অমদি খর্মী ফাবা ভম্বা অখন্নবা মরৈনি । মশাগী অশাংবনা সে: মি: ৩০ রোম ওই। অরুম্বনা কিলো: ৭ মুক ওই ।

শা অহুম অসিগী মতাঙদা শ্যামশুন্দর ঘোষ, স্পোর্টস এডিটর, *দি ষ্টেটসমেন্ট*না অসুম্না ফোঙদোকই

> *Syd captures the vigour and energy of Australia and its people. Olly encapsulates the Olympic spirit of genorisity and universal friendship. Millie is the brains of the trio. A bort optimist and information guru whose eyes are firmly focussed on the future when she is not peering into antholes in search of a tasty little snack. The Olympic games logo has all the important spiritural ingredients.*

লৈবাক অদুগী মিনিষ্টর ফোর ওলিম্পিক্স ওইরিবা মাইকেল নাইটনা হায় -

> *Importantly Syd, Mille and Olly are very Australian and show the world that Australia is a place with many esciting and unique animals in addition to the kangaroo and koala*

কনানা মকোক ওইগনি ?

ওলিম্পিক এদিসন অসি ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্ম ওইদুনা পাঙথোকচরবসু মেডল

মশিং খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা লৈবাক্তি য়ু এস এনা ওইরবা য়াই । অতে মেডল মশিং য়াম্না লৌগদবা লৈবাক খরদি জর্মনি, রসিয়া, ওষ্ট্রেলিয়া, আফ্রিকাগী লৈবাক খরা অসিনচিংবনি । হান্না সোভিয়েট য়ুনিয়নদা য়াওরম্বা হৌজিক্কা তোগানবা রিপব্লিক ওইখ্রবা লৈবাক খরসু মেডল লৌগনি। চাইনা অমদি কোরিয়া নত্তনা এসিয়াগী লৈবাক অয়াম্বা মেডল ইরৌ লৌবা ঙম্বগী ফীভম লৈতে। গেম অসিগী মেডল মশিং খ্বাইদগী য়াম্না পীগদৌরিবা অসি ট্রেক এভেন্টশিং অমদি শ্বীমিংদনি । হায়রিবা এভেন্টশিং অসি অয়াম্বা মতমদা আমেরিকানা দোমিনেট তৌবা অমদি সোভিয়েট য়ুনিয়ন কায়খিবা অসিনা আমেরিকানা মেডলগী আশা চাউনা ফংবা ঙম্বনি। অদুম ওইনমক, চাইনানা শ্বীমিংদা নৌনা মচীন তুখৎলকপা, পুনশিল্লবা জর্মনগী অকনবা শাফু, য়ুদ্ধ লৈবাক্কী অঙকপা শীংনবা কয়ানা আমেরিকানা মকোক ওইবা অসি য়াম্নমক লায়বা অমদি ওইরোইদৌরি।

গেম ভিলেজ -

ওষ্ট্রেলিয়ান দোল্লারনা মিলিয়ন ৫৯০ চঙনা শাবা সীডনী ভিলেজ অমা ওগষ্ট ৯ দা শান্নরোয়শিংনা লৈননবগীদমক হাঙদোকখ্রে । নুমিৎ মঙালগী শক্তি শীজিন্নদুনা চলাইগদবা গেম ভিলেজ অসি পৃথিবীগী খ্বাইদগী চাউবা সোলার পব্বাদ গেম ভিলেজনি । সীডনী সিটি সেন্তরদগী কিলোমিটার ১৫ রোম লাপ্না, সর্ব্ব জগাদা লৈ । গেমস অসি চংথরিঙৈদা শান্নরোয় ১৫,০০০ রোম লৈবা চনগনি । ভিলেজ অসিদা পোৎ চৈ য়োনফম অচৌবা সোপ্পীং কমপ্লেক্স, মিটিং হোল, পোষ্ট ওফিস, বেঙ্ক, স্পোর্টস রিজল্টস দিষ্ট্রিব্যুসন সেন্তর, জিম, জগোই শাফম ক্লব, লাইনিংফম, লায়েঙশঙ, হীদাক য়োনফম, কম্প্যুটর সেন্তর অচৌবা চাফম খবক্ফমশিং, ফিরুং ফিজোম তোহনফম য়াওরি । মেন দাইনীং এরিয়া অসি অমুক্তদা মী ৪,৮০০ রোম চাবা থকপা চল্লি । পুং ২৪ গুংলেপ লেপ্তনা চাবা-থকপগী সেবা ফংহনগনি। মেন দাইনীং হোল অসি চাউরাক্লা ষ্টেদিয়ম ওষ্ট্রেলিয়াগী মেন এরেনাগা চাওবা মান্নে ।

* রাৎ কুথৈ অর্মাদি পোত্থাবা মতম লেন্নবগী খুদোংচাবা কয়ামরুম পীগনি। মসুগী মসুংদা স্ট্রিট পফোমর, ভিদিও গেম পুল টেবল, লাইব্রেরী, ব্লাক আউট জিম, মেসেজ তোফম ফেসিয়েল পালর্র, রোক, ক্লাসিকেল ম্যুজিক, ইন্টরনেটর রাউজিং থৌগল যাগে। । ভিলেজ অসিদা মীওই ১০,০০০ রোম ষ্টাফ ওইনা থবক সুগনি।

ভিলেজ অসিদা অপুনবা যুম মশিং ৮০০ লৈ । অচৌবা এপার্টমেন্ট ৩৫৫

অমসুং মোদুলার হোম ৩৩৬ লৈ । ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকখ্রবা মতুংদা ভিলেজ অসি পেরালিম্পিক গেমস পাঙথোকপদা শান্নবোয় অমদি টীম ওফিসিয়েল ৭,৫০০ লৈননবা শেমদোক্কনি । পেরালিম্পিক গেমস অসি ওক্তোবর ১৮ দগী, ওলিম্পিক গেমস হেক লোয়বগা হৌগদবনি । মসি হেক লোয়বগা লৈফমশিং অসি অমমমদা ওষ্ট্রেলিয়ান দোল্লর ৩,৭০,০০ অমসুং ৬,০০,০০০ ফাওবগী মরক্তা য়েম্বোকখিগনি ।

হৌদোক-কুম্মৈ -

চহী অসিগী সেপ্তেম্বর ১৫ গী খোঁরাংনা ভাইনরবা নুমিদাংদা ওলিম্পিক গেমসকী হৌদোকপগী কুম্মৈ পাঙথোক্কনি । কুম্মৈ অসিবু থৌরম পাঙথোকফম্মক্তদা মীওই ১,১১,০০০ না হরাও তয়ান্না য়েংগনি । পৃথিবীগী লৈবাক কয়াদা টেলিভিজনগী খুত্থাংদা মীওই বিলিয়ন কয়ানা কল্লকা মীংয়েং তাগদৌরি ।

Sadie, the Cleaning Lady হায়বা ইশৈগীদমক থোইদোক্না ফাওখিবা পোপুলার মেনষ্ট্রিম সিঙ্গর জোহ্ন ফার্হামনা ঈশৈ শক্কনি । মহাক্কা লোয়ননা *গ্রীজ* হায়বা হিট ফিল্মদা জোহ্ন ত্রাভোলতাগা কুম্মীন্নখিবা নিউতোন জোহ্ননা শান্নবোয়শিংবু ওকপগী ঈশৈ *Dare to Dream* হায়বা ঈশৈ শক্কনি । ঈশৈ অসি ওষ্ট্রেলিয়াগী নহা ওইরিবা অইবা ৪,০০০ না থাগৎলকপা ঈশৈ ময়েক্তগী খনগৎলকপনি ।

ওলিম্পিক্কী মৈ হেক চুবগা পোপ ষ্টার তিনা এরেনানা *দি ফ্লেম* হায়বা ঈশৈ অসি শক্কনি। ওলিম্পিক্কী মৈরানা ষ্টেদিয়মদা চঙলকপগা অমদি ওলিম্পিক্কী ফিরাল টাংখৎপগা *হীরোজ লীব ফোরইবর* হায়বা ঈশৈ অসি তিন আইদোল Vanessa Amorosi না শক্কনি।

মেদল -

সীডনী ওলিম্পিক্সতা পীগদবা মেদল অসি Wojciech Pietranik না দিজাইন তৌরানি । নাকল অমদা সীডনী ওপেরা হাউস যেকই । অতোপ্পা নাকল অমদনা ওলিম্পিককী রীংগা লোয়নবা ওলিম্পিক্কী লোগো যেকই ।

ওষ্ট্রেলিয়াদা চহী ১০ গী মমাংদা পোকেপ্তক্কী লাকখিবা আটিষ্ট অসিনা তৌরবা মেদলগী দিজাইন অসিগী মমাঙ অমদা মাগা শাকপগা লাইরেম্বী নাইকমাংগ , বেকগ্রাউণ্ডদা মমাঙভেগী কোলোসিয়ম ওব এথেন্স অদুগা শগোলনা টাংলবা লাল হুম্বগী দোলাই অমা টাংবা যাওরে।

পুন্না সনাগী মেডল ১০০০, লুপাগী ১০০০ অদুগা শেম্ব্রেংগী ১১০০ দিজাইন অসিদা শাদুনা থমখে । চৌডনী ওলিম্পিক্স ওর্গেনাইজরশিং (এস ও সি ও জি) গী মতুংইন্না শেমদুনা থম্লিবা মেডলশিং অসিগী শরুক অহুম থোকপগী অনী পাগনী অদুগা লেমহৌবনা গেম লোয়বগা থুগাইদুনা মাঙহনগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। মেডল থুদিংমক্তা মশান্নগী মমংশিং ই । মায় পাক্লবা শান্নবোয়শিংনা মেডলশিংদা মখোযগী মমিং ইহনবা পান্নবদি মদুগী খুদোংচাবসু গেম ভিলেজদা থম্লিবা এনগ্রেবিং সার্ভীসকী মতেঙ লৌবা য়াহনগদৌরি । মেডলশিং অসিদা সিয়ান মচুগী ওইবা রিবন হাপকনি । অখননা দিজাইন তৌরবা উপুশিংদা মেদলশিং অসি হাপকনি ।

অথৌবা, সেপ্তেম্বর - ২০০০ ।

*****

হাইদ্রবাদ গেমসতা

মণিপুরগী শান্নরোয়শিং

অন্ধ্র প্রদেশনা য়ুম্বু ওইনা মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৩ দগী ২৩ ফাওবা হাইদ্রবাদ অমদি বিশাখাপটমদা ৩২ শুবা নেসনেল গেমস মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে। ভারতকী খ্বাইদগী চাওবা গেমস অসিদা অন্ধ্র প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর চন্দ্রবাবু নাইদুগী তৌবা ভম্বা শক্তি কয়াসু মপুং ফানা উৎখ্রে । ওলিম্পিক গেমস অমুক্তং ভারতনা হোষ্ট ওইদুনা পাঙথোকপা পাম্লিবা চীফ মিনিষ্টর অসিনা গেমস অসিদগী অচৌবা আশা কয়াসু তৌরি । হাইদ্রবাদ নেসনেল গেমস অসি তশেংনমকসু ঙসি ফাওবা চংখরক্লিবা নেসনেল গেমসশিং অসিদগী হেন্না চাওনা শিনখিবা গেমস অমনি হায়না পানরি । গেমস অসিদা শান্নরোয় লিশিং নীপানলোন্না ইভেন্ট ২৯ দা চাংয়েংনখি ।

মণিপুরগী ওইনা মশান্না ২০ দা নুপী শান্নরোয় ১৪৮, নুপা শান্নরোয় ১৫৫ ওফিসিয়েল ৭৬ (নুপা,নুপী) পুন্না ৪১৬ না শরুক য়াখি । মশান্নাশিং অদুদি এথলেটিক্স, অর্চেরি, বোক্সিং, সাইক্লিং, কেনোইং / কয়াকিং, একুষ্টয়িন, ফেন্সিং, ফুটবোল, হেণ্ডবোল, জুদো, সেপাক তাক্রো, টাইকোন্দো, ট্রাইথ্লোন, রেসলিং, ব্রেঠ লিফটিং, রোয়িং, নেটবোল, ওকটিক, জিম্নাষ্টিক অমসুং সুটিংনি। নিংশিংবা য়াবদি, ভারতকী ওইনা নেসনেল গেমসকী ঈহোং অমা শাগৎনবগীদমক ইং ১৯২৪ দা ইহান হান্না নেসনেল গেমস হৌদোরকখি । অসিগী মতুংদা ইং ১৯৮২ ইন্দিয়ানা এসিয়ান গেমস মায় পাক্লা চংখখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়ান ওলিম্পিক এসোসিয়েশন্না নিউ দেল্লিদা ইং ১৯৮৫ গী নবেম্বর ১৯ দা গেমস অমগী চপ চাবা নিটি নিয়মগা লোইননা জৱাহরলাল নেহ্রু ষ্টেদিয়মদা 'ফর্ষ্ট নেসনেল গেমস' হৌদোকখি । দেল্লি নেসনেল গেমস অসিদা মণিপুর টিম্না অহানবা ওইনা শরুক য়াবগা লোইননা সনাগী মেদল অনী লুপাগী মঙা সেল্লেংগী অহুম পুন্না মেদল তরা লৌদুনা ১৪ শুবা থাক্তা লৈখি । অনীশুবা নেসনেল গেমসনা ইং ১৯৮৭ তা কেরলানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখি । গেমস অদুদা সনাগী মেদল অহুম, লুপাগী অহুম, সেল্লেংগী তরেৎ পুন্না ১৩ ফঙলগা ১৪ শুবা পোজিসন অদুমক তারকখি । অদুগা অহুমশুবা নেসনেল গেমসনা মহারাষ্ট্রগী পুনে অমদি বোম্বেদা য়ুম্বু ওইদুনা

পাঙথোকখি। হায়রিবা গেমস অসিদদি ষ্টেট অসিনা সনাগী মেদল ১৩, লুপাগী ১১, সেঙ্খেংগী ১৮ পুন্না ৪২ ফঙদুনা নিপানশুবা পোজিসন তারকখি। মথং কর্ণাটাকাদা চংথখিবা মরিশুবা নেসনেল গেমসতনা সনাগী মেদল ১৫, লুপাগী ১০, সেঙ্খেংগী ১৭ ফঙদুনা তরেংশুবা পোজিসন্দা লৈরকখি। অদুবু মণিপুরনা য়ুম্বু ওইদুনা ইং ১৯৯৯ গী ফেব্রুৱারী ১৪ দগী ২৫ ফাওবা মফমসিদা পাঙথোকখিবা 'মঙাংশুবা নেসনেল গেমস' তদি সনাগী মেদল ৪৯, লুপাগী মেদল ২৪, সেঙ্খেংগী ৩৯ পুন্না ১১২ ফঙদুনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়নসু ওইখি। লোইননা রাজা ভলেন্দ্র সিংহ ট্রোফি লৌখি। অসিগী মথং ইং ২০০১ দা পঞ্জাবনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা 'তরুকশুবা নেসনেল গেমস' তদি সনাগী মেদল ৩০, লুপাগী ১৭ সেঙ্খেংগী ১৮ পুন্না মেদল ৬৫ ফঙদুনা অহুমশুবা তাখি। সেকেণ্ড তাখিবা টিম অসিমক্তি সর্ভিসেসনি। অদুগা হন্দক্কী '৭ শুবা নেসনেল গেমস' নত্রগা ৩২ শুবা হায়নরিবা নেসনেল গেমস অসিদনা য়ুম্বু অন্ধ্র প্রদেশনা সনাগী মেদল ৯৩, লুপাগী ৮৬ সেঙ্খেংগী ৬৩ পুন্না ২৪২ ফঙদুনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইবগা লোইননা রাজা ভালেন্দ্র সিংহ ট্রোফি লৌখি। সেকেণ্ডনা পঞ্জাবনা সনাগী ৫৪, লুপাগী ৩৭, সেঙ্খেংগী ৫৫ পুন্না ১৪৬ ফঙদুনা তাখি। থর্দ পোজিসন্না সর্ভিসেসনা সনাগী মেদল ৪৮, লুপাগী ৩৪, সেঙ্খেংগী ৩৪ পুন্না ১১৬ ফঙদুনা লৌখি। মরিশুবা পোজিসন্না মণিপুরনা সনাগী মেদল ৩৮, লুপাগী ২৪, সেঙ্খেংগী ৩১ পুন্না ৯৩ লৌদুনা তাখি।

হন্দক্কী হাইদ্রবাদ নেসনেল গেমস অসিগী ওইনদি নুপী শান্নবোয়শিংনা হেন্না ফজবা পর্ফোমেন্স উৎখিবগা লোইননা ষ্টেট অসিগী মেদল টেল্লি ৱাঙখৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি। নুপী শান্নবোয়শিংনা সনাগী মেদল ৩৮ গী মনুংদা ৩০ লুপাগী মেদল ২৪ গী মনুংদা ১৬ সেঙ্খেংগী ৩১ গী মনুংদা ২০ পুন্না ৯৩ গী মনুংদা ৬৬ ফঙদুনা অচৌবা মফম কনবা ঙমখি।

অপুনবা মেদল ৯৩ অসিগী মনুংদা নুপা শান্নবোয়শিংনা সুপ্নগী মেদল ২৭ সনাগী ৮, লুপাগী ৮, সেঙ্খেংগী ১১ খক্তমক ফঙলকখি।

হাইদ্রবাদ নেসনেল গেমস অসিদা মণিপুর টিম্না চাওনা মায় পাকখিবা মশান্নশিংদি বোক্সিং, সাইক্লিং, ফেন্সিং, টাইকোন্দো, অচেরী, জুদো, সেপাক তাক্রো, হেণ্ডবোল অমসুং ফুটবোলনি। বোক্সিংদা মেদল ১১ সনাগী মঙা লুপাগী অমা সেঙ্খেংগী মঙা ফঙখিবগী মনুংদা নুপী শান্নবোয়শিংনা সনাগী মরী সেঙ্খেংগী অহুম পুন্না তরেং ফঙবা ঙমখি। সাইক্লিংদা মেদল ১৬ ফঙখিবগী মনুংদা ১২ দি নুপী

শান্নরোয়শিংনা লৌরকখি । মশান্না অসিদা সনাগী মেদল তরুক লুপা অমদি সেঞ্চেংগী অহুম / অহুম মথংশিংনা লৌবা ঙম্লকখি । হেণ্ডবোল অমদি ফুটবোলদা সনাগী মেদল অমমম লৌরকখিবসু নুপী শান্নরোয়শিংননি ।

অদুগা ভারতকী ওইনা অতোপ্পা ষ্টেটনা পাক মায়থিবা পীবা লুরগদবা মশান্না অমা হায়রগদি সেপাক তাক্রো অমসুং ফুটবোল (নুপী) নি । সেপাক তাক্রোদা লৈজবী থৌনা উৎতুনা সনাগী মেদল মরিমক (নুপা / নুপী) লৌরকখি । ঐখোয়গী শান্নরোয়শিংদি নুপাগীদা ধ্বরমেন্দ্র, সনাথোই, গেষ্টকান্ত, কুমারজিৎ, জিটসনা, ভুমেশ্বর, বিকেন, জয়কুমার, ইঙোবা, মঙলেম্বা, কিরণকুমার, জোটিন, রাকেশ্বর, সুরজিৎ অমসুং প্রেমানন্দনি । নুপীগীদনা - ও জিমী, রোণীবালা, বিলাশিনি, তোম্বীসনা, বোবিতা, মেরী, প্রিয়াকদম, মেমী, অরুণা, হেমা, রীণা, প্রেমিলা, রোমীতা, রিতা অমসুং রামেশ্বরীনি ।

৩২ শুবা হাইদ্রবাদ নেসনেল গেমস অসিগী ওইনা খ্বাইদগী ফবা নুপা শান্নরোয়দি কর্ণাটাকাগী স্বুইমর রেহান পুঞ্চানা সনাগী মেদল মঙা লুপাগী মরি সেঞ্চেংগী অমা পুন্না ১০ ফঙদুনা তাখি । নুপীগী অফবা শান্নরোয়না দে.গী স্বুইমর অন্ধ্র প্রদেশতা শান্নখিবী রিচা মিশ্রানা সনাগী মেদল তরেৎ, লুপাগী তরেৎ, সেঞ্চেংগী অনি পুন্না ১৬ ফঙদুনা লৌখি ।

অরাং নোংপোক ভারতকী ওইনা আসামনা সনাগী অমা লুপাগী মরি সেঞ্চেংগী তরুক পুন্না ১১ ফঙদুনা ২১ শুবা পোজিসনদা লৈখি । মিজোরাম্না সনাগী অমা সেঞ্চেংগী মঙা পুন্না মেদল তরুকখক্তমক ফঙখি । অদুগা সিক্কিম্না সুপ্নগী ব্রোঞ্জ মেদল অমখক্তমক ফঙবা ঙমখি । মেঘালয়ানা লুপাগী অনি, সেঞ্চেংগী অমা সুপ্নতংগী মেদল অহুমখক্তমক ফঙখি । নাগালেণ্ড, অরুনাচল প্রদেশতি মেদল অমত্তফাওবা গেমস অসিদগী লৌবা ঙমখিদে ।

৩২ শুবা নেসনেল গেমসতা মণিপুরগী নুপা অমদি নুপী শান্নরোয়শিংনা ফঙখিবা মেদল চার্ট

ইভেন্ট	মেন্স			বুমেন্স		
	গোল্ড	সিলভর	ব্রোঞ্জ	গোল্ড	সিলভর	ব্রোঞ্জ
অচেরী	-	১		২	২	১
এথলেটিক্স			-	১	২	১

ইভেন্ট	মেন্স			বুমেন্স		
	গোল্ড	সিলভর	ব্রোঞ্জ	গোল্ড	সিলভর	ব্রোঞ্জ
বোক্সিং	১	১	২	৪		৩
কেনোয়িং / কয়াকিং			১			
সাইক্লিং		১	৩	৬	৩	৩
একুষ্টিরিয়ন		১				
ফেন্সিং	৫	২	১	৫	২	২
ফুটবোল			-	১		
হেণ্ডবোল				১	-	
রোয়িং						১
সেপাক তাক্রো	২			২		
রেসলিং					১	২
জুদো				২	২	৪
টাইকোন্দো		২	৪	৪	১	২
ট্রাইথ্লোন						১
রেঠ লিফটিং				২	৩	

অমরোমদা মণিপুরগী ওইনা মশাল্লা ২০ দা শরুক য়াখিবদা নেটবোল, একুটিক, জিমনাষ্টিক্স, সুটিংশীদি মেদল অমত্তা লোবা ঙমখিদে । ইভেন্ট মরি অসিদগী মেদল কাঙলগা হল্লকখি । হন্দক্কী গেমস অসিদা মেদল য়াম্না ফঙগনি হায়না আশা তৌরগা ফঙবা ঙমখিদবা মশাল্লা অমদি রেঠ লিফটিংনি । রেসলিংদসু মেদল য়াম্না হস্থনা ফঙলকখি । লোইননা মেদল মশিং য়াম্না লৈবা একুটিক্কী ঈশিংগী মশাল্লা ময়াম অমদসু মেদল অমত্তা লাকখিদবসি মেদল টেল্লিদা হাইথরকখিবনি ।

হাইদ্রবাদ নেসনেল গেমস ২০০২ দা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা ফঙনখিবা মেদল চার্ট				
মশান্ন মশিং	গোল্ড	সিলভর	ব্রোঞ্জ	অপুনবা
১। এথলেটিক্স	১	২	১	৪
২। অচেরী	২	৩	১	৬

হাইদ্রবাদ নেসনেল গেমস ২০০২ দা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা ফঙনখিবা মেদল চার্ট				
মশান্ন মশিং	গোল্ড	সিলভর	ব্রোঞ্জ	অপুনবা
৩। বোক্সিং	৫	১	৫	১১
৪। সাইক্লিং	৬	৪	৬	১৬
৫। কেনোয়িং / কয়াকিং			১	১
৬। এক্কবিয়ন		১		১
৭। ফেন্সিং	১০	৪	৩	১৭
৮। ফুটবোল	১			১
৯। হেণ্ডবোল	১			১
১০। জুদো	২	২	৪	৮
১১। সেপাক তাক্রো	৪	-		৪
১২। টাইক্বোন্দো	৪	৩	৬	১৩
১৩। ট্রাইথ্লোন			১	১
১৪। রেসলিং	-	১	২	৩
১৫। রেঠ লিফটিং	২	৩		৫
১৬। রোয়িং			১	১
	৩৮	২৪	৩১	৯৩

মণিপুরগী ওইনা খরা ফগৎহনসি হায়রবদি স্বুইমিং, সুটিং, জিম্নাষ্টিক্স, এথলেটিক্সর্নাচিংবা মশান্নশিং অসি অকনবা ট্রেনিং পীবা হেন্না দরকার ওইরি। এক্কটিক্সকী লৈরিবা ইভেন্ট ময়াম স্বুইমিং দাইভিং, রাটর পোলোর্নাচিংবা অসিসু মতিক চাবা কোচ থমদুনা কন্না হোৎনরগদি ইং ২০০৫ দা আসান্না হোষ্ট ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা '৩৩ শুবা নেসনেল গেমস' নত্রগা ৮ শুবা নেসনেল গেমস অসিদা মেদল খরদি শোইদনা লৌবা ঙমগনি খল্লি । ঈশিংগী ওইবা মশান্নদদি মণিপুর টিম য়াম্না শোৎথনা লৈরি । বোদি কন্টেক্ট গেমশিংদা অফবা পর্ফোমেন্স পীবা ঙল্লগসু রাটর স্পোর্টসতদি মীঙচৎ পুরকপা খরা রারী । অদুবু মতিক চাবা এক্কটিক্কী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং লৈরবনিনা হোৎনবা চুমগনি । এথলেটিক্সকী ওইনসু চাং নাইনা অকনবা ট্রেনিং তৌরগদি অশাংবা লমজেলশিং রাঙ্কিং রেসর্নাচিংবদদি ফনা ফজেনা মায় পাক্কয়া খল্লি । লোইননা নেসনেল গেমসতা ক্বালিফাইদ ওইবা

ঙমখ্রিবা নুপাশিংগী মশান্না খরাদসু অকনবা প্রেকটিস তৌদুনা ভারতকী অচৌবা শান্নবুংগী চাংয়েংশিংদা মপুং ফানা য়াওহন্নীংই । নুপী শান্নরোয়শিংনা ঙম্বদুদি নুপা শান্নরোয়শিংসু ঙমফম থোকই হায়নিংই । অদুনা কন্না হোৎনহন্নীংই।

অথৌবা, জুন-জুলাই - ২০০৩ ।

*****

মণিপুরগী অহানবা গোল্ডন ষ্টার

দীঙ্কো ঙাঙোম

দীঙ্কোগী মায়পাক-য়ারীগী খোল্লাওতনা নীল্লম্বা সনা লৈবাক্কী অতিয়া ঈমায় চোনখ্রে । ঈথক নাইরক্লিবা মণিপুরীশিংগী উনবী পুক্লিংদা হৌরাও মথোইগী কুপ্লবা লংলাশিংনা কুংনা কুংনা ফেঙ্খিল্লকই । ভারতকী বোক্সিংনা চহী ১৬ ঈকং থোকপগী অরাবা নংলকপা, ইকায় ফিরুক খুম্লকপগী মৈচাক কোকহল্লম্লবা দীঙ্কো, যুগকী ইতিহাস ইবনি । মহাক নত্তনা এসিয়ান গেমসতা সনাগী তকমান লোঙম্বা রাজ্যসিংগী শান্নরোই মমাংদা লৈখিদ্রে । সেক্তা লমদমগী লাইরবী পলেমগী থোইথোই, মীওইবা সেবাদা কখোল্লুবা দাউলালেগুগী চীলড্রেন হোমগী মপুক তপ্ল' লৈকোলদগী তপ্লা তপ্লা লৈনম য়েল্লকখি । ওজা ইবোমচাগী অনৌবা মপোক্তা মালেম ফম্বাক্তা অনৌবা খোঙচৎ তমখিবা চহী ২০ দং ঙাইরিবা, ইন্দিয়ান নেভীদা জুনিয়র কমিসন ওফিসর ওইরিবা বোক্সর অসিনা মণিপুরী শান্নরোইশিংগী অঙানবা লমজিং মৈরা ওইগনি । ১৩ শুবা এসিয়ান গেমসকী এডিসন্দা সনাগী অহানবা মেডল একাউন্ট হাংদোকপা ঙম্বা মণিপুরী ওইবা অথৌবা নহা অসিগী মরমদমদা খঙনিংবা কয়া পোল্লক্লিবা অসিবু মথং মথং কোকহল্লনবগী থৌরাং লৌখৎচরকপগী শরুক অমা ওইনা *অথৌবা* গী স্পোর্টস রাইটর কুমারী রত্নেশ্বরী গোশ্বামীনা দীঙ্কোগী অপোকপি পলেমগা উনরুবগী পাউদম খরদং পাবীরিবশিংগী মফমদা থমজরি ।

ঙারি কাংশোই চাবা, হঙ্গাম, কোবী, পেরুক চারগা চাওরকপা, মৈতৈ মচাসু এসিয়ান গেমসতা সনাগী মেডল লৌবা ঙম্মী হায়বসি মণিপুরগী বোক্সর ঙাঙোম দীঙ্কোনা ইং ১৯৯৮ গী ডিসেম্বর ১৭ কী নুমিদাংবাইরমদা থাইলেণ্ডগী মুওঙ-থো-থানী ষ্টেদিয়ামদা, উজবেকিষ্টানগী টিমুর টুলয়েকোবপু থীনগাইদুনা ময়েক শেংনা উৎখ্রে ।

নীংশিংবা য়াবদি, এসিয়া মহাদেশকী লৈবাক ৪১ না শরুক য়াখিবা '১৩ শুবা বেঙ্কোক এসিয়ান গেমস' অসিগী, বেন্টাম ৱেঠকী বোক্সিং কম্পিটিসন্দা দীঙ্কোনা অহানবা ওইনা দিসেম্বর ৯ দা চীনাগী রৈ হোঙতাওগা থীনগাইনখি । মণিপুরগী বোক্সর অসিনা, রাইট ক্রোস লেফ হুক্কী পঞ্চ শীজিন্নদুনা য়েং-ওই খঙদনা থীনগংখিবগা লোইননা রৈ হোঙতাংবু ১৬-৬ তা মায়থিবা পীরল্লগা ক্বাটর ফাইনেল চঙলকখি । ক্বাটর ফাইনেলগী বাউট ডিসেম্বর ১২ দা দীঙ্কোনা কেম্বোদিয়াগী ভীরিক রেকাগা থীন্নখি । মসিদসু দীঙ্কোনা ভীরিক রেকাগবু অঙকপা মওংদা থীনগাইরম্লগা লোইননা পোইন্ট ১৯-২ ফঙদুনা সেমিফাইনেল য়োৎরকখি।

শক্তাক চেরোল

মীং ঙাঙোম দীঙ্কো

অপোকপা অপোকপী - ইবোতোন / অঙৌবী

চহী ২০ (১৯৯৯)

দিসিপ্লিন - বোক্সিং

অৱাংবা - ফিট ৫ ইঞ্চি ৬

অরুম্বা কেজি ৫৪

সর্ভিস - ইন্দিয়ান নেভি (বোম্বে), জুনিয়র কমিশন ওফিসর

লৈফম - সেক্তা ময়াই লৈকাই ।

স্পোর্টস অচিবমেন্ট (নেসনেল)

১। সব-জুনিয়র নেসনেল	গোল্ড	অমর' ৯১
২। ৱাই এম পী এ চেম্পিয়নশিপ	গোল্ড	নিউ দিল্লি' ৯২
৩। সব-জুনিয়র নেসনেল চেম্পিয়নশিপ	ৱোঞ্জ	নিউ দিল্লি' ৯২
৪। ৱাই এম সী এ চেম্পিয়নশিপ	সিলভর	নিউ দিল্লি' ৯২
৫। ৱাই এম সী এ চেম্পিয়নশিপ	গোল্ড	নিউ দিল্লি' ৯৩
৬। ৱাই এম সী এ চেম্পিয়নশিপ	গোল্ড	নিউ দিল্লি' ৯৪

৭। ব্লাই এম সী এ চেম্পিয়নশিপ	গোল্ড	নিউ দিল্লি'৯৫ (বেষ্ট বোক্সর)
৮। সেনিয়র নেসনেল চেম্পিয়নশিপ	গোল্ড	কলকত্তা' ৯৬
৯। ফোর্থ নেসনেল গেমস	গোল্ড	বেঙ্গলোর' ৯৭

ইন্টরনেসনেল

১। অদাজনিঅ ইন্টরনেসনেল চেম্পিয়নশিপ	গোল্ড	নিউ দিল্লি' ৯৬
২। কিংস কপ চেম্পিয়নশিপ	গোল্ড	বেঙ্কোক' ৯৭ (বেষ্ট বোক্সর)
৩। অদাজনিঅ ইন্টরনেসনেল চেম্পিয়নশিপ	গোল্ড	নিউ দিল্লি' ৯৮
৪। সি এন ফিউগোস ইন্টরনেসনেল চেম্পিয়নশিপ	সিলভর	কিউবা' ৯৮
৫। ১৩ শুবা এসিয়ান গেমস	গোল্ড	বেঙ্কোক' ৯৮

মেদল ফঙলকখিবদা শরুক য়াখিবশিং

১। ১০ শুবা ময়ুর কপ বেলাকো সিটি, ফিলিপিন্স' ৯৮

২। ৩৫ শুবা গীরালাও কারদোভা করদিন হবানা কিউবা' ৯৮

৩। শুসা কপ কিউবা' ৯৮

৪। ১৬ শুবা কমন ৱেল্থ গেমস ক্বলা লম্পুর' ৯৮

লোইননা, ডিসেম্বর ১৪ দা দীঙ্কোনা ৱার্ল্ড নম্বর থ্রি, থাইলেণ্ডগী বোক্সর সোন্টয়া রোঙপ্রিসকা সেমিফাইনেলদা থীনগাইর্নখি। লম্বা চানা শান্নখিবা ওইবনা খ্বাইদগী নুংঙাইহৈখিবা বাউটসু মদুনা ওইখি। বোক্সর অনীমক দিফেন্স অমদি ওফেন্স শীজিন্নদুনা শান্নখি। দীঙ্কোনা ওয়গী হুক্তা হৈনবগুম সোন্টয়া রোঙপ্রিসকীসু য়েংকী হুক্তা হৈনবগী মমি ফজনা তাখি। নুমিৎসিদদী দীঙ্কোসু মৈতৈগী শরিৎ-শরাগী কাংলোন মানবা টেক্নিক কয়া শীজিন্নবসু উখি। সেমিফাইনেলগী থীন্নখিবা অসিদদী সুপ্নগী পোইন্ট মরিখক হেন্দুনা ১৮ ১৪ ফঙনখি। অসুন্না দীঙ্কো ফাইনেল য়ৌরকখি।

ফাইনেল বাউট য়ৌরকপগা লোইননা দিসেম্বর ১৭ তা উজবেকিস্থানগী টিমুৰ টুলয়েকোবপ্ থীনগাইরমদুনা এসিয়ান গেমসতা সনাগী মেডল লৌবা ভম্বা মৈতৈ লৈমগী মপান্না অহানবা ওইখি।

অমরোমদা, হন্দক্কী ১৩ শুবা এসিয়ান গেমস অসিদা মণিপুরদগী দীক্কো নত্তনা নুপা শান্নরোয় অমত্তা শরুক য়াবা ঙমখিদে অদুবু বোক্সর অসিমত্তং শরুক য়াখিবা ওইরবসু সনাগী মেডল অমা পুরক্কুনা লমদমসিগী শান্নরোয় পুন্নমক ইজৎ ঙাক্লুম্বতা নত্তনা মালেমদা মরমদম অসিবু ময়েক শেংনা শংলাক্লুম্বীদমক, মণিপুর প্রজা পুম্বনা দীক্কোবু ময়ুম মায়কৈ পাঙলকপা খৌরাংনা ঙাইনরকখি ।

মণিপুরগী ইতিহাসতা সনাগী ময়েক্কা ইদুনা লৈহৌরগদবা, শক্লাইরবা, মমালৈবাক মরমদম্বু ইকাই খুম্নবা ফঙহল্লিবা বোক্সর দীক্কোগী মরিক চুম্বা ৱাফম মীয়ামদা তমজনিংবদগী সেল্লা ময়াই লৈকাইদা লৈবা বোক্সর অসিগী য়ুমদা চত্তুনা ডিসেম্বর ১৯ দা মাবু পোকপী ইমা অঙৌবীবু উন্নজরুই । অফাওবা বোক্সর পোকপী ইমা অঙৌবীনা ঐখোয়বু তৱান্না ওক্লদুনা দীক্কোনা পীক্লিঙৈগী পুন্সি ৱারী কয়া ময়েক শেংনা লীদুনা তাহনবীরকখি । অহানবা ওইনা মচানুপা অতোনবা থোইথোই (মমানা নুংশিনা য়ুমদা কৌজবা) গী মীনা লাকচবা য়াগন্দবা, শাওরগা মতিং ফুদোক্কনবা মগুণশিংগী মতাং পল্লদুনা অসুন্না হায়বীরকখি, 'হন্দক থোইথোইনা মেডল লৌরাক্লিবসি মাবু শাওহল্লগা পুবীখিবা অদুননি হায়না ঐদি খল্লি । ঐগী ইচাদো পীক্লিঙৈদগী হৌনা মীনা লাকচবা, শীঙনবা সুকয়া য়ারক্কুবনি । ইচা নুপা মরিগী মনুংদা মাদি পুমতোপ তোম্পা অঙাং ওইনা হোরকপনি । অতৈগা মাগা মান্নদবা য়াম্না লৈ; অঙাং ওইরিঙৈদগী মরিঙজেলসু পাল্লকই হৈশিংনা, মীতেক মীরো খঙনা মমিং মনা শীংনা চাওরকপা অঙাংনী মাদি । ইচা অতৈনা ঙাংন শক্লবসি খরা অদুম য়ারকই, অঙাং ওইরিঙৈ চহী ৪/৫ অদুৱাইদগী নীঙাই মতৌসি মাগা অতৈগা সুকমান মান্নদে । ইমানদি লৈতবনিনা ঙসিদি চজিকসি নয়াম্বহোয়, নচেহোয় চামীম্নহৌরো হায়বসি অতৈদি করিসু হায়দে, মাদি চজিক চাও য়ারক্কে, লুখাক চাবা তুক্কংচৈ, ওনীংঙি, পুখম ফজবদা চাক চানীংই হায়দুনা নীঙাই তৌরকপা অঙাংনি । খরা ঙাংনবা ৱাবা অঙাং ওইনা অদুম হৌরক্লবনি অদুবু পীক্লিঙৈদগী থবক তৌবদি চঙখোল্লি, মানা ঙমগে তানখিবা অদুমদি মথক্তা মীনা ৱা ঙাংহন্দনা তৌবা ঙম্মী । শঞ্জেন ষনঙাকপা ঙন্নকপা মতমদা চনুং চীঙখোঙ তান্না ষন শেন্দুনা য়ুমগী মতেং পাঙলক্লবা অঙাংনি ।'

ৱারী অমসু নিংশিংলক্লে হায়দুনা ইমা অঙৌবীনা অসুন্নসু মখা তারকখি 'অঙাংদি নিংথাদগী খঙই হায়দুনী, ইমানা লৈতবদি অয়ুক চারগা নুমিদাং হেনবা, নুমিদাং চারগা অয়ুক হেনবা কয়া অমা য়াংথ্রবনিদো; অদুবু মানা কুপ্না খল্লমগে

হায়ববু নোংমা নুমিদাংৱাইরুম অমা ঐসু থবক শুরুরগা হল্লকপদা কোম্হোংদা ঐ লাকপা ঙাইদুনা লৈরম্মী । ঐনসু হংই, কৈদৌগে থোইথোই অদুদা লেপ্তুনা লৈরিবদি । মানা চঙশিল্লক্লগা ইমা চীঙদগী শীঙ য়াল্লগা য়োল্লুবদা লুপা ১.৫০ শিংলকই, 'সিনা য়াম লৈরকউ, হোরেন ওল হৌরগা পুল্লপ চামিন্নসি । ঐনা হেক ঙর্কাখিবসিদি হায়নিংঙাই লৈতে । পীক্লিঙেদগী হৌনা মাগীদমক্তদি ঐ করিসু ৱারঙে মশা ইংচবা ঙম্না লাকই । মমান্নবা কনানসু লাকচরক্তে । ঐনা যান্না ৱাখিবদি মাগা হেক থঙনবা, ইচা শান্তি অসিগীনি । ময়াম্বা অসিদি মবুকসু তপ্পী, মরিংজেনসু কয়া পান্দে, নখোয়গী অঙাং থমফম (চীলদ্রেন হোম) অদুদা মাবু হান্না থম্বনি । হঙ্গিন হঙ্গিন চেল্লকপদগী মাদি লৈয়ু অদুম য়াখিদ্রেদনা । অদুগী থোইথোইসি অমুক, লৈখিদ্রবা ময়াম্বা অহল চাওথোইনা লাইরিকাসি হৈহন্নিংখ্রদনা মাসু থমখসি হায়দনা অমুক, কেন্দ্রগী এম এল এ, লৈকাইগী প্রধান শোই শাং ময়াম অমা তৌরগা থমখিবনি। মরু ওইনা ইমাগা মাবু, নখোয়গী মমা মপা লৈজদবা অঙাং ময়াম থম্ফম অদুদা থমখিবসিদি লাইরিক হৈহন্নীংবদগী থমখিবনি। ৱাফম অসিসু ইমাহোয়দি হান্না খঙজবা নত্তেদা । মখোয়গী অঙাং ময়াম থম্ফমদুগী মনাক্তা ইচানুপীশিং থোকপী মেমচা কৌবী অমা লৈ, মানা ইমাগী লৈত লাইর, অঙাং নুবীশিংগী লাইরিক লাইশু ফজনা তমহনবা ঙমদবা অসিদা নোংমা লাক্লগা হায়বনি । অঙাংশিং অসি লাইরিকসু ফজনা তমহন্নবা, চাকসু ফজনা মবুক থঙ্গনবা চীলদ্রেন হোমদা থমখ্রসি, মখোয়না অদুম ফজনা শেমজখ্রদৌনি, হয়েং চাউরগা মশা ইংপা ঙল্লগা অমুক নুংঙাইনা লৈমিন্নরগা লোইরে হায়বদুদা থমখিবনি। থোইথোইদি য়ুমদা লৈরিঙেদা সেক্তা এল পী স্কুলদা অনীশুবা ফাওবা তমখ্রে । মদুসু লৈকাইগী মখুৱা মতোনশিংগী মনাক্তা চত্তুনা হেক হেক মাদি তাকহনখি । মাদি লাইরিক খরসু হৈনিংলকপা অঙাংনি । মখোয়গী হোমদুদগী মাসু খরদি চেল্লক্লম্মী । নোংমা ময়াম্বা অহল চাওথোইনা নং লাইরিক হৈরগা অচৌবা মী ওইবনা ফংত্রা ঐখোয়দি লাইরিক তম্বা ফঙহৌদবদগী হৌজিক অৱাবা থবক ময়াম শুরগা লৈরিবসিনি হায়দুনা নং চংকেরা চংলোইরা হায়দুনা ফুবদগী অদুম লৈখিবনি । মরিংজেলদি মতা অমনি ।'

মহাক্না শাংলবা মতম অমা চীলদ্রেন হোমদা লৈখিবা অসিসু কুম অমগী শজিবু চৈরাওবগা, নিঙোল চাক্লৌবগদি য়ুমদা চংপা য়াহল্লি । নুমিং অনিসি ঙাইবদা ইমাসু অৱাবা কয়া ওইখি । মরক্তদি য়ুমগী মীসু লাকপীগনু অঙাং

লাক্লবসু হায়বিরক্কনু হায়দুনা য়ুমগী অশি অনাদফাওবা পাউ অমত্তা তাকখিদে । উন্ননীংদুনা চৎলুবসু উন্নদনা হল্লকপা কয়া য়াওখি হায়রগা ইমাদো মবুক্লিং নুংশিনা কপ্লকখি ।

'ইমাদি চহী ৩০ দা লুখ্রা ওইহৌবনিদো, মতমদুদা ইচা নিপান্নী (নুপা মরি নুপী মরি) থোইথোইনা ৬ শুবা নুপাগীদা অতোনবনি । মথক্কী ময়াম্বা অহলগা য়াইমগাদি লৈখিদ্রে । হৌজিক মাগী তাতোন শান্তিগা মাগতা ঙাইহৌরে নুপাদা । ইচানুপী অতোনবী রাণীতোন্না থা অহুম হায়রকপা মপা লৈখিদবনি ।'

'ময়াম্বা চাওথোইদো লৈজরবদি কয়াদা নুংঙাইজগদবা, ইমা ইচাদি, মনাও ময়ামশিং অসিগী খনবদা লৈত লাইর ঙম্ননবা অক্সা অনা য়াম্না পুমীন্নরক্লবা ইচানী। মানা 'থোইথোই' বু ফহন্নীংদনা, ক্সারক ক্সাতেম তৌখিবশিংদু ঙসি থোইথোইনা মেডল ফঙলকপগী পাউসি তাজরবদি পেঙ্গরোইদ্রদো হায়রগা ইমা অঙৌবী মবুক্লিং নুংশিনা কপথোরকখি ।

অসুন্না অক্সা নুংঙাই কয়াগী ক্সারী শানা শানা থোইথোইগী পোকপা নুমিৎ হঙলুবদা ইমা অঙৌবী লৈমনা অসুন্না পাউখুন্নকখি, 'মাদি জন্ম কুঠি অসি ইমানা শাউনিংদুনা ইখিদে। কুঠি ফজনা ইবা ইচানুপা অহলসু য়াইমসু মথং মথং শিখিবদগী মচলশিংগা থোইথোইগদি ইমানা ঈশ্বরসি খরা ক্সাবৌদুনা হাখিদবনি অদুবু মহাক্কী মপোক নুমিত্তি নিংথৌকাবনি, পোকখিবা থানা ইঙাগী নোং য়াম্না চুবা নুমিৎ অমগী নোংঙাল্লমদাই অমম-অঙান শিন্নরকপা মতম অদুক্সাইদনি । ইমাহোয়না লাইরিক লাইশু তম্লকপসু নত্তবনিনা নখোয়গী শোক তারিখকা হায়দুদি খঙদ্রে ।'

'ঐগী ইচাসি মঙাও য়াম্না থীরকই । মরিংজেলসু খরা খারকই । মীনা লাকচবদি পীক্লিঙৈদগী য়ারক্রবনি'। মমান্নবনা ফুরকই হায়বসি কয়া তারক্কে অদুবু লম হেনবা থবক কয়া তৌরুবসু মহাক ওইদবদি খক ঙাংলক্রবনি । লম ফনা হেনবা থবক তৌরুবসু ময়াম্বনা মাবু নুংশিবীরিবসিদি ওইদবা ঙাংদবা অদুগীনি হায়না ইমাদি খল্লি । অদুগা ঙসি বোক্সিংদা মেডল লৌবা ঙম্লক্লিবসি মাগী ওজা ইবোমচাগী মপান্দগীনি । শান্নবগী মতাং অসিদি মাগী ওজানা পুঙশেম শেমজখ্রবনি। মসিগী মতাংসিদদি ইমাহোয়না হায়নিংঙাই করিসু লৈজদে । ওজা ইবোমচামক নৎলমদ্রবদি ঙসি ঐগী ইচানা মেডল লৌবা ঙম্লক্লীবসি করি ওইরমগদগে ইমা হায়বা ঙমদে । য়ুমদা লাকপদসু মানা তোইনা পল্লিবসি মাগী ওজা ইবোমচানী । খ্বাইদগীসু কীজবা, খ্বাইদগীসু নুংশিবা মী অমা হায়য়ু হায়রগাদি ঐখোয়গী ওজা

ইবোমচানি হায়নসু ওত্তনা হায়' হায়না ইমা অঙৌবী লৈমনা তম্নকখি ।

হৌজিক মচানুপা দীক্লোগী মতাংদা করি হায়নিংবগে হঙজরুবদা ইমা অঙৌবী লেম্না অসুম্না মখা তানা ফোঙদোকপীরকখি, 'ইচা থোইখোইসি হৌজিক ইনাওগা লেঙদনা লৈহন্নীংলে। মখোয়গী বোক্সিং হায়বাসিদি অফাওবা মী ওইরক্লবদি হেক্তা শাংতোকপী হায় । মসিবু চুমব্রা ? মাগী মরিংজেল অদুগা, মীরমদা মাগী কনাসু লৈতবা জগাদুদা তোকরবদি কনানা খঙনি থোক হাংতোকপীখ্রবদি ! ইমাদি ইচানুপা অনী অমসু শিখ্রবনিদো, অদুনা, নহাক্কী রাখলনা তুম্বা য়াদ্রি।' হায়না নুংশা থীনা হায়রকখি । নুংঙাইবা রারী শাদুনা, মচানুপাবু কনানসু হাংতোকপিরোই মাবু হাংপা ঙম্বা পোক্ত্রি হায়দুনা ফাগী তৌরবা তুংদা, ইমা অঙৌবীনা মখা তারকখি 'মাগী থবক অসিসু চহী ১০ দি লেঙবা য়াদে, অদুনা বোম্বেদা নেভী ওইদুনা চহী ১০ লৈগনি, অদুগী ইমাগা পুন্না লৈমিন্নদোনি হায়রম্মীনে । মহাক্কা থবক তৌরক্লবসিসু চহী অহুমদা হায়রক্লমাল্লে । আদগী শেল থুম চাং নাইনা অদুম খারকই ।' চিঠিসু ময়াম লৈবনি হায়দুনা মচন অতোনবী রাণীতোন্না দীক্লোগীনা মমা অমদি মচন অতোনবীদা হরকপা চিঠি ময়াম অমা পুথোক্তুনা পাহনবিরকখি।

নমদম তান্না লৈহৌরবা মমাদা নুংশিনা ইজরকপা, শান্নবগী ট্রাইয়েল নুমিত্তা মঙ্গল ওইননবা মমাদগী বর নীজরকপা, মচানুপী অতোনবী রাণীতোন্না রারক রাতেমদুনা লাইরিক লাইশুদা পুক্লিং চঙননবা ইজরকপা, অমত্তা ঙাইরবা মাগী তাতোন্দা ইমুং মনুংগী থবক ইনখাঙ, লৌ-শিং য়েঙশিল্লন্নবা ইজরকপা, মমাদা চিঠি থারক্তবগী রারৌদুনা মপুক্লিং নুংশিনা ইজরকপা, ইমুং মনুংগী অৱা অনাদা, মহাক্কা অরাম্পা মীরমদা লৈরবসু শরুক য়ারি, শেল থুমগী অৱাংপা লৈরবদি হেক্তা হায়বিরকউ হায়দুনা মচিন মনাও মমা-মচা মচল মচেগী নকশিন্নবা নুং ফাওনা ইনবা চিঠি কয়াবুসু য়েঙহনবীরকখি ।

অরোইবদা, ইমা অঙৌবীনা রাফম অসিমসু হন্না হায়বীরকখি, 'ঐখোয়গী মায়কৈসিদগী লাইরিক লাইশুগী মঙালসি খরসু রাংলি । তশেংনা ইমানা মাবু মমা-মপা লৈজদবা মফমদুদা থমখিবদি লাইরিক হৈবা মী অমা ওইহন্নীংবদগীনি । মফমদুদা থম্বা হায়রিবসিসু পু পাংগা শুরবদি লৌবীহৌ পোং নত্তেদা । থমদ্রিঙৈদা কুপ্পা রিপোর্ট লৌখ্রপোংনি । সেক্তাদগী মখোয় অঙাং অহুম্নি মতমদুদা থন্নবগী ঙাংনবসি । অমদি পু-পাং শুই হায়দুনা ফীজমগী মোবী কোবা অঙাং অমগনি অকোনবদা থোই-থোইগা থম্মীন্নখিবসি । মাসু চেল্লক্তুনা অকোনবদা সেক্তাদগী লৈখিবসি 'থোই থোই' থক্তনি । হোমদুদগী মথং মথং চাউখংলক্লগা সাইগী

শান্নফমসিদা মাগী ওজা ইবোমচানা পুশিনবীদুনা ঙসিগী ফীবমসিদা য়োঁরকখিবনি। 'খুমন লম্পাক্কী সাইগীদা লৈরবা মতুংদদি য়ুমগা খরা নকশিন্নবা হৌরে । য়ুমদা মরক মরক্তা লাকুনা ইমুং মনুংগী ব্রা-লান ঙাংনবা, মাসু খরা খরা য়াওবা হৌরক্লে । অঙাং ওইজরবসু ব্রা তান্নবা, খন্নবদা বুথি থোকপা হৈশিংবা অঙাং ওইনা হৌরক্লবনি মাদি ।'

অরোইবা ওইনা ঐখোয়না হঙজখিবা ব্রাহং, ইমা - দীক্ষোগী পৈশা ময়ামসি করিদা শীজিন্নগনি মোং খরদং পীবীরকউ হায়জরুবদা ইমা অঙোবীনা তেন্না অসুন্না হায়বীরকখি, শেন থুমগী ব্রাফমসিদি মহাক থোররুগা মানা তৌনিংবা পাঙথোরকীংবা তৌজসনু । ইমানা করিসু হায়নিংঙাই লৈতে । থোইথোইনা শান্নগদবসি হন্দক্কীসিনা খরা মচানি হায়রমই, নখোয়গী হায়বদি থোক্লে ইমাদি, ওলিম্পিক হায়ব্রা মদুমগা ব্রাংলিমাল্লে; মদুফাওবা খ্বাই মীয়ামগী কৃপাদগী মঙ্গল ওইনা শান্নহনবা ঙমহনবিদুনা ইচানা নীঙবসি থুঙহনবীনবা ঈশ্বরদা খুরমজবিসিনি ।

অরংবা মশেক-মঙালগা লোইননা ঙসিদি দীক্ষোগী মায়পাক্লক .গী ব্রারীনা মণিপুরগী অতিয়া পুম্বা শিন্থুংনা নিনখ্রে । মণিপুরগী হৌরক্লিবা শান্নবোয় পুন্নমক্তসু দীক্ষোনা অনৌবা আশা বয়া পীরে । থোনা ফৱবা সনাগী খুং পানবা মৈতৈ বোক্সর অসি লাক্কদৌরিবা ইং ২০০০ গী সীডনী ওলিম্পিক্তসু মায় পাকপা ঙম্মনবা *অখৌবা*গী ষ্টাফনা থম্মোয় শেংনা ঈশ্বরগী মফমদা নিজরি।

অখৌবা, জানুৱারী ১৯৯৯ ।

*****

বেঙ্কোক এসিয়ান গেমসকী

অঙানবা থরান মৈরা অনী

১৩ শুবা বেঙ্কোক এশিয়ান গেমসতা ভারতকী রিমেন্স হোকি টিমদা যাওখ্রুনা শরুক যারুবী লোশিননা গেমস অসিদা সিলভর মেদল লৌরকখিবী মৈতৈ চনু, খেত্রিমযুম টিঙ্গোঙলৈমা চনুনা বেঙ্কোক এসিয়ান গেমসকী মতাংদা অসুন্না হায হন্দক্কী ঐখোয় মেদল অমদি শোইদনমক্কী লৌরক্কনি হায়বসি হান্না খরসু খাজবা লেজখি। মমাংগী ১২ শুবা হিরোসিমা এসিয়ান গেমসতসু ঐখোয় ফোর্দ তাজরকখি। ১৬ শুবা বসন রেলথ গেমসতসু মেদল পুরকপা ঙমজখিদে। গ্রুপতা সেকেণ্ড তারগা লৈশিনলক্লিবসি কুইরক্লে হায়নদুনা হন্দক্কী ঐখোয় রাশক্করগা চৎলখি। হন্দক মেদল পুরক্রুবদি ঐখোয় হোকি তোক্লগদবনি হায়নজখি। মরম অদুনা শান্নবা মতমদসু য়াম্না চ্যেকশিন্না শান্নজখি। অদুগা ঐহাক '১৩ শুবা এসিয়ান গেমস' অসিদা ইন্দিয়ান টিমগী ভাইস কেপ্টন ওইদুনা চৎলখি।

টিঙ্গোঙলৈমনা উন্নবা অসিদা মখা তানা হায়, ঐখোয় হন্দক্কী বেঙ্কোক এসিয়ান গেমস অসিদা ইহান হান্না থাইলেন্দগা শান্নজখি। মদুদা ইন্দিয়ানা ১৩০ দা পীথরমখি। মথংদা চীনাগা থেঙনখি, মদুদনা ২১ দা কাজরকখি। মথংদনা উজবেকিস্টানগা শান্নজখি, মদুদসু ২১ থোইজখি। অদুবু রাউণ্ড রোবিনগী মরিশুবা মেটচ ওইনা সাওথ কোরিয়াগা শান্নবদদি ০-০ মাযখিবা ফঙজহৌখি। মঙা শুবা মেটচতনা কাজিকিস্টানগা শান্নজখি, মদুদনা ৬১ থোইজখি। লোইননা তরুকশুবা মেটচতদি জপানগা দীসাইদিং গেম শান্নজখি, মেটচ অসিদদি থোইনবা ঙম্নদনা ১ ১ দা দ্রো ওইজখি। খরা কন্না শান্নজবা য়াবদুসু ঐখোয় টিমগী ফুল বেক শান্তি কৌর হান্না য়েল্লো কার্দ অমা চাখিবদগি পাঙ্গল লোইনমক ফুদোকপদি ঙমজখিদ্রে। অদুবু ঐখোয়না হান্না শান্নখিবা অদুদা স্কোর তরেং হেনবনা ঐখোয় ফাইনেল চঙজরকখি। ফাইনেলদা ঐখোয় সাওথ কোরিয়াগী মখুৎতা ঐখোয় ২-১ দা মাইথিহৌখি। লোইননা সিলভর মেদল ফঙজরকখি।

মখা তানা শান্নরোয় অসিনা হায়, মেদল অসি ফঙজরকপদা ফাওজখিবা অরাবা অমসুং নুঙাইবদি অহানবদা ঐখোয়না হেক শান্নজরকপদগী ঙসি ফাওবা ইন্টরনেস্নেলগী টোর্নামেন্টতা ফাইনেল মেটচ অমুক্তা শান্নবা ফঙজরক্তি । গ্রুপতা

সেকেণ্ড তারগা লৈহৌরিবসি ফনা য়ামশিনলক্লে। মরম অদুনা হন্দক ১৩ শুবা এসিয়ান গেমসতা সাওথ কোরিয়াগা ফাইনেল শান্নজবা ফওজবসি য়াম্না নুঙাইজে। শান্নবদা মায়পাকপা মায়থিবা হায়বাসিদী দাওগী রানী। ঐখোয়সু হন্দক্কী ফাইনেল মেটচ অদু ফজনা শান্নজখিব্রা খঙ্গে। ফাষ্ট হাফতা ঐখোয়নসু গোল্ড অমা লীদ তৌদুনা চংলল্লীবনি। অদুবু সেকেণ্ড হাফতা অমা হন্দোকখ্লগা লাষ্ট মিনিটতা অমা চনশিনখ্লগা কাখিবনি। বেঙ্কোক এসিয়ান গেমস অসিদা ঐখোয়সু গোল্ডগী আশা য়াম্না নক্লম্লবনি।

নুঙাইজখিদবা অমনা, এসিয়ান গেমস অসিদা ঐখোয় গোল্ড ফওজবল্লবদি ওলিম্পীক্কী ক্বালিফাইদ ওইজরম্লগদবনি। অদুবু সিলভর মেদল ফওজখিবনিনা চংলিবা চহীসিগী জুলাই থাদা ঐখোয় ওলিম্পীক্কী ক্বলিফাইং রাউণ্ডদা লৈবাক খরাগা অমুক খেঙনখিবা তারি। মসি খল্লুরগদি য়াম্না নুঙাইজদে।

নিংশিংবা য়াবদি, টিঙ্গোঙলৈমা চনু শগোলবন্দ মোইরাং হনুবা লৈরক্তা লৈবা ক্ষেত্রিময়ুম তোম্বা মীতৈ অমদি শ্রীমতি মেম্মা লৈমাগী অনীশুবী (মচানুপী মরি/মচানুপা মরি) মচানুপীনি।

কুমারী টিঙ্গোঙলৈমা চনু পীশক পীক্লিঙৈদ্দগী শান্ন খোংনবা পাল্লকখি। শগোলবন্দদা লৈবা মোদেল হায়র সেকেণ্ডরী স্কুলদা তম্লিঙৈদা স্কুল অসিগী ওঝা ইবোতোম্বীনা মাবু ইন্টর স্কুলগী লমজেলনচিংবদা ইহান হাম্না শরুক য়াহনবীরকখি। অদুবু মহাক্না শান্ননিংলবসু মখা তানা লমজিং লমতাক তৌবীগদবা ওঝাদি ফওজখিদে। মমৈদা স্কুল অসিগী ওঝা সলাম য়াইমা সিংহনা নংদি গোল্ড কিপ্পর শান্নবা য়াগনি, হোকিগী গোল্ড কিপ্পর শান্নো হায়বীরকপদগী ইং ১৯৮৯ / ৯০ লোম্নবা চহীসিদগী টিঙ্গোঙলৈমা হোকি শান্নবা হৌরকখি । মতমদু মহাক ক্লাস নাইন কারে হায় । লমজিংবীনবা ওঝা লৈরম্লবদি মহাক য়াম্না ঙন্না শান্নবা হৌজরম্বসু য়াবনি হায়নসু ফোঙদোকপীরকখি ।

অসুম্না শান্নরকপদা মহাক ইং ১৯৯০ দগী সাই হোষ্টেলদা জোইন তৌদুনা সাইগী প্লেয়র ওইদুনা লৈরকখি ।

শক্তাক চেন্নোল -

মীং : ক্ষেত্রিময়ুম টিঙ্গোঙলৈমা চনু

অপোকপা অপোকপী : কে এস ঐচ তোম্বা মীতৈ / শ্রীমতী মেম্মা

মশান্না : হোকি

পোজিশন : গোল কিপর

অরুম্বা : কে জি ৬৫

অৱাংবা : ফিট ৫ ইঞ্চি ৭

চহী : ২৪

সার্ভিশ : সিনিঅর ক্লক (ৱেষ্টর্ন রেলৱে, চর্চ গেট, বোম্বে)

লৈফম : শগোলবন্দ মোইরাং হনুবা লৈরক

স্পোর্টস অচিবমন্ট-ইন্টরনেসনেল -

১. ইন্দো জপান টেষ্ট মেটচ, ওশাকা জপান ১৯৯২

২. ফর্ষ্ট জুনিয়র ৱিমেন্স এসিয়া-কপ (কুলা-লমপুর, মলেশিয়া) ১৯৯২, থর্দ পোজিশন

৩. ইন্দো শ্রীলঙ্কা টেষ্ট মেটচ, শ্রীলঙ্কা ১৯৯৩

৪. থর্দ ৱিমিন্স এসিয়া কপ হিরোসিমা, জপান ১৯৯৩, থর্দ পোজিশন

৫. ১২ শুবা এসিয়ান গেমজ ১৯৯৪, হিরোসিমা, ফোর্থ পোজিশন

৬. ইন্দিয়া রুশিয়া টেষ্ট মেটচ, রুশিয়া জুন ১৯৯৪

৭. ইন্দিযা ওষ্ট্রেলিয়া টেষ্ট মেটচ, ওষ্ট্রেলিয়া ওগষ্ট ১৯৯৪

৮. থ্রি নেশন টোর্নামেন্ট, জানুৱারী ১৯৯৫

৯. সেকেণ্ড এ ঐচ এফ ক্লব চেম্পিয়নশিপ, সিওঙনাম কোরিযা

১০. ইন্দিয়া চীনা টেষ্ট মেটচ, চীনা ওগষ্ট ১৯৯৬

১১. এসিয়ান ক্লব টোর্নামেন্ট কোরিয়া (কেপ্তেইন) ১৯৯৫

১২. নাইন্থ ৱর্ল্ড কপ প্রিলিমিনারি ৱিমেন্স হোকি টোর্নামেন্ট পোর্ট ওব স্পেন, ট্রিনিদাদ হোকি টোবেগো, ওক্টোবর ১৯৯৬

১৩. নাইন্থ ৱিমেন্স হোকি, ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফাইং জীম্বারে, ওগষ্ট ১৯৯৭ (ইন্দিয়া ক্বালিফাইদ ৱার্ল্ড কপ ১৯৯৮)

১৪. ফোর নেসন টোর্নামেন্ট (য়ু এস এ) ১৯৯৮

১৫. সাওথ আফ্রিকা টেষ্ট মেটচ (সাওথ আফ্রিকা) ১৯৯৮

১৬. ইন্টর কন্টিনেলটেল টোর্নামেন্ট (দর্বান) ১৯৯৮

১৭. ইন্দো জর্মন টেষ্ট মেটচ (জর্মন) ১৯৯৮

১৮. ৱার্ল্ড কপ (হোলেন্দ) ১৯৯৮

১৯. ১৬ শুবা কমন ৱেল্থ গেমস (কুলা-লমপুর) ১৯৯৮

২০. ১৩ শুবা বেঙ্কোক এসিয়ান গেমস (থাইলেন্দ) ১৯৯৮ (সিলভর মেদল)

মীং : রাইখোম সুর্জলতা দেবী

অপোকপা অপোকপী : দরিয়ু. দীনমনি / শ্রীমতী সুবদনি

মশান্না : হোকি

পোজিশন : লেফ রিঙ অমদি লেফ হাফ

সার্ভিশ : সিনিঅর ক্লর্ক (রেষ্টন রেলরে, চর্চ্চ গেট, বোম্বে)

চহী : ২০

অরুম্বা : কে জি ৫০

অরাংবা : ফিট ৫ ইঞ্চি ৩

লৈফম : কোন্থা খাবম মখা লৈকাই

স্পোর্টস অচিবমেন্ট (নেশনেল) -

১ ৩৫ শুবা নেশনেল স্কুল গেমস, ১৯৯০ (হজারিবাগ)

২ ৩৭ শুবা নেশনেল স্কুল গেমস, ১৯৯১ (চন্দিগড়)

৩. ২৭ শুবা জুনিয়র রিমেন্স নেশনেল হোকি চেম্পিয়নশিপ, ১৯৯১ (মীজোরাম)

৪ ৮ শুবা সব জুনিয়র নেশনেল রিমেন্স হোকি চেম্পিয়নশিপ ১৯৯১ (নিউ দেলি)

৫. ৯ শুবা সব জুনিয়র রিমেন্স হোকি চেম্পিয়নশিপ ১৯৯৩ (আসাম) বেষ্ট স্কোরর (গোল্ড ১০)

ইন্টরনেসনেল অচিবমেন্ট -

১ ইন্দো শ্রীলঙ্কা টেষ্ট মেটচ (শ্রীলঙ্কা) ১৯৯৩

২ খর্দ রিমেন্স এসিয়া কপ, (হিরোসিমা, জপান) ১৯৯৩ থর্দ পোজিসন

৩ ১২ শুবা এসিয়ান গেমস (হিরোসিমা, জপান) ১৯৯৪ ফোর্থ পোজিসন

৪ ইন্দিয়া রুশিয়া টেষ্ট মেটচ,(রুশিয়া) ১৯৯৪

৫ ইন্দিয়া ওষ্ট্রেলিয়া টেষ্ট মেটচ (ওষ্ট্রেলিয়া) ১৯৯৪

৬. থ্রি নেশন্স টোর্নামেন্ট ১৯৯৫

৭ সেকেণ্ড এ ঐচ এফ ক্লব চেম্পিয়নশিপ, (কোরিয়া) ১৯৯৫

৮. ইন্দিয়া চীনা টেষ্ট মেটচ (চীনা) ১৯৯৬

৯ ৯ শুবা বাল্ড কপ পিলিমিনারি রিমেন্স হোকি টোনামেন্ট (পোর্ট ওব স্পেন, ট্রিনিদাদ এণ্ড টোবেগো) ১৯৯৬

১০. ৯ শুবা রিমেন্স হোকি বাল্ড কপ ক্বালিফাইং জম্বাবে (ইন্দিয়া ক্বালিফাইদ

ৱার্ল্ড কপ) ১৯৯৮

১১. ফোর নেশন টোর্নামেন্ট (য়ু এস এ) ১৯৯৮

১২. সাওথ আফ্রিকা টেষ্ট মেটচ (সাওথ আফ্রিকা) ১৯৯৮

১৩. ইন্দো জর্মন টেষ্ট মেটচ (জর্মন) ১৯৯৮

১৪. ৱার্ল্ড কপ (হোলেণ্ড) ১৯৯৮

১৫. ১৬ শুবা কমন ৱেল্থ গেমস (মলেসিয়া) ১৯৯৮

১৬. ১৩ শুবা এসিয়ান গেমস (বেঙ্কোক সেকেণ্ড পোজিশন)

অখোৌবা, ফেব্রুৱারী - ১৯৯৯ ।

*****

জাতিগী অথোইবা শান্ন-কুম্মৈ

লমদমসিদা মতম কুইনদগী মঙনরকপা অমা হন্দক্তী মঙফাওনখ্রে। পীক্লবা ষ্টেট অসি ঙসিদী নেসনেল গেমসকী মপু ওইবা ঙমখ্রে। ভারতকী খ্বাইদগী চাওবা গেমস অমা পাঙথোকপা ঙমখিবসি মতৌ করম্ননো হায়বা তারবদী অসুন্না তেন্না খুম্বা য়াই, মীয়ামগী অপুনবা শক্তীননি,,। অমরোমদা মণিপুরী জাতী অসি শান্ন খোংনবা পামই অমসুং স্পোর্টসতা থৱায় হকচাং লুপশিনবা ঙমই হায়বসিমসু ৫ শুবা নেশনেল গেমসতগী ময়েক শেংনা উবা ফঙনখ্রে।

তৌবদী, নেসনেল গেমস অসি হৌগদবা হয়েংতা ঙাইরবা ফাওবা করম থোক্লগবা হায়না মীপায়নখি । ওইগদ্রা ওইরোইদ্রা হায়বগী ৱাহং কয়াসু লৈখি। মণিপুরগী প্রজা অয়াম্বা অমগা অমগা ওনশিন্নদুনা তত্তনা হঙনখি, শোয়দনা পাঙথোক্লগদ্রা ? অয়াম্বদী শ্বর চনিং-চমাং শন্নদনা হৌগদবা পুঙফম লাংতক্লনা ঙাইর্নখি অদুবু চৌঙ-লেন্না মায়পাক্লা পাঙথোরকপা ঙমখি। ফেব্রুৱারী ১৪ দগী ২৫ ফাওবা নুমিং ১২ নী চুপ্পা মণিপুরগী অতিয়া শিম্বুংনা শান্নবগী ঈথক ইপোন্না পুমনিন নীনখি।

লিশাং শীংনা চংথরক্লিবা নেশনেল গেমসকী ইতিহাসতা, হন্দক মণিপুরনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা গেমস অসিনা খ্বাইদগী চাওবসু ওইখি। ভারতকী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট ২৬, য়ুনিয়ন টেরিটোরী অহুম অমদি সর্ভিসেস য়াওনা পুন্না কন্টিঞ্জেন্ট ৩০ না শরুক য়াখি। ৫ শুবা নেশনেল গেমসতা মরু ওইবা বোল লৌখিবা টীমশিংদী, কর্নাটাকা, কেরেলা, তামিলনাদু, অন্ধ্র প্রদেশ, মহারাস্ত্র, গোৱা, গুজরাট, মধ্য প্রদেশ, রাজস্থান, পঞ্জাব, হারিয়ানা, হিমাচল প্রদেশ, জম্মু-কাশ্মির, দিল্লি, উত্তর প্রদেশ, বীহার, ওরিষা, ৱেষ্ট বেঙ্গল, অন্দমান নীকোবর, চন্দিগড়, পোন্দিচেরী, অরুনাচল প্রদেশ, মেঘালয়, সিক্কিম, মীজোরাম, নাগালেণ্ড, ত্রিপুরা অমদি মণিপুরনি।

খ্বাইদগী নুংঙাইখিবদি, ভারতকী মফম কয়াদগী লাকখিবা শান্নরোয় ৬২৩৩ না মশান্না ২৭ তা চাংয়েং তৌদুনা শান্নখিবদা মণিপুর ষ্টেটনা ওভর ওল টীম চেম্পিয়ন ওইদুনা লেমজনিঙাই ওইরবা রাজা ভালিন্দ্র সিংহ ট্রোফি লৌবা ঙমখিবা অসিনি ।

নীংশিংবা য়াবদি, ৫ শুবা নেসনেল গেমস অসিদা ঐখোয়গী শান্নরোয় ৫৯০ না শরুক য়াখি। মসিদা নুপা শান্নরোয়না ৩৩৫ নুপী শান্নরোয়না ২৫৫ নি। মশান্না ২৭ তা লৈবা তৌনরবা তুংদা ঐখোয়গী শান্নারোয়শিংনা সনাগী মেদল ৪৯, লুপাগী ২৪, সেম্বেংগী ৩৯ পুন্না ১১২ ফংবা ঙমখি। স্পোর্টস ইভেন্ট ২৭ মক্তা শরুক য়াখ্রবসু সুপ্নগী মশান্না ১৭ খক্তংদা মণিপুরগী প্লেয়রশিংনা মেডল লৌবা ঙমখি। অদুগা, হন্দক ফঙলিবা মেডল অসি মমাংগী ৪ শুবা নেসনেল গেমসকদি য়াম্নমক খেন্নখি। মমাংগী গেমসতা মণিপুরনা সনাগী মেডল ১৫, লুপাগী ১০, সেম্বেংগী ১৭ পুন্না ৪২ খক্তমক ফঙখি।

মণিপুর ষ্টেটনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা ৫ শুবা নেসনেল গেমস অসি ১০ শুবা চহী চা অসিগী ভারতকী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা শান্নবগী থৌরম অমসু ওইহৌরগনি। শীঙথানহৌরগদবা গেমস অসিদা শান্নরোয়শিংনা রেকোর্দ ১৫, নেসনেল গেমস রেকোর্দ ৭৯ থুগাইখি অদুগা অচেরীদা ৩, ৱেঠ লিফটিংদা ১২, সাইক্লিংদা ৫, সুটিংদা ১১, ৱেঠ লিফটিংদা ৪০ গী অনৌবা রেকোর্দ কয়াসু থন্নখি।

ফেব্রুৱারী ১৪ দগী ২৫ ফাওবা মণিপুর প্রজা পুম্বা নেসনেল গেমসনা খুদুম চৎখি। হরাও নুংঙাইবগা লোয়ননা ইরাং লাংনখি। মীওই ক্লাংলুপ কয়া গেমস অসি হেন্না মায় পাকহন্নবা থবায় হকচাং য়াওনা চোঙথোক্লরকপা উখি। মানা মানা ঙস্বা হীরম কযাদা থম্মোয় শেংনা থবক তৌজবা পাম্বা কয়া ঐখোয়গী ইরক্তা য়াওখি। মদুমক্তনা পীক্লবা ষ্টেট অসিনা নেসনেল গেমস অমা লাইনা শিনবা ঙমখিবনি। গেমস অসিদগী খুদোংচাবা লৌবা পামজবা, শান্নরোয় নুংশিবা শাবা মীওই খরা উবা ফঙখ্রবসু মশিংদি হেন্না য়াম্বা ওইখিদে। কনানা লানবা কনানা চুম্বা কনানা খুদোংচাবা লৌবা কনানা লৌদবা অপীকপা ষ্টেট ওইখিবনা ময়েক শেংনা খঙবা ঙমখি।

নেসনেল গেমস অসি পাঙথোকখ্রবগী মতুংসিদসু হৌজিক মণিপুরগী ক্লাচিন কোয়া কয়া শান্নখোংনবগী ইহৌনা নিন্দুনা লৈহৌরি। গেমস লোইখিবা সুপ্নগী নুমিৎ মরিনীখক কান্নরগা য়াওশঙ স্পোর্টসনা অমুক মন্থং শিলহৌরে। ভারতকী জাগা অমত্তা তৌদবা মওংদা য়াওশঙ নুমিৎ ৫ নিবু শান্ন খোংনবগী নুমিৎ ওস্থোক্তনা মণিপুরগী মফম শিনবা থুংনা চহী খরদগী পাঙথোকরক্লি। মসিনসু লৈকাই লৈকাইদা লৌরিবা পীক্লিবা অঙাংশিংগী টেলেন্টদ ওইবা মগুণ খঙদোকপদা অচৌবা ভেঙবাং ওইগনি।

৫ শুবা নেসনেল গেমসকা মরি লৈননা মফমসিদা লাকখিবা স্পোর্টসকী ওফিসিয়েল কয়ানা খুমন লমপাক্তা লৈরিবা শান্নবুংশিং উবদা তোঙান তোঙানবা রাফম কয়ামরুমসু ফোঙদোকপীরমই- মণিপুরদা শারিবা ষ্টেদিয়মশিং রুর্ল্ড ষ্টেন্দর্দ ঙাক্লনি। চহী খরগী তুংদা অফবা কোচ থমদুনা কন্না হোৎনরবদী মণিপুরগী শান্নবোয় কয়া ইন্টরনেশনেল এরেনাদা লাইনা য়ৌবা ঙম্লগনি।

লুরিবদি, ঐখোয়গী শান্নবোয়শিংগী ওইবা স্পোর্টস পোলিসি অমা লৈজদবনা, হৌজিকসু লম্বেল লম্মাংনবা শান্নবোয় কয়া লৈরী । অফবা মংগুণ চেনবা মণিপুরগী শান্নবোয় কয়া কয়া মীরমদা শৈদাংদুনা লৈনরী ।

হন্দক্তা লোইখিবা ৫ শুবা নেসনেল গেমস অসিদা ঐখোয়গী শান্নবোয় খরদি অতোপ্পা ষ্টেটকী মেদল হেক্সৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি । বেন্টাম রেঠকী বোক্সর ঙাঙোম দিঙ্কোনা সর্বিসেসকীদমক বেষ্ট বোক্সর তাবদা নত্তনা সনাগী মেদল অমসু হেক্সৎহনখি। নুপীগী রেঠ লিফটিংদসু, ঙাংবম রোমীনা কে জি ৭৫ গী কেটিগোরিদা নিউ গেমস রেকোর্দ থম্বদা নত্তনা সনাগী মেসল অমা হেক্সৎহনখি । বোক্সিংগী লাইট রেঠকী কম্পিটিসন্দা জোল্লিসন তাঙখুলনা মীহারগীদমক গোল্ড অমা লৌবীখি । মণিপুরগী লিফটর জীনাবীনা মীজোরামগীদমক রোঞ্জ অমা লৌবিখি । মহারাষ্ট্রগী মেন্স ফুটবোলবু রিন্নর ওইহনবদা লমদমসিগী ফুটবোলর জেমস, বার্লিন, সুরেশ অমদি রিলিজয় য়াওখি । অসিদসু নত্তনা শিজংংরুময়ুম সুনিল শর্ম্মনা গোয়াগীদমক টাইক্কোন্দোদগী সনাগী মেদল অমা লৌবিখি । লোয়ননা কর্নাটাকাদা ফেন্সিং কোচ ওইদুনা লৈখ্রবা ইরোম দেবান্না শেমদুনা পুথোকপা কর্নাটাকাগী নুপা অমদি নুপী ফেন্স কয়ানা মেদল কয়ামরুম লৌখি । ঐখোয়গী শান্নবোয়শিং মপান ষ্টেটতা হাইদোক্লমদ্রবদি মেদল ফনা য়ান্না হেক্সৎলম্বা য়াবনি ।

অদুগা নেসনেল গেমসকুম্বা ষ্টেট ময়াম অমগী চাঙয়েংনবা অসিদা সর্ভিসেসকুম্বা য়াওশিনহল্লকপা অসিসু অমরোমদদি মরম চাদবনি । আই ও এনা এফিলিয়েসন পীদুনা সভিসেসপু ষ্টেট অমগুম ট্রিট তৌবা হায়বসি মুন্না খন্থরুবগদি সুকচুম চুমদবা রাফম ওইগনি। ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী ওইবা অচৌবা চাঙয়েং তৌনফম ওইনবা শিলহনবা চুমই ।

অসিদসু নত্তনা, লেপ্পনা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল গেমস অসিদা ষ্টেট অসিনা তুং কোইনা ইজং ঙাকশি হায়রবদি অথন্নবা থৌরাং খরসু তঙাইফদনা পাঙথোক্কবা য়ারোই। চন্দাইক, ষ্টেট অসিনা য়ুম্বু ওইবগী তাঙ্গা অদুগা লোয়ননা

মপান্দা লৈনখ্রবা শান্নরোয় কয়া অমসু মণিপুরগীদমক শান্নৰখি । অদুবু মথংগী ৬ শুবা গেমসতদি মানা মানা শৈদাংদুনা লৌরিবা ষ্টেটশিংদগী শান্নরক্কদবা মানবা রাফম কয়ামরুমসু লৈরি । খরা কুপ্না হোংনহৌদ্রবদি ৫ শুবা নেসনেল গেমসতা লৈখিবা 'মেদল পোজিসন' অদুদগী থাক হাইথরক্রোইদবগী রাফম লৈতে। মরম অদুনা ষ্টেট অসিগী ইজং তুং কোইনা থমহৌনবগীদমক হৌজিকসু অঙম অথৌ পুন্নমক্কা য়েংশিনবীনবগী তঙাইফদনা লৈরি ।

যান্না লুরিবা রাফম অমনা, ৫ শুবা নেসনেল গেমস মায় পাক্কা লোইশিনখ্রে। খুমন লম্পাক্তা মমল নাইদ্রবা ষ্টেদিয়ম অমা ঐখোয়গীদমক লেপ্তুনা লৈহৌরে । হৌজিক শান্নবুং অসি শেন্নবগী অচৌবা দায়িত্ব অমা ঐখোয়দা তাদুনা লৈরিবনি । অথুবা মতমদা ষ্টেদিয়ম ময়াম অসি লুনাল্লা চেকশিন্না থম্নবগীদমক অখন্নবা থৌরাং খরা পাইখৎপা মতম ওইরে । ঐখোয়গী পোংতি ঐখোয়না শেন্নজবা তাই। মমল য়াম্লবা লমদমসিগী শান্নরোয় কয়াবু ইন্টরনেসনেলগী অচৌবা শান্নবুং কয়াদা য়ৌহল্লক্কদৌরিবা খুমন লম্পাক্কী ষ্টেদিয়মশিং মপু অমমম থমদুনা মশক থোক্কা লৈহনশি । লোয়নন্না মণিপুরগী ইতিহাসতা সনাগী ময়েক্কা ইদুনা লৈহৌরগদবা '৫ শুবা নেসনেল গেমস' গী ঈহৌনা, মণিপুরদা স্পোর্টসকী অনৌবা ইনোং অমসু হাপকংলসনু । অদুগা ঐখোয় পুন্নমক্তা ভারতকী চাওরবা নেসনেল গেমস অমা পাঙথোকপা ঙমখিবগী চাওথোকচবা রাখল অদুসু লৌখি । মসিনা তুংকোইনা লমদমসিদা শান্ন খোংনবা চাওখৎহনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়বা তাই ।

হন্দক মণিপুরনা য়ুম্বু ওইদুনা চংথখিবা ৫ শুবা নেসনেল গেমস অসিদা ষ্টেট অসিগী শান্নরোইশিং তশেংনা মতিং ফুদোক্তুনা শান্নখি । মখোয়না উংথখিবা শক্তি থৌনা অদুনা সনাগী মেদল ৪৯, লুপাগী ১৪, সেঙ্খেংগী ৩৯ লৌবগা লোইননা পোইন্ট ৪৮৬ ফঙদুনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি ।

মণিপুরনা ওভ্রওল চেম্পিয়ন ওইখিবা অসি ইন্দিয়ন ওলিম্পীক এসোসিয়েসনগী নীয়ম অমগী মতুং ইন্ননি । আই ও এ গী রুল অসিগী মতুংইন্না ইন্দিভিজুএলগী ওইবা মশান্নশিংগী ফষ্ট, সেকেণ্ড, থর্দ, ফোর্থ তাবদা মথংশিংনা পোইন্ট ৫,৩,২,১, ফঙগনি । হায়রিবা অসি বোক্সিং, জুদো অমদি টাইক্বোন্দোদদি চংনদে । ইভেন্ট অহুম অসিগীদি ফষ্ট, সেকেণ্ড, থর্দ তাবদা পোইন্ট ৫,৩,১ ফঙগনি। অদুগা টিম ইভেন্ট কী ওইবা মশান্নশিংগী ফষ্ট তাবদনা পোইন্ট ১০, সেকণ্ডনা পোইন্ট ৬, থর্দনা পোইন্ট ৪, ফোর্থনা পোইন্ট ২ ফঙগনি হায়বা লৈ ।

রুল্সিগী মতুংইন্না মণিপুরনা পোইন্ট ৪৮৬ ফঙদুনা রাজা ভালিন্দ্র সিংহ ট্রোফিগী মপু ওইবা ঙমখিবনি । শান্ন খোংনবদা নমফু শিজিন্নদুনা লেমজনীঙাই ওইরবা ট্রোফি কয়াগী মপু ওইবা খক ওইথোক্লোই । অফোঙবা লানফমদা অকনবা লম্বা তৌনরবা মতুংদা ফঙখিবা 'ট্রোফি' অসিগী মতাংদা, কেরলা সরকারনা লান্না প্রচার তৌবা ব্রাফম অমা লাক্লিবসিগী পাউখুমদি আই ও এ না অথুবা মতমদা পীফম থোকই ।

অথৌবা, মার্চ - ১৯৯৯ ।

*****

নেসনেল গেমসতা মণিপুরী নুপী শান্নরোইশিংগী থৌনা

শেলনা শান্নরোয় লৈবগী চংনবী

মমাং চহীগী ডিসেম্বর ১৩ দগী ২৩ ফাওবা অন্ধ্র প্রদেশনা য়ুম্বু ওইদুনা হাইদ্রবাদ অমদি বিশাখাপটমদা ৩২ শুবা নেসনেল গেমস ২০০২ মায়পাক্না পাঙথোকখে। ভারতকী খ্বাইদগী চাওবা গেমস অসিদা পুন্না টিম ২৯ না মশান্না ২৯ গী অপুনবা গোল্ড ৩৭৯, সিলভর ৩৮০, ব্রোঞ্জ ৪৭৪ পুন্না ১২৩৩ দা অকনবা লম্বা তৌনখি । শান্নরোয় ৮০০০ লোমগী অচৌবা চাঙয়েং অসিদা মণিপুরনা মরিশুবা পোজিশন তারকখি ।

হাইদ্রবাদ গেমস অসিদা মণিপুর টিমগী ওইনদি মশান্না ২০ দা নুপী শান্নরোয় ১৮৫, নুপা শান্নরোয় ১৫৫ না শরুক য়াখি । মণিপুর টিম্না গেমস অসিগী মশান্না ১৬ দা সনাগী মেডল ৩৮, লুপাগী ২৪, সেঞ্চেংগী ৩১ পুন্না ৯৩ লৌবা ঙম্লকখি । ইভেন্ট মরি এক্বটিক, জিম্নাষ্টিক্স, সুটিং, নেটবোলদদি মনা অমত্তা লৌরকপা ঙমখিদে ।

৩২ শুবা গেমস অসিদা য়ুম্বু অন্ধ্র প্রদেশনা সনাগী ৯৩, লুপাগী ৮৬, সেঞ্চেংগী ৬৩ পুন্না মেডল ২৪২ ফঙদুনা লেমজনিঙাই ওইরবা রাজা ভালেন্দ্র সিংহ ত্রোফিসু লৌখি । পঞ্জাবনা সনাগী ৫৪, লুপাগী ৩৭, সেঞ্চেংগী ৫৫ পুন্না মেডল ১৪৬ ফঙদুনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। অহুমশুবদা সর্ভিসেসনা সনাগী ৪৮, লুপাগী ৩৪, সেঞ্চেংগী ৩৪ পুন্না মেডল ১১৬ লৌখি ।

হাইদ্রবাদ নেসনেল গেমস অসিগী খ্বাইদগী ফবী নুপী শান্নরোইদি দেল্লিগী য়ুইমব অন্ধ্র প্রদেশকীদমক শান্নখিবী রিচা মিশ্রানা সনাগী মেডল ৭, লুপাগী ৭, সেঞ্চেংগী ২ পুন্না ১৬ লৌবা ঙমদুনা তাখি । কর্ণাটককী রেহান পুঞ্চানা সনাগী মেডল ৫, লুপাগী ৪, সেঞ্চেংগী ১ লৌবা ঙমদুনা নুপাগী খ্বাইদগী ফবা প্লেয়র ওইখি ।

শনবা য়াবা রাফম অমদি ৩২ শুবা হাইদ্রবাদ নেসনেল গেমস ২০০২ দা মণিপুরগী ওইনদি নুপী শান্নরোইশিংনা হেন্না শরুক য়াবা ঙমখিবদা নওনা মেদলসু হেন্না লৌবা ঙম্লকখি । সনাগী মেদল ৩৮ গী মনুংদা ৩০ দি নুপী শান্নরোইশিংনা লৌরকখি । লুপাগী ২৪ গী মনুংদা ১৬, সেঞ্চেংগী ৩১ গী মনুংদা ২০, পুন্না শেং অসিনা ফংখিবা মেদল ৯৩গী মনুংদা ৬৬ দি নুপী শান্নরোইশিংনা ফঙলকখি।

নুপা শান্নরোয়শিংনা শুপ্পগী মেদল ২৭ খক্তমক লৌবা ঙমলকখি।

হন্দক্কী গেমস অসিদা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা খ্বাইদগী চাওনা মেদল ফঙখিবা মশান্নশিংদি ফেন্সিং, সাইক্লিং, টাইক্বোন্দো, সেপাক তাক্রো পন্না য়াই। ফেন্সিংদা গোল্ড ১০, সিলভর ৪, ব্রোঞ্জ ৩ পুন্না ১৭ ফঙবা ঙমখি। সাইক্লিংদনা সনাগী মেদল ৬, লুপাগী ৪, সেঙ্গেংগী ৬ পুন্না ১৬ লৌরকখি। টাইক্বোন্দোদনা সনাগী ৪, লুপাগী ৩, সেঙ্গেংগী ৬ পুন্না ১৩ ফঙবা ঙম্লকখি। অদুগা সেপাক তাক্রোগী গোল্ড মরিমক ঐখোয়গী নুপা অমদি নুপী শান্নরোয়শিংনা লৌরকখি।

হাইদ্রবাদ নেসনেল গেমস অসিদা ষ্টেট অসিগী শান্নরোয়শিংনা মেদল লাইনা লৌবা ঙমখিবা মশান্নশিংদি সেপাক তাক্রো (নুপা/নুপী), নুপীগী ফুটবোল, নুপীগী হেণ্ডবোল, নুপীগী বোক্সিং, নুপীগী সাইক্লিং অমদি ফেন্সিং (নুপা/নুপী) নি।

অদুগা এথলেটিক্সতা মণিপুরগী দ্বীপমালানা কিলোমিটার ২০ গী ৱাকিং রেসতা সনাগী মেদল ১, কি.মি. ২১ গী মারাথোন্দা সঙ্গিনীনা লুপাগী ১, মি: লিশিং ৫ অমদি ১০ গী লমজেলদা এল অরুণানা লুপাগী মেদল ১, সেঙ্গেংগী ১ লৌদুনা মশান্না অসিদগী মেদল ৪ লৌবা ঙমখিবা অসি নুপী শান্নরোয়শিংগী তোপ তোপ্পা মথৌনা মরিংজেলনি। ফুটবোল অমসুং হেণ্ডবোলদসু নুপী শান্নরোয়শিংতনা মেদল পুরকপা ঙমখি। ক্রেসলিং, জুদো, ট্রাইথ্লোন, ৱেঠ লিফটিংদসু শুপ্পগী নুপী শান্নরোয়খওনা মেদল লোরকপা ঙমখি। সাইক্লিংদা রামেশ্বরী, বীনা কুমারী, গীতাঞ্জলী চাওবা, গৌতমানি, জুদোদা থোইবী, রিজা, নিরুপমা, ফেন্সিংদা গীতা, রিওরিতা, রোয়িংদা রামেশ্বরী, কুঞ্জেশ্বরী, বোক্সিংদা মেরী কোম, অচৌবী লুশি, সোফিয়া, সূর্যমুখি, বোমবেল্লা, ৱেঠ লিফটিংদা নন্দিনী, নর্সীতানচিংবসু মেদল চৌন্না ৱাঙখৎহনবদা ঋচৌবা মতেং ওইখি। ওশেংনমকসু হন্দক্কী গেমস অসিদদি মণিপুরগী ওইনদি নুপী শান্নরোয়শিংনা হেন্না ফজবা পর্ফোমেন্স পীবা ঙমখি। লোইননা টাইকোন্দোগী নুপা অমদি নুপী শান্নরোয়শিংসু ফজনা পর্ফোমেন্স উৎখি। অরাং নোংপোক ভারতকী ওইনদি মণিপুরনা হেন্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎতুনা মাইকৈ শোমগী ওইনা ইজৎ পুরকখি। মথংগী নেসনেল গেমসকী য়ুম্ব ওইগদৌরিবা আসামনা ২১ শুবা পোজিসন্দা লাকখি। ষ্টেট অসিনা সনাগী ১, লুপাগী ৪, সেঙ্গেংগী ৬ পুন্না মেদল ১১ খক্তমক লৌবা ঙম্লকখি। মিজোরাম্না সনাগী ১, সেঙ্গেংগী ৫ পুন্না ৬ খক ফঙলকখি। অদুগা সিক্কিমনা শুপ্পগী সেঙ্গেং ১ খক্তমক লৌরকখি। মেঘালয়না সিলভর ২, সেঙ্গেংগী ১ ফঙলকখি। নাগালেণ্ড,

ত্রিপুরা, অরুনাচল প্রদেশতি মেদল অমফাওবা লৌরকপা ঙমখিদে

অমরোমদা, য়ুম্বু ওইবা ষ্টেটশিংনা অতোপ্পা ষ্টেটকী অফবা শান্নবোয় লৌশিনলগা মাগী মাগী ষ্টেটকী মীংচৎ তাননবা কন্না হোৎনরকপা অমসু চহী খরাসিদা ময়েক শেংনা উরক্লি। হন্দক্কী অসিদসু অতোপ্পা ষ্টেটকী শান্নবোয় ময়াম অমা অন্ধ্র প্রদেশকী ওইনা শরুক য়ারকখি। মণিপুরগী শান্নবোয় ফাওবা ১০ গী মথক্তা য়াওরকখি। অদুবু মণিপুরনা হোষ্ট ওইদুনা ইং ১৯৯৯ গী মঙাশুবা নেসনেল গেমসর্তদি শুপ্পগী মণিপুর মচাখক্তনা অতোপ্পা ষ্টেটশিংগা অকন্না লম্বা তৌনদুনা অহানবা পোজিশন তাদুনা রাজা ভালেন্দ্র সিংহ ট্রোফি লৌহৌখি। মতুং তারকপা অসিদা, ভারতকী ষ্টেটকী অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী অফবা শান্নবোয়শিংগী মশক খঙগে হায়রবদি ময়েক শেংনা মাগী মাগী ষ্টেটশিংদা শান্নহনবা অমা চঙলি। মাইকৈসিদা ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগী অচৌবা মীংয়েং টীঙশিনগদবনি। নত্রগাদি গেমস অসি থোইনা অর্থ লৈরক্কদবা মানদে। অদুগা মরকসিদা সার্ভিসেসগুম্বা টিম য়াওশিনহল্লকপা অসিসু চুশিন্নবা রাংলি। মরম অদুনা খরা শেমদোক শেমজিন তৌবা চুমগনি। চৎলিবা মওং অসিদা অসুমক চৎথরবদি ইনাক খুনবা ষ্টেটশিংনা শেল চাওনা চাওনা থাদববা শান্নবোয় ময়াম চাওখোম চাওখোম খোন্নগা কম্পিটিসন চৎথরক্রবদি গেমস অসিগী মশক থীহনলক্লোই হায়নিঙাই লৈতে।

য়ুম্বু ওইবা ষ্টেটশিংনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন হেক হেক ওইবগী চংনবী অমসু লাক্লি। অমরোমদা ইং ২০০৫ দা ৩৩ শুবা নেসনেল গেমসকী য়ুম্বু ওইগদৌরিবা আসামসু লাক্কদৌরিবা গেমস অসিদা ষ্টেট অসিবু শক্তাক্লীংবগী রাফম শোইদনা লৈরমগনি। হন্দক্কী গেমস অসিদা ২১ শুবা পোজিশন্দা লৈজরগসু ষ্টেট পুন্নমক্কী মার্ভজিন থাদুনা করম্না নিংখৎলকপা য়াগদগে হায়বসি খল্লমলোই হায়নিংঙাই লৈতে। চহী কয়াগী তুংদা য়ুম্বু ওইবগী তাঙ্গা ফঙলিঙৈ অসিদা ইজং অমগা লোইননা মাগী ষ্টেটপু শক্তাক্লীংলোইদবগী রাফম লৈতে। করম্বা থাক্তা শকতারুকপা হায়বদুদি মথং গেমসতা ঐখোয় পুন্না য়েংমীন্নসি। হায়রিবা গেমস অসিদসু মণিপুরগী ওইনদি নুপী শান্নবোয়শিংনা হেন্না ফজবা পর্ফোমেন্স পীবা ওইসনু।

মণিপুরগী নুপা অমসুং নুপীশিংনা ফঙনখিবা মেদলগী চার্ট

মেন্স						ৱিমিন্স			
সেরিয়েল	সনা	লুপা	সেঙ্গেং	অপুনবা	মশাল্লগী মমিং	সনা	লুপা	সেঙ্গেং	অপুনবা
১	০	১	০	১	অর্চেরী	২	২	১	৫
২	-	-	-	০	এথলেটিক্স	১	২	১	৪
৩	১	১	২	৪	বোক্সিং	৪	-	৩	৭
৪	-		১	১	কেনোয়িং/ কয়াকিং			-	০
৫		১	৩	৪	সাইক্লিং	৬	৩	৩	১২
৬		১		১	ইকুষ্টরিয়ন				
৭	৫	২	১	৮	ফেন্সিং	৫	২	২	৯
৮		-		০	ফুটবোল	১		-	১
৯	-		-	০	হেণ্ডবোল	১	-		১
১০			-	০	রোয়িং		-	১	১
১১	২	-		২	সেপাক তাক্রো	২			২
১২	-			০	রেসলিং		১	২	৩
১৩	-	-		০	জুদো	২	২	৪	৮
১৪		২	৪	৬	টাইকোন্দো	৪	১	২	৭
১৫				০	ট্রাইথ্লোন			১	১
১৬			-	০	ৱেঠ লিফটিং	২	৩	-	৫
অপুন্না	৮	৮	১১	২৭		৩০	১৬	২০	৬৬

ইচেম্মা, জানুৱারী

*****

ঐগী আশাদি মিষ্টর য়ুনিভর্সনি

লমদমসিদগী মশা মউ ফবা বোদি বিল্ডর কয়া অমা থোকখ্রে । গেম অসিদা ইহান হান্না লৈবাক্তা শকখঙনখিবা মীশক অমদি শ্রীনোংথোম্বম মাইপাক সিংহনি । ঙসিদি, মশান্না অসিবু পামজবা বিল্ডর কয়া অমসু চোঙথোরক্লি । ময়ামসিগী মরক্তা মুতুম রোমিও সিংহসু মশাগী মফম কঞ্জনবা, থৌনা অমগা লোয়নননা থোরক্লি ।

বিল্ডর রোমিও ইং ১৯৯৬ কী জানুৱারীদগী গেম অসিদা খোঙদারকখি। মশা মউ ফবা পামজবা, ফজবা শকওং শাদা উবদা নুংঙাইজবা মীওই অসিনা ইহান হান্না মশান্না অসিগী ট্রেনিং তৌবা হৌখিবসি লঙথবাল মন্ত্রীখোং মনাক্তা লৈবা হকশেল হক কন লুপ জীমদগীনি । মঙোন্দা গেম অসিবু শান্নহন্নীংলকখিবদি, বোদি বিল্ডরগী ফিল্মশিং য়েংনুবদগীনি হায় ।

অদুগা, মশান্না অসিগী অহানবা ওইনা তাথোক তাশিন তৌনরকখিবনা শাগেগী ময়াম্বা থোকপা জীবননি । অসিদসু নত্তনা মথক খোংবা ময়াম্বশিং পিশক, হৌনিন, শ্যামনচিংবসু তাথোক তাশিন তৌনরকখি ।

পৃথিবীগী ওইনা মমিং লৈরবা মিষ্টর ওলিম্পিয়ানগী মিংথোল মঙারক ফংখবা ইংলেণ্ডগী দুরিয়ন য়াট হায়বা বিল্ডর অসিগী এক্সপান্সন পোজদা ঙাওজবা রোমিওনা অসুম্না হায, 'ঐনা শান্নজরক্লিবসি চহী মরীরোম হায়রক্তে । ঐসু গেম অসিদা খোঙদারুবানিনা মফম অমদি কঞ্জনিংই । অদুনা বোদি বিল্ডিং হেক শান্নবা লৌজরকপদগী ঙসি ফাওবা ইশাগী রুটিন অমদসু চংচরক্লি । তুম্বা, চাবা, চৎপা খুদিংমক রুটিন অমগী মখাদা ঙাক্তনি । মসি খীঅং হেক কায়রুবদা, নোংঙাল্লকপদা মদুদী ফল ফংদানিঙাই সুক্রে নৈতে । হকচাং খ্বাইদগী চেকশিন্না থাল্লিবা কাংবুগী মরক্তা ঐখোয়সু শোয়দনা চল্লমগনি হায়নসু ঐদি খল্লে ।'

মখা তারদুনা বিল্ডর রোমিওনা অসুম্নসু ফোংদোরকখি, 'ঐহাক নুমিং খুদিংগী পুং মঙাগী খিত্তং মাংওইননা হৌগংচে, অদুগা তুম্বনা নুমিদাংগী পুং ৮ গী মাইদা তুমজে। চহী মরীরোম চাং নাইনা প্রেক্টিস তৌজরক্লিবসি নোংমদা (অয়ুক নুংথিল) পুং অহুমগী চাংদনি । হায়রিবসি কম্পিটিসন মতমদদি নোংমদা পুং তরুক্কী চাংদা তৌজে । দাইটকী মতাংদনা য়েরুম, লফোই, যঙ্গোম্না নোর্মেল দাইট ওইরগা মতম মতমগী মনা মশিং অমদি উহৈ চাজে।

নীংশিংবা য়াবদি বিল্ডর অসিনা ইং ১৯৯৬ তগী ঙসি ফাওবা শান্নরকপা অসিদা শীঙথানীঙাই ওইবা মনা মথুম খরসু লৌবা ঙমখ্রে । ইহান হানবা ওইনা ষ্টেটসিদা ১৯৯৬ কী দিসেম্বর ৭ তা পাঙথোকখিবা ইন্টর হায়র সেকেণ্ডরী বোদি বিল্ডিং কম্পিটিসনদা ওভর ওল মিংথোল ফঙখি । হায়রিবৰবা চহীদুমক্কী দিসেম্বরগী অরোয়বা চয়োলদা তৌখিবা ষ্টেট সব জুনিয়রদসু ওভর ওল চেম্পিয়ন ওইখি । মথং ১৯৯৭ তা সিক্কিমদা পাঙথোকখিবা মিষ্টর ইষ্টর্ন ইন্দিয়াদসু ফার্ষ্ট পোজিসন তারকখি । লোয়ননা চহীদুমক্তদা আইজোলদা তৌখিবা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া কন্টেষ্টতসু অহানবা মনা ফঙলকখি । অসিদসু নত্তনা ১৯৯৯ গী নবেম্বর ২৯ দগী ৩০ ফাওবা ইম্ফালগী গান্ধী মেমোরিয়েল হোলদা পাঙথোকখিবা মিষ্টর মণিপুর কন্টেষ্ট (জুনিয়র) তসু ওভর ওল চেম্পিয়ন ওইবদা নত্তনা বেষ্ট ফিজিক্কী মিংথোলসু ফঙখি ।

মশাগী চহী ২৫ চঙলক্লবা বিল্ডর রোমিওগী অমত্তা ঙাইরবা আশাদি মশাগী চহী ৩০ ফাওবগী মনুংদা ইন্টরনেসনেল থাক্তা লৈরিবা শাফবা কয়াগা অমুক্তং লম্বা তৌনবনি ।

মশান্না অসিদা মমিং লৈরক্লিবা শান্নরোয় অসিনা রাফম অসিমসু হায়রিবরকখি, ঐনা বোদি বিল্ডিং শান্ননিংখিবসি ফিল্ম য়েংলুবদগীনি । মরম অদুনা স্পোর্টস খ্বাইদগী চান্নবা মফম ওইরক্লবা ইরমদম অসিদা শান্ন খোংনবগা মরৰী লৈনবা সিনেমা মরক মরক্তা উৎননবা হোলগী মীওইশিংদা হায়জনিংই । ওলিম্পিক্কী ফিল্মশিং তোঙান তোঙানবা মশান্না কয়াগী সিনেমাশিং চাং নাইনা উৎপিরগদি মণিপুরগী শান্নরোয়শিংদা হেন্না কান্নগনি খল্লে । মসিগী থৌরাং অমত্তং পায়খৎহল্লনিংই। অদুগা সরকারগী মায়কৈদা রাফম অসিমসু থমজনীংই মদুদি বোদি বিল্ডরশিংগী ওইবা ষ্টেডিয়ম অমা শানবা থৌরাং তৌরিবদো খরৰা খুমাং য়াংনা শাহল্লনিংই । গেম অসি শান্নবদা খ্বাইদগী দরকার ওইরিবসি, শান্নফম অমা, খুৎশু খুৎলাই অমসুং দাইট অসিনি । হৌজিক হৌজিক রাই বী বী জীম (পীশুমথোং) দা ওঝা বীপীনগী মখাদা ট্রেনিং তৌজরুবসি ঐখোয় পুন্না ৬০ হেন্নি। পীক্লিবা জীম অসিদা বেজ মরী থোক্তা খায়দোক্লগা ঐখোয় শুন্ন শুন্নবা শান্নদুনা ঙসি ফাওবসু লাক্লি, অদুবু অরাংবা থাক্তা, ইমান্নবগা লম্বা থেঙননবগীদমক্তদি খীতং খুদোংচাদবা লৈগদ্রা নীংজৈ । হৌজিক্কী মতমসিদদি মখল মখলগী অফবা দাইট চাবদা নত্তনা, অফবা মখলগী খুৎশু খুৎলাই কয়াসু থোরক্লবনিনা গেম

অতেগুম বোদি বিল্ডরগীসু অকনবা মীংয়েং অমদি চণ্ডহল্গুনীংই -

ইশামক্কী ওইনসু, ঐনা টাগেট তৌজারিবসি মিষ্টর য়ুনিভার্সকী টাইটল অমুক্তং লৌবা হায়বসিনি । লাইবক্কী রাদি খণ্ডদ্রে, হোৎনবদি হেক ওম্বফাওবা হোৎনজখিগনি । আশা অসিদনি ঐনা হীংজরিবসি ।

অথৌবা, জানুৱারী ২০০০ ।

*****

চাউথোকচরি মখোয়গীদমক

শান্নবোই হায়বসি ঙসিদি লৈবাক অমগী মমল নাইদ্রবা অশেংবা লন ওইরে । মখোয়না মায় পাকপা নত্রগা মায়থীবদা লৈবাক অমগী জয় ওইবা নত্রগা মায়থীবনি হায়না ফাওবা লৌনরে । অদুদনি, শান্নবোয়শিংনা মায় পাক্কুনা মেদল পুদুনা হল্লকপদা লৈবাক হুপ্পা নুংঙাইবা ফোঙদোক্করিবসি । মমা লৈবাকপু নুংশিজবগী খ্রাখল খম্মোয়দা চেংনা থল্লগা, অফোংবা শান্নবুংগী লানফমদা মমান্নবা লম্বা তৌনরুরগা পুরকপা মেদল হায়বসি তশেংনমকসু লৈবাক অমগী ইজৎনি । ঙসিদি অফাওবা মমিং লৈরবা শান্নবোয় কয়া কয়াগীদমক মাগী মাগী লৈবাকশিংনা চাউথোকচবা ঐখোয় খুদিংমক্কা উনরি ।

ঙ্গৈ অসিগী ওইনসু, শান্নবোয়শিংগীদমক চাউথোকচবা ইহুল অসিমদি ফজনা লৈ । ভারতকী অৱাং নোংপোক লমদমশিংগী মনুংদদি, স্পোর্টসকী লমদা খ্বাইদগী মাঙজিন থাবা মফম অমসু মণিপুরনা ওইরি । শান্নবোয় ময়াম অমগী শীংখ্যানিংঙাই ওইবা ইতিহাস অসিমক লাক্লমদ্রবদি মণিপুরনা ঙসি ফাওবা মীকপ থোকপা ঙল্লমখিবোই হায়নিংই । লমদম অসিবু শক্তাকপা ঙম্বা শান্নবোয় মথং মথং থোরকখিবর্দগীনি ঐখোয়বু ভারতকী প্রজা কোটি কয়ানা শকখঙনবক্লিবসি।

হৌখিবা ইং ১৯৮৪ দা, মণিপুরদগী ইহান হানবা ওইনা পি নীলকমল সিংহনা ওলিম্পিক গেমস (লোস এঞ্জেলস) তা ভারতকী হোকি টীমদা গোল কিপ্পর ওইনা শরুক য়াখিবদা লমদমসিগী প্রজা পুম্বনা চাউথোকচখি । মসিগী মথং, ইং ১৯৮৮ দা সাউথ কোরিয়াদা তৌখিবা সীওল ওলিম্পিক গেমসতা অনীশুবা ওলিম্পিয়ান ওইনা লেফ ৱীংগী হোকি শান্নবোই ওইনা কে এস ঐচ থোইবা সিংহনা য়াওরকপদা মণিপুরগী মীয়াম হেন্না নুংঙাইনখি । ওলিম্পিয়ান মথং মথং থোরকপগী চাউথোকচবসু লৌখি । মতৌক চাবা শান্নবুং লৈবা লৈতবগী রাফম পুন্নমক নাথৈখ্রগা ওলিম্পিক গেমসকী হোকিগী মেচশিং য়েঙননবা ময়াম ইরাঙ পাঙনখিবশিং ঙসি ফাওবা কাউনদি ।

ওলিম্পিক্কী ৱারী হেক হোদোক্লরকপদা ঙ্গৈ অসিগী ওলিম্পিয়ান অনী পোরে হায়দুনা ঙসিসু তত্তনা ৱারীনরি । স্পোর্টসকা মরি লৈনবা ওাষনশিংদা, ঙসি ফাওবা চীখবা লৈতনা মখোয়গীদমক লৈবাকসিগী অঙম অথৌ অমাদ প্রজাশিংনা

চাউথোকচরি ।

ওলিম্পিয়ান অনীসিগী মতুংদা, লমদমসিগী ৱেঠ লিফটর এন কুঞ্জরাণীগীদমক মণিপুর প্রজা পুম্বনা মায়কৈ কয়াদা অমুক লাওনরকখি । মণিপুরবু শংলাকপদা অচৌবা ৱোল অমমুক ইং ১৯৮৯ দগী কুঞ্জরাণীনা লৌদুনা লাকখি । ইং ১৯৯০ দা লমদমসিদগী অহানবা ওইনা অর্জুন এৱার্দকী মনা পুদুনা লাকপদা ষ্টেটসিদা লৈরিবা মীয়াম্না লিফটর অসিগীদমক চাউথোকচখি । কুঞ্জরাণীনা অর্জুন এৱার্দতা নত্তনা ইং ১৯৯৬ / ৯৭ দসু শান্নবোয়শিংদা পীবা খ্বাইদগী ৱাংবা মনা **রাজিব গান্ধি খেল রত্ন এৱার্দসু** ফঙলকখি চহীসিমক্তদা **কে কে বিরলা এৱার্দসু** লৌরকখি ।

ৱেঠ লিফটর কুঞ্জরাণীনা ঙসি ফাওবদা ৱার্ল্ড ৱেঠ লিফটিংগী চেম্পিয়নশিপ্তগী মেদল ১০, এসিয়ান গেমস অমদি এসিয়ান চেম্পিয়নশিপ্তগী মেদল ২৬, কমন ৱেলথ গেমতগী ৩ পুন্না ইন্টরনেসনেল লেভেলদগী মেদল ৪৯ লৌবা ঙমখে । লিফটর অসিগীদমক মণিপুর প্রজা পুম্বদা নুংঙাইজবা পেক্কবা হৌজিকসু লেঙদনা লৈরি। ইং ২০০০ গী সীডনী ওলিম্পিক্স ঙাইরিবী কুঞ্জরাণীদা হৌজিকসু মীয়াম্না থাজবা মীংয়েং থম্লরি ।

কুঞ্জরাণীগী মতুংদা, মণিপুর প্রজা পুম্নমক্কা হৌজিক মীংয়েং থম্লক্লিবা শান্নবোয়দি বোক্সর এন জী দীঙ্কো সিংহনি । শান্নবগী হংগৌ অসিসু লোংমা নোংমাগী কনখৎলাকপনা ঙসিদি দীঙ্কো হায়বদা খঙদবা যাওনদ্রে । তোমখৈন ঙান্না থোরকপা শান্নবোয়শিং অসিদি শংলাকপদসু এুনা থোক্লদ্রে । ১৩ শুবা বেঙ্কোক এসিয়ান গেমসতগী দীঙ্কোনা সনাগী মেদল ফংলকপদা লমদমসিগী মীয়াম্না দীঙ্কোদা উৎখিবা ইকায়খুম্নবা, থাগৎখিবা ঙসি ফাওবা কাউনদ্রি। এসিয়ান গেমসতগী মৈতৈ মচাপু সনাগী মেদল লৌবা ঙম্লে হায়দুনা য়াল্লবা মীয়াম অমনা লম্বী শোরোক থুংনা চত্তুনা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লখিবা, হীতিহাসকী লমায়দা ময়েক শেংনা ইদুনা লেখিবা ঙাক্লনি । পুন্নমক অসিগী মথক্তা চহীসিদা দীঙ্কোনা মণিপরদগী অনিশুবা *অর্জুন এৱার্দ* ফঙবা শান্নবোয় অমসু ওইরক্লি ।

অমরোমদা, ভারতকী শক্লাইরবা স্পোর্টস পার্সনশিংদা পীবা অৱাংবা থাক্কী লেমজানিংঙাই ওইরবা এৱার্ডশিং চহীসিগী ওইনা সেপ্তেম্বর ১ দা মীওই ৩৩ দা পীখ্রে । রাষ্ট্রপতি ভবনগী অশোকা হোলদা ভারতকী প্রেসিদেন্ট কে আর নারায়ননা এৱার্দশিং অসি য়েন্থোকখি ।

চহীসিগী ওইনা কোচশিংদা পীবা দ্রোণাচার্য্য এৱার্দ ফঙখিবশিংদি, বোক্সিংদা জী এস সন্ধু, এথলেটিক্সতা হরগোবিন্দ সিংহ অমসুং বহাদুর সিংহনি ।

শান্নরোয়শিংদা পীবা ভারতকী খ্বাইদগী লেমজনিংঙাই ওইবা মনা, **রাজিব গান্ধি খেল রত্ন এৱার্দ** চহীসিগী ওইনা এথলেট জোতিমোয়ী সিকদারনা ফঙখি ।

অদুগা **অর্জুন এৱার্দ** ফঙখিবা ভারতকী শান্নরোয় অদুদি-

এথলেটিক্স : নীলম জে সিংহ, রচিটা মিস্ত্রি, কেপ্টেন শ্রী চান্দরাম, এস দী ইর্শান অমসুং পরমজিৎ সিংহ

বোক্সিং : এন জী দীঙ্কো সিংহ

বোদি বিল্ডিং : টি ভী পাওলী

ক্রিকেট : রাহুল দ্রাবিদ অমসুং নয়ন রামলাল মোনগীয়া ।

অথৌবা, ওক্টোবর - ১৯৯৯ ।

*****

এথেন্স ওলিম্পীক্কী

অথনবা শান্নরোয় খরা

লৈবাক ২০২ গী মওং লৈরবা শান্নবোই ১০,৫০০ গী অকনবা লানফম ওইখিবা এথেন্স ওলিম্পিক্স ২০০৪ দা য়ু এস এ না সনাগী মেদল ৩৫, লুপাগী ৩৯, সেঞ্চেংগী ২৯ পুন্না ১০৩ লৌদুনা মালেমগী সুপর পররনি হায়বদু য়ান্নমক মগেক শেংনা তাকখি। অদুগা এসিয়াপুম্নবু মীকপ থোকহনখিবা চীনানা সনাগী মেদল ৩২ লুপাগী ১৭, সেঞ্চেংগী ১৪ পুন্না ৬৩ লৌবা ঙমদুনা অনীশুবা মফম ফনবা ঙমখি। মথং রুসিযানা সনাগী ২৭, লুপাগী ২৭, সেঞ্চেংগী ৩৮ পুন্না ৯২ লৌদুনা অহুমশুবা ওখি। মরিশুবনা ওস্ট্রেলিয়ানা সনাগী ১৭, লুপাগী ১৬, সেঞ্চেংগী ১৬ পুন্না ৪৯ লৌদুনা ওইখি। মথং জপান্না সনাগী ১৬ লুপাগী ৯, সেঞ্চেংগী ১২ পুন্না ৩৭ ফংবা ঙমদুনা মঙাশুবদা লৈখি।

অদুবু ভারতবর্ষগীদি কদাই? এথেন্স ওলিম্পীক্কী রেঙ্ক চনবা ঙন্না লৈবাক ৭৫ গী মনুংদা ৬৭ শুবা থাক্তা সুপ্পগী সিলভর মেদল অমখক লৌরগা লৈখি।

এথেন্স ওলিম্পীক্কী ২০০৪ দা সুটিংদা সিলভর মেদল ফংখিবা রাজ্যবর্ধন সিংহ রাথোরনা শরুক য়াখিবা থৌরম অমদা মগাক্তা অস্নু হায়

ভারত শান্ন খোন্নবদা য়াম্না শোংখ্রে। মথংগী বৈজিং ওলিম্পীক্সতসু এখোয়না আশা পঙতে লৌবা যাখিরোই। হং ২০১২ অমসুং ২০১৬ তা ঐখোয়না আশা লৌগে হায়বদি মওং ওবা মরম চাবা স্পোর্টস পোলীসি খরা পায়খৎপা তঙাইফদ্রে। হৌজিক লৈরিবা ফিবমসিদদি পঙয়া য়াখিরোই। ঐখোয় কদাইদনোমা ফজনা শোয়ারি।

লোইননা মালেমগী ওইনা এথেন্স ওলিম্পীক্স ২০০৪ দা ফজবা পর্ফোমেন্স পিখিবা নুপী শান্নরোয খরদং লৌখৎচরি। মি: ১০০ গী লমজেলদা বেলারুসকী য়ুলিয়া নেষ্টেনেকোনা সনাগী মেদল লৌখি। মি: ২০০ গী লমজেলদনা জমাইকাগী বেবোনিকা কমপেলনা গোল্ড মেদল ফংখি। মিটর ৮০০ গীদনা গ্রেট বৃটেনগী কেলি হোল্মসনা সনাগী মেদল লৌখি। মি: ৪০০ গী হর্দলদা গ্রিসকী ফানী হলবিয়া না গোল্ড ফংবা ঙমখি। কিলোমিটর ২০ গী রাকিং রেসতা গ্রিসকী শৌমেলিকানা

পুং ১ মি: ২৬: সেকেণ্ড ১২ চত্তুনা সনাগী মেদল লৌখি। স্বিমিংগী মি: ৫০ গী ফ্রি ষ্টাইলদা নেদরলেণ্ডগী ইঙ্গি দে ব্রুইনিনা গোল্ড মেদল ফংখি। ৱেঠ লিফটিংগী কে জি ৭৫ গী কাংলুপ্তা চীনাগী টাং গোহোংনা ক্লিন অমসুং জর্কতা কে জি ১৮২.৫ থাঙ্গৎতুনা ওভর ওল ৱার্ল্ড রেকোড থমখি। মশাননা অসিদা মহাক্না পুন্না কিলোগ্রাম ৩০৫ থাঙ্গৎখি। টেবল টেন্নিসকী সিঙ্গলসতা চীনাগী ঝেংনা গোল্ড লৌখি। লোইননা হোকিদা জর্ম্মন্না নেদরলেণ্ডবু ২ ১ দা মাইথিবা পিদুনা সনাগী মেদল লৌবা ঙম্মখি। অদুগা ভোল্লিবোলদনা চীনানা রুসিয়াবু ২৮ ৩০, ২৫ ২৭, ২৫ ২০, ২৫ ২৩, ১৫ ১২ দা মাইথিবা পিদুনা সনাগী মেদল ফঙবা ঙম্মখি। ফুটবোলদনা য়ু এস এ না ব্রাজিলবু ২ ১ দা থেইদুনা য়ু এস এ না গোল্ড মেদল লৌখি।

অমরোমদা হন্দক চীনানা মালেমপুম্বগী স্পোর্টস চাঙয়েংনবদা অনীশুবা মফম ফংনবা ঙমখিবা অসিনা এসিয়া পুন্নমক মীৎকপ থোকহনখ্রে। মীৎ থুবা শাতোন নম্বা মায় কোয়দানবা কাঙলুপ অসিসু ওলেম্পীক্কী মতিং মখোনা চপ চানা ফুদোকপা ঙম্মী হায়বা ময়েক শেংনা উৎখ্রে।

এথেন্স ওলিম্পীক্স ২০০৪ অসিদা চিনানা অনীশুবা পোজিসন লৌখিবগা ইরোয়শনা ইং ২০০৮ দা লৈবাক অসিনা শিন লাঙদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা বৈজিং ওলিম্পীক্স অসিদা হেন্না ফজবা পফোমেন্স পীবা ঙম্মনবা অকনবা ট্রেনিং চৎথবা হৌখ্রে।

শনবা যার্বদি শিন ওলিম্পীক হায়না মীং থোন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা 'বৈজিং ওলিম্পীক ২০০৮' অসিগীদমক চিনানা দোলার কোটি ৭ চংবা, মী লাখ অমা লেবা, উচেক মতুম হায়না মীংথোনবা ষ্টেদিয়ম অমসু ইং ২০০৭ দা শাবা লোইশিনগদৌরি। অদুগা বৈজিং ওলিম্পীক অসিদা লৈবাক অসিগী হৈশিংবা লোশিং জ্ঞান ফজবা নীতি নিয়ম পুন্নমক মালেমগী মীয়ামদা ময়েক শেংনা তাক্কদৌরি। মসিগীদমক চিনাগী অথং অহে, অঙম অপো লুচিংবা পুন্নমক কোক চংশিন্নবা হোখ্রে।

এশিয়া পুম্বগী মাই ওইরিবা মহাদেশ অসিগী হজৎ শাকনবা লৈবাক অসিনা করি তোরকপগে হায়বদু ঐখোয়সু কুপ্না য়েংহৌরি অদুগা ঙম্বা য়াবা খরসু ওমগৌরি। শকচ মান্নবা, হৌরকফম তিন্নবা জাতি অসিগা করম্বা শেমগা খ্বাইদগী চান্নবা হায়বদু ঐখোয় কুপ্না য়েংহৌসি। লোয়নবা মথংগী মীরোল অমদদি মণিপুরনা ভারতকী শান্নবোয় পুন্নমক্কী লুচিংবা ওইদুনা মঙাল নাইনা লেগৌনবা হোৎনসি।

অখোবা, ওক্টোবর ২০০৪।

মণিপুরগী শান্নবুংগী ইতিহাসতা

সি: সি: মিট

ফুটবোল মণিপুরীশীংনা খোইদোক হেন্দোক্না পামজবা মশান্ননি । শান্নবা মখল অসিগী শান্নরোয় ৱাংতনা লৈবগুম ভাবোকসু চন্দবমখৈ লৈ । সি: সি: মিট হায়দুনা ফুটবোলগী টুর্ণামেন্ট অমা ইং ১৯৫০ দগী ঙসি ফাওবা লেপ্তনা চৎথরক্লিবা অসিমক্নসু, ফুটবোল হেন্না পান্নবগী ময়েক লারবা খুদমনি । সি: সি: মিট ঙসিদি চহী ৪০ শুক্তিনখ্রে ।

সার চুরাচান্দ সিংহ, কে: সি: এস: আই:, সি: বি: ই: মেমোরিয়েল ওল ইন্দিয়া ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্ণামেন্ট অসি করম্না হৌরকখিবগে হায়বগী মতাংদা লমদম অসিগী অখণ্ড অহৈ কয়ানা অসুন্না মত পিবী মহারাজ চুড়াচান্দ সিংহ, শান্ন খোংনবদা থৱাই য়াউজবা অমদি পামজবা নিংথৌনি । মহাক্না পাল্লিঙৈ ইং ১৮৯৯ দা লমদম অসিদা ফুটবোলগী খুৎশান্না মখল অসি শকখঙনরকখি। অমরোমদা মশাননা অসিবু পাক-শন্না শন্দোক্নবা হোংনবদা খৃষ্টান মিসন্নরি মিষ্টর পেটিগ্রু (মিসন স্কুলগী ওঝা) নসু অচৌবা মতেং পাঙলকখি। মহারাজগী কোনুং কম্পাউণ্ড মনুংমক্তদা অপিকপা শান্নবুং অমা অহানবা ওইনা শেমখি । হায়রিবা জগা অসিদা মশা-মউ ফবা মীওই খনগৎতুনা শান্নহল্লকখি। হেন্না ফগৎলক্নবগীদমক য়ুমথংনবা আসাম অমদি অতৈ ষ্টেটতা থাদুনা হোংনরকখি। শান্নববু পামজবা মহারাজ মশামক য়াওনা ইচম চম্বা মেটচ কয়া তত্তনা শান্নহল্লকখি।

অসুন্না মহারাজ চুরাচান্দনা থৱাই হকচাং য়াওনা হোংনরম্বা গেম মখল অসি মচা ইবুংঙো মহারাজ বুধচন্দ্রনা নৌহৌননা অমুক চাওখৎলক্নবা হোংনরকখি। অমরোমদা বুধচন্দ্র মহারাজসু অকল অথৌগী ওইবা, নুপা থোকপা মশান্না কয়াদা থৱাই য়াউজবা মীওই ওইখি । মহাক্কী মতমদগী দেল্লি, কলকত্তা অমদি ভারতকী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশীংদা টুর প্রোগ্রামনচিংবা চৎপদা মণিপুরগী ফুটবোল টিম ইতং তওনা পুদুনা শান্নহল্লকখি। শান্ন খোংনবদা থৱাই য়াউখৎলকপদগী য়ুমলোন্নবা আসামগসু হেন্না মরী ফগৎলকখি। মসিদগিসু ষ্টেট অসিদা সি: সি: মিট লাক্নবগী অচৌবা মরম অমা ওইরকখি । মপানগী ষ্টেটশিংগা, মরুপ মপাং ওইবগী মেটচ কয়া তত্তনা শান্নহল্লুবা অদুদগী লমদম অসিদসু বার্গোন তৌদুনা শান্নমীন্নখিবা

পাম্বগী রাখল অমসু লাকখি । রাফম অসিগা ঈরোইননা ইং ১৯৫০ দগী মণিপুর স্পোর্টস এসোসিয়েসন লিঙখৎতুনা, সংস্থান অসিগী মখাদা সি: সি: মিট শান্নবা হৌরকখি ।

সি: সি: মিট ঙসিদি মণিপরীশিংনা খ্বাইদগী পামজনা, থরাই তানা য়েংজবা তাঙলবা টুর্ণামেন্ট অমা ওইরে । দিসেম্বর থা য়ৌশিনলকপদা মণিপুরদা লৈরিবা ফুটবোলদা থরাই য়াউজবা ক্লবশিং সি: সি: মিটকীদমক মাইকৈ মরিদা ইরাং লাংনবকই । পিক্লবা মপাল কাংজৈবুংদা পুক্রিং থম্নরকই । চহী ৪০ শুজিনলক্লবসু অফবা গ্রাউণ্ডদি ঙসি ফাওবা থম্বা ঙমদ্রি । সি: সি: মিট কদাইদা মতিক চাদ্রবা উফুল থাংলবা মপাল কাংজৈবুংদা হায়দুনা অসুমক লৈরি। শান্নবুং মতিক চাবা লৈত্রগসু, টুর্ণামেন্ট লেপ্তনা পাঙথোকপগী মহৈদি অদুমক ফঙলি । চহী খুদিংগী অন্তরজাতিগী থাক্তা শান্নবা ঙম্বা প্লেয়ার তপ্না তপ্না থোরক্লি । মসিমক সি: সি: মিটনা পিবা অচৌবা খুদোল অমনি ।

রাফম অমনা সি: সি: মিট অসি অহানবদদি মণিপুরগী ক্লব কয়াদগী খঙংলবা শান্নরোইনা মণিপুর ইলেভেন্ট হায়না মিংথোনবা সুপ্নগী টিম অমখক্তংনা শরুক য়ারমই । অদুবু শান্নরোই কয়া লেপ্তনা থোরকপদগী ইং ১৯৭৩ দগীদি অচৌবা ফুটবোলগী ঈহৌ অমগা লোয়ননা লোকেল ক্লবশিংদগীসু মাগী মাগী টিম পুথোরক্তুনা শরুক য়াবা হৌরকখি । ঙসিদি ষ্টেট মনুং অসিদা ফুটবোলগীদমক থোইদোক্লবা টিম ২০ গী মথক্তা লৈরে । অদুগা অন্তরজাতিগী থাক্তা শান্নরুবা ঙম্লবা শান্নরোইসু ইং ১৯৬৫ দগী ঙসি ফাওবদা ৪৭ শুখ্রে । হায়রিবশিং অসি মেন্স, য়ুথ অমদি স্কুলগী থাক্কিনি ।

অসুম্না লেপ্তনা চংথরকপা সি: সি: মিটকী ৪০ রক শুবা টুর্ণামেন্ট, হৌখিবা চহী দিসেম্বর ২১ দগী হৌরগা চহীসিগী জানুরারী ২৩ দা লোয়শিনখ্রে । মণিপরদা পাঙথোকপা ফুটবোলগীদমক্তদি খ্বাইদগী চাউবা ওল ইন্দিয়া ইনভাইটেসন টুর্ণামেন্ট অসিদা ওল ইন্দিয়া এস: এস: বি: না মণিপুরগী নিশাবু ৩ ১ দা থোইদুনা রিম্নর ওইখ্রে ।

৪০ রক শুবা ওল ইন্দিয়া ইনভাইটেসন সার চুড়াচান্দ সিংহ, কে: সি: এস: আই:, সি: বি: ই:, মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্ণামেন্ট অসিদা ষ্টেট অসিদগী টিম ২১ অদুগা মপান্দগী টিম অনি পুন্না ২৩ না শরুক য়াখি । মপানগী টিমশিং অদুদি ইষ্টর্ন রেলরেজ কলকত্তা অমসুং নাগালেণ্ড পুলিসনি । মণিপুরগী ওইনা শরুক

য়াখিবশিংদি ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মঙা, ইম্ফাল ইষ্টতগী অহুম, ককচিংদগী অহুম, বিষেনপুরদগী অহুম, সদর হিলসতগী অনি, তমেঙলোঙদগী অমা, জিরিবামদগী অমা, চুরাচান্দপুরদগী অমা, চান্দেলদগী অমা অমসুং সেনাপতীদগী অমা পুন্না ২১ অসিনি । নমদম অসিদা রাজনীতিগী চরোংনবা লৈবা, নাগা কুকীগী কাংলুপকী ইরাং হেঙ্গংলকপা লোইননা অন্দরগ্রাউণ্ড নহারোলশিংগী থবক হেন্না কনখৎলকপদগী শান্ন খোংনবগী মাইকৈদসু হেন্না শোকাচিনলকখি । মমাং চহীদা পাংথোকখিবা ৩৬ শুবা সি সি মিটতা মপান ষ্টেটতগী টিম তরুক্না শরুক য়াখি । হৌখিবা চহীদা তিনাখিবা মীগী মশিংদগীসু হন্দাক্কি য়াম্না হেন্থখি । লোইননা মপান্দগী টিম শাকপসু হেন্থরকখি। মসি অমরোমদা ষ্ট্রাইক, বন্দ অমদি তোঙান তোঙানবা মীশিং মীনাগী ইরাং লেবদগী ওইবসু য়াই । অদুম ওইনমক অহল ওইরবা গেম অসিবু পামজবা মীওইশিংদি ফনা ইরাং লৈদুনসু মপান কাংজেবুংদা লাক্নুনা কুমশিংসু সি সি মিটকী ভাবক ওইখি । ঙসিদগীনা চহী খরগী মমাঙদা লৈরম্বা মী তীনবগী মওং, তঙতানা শান্নবদা পুক্নিং থম্নরম্বা কয়া অদুদি লম্যাংনখ্রবগুম লৈরে । শান্নবা য়েংনরিঙৈদা মখোল হোৌবা করিংগুম্বা অমা তাবদা চেন্নগদবগী মাইকৈ য়েংদুনা লৈনরে । মসিসু মতম্না পুরকপা অহোংবা অমনি ।

হন্দক্কী সি: সি: মিট অসি অহানবা রাউণ্ডদা, গ্রুপ ৫ থোক্না খাইদোক্নগা নোক-আউট শান্নহনখি । মসিদা কারকপা টিমশিং ক্বাটর ফাইনেল লিগ রাউণ্ড হায়দুনা অমুক শান্নহনখি । হায়রিবা লীগ রাউণ্ড অসিদা ক্বালিফাই ওইদুনা টিম মরি খঙ্গৎখি । টিম মরি অদু সেমি ফাইনেলগী থাক্তা লীগ রাউণ্ড অমুক শান্নহনখি । মরি অসিদগী হেন্না পোইন্ট ফংবা অনি, ফাইনেলগীদমক খঙ্গৎখি । অসুম্না অরোইবদা ফাইনেল শান্নহনখি । সেমি ফাইনেলদা চঙলকখিবা টিমশিংদি মথংশিংনা এস এস: বি, নিশা, ডপা অমদি এস. এস. ইউ: নি। অরোইবদা নিশা অমদি এস. এস: বি পোইন্ট মঙা/মঙা ফংনদুনা ফাইনেল য়োরকখি । মতাং অসি য়োরকপদা থোকখিবা থৌদোক অমদি

জানুৱারী তাং ২০ দা অরোইবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা নিশা অমসুং এস: এস: বি শান্নখি । চপ মান্নবা পোইন্ট ফঙনদুনা লাকখিবা টিম অনি য়াম্না হৈশিংনা গোল চন্নদনবা মওংদা শান্নরকখি । গেম স্পিরিট য়াউদবা মানবা মওং কয়া টিম অনিমক্তা উরকপদগী ফুটবোলদা থরাই য়াওজবা ভাবক খরদি মৈ হৈনা শাওনরকই । মপাল কাংজেকুগী নোংপোক অমসুং মখা থংবা নাকন্দা ফম্লম্বা

অয়াম্বা ভাবক চবুন/চবুন হৌগৎনরকখি । হায়রিবা অসি শান্নবা পুংখাই অমরোম হৌজিনলকপা অদুৱাইগীদি হেন্না কনখৎলকখি । শান্নবা লোইশিনলো, ভাবক কবেন্নবা য়ারোই, নিশা অমদি এস: এস: বি: ফাইনেল শান্নহনবা য়ারোই হায়বনাচিংবা লাওশিন্নরকখি । অদুগা নুংনাচিংবা গ্রাউণ্ড তন্না লণ্ডশিন্নরকখি । চৌক্রি ফাওবা থুদেক্তুনা লণ্ডশিনলকখি । ইকান কান্নদনা নোংপোক থংবা গেৎতা ফম্বা, সাইকল সেট অমদি টিকেট পানবা কাংবুগী বাক্সি ভাবক থরনা মুনলগা শান্নফম গ্রাউণ্ডদা লণ্ডশিনলকখি । থৌদোক আসিদা শান্নবা লেপ্তুনা মিনিট ৩০ রোম লৈখি । ভাবক্তা নমথাক তৌবা সেমিফাইনেল, ফাইনেল য়ৌহনবা য়ারোই, টিকেট মমল হল্লু, হায়বনাচিংবসু হঙ্খিল হঙ্খিল লাউশিন্নরকখি । সিকুর‍্যিটি কাংবু লাক্লগা মতুং কাইনথংদা মেটচ অদু লোইশিনখি।

গোলদি অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে । অদুম ওইনমক ফোর্সনা ভাক্লগা শান্নরকপা মতমদুদাদি শান্নবগী মওং খিক্তং চুন্নকপগুম উখি । অসুন্না চৎথরকপনা ৪০ রক শুবা সি: সি: মিট জানুৱারী তাং ২৩ দা লোইশিনখি । ফাইনেলদা নিশা অমসুং এস: এস: বি: শান্নখি । মেটচকী পিরিবা মতমদুদা মাইকৈ অনিমক্তা লৈখিবা টিমশিংনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে। অহেনবা মতম ওইনা মিনিট ২৫/২৫ অমুক হাপ্লগা শান্নহনখি । মদুদসু গোল চন্নবা ঙম্নখিদে। টিম অনিমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি । মমাঙ নুমিৎ তাং ২০ দা শান্নখিবা মওং অদুগদি হায়নিঙাই লৈতনা খেন্নখি । ফাইনেলগী থুম থাম, য়াম্নবা মীয়ামগী মীনিল মরক্তুদা মাগী মাগী হৈজবি পুথোক্লখি। নিশা টিমগী পেনালটি তাবা বোল অমা গোল চনবা ঙমহৌদবগী মাংজখি । এস: এস: বি: টিমগীসু চনবা য়াবা গোল ৫ রোম নিশা টিম্না ফজনা ভাকথোরকখি । হেন্না কনবা এটেক্টতি এস: এস: বি না তৌখি । মমৌদা গোল চনবা ঙম্নরক্তবগী টাই ব্রিক্করদা লাম্বা তৌনরকখি, নিশাগী মাইকৈদগী অহানবা ওইনা টি: ঐচ: সুনিলকুমার সিংহ জরসি নম্বর অহুম্না কাওশিনখি । অদুবু গোল চনবা ঙমদে। অনিশুবদা এস: এস: বি: গী মাইকৈদগী টিম অসিগী কেপ্টেন ভেরীলী চিরুনা কাওশিনখি । গোল অমা চনবা ঙমখি। মথংদা নিশাগী জরসি মঙা কে:ঐচ: বদলনা কাওখি । মদুদসু গোল চনবা ঙমখিদে । মরিশুবা ওইনা এস: এস: বি: গী জরসি নম্বর ১০ এন: জর্মন সিংহনা কাওখি । মসিদা টিম অসিগী ওইনা গোল অনি শুখি । মথংদা নিশাগী জরসি নম্বর ১১ টি: ঐচ: বসন্তনা কাওখি । মঙাশুবা কাউনরকপা আসিদা অহানবা ওইনা নিশাগী গোল

অমা চনখি। মথংদা এস: এস: বি: গী নম্বর ২০ এন: শাগোর সিংহনা কাওখি । মসিদসু গোল চন্দুনা টিম অসিগী গোল ৩ শুখি। তরেংশুবদা নিশাগী জরসি নম্বর ৮ টি: ঐচ: টুলেশ্বরনা অরোইবা ওইনা কাওখি। মহাকসু গোল চনবা ঙমখিদে । নিশাগী গোল চনবা ঙমখিদবা অদুদগী টিম অনিগী ফিবম ৩ - ১ দা লৈখি । লোয়নননা মেটচ অদু এস: এস: বি: না ৱিন্নর অমদিনিশানা রন্নর ওইরে হায়না লাউথোকখি।

হন্নক্কী সি: সি: মিট অসিদা খ্বাইদগী ফবা শান্নবোইগী মনা কে: ঐচ: রতন সিংহ, (নিশা টিমগী কেপ্তেন) না ফংখি ।

সনখোঙ, ফেব্রুৱারী - ১৯৯৫ ।

*****

মালেম্বু শিঙনরীবা এভরেষ্টপু মাইথিবা পীঙম্বা

মণিপুরগী সুরজ

(মাউন্ট এভরেষ্টকী য়াম্না ঙকপসি আদা উম্না কুপ্পা চীঙদোন অসি লৈরে হায়রগা চংপা নত্তে। চীঙদোন অসি খ্বাইদগী ব্রাঙবা মফমদা লৈবনা ঙৈহাক লৈতনা শক্রোন হোঙই। অমুক অমুকসু মমি শামি উইনলি, অমুকসু ইঙৌ ঙৌনা ফজনা উবা ফঙই। অয়াম্বা মতম্দদি উদে। শকহেনবী লাইরেম্বী অমা ফাগে তান্নবগা পাম্লক ওইখি।)

মালেমগী খ্বাইদগী ব্রাঙলবা চীঙজাও অমবু মাইথিবা পিবা হায়বসি অরাইবা থবক নত্তে। মশাগী চপ-চাবা শক্তি য়ৌনা লৈতবা কনানসু মাউন্ট এভরেষ্ট মতোন লোম্বা ওইথোক্তে। হনবা নাইদবা, অখাঙ কনবা, মথৌনা মরিঙজেল লৈবা, পুক্রিং ব্রাখল চপ-য়ুঙনা লেপ্পা ঙম্বা, মশা-মউ ফবা মীওইনা মাউন্ট এভরেষ্টপু মাইথিবা পীদুনা পজেং ফিরাল থেংপা ঙম্মী হায়বসিমদি অফাওবা চীঙকারোই কয়ানসু ময়েক শেংনা প্রমাণ তৌরি।

মালেমগী মীয়াম্বু শীঙনদুনা লেপ্লিবা মাউন্ট এভরেষ্টনা মীওইবগী শক্তি থৌনাবু হেক হেক চাঙয়েং তৌরি । মাগা তেমশিঙনরকপা কয়াগী মরক্তা মাইথিখিবসু কয়ানী, মাই পাকখিবসু কোঙ্গাইনি। ঙসিদি মতম্না পুরক্লুনা লমদমসিদগীসু চীঙজাও অসিবু জয় তৌবা ঙম্বা মীওই থোরক্লে। মণিপুরগী ইতিহাসতা ময়েক লানা লৈহৌরগদবা চীঙকারোই অদুদি নোংমাইথেম সুরজ সিংহনি। অব্রাং নোংপোক ভারতকী ওইনসু অহানবা মীশক অমা ওইরবা সুরজ চহীসিগী জুন ২১ দা উম্নজদুনা এভরেষ্ট জয় তৌরুবা অসিগী মতাংদা ব্রারী কয়া শান্নজহৌই। চীঙকারোই অসিনা লিবীরম্বা ব্রারীশিং অদুগী শন্নপ্পা পাউদম অমতং থমজরি,

লমদমসিদগী তোমখিন ওইনা চোঙথোরক্লিবা নোংমাইথেম সুরজ পিক্লিঙৈদগী মশা-মউ ফনা, স্পোর্টসকী ওইবা গুণ কয়া লোংতুনা চাউরকখি। সুরজ, লাইরিক-লাইশুদসু ময়াই ওইবা ছাত্র ওইনা হৌরকখি। মশামক এম এ ইকোনোমিক্সনি। স্কুল, কলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটি থক্কী কুইজ অমদি এসে চাংদম্নবা কয়াদসু মনা-মথুম তত্তনা লৌরকখিবা মীওইনি। শান্ন · খোংনবা পামজরকপা মীশক অমা ওইনা ইং ১৯৮৮ দা সি. সি. হায়র সেকেণ্ডরি স্কুলগী গেমজ অমসুং স্পোর্টসকী

সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরকখি। মশাগী ওইনা ব্লা কয়া শাংগন্দবা, শাংববুদি থবক্লা হেন্না পামজবা সুরজ, থবক অমা তৌবদা য়ান্না সিরিয়স ওইজবা মীশক্নি। লোইননা তরু - তনান্না, মচা খায়না চোকশিন্না তৌজবা পাম্বা মীওই অমসু ওইরকখি। মাগী তোপ তোপ্পা মগুণ অমনা মরম চানা তৌগে খনখিবা থবক্তা নীংহন্নবা লৈতবা অসিনি। পীক্লিঙৈ মশাগী চহী ১৩ শুরকপদা অপোকপী মমা খুমনলৈমা তাইবঙপান থদোকখি। অপোকপা নোংমাইথেম জামীনীসু ১৯৯৯ দা লৈখিদ্রে। অদুবু মহৈ মশিং হৈহনবা পামজরম্বা অপোকপা অমদি অপোকপীনা অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা লাইরিক লাইশুগী মতাংদা থৱায় য়াওনা হোৎনবীরমখি। মদুগী মহৈনা লাইরিক লাইশুগী মঙাল ফঙবা মীওই অমদি ওইহৌখি। অপোকপী অমসুং অপোকপা লৈখিদ্রবা মতুংদা, মচন্নুপী সুনীতাগা লোইননা কোনুং মনুংগী হৈজগাং মনাক্তা লৈবা মন্দোমচা কুল্লবতীনা নাওয়োক নাওকোন্দুনা চাউরকখি। মীয়োক মীচান ফবী নর্স ওইবী মন্দোমচানা মমা-মপা লৈতবগী অৱাবা অমত্তা লৈহন্দনা নুংশিনা য়োকপীরকখি। মহাক্না মায় পাক্লকপসী মন্দোমচাগীসু অচৌবা দায়িত্ব লৈ।

পুন্সি হায়বসিদি থেঙনগদবনি, ট্রগল য়াওদবা পুন্সিদি মহাও য়াওদবা পুন্সিনী খঙ্গবা সুরজ, থেঙনবা য়াবা পুন্নমক থেঙনরগা লাকখিবা মীশক্নী। ইং ১৯৯৬ তা মাষ্টর লোইশিনলবা মতুংদা পুন্সিগী হীঙননবা লম্বেল খিবা হৌরকখি। মাইখিবা কয়া, মাইপাকপা কয়াসু মশিং খঙদনা থেঙনখি। হোৎনবা সুকলেপ লেপখিদে, নিঙহন্নবসু লৈখিদে। মমৈদা ইং ১৯৯৯ দা ষ্টাফ সিলেক্সন কমিশন্না লৌবা এসিষ্টেন্ট গ্রেদকী ওল ইন্দিয়া ওপন একজামীনেশন্দা মাইপাক্লনা সিক্কিমদা ২০০২ দগী ইন্টিগ্রেশন ওফিসৰ ওইনা থৌ পুরকখি। মিনিষ্ট্রী ওব হোম এফায়ার্সকী মখাদা লৈবা ওফিস অসিদা হেক চংবদগী তোঙান তোঙানবা লম্বী কয়াসু উরকখি। পুন্সীদা মঙখিবা মঙলান কয়া শোইদনা মঙফাওনৰগনি হায়বগী থাজবসু লৈরকখি।

এভরেষ্ট চীঙদোন লোম্লুরবা সরজনা অহানবা ওইনা অসুন্না হায়, ঐনা হন্দক মাউন্ট এভরেষ্ট জয় তৌবা ঙমজখিবসি চহী তরেৎ চুপ্পা হনবা নাইদনা হোৎনজরকপগী মহৈনী। পীশক পীক্লিঙৈদগী চীঙকারোই অমা ওইনা হৌরকত্রগসু মাউন্ট এভরেষ্টতা ঐনা তুমিন্না পামজরকপা ঙাওজরকপা ময়াম অমদি লৈজে। চপ-চাবা পাগল, শক্তি খৌনাবু লৈরবদি থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনবদা খরগী মখেদি মাইপাকপা ঙস্মী হায়বসিমদি ঐগী মাইকৈদগী য়ান্না শেংনা থমজনিংই।

অদুগা করম্না মাউন্ট এভরেষ্ট জয় তৌবা ঙমখিবনো হায়বসিগী মতাংদদি তেন্তরকা অসুম্না থমজগে, ঐহাক অসি ইং ২০০২ দা কেন্দ্র সরকারগী থবক অমা ফঙদুনা সিক্কিমদা পোষ্টিং তাই। সিক্কিমদা লৈবকান্দনি ঐঙোন্দা এভরেষ্ট কানবগী চান্স অমা ফঙজখিবসি । ইং ২০০২ দা ইশানসু পামজনা, সোনম গ্যাটসো মাউন্ট ইন্সটিট্যুত (এস জী এম আই) গেঙতোক্তা নুমিৎ ৪০ গী ট্রেনিং কোর্স অমা ইহান হান্না য়াওবা হৌরকখি। বেসিক মাউন্টেনিয়ারিং কোর্স অদুদা ঐহাক বেষ্ট ট্রেনি তাজরকখি। অহানবা ট্রেনিং অসি য়ারুবদগী ঐহাক্কী ৱাখলদা এভরেষ্ট মতোন অমুক্তুংদী লোম্লুরগে হায়না কন্না খনবা হৌখি। মথং ইং ২০০৩ দা ট্রেনিংগা লোইননা এক্সপিদিশনসু য়াওবা এদভান্স মাউন্টেনিয়ারিং কোর্সতসু ঐহাক লেপ্তুনা অদুম য়াওরকখি। অসুম্না ঐহাক হীমালয় চীঙদোন্দা ঐগী পুক্নিং ৱাখল থম্বা হৌরকখি।

মখা তাদুনা সুরজনা অসুম্নসু ফোঙদোকপীরকখি, মাউন্ট এভরেষ্ট কাদ্রিঙে মমাঙদা ইং ২০০৩ দগী সিক্কিমদা লৈবা ফুট লিশিং ২০ দগীনা ২১ ফাওবা ৱাঙবা মাউন্ট খাঙপুপ খাঙশে, মাউন্ট ফুলঙ, মাউন্ট ক্রম খাঙশে ইষ্ট, মাউন্ট শঙলাফুলচিংবদা ইং ২০০৭ ফাওবা মথং মথং মায়পাক্লা কাখ্রে। ইং ২০০৮ গী মেগী তাং ২২ গী অয়ুক পুং ৭.১০ দনি, ফুট লিশিং ২৯,০২৮ ৱাঙবা মাউন্ট এভরেষ্ট জয় তৌবা ঙমজখিবসি । ঐনা হন্দক মাউন্ট এভরেষ্ট জয় তৌজরুবসি ঐগী লৈখিদ্রবা ইমা বাবাদা দিদিকেট তৌজনিংই। মথংদা ঐগী ইমুং মনুং অমদি মরুপ মপাং পুন্নমক্তা তৌজগে।

মাউন্ট এভরেষ্ট কাবা হায়বসি কানিংবা মতম অমদা হেক্তা কাবসু য়াদে। চহী অমদা নুমিৎ খরনীতমক ফঙবা ৱিন্দো ৱেদর য়েঙলগা কানৈ। হন্দক চহীগী ওইনা নুমীৎ মঙানীখক্তমক লৈখি, মেগী তাং ২১, ২২, ২৩, ২৫, অমসুং ২৬ ওইখি। অমরোমদা, মে থাগী থামৈ অসি কালেনগী মতমসু লোইশিনলকপা, নুংজুথাসু তপ্না তপ্না চঙশিনলকপা মতমনি। অয়াম্বনা হায়রিবা মতমসিদা কানৈ।

সুরজনা মখা তানা হায়, ঐখোয়গী টিম্বু লমজিংখিবা অদু হিমেক্স হায়বা (হিমালয় এক্সপীদিশন) এজেন্সী অদুনি । মিনিষ্ট্রী ওব হোম এফ্যাসতগী এস জী এম আই (গেঙতোক) তা শিন লাংলগা কাখিবা খোঙচৎ অদু লুপা ক্রোর অহুমগী প্রোগামনি। অপুনবা চীঙকাবোইনা ঐখোয় ২০ নী। মসিদা নুপী অনী অমসু য়াওখি। এভরেষ্ট মতোন লোম্না কাবগী অয়াবা ফঙবা ঐখোয় ১৫ নী,

মঙানা ষ্টাফনি । টুপ লিদরনা জী টি ভুটিয়া (প্রিন্সীপাল, এস জী এম জী এম আই), দেপ্যুটি লিদরনা ডাঃ বুরকাল নি। খোঙচৎ অসিদা চীঙদোন লোম্লকখিবদি ঐখোয় ১০ খক্তনি। ঐ ইশামক নোংমাইথেম সুরজ, দি দি ভুটিয়া, কে ভুটিয়া, মিস ফুনমায়া তমঙ (অৱাং নোংপোক ভারতকী অহানবা মাউন্ট এভরেষ্ট জয় তৌবী চীংকারোই), মিস য়াঙদী সেরপা, নিমা ৱাঙচুক (চহী ৬০ শুবা ভারতকী অহল ওইবা চীঙদোন লোম্বা চীঙকারোই), য়াদুরাম শর্ম্মা, অটুল কবাল (গুজরাটকী আই পী এস ওফিসার, গুজবাট ষ্টেটকী ওইনসু অহানবা মাউন্ট এভরেষ্ট জয় তৌবদা নত্তনা আই পী এসশিংগী মরক্তগীসু অহানবা ওইৰবা মীওই), অশিশকুমার অমসুং লাকপা (ফুট লিশিং ২৭,০০০ য়ৌরুরগা কুম্লকখিবা চীঙকারোই) নী। মালেমগী ওইনা থারগা কাখিবনা লৈবাক নীফুগী পুল্লপ চীঙকারোই চহুম্লোমনী।

অটৌবা শীঙনবা অমা য়াওদ্রবদি মাউন্ট এভরেষ্ট জয় তৌবা ওইথোক্তে। উবদা অকি তুজুংবা পোকপা, নিঙজিং মাঙজিংনবা কয়া কয়া মশিং খঙদনা খোঙচৎসিদা থেঙনরকখি। চপ ঙম্বা চীঙমাই, চপ য়ুংবা খোঙফমখক্তমক লৈবা যাবা জগা কয়াদা সুপ্নগী রোপ অমদি কৈরাক্কী মতেংনা চৎখিবা কয়াসু য়াওখি। ইশাদা শ্বাই শ্বাই লাওবা, ঐবু ঙমগদৌরিব্রা মাইথিগদৌরিব্রা খলহনবা মীকুপ ময়াম অমসু লাকখি। পুন্নমক অদু লাকশিনলগনি, চীঙদোন য়ৌদবা য়াদে হায়দুনা শীঙনরগা মাইপাকপা ঙম্নব্রীবসি। পুক্রিংদা হেক ঙম্রিমখৈ নীঙহন্নবা পোকহন্দবা হায়বসিসু য়াম্না দরকার ওই । তশেংবমকসু চীংজাওসিগা ঐগা অকনবা লাম্বা তৌনবনি, অঙম তান্নবনি। খীত্তং শোইখিবদা অদুম লোইবা য়ার্বানি।

মাউন্ট এভরেষ্টকী য়াম্না ঙকপসি আদা উম্না কুপ্পা চীঙদোন অসি লৈরে হায়রগা চৎপা নত্তে। চীঙদোন অসি খ্বাইদগী ৱাঙবা মফমদা লৈবনা ঙৈহাক লৈতনা শক্লোন হোঙই। অমুক অমুকসু মমি শামি উহনলি, অমুকসু ইঙৌ ঙৌনা ফজনা উবা ফঙই। অয়াম্বা মতমদদি উদে। শকহেনবী লাইরেম্বী অমা ফাগে তান্নবগা পাশ্লক ওইখি। পৃথিবীগী লৈবাক কয়াগী চীঙকারোই কয়ানা মাউন্ট এভরেষ্টতা ঙাওরিবা অসিমকসু চীঙজাও অসিগী অচৌবা মগুন্নী।

ঐসু মাউন্ট এভরেষ্ট জয় তৌনবগীদমক লৈজবী থৌনা পুন্নমক পুথোক্লগা শিজিন্নজখি। অহানবা ওইনা, মী ৪০ গী মনুংদগী ১৫ খক সিলেক্সন ফঙননবা পাঙথোকপা ট্রেনিংশিংদা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অদুনা ঐনা ৱাহৈ অসিমদি হায়জনিংই, মীওইবা ঐখোয়দি হোৎনদবা য়াদে, পুন্সিদা মায়পাক্কে খল্লবদি পুক্রিং

হকচাং লুপশিনলগা হোৎনবা তাই। ফনা য়াম্না দাও যারবসু হোৎনদবা কনা অমত্তনা এভরেষ্ট মতোন লোম্বদি খক ওইথোক্লোই। মরল মথুন যাম্না পায়বা ওইদুনা হেলিকোপ্টরদা লাক্লগা এভরেষ্ট মতোন্দা থম্বদা মীওই অদু কুইনা লৈবা খক শুম্লোই, মহাক মতম খরগী মনুংদা অদুম শিগনি। মরমদি মাউন্ট এভরেষ্ট কাগে হায়রবদি হোৎনবা চঙই, মাগী হন্না নুংশিংকা চাশিন্নহনবা দরকার ওই। ইরাই লাইনা হেক্তা কাবা য়াদে।

খোঙচৎসিগী মতাংদা সুরজনা অসুন্না ফোঙদোকপীরকখি, মাউন্ট এভরেষ্ট কানবগীদমক্তা অখন্নবা থৌরাং কয়ামরুম লৈ। তোঙান তোঙানবা এজেন্সী কযানা হিমালীয়ন এক্সপিদিশন অসিগী মরু ওইবা থৌদাং লৌই। অদুগা ঐনা অসিমসু শায়জনিং শেরপাশিং অসিদী মাউন্ট এভরেষ্টকী হিরো ভাক্নি। মখোয়গী মতেং যাওদ্রবদি কনাসু চীঙদোন লোম্বদা ওইথোক্রমলোই। ঐখোয়গী খোঙচৎ অদু চাউরাক্না নুমিৎ ৭৫ নীরোম চঙখি। চহীসিগী এপ্রিল ৫ দগী ট্রেক্কিং ওইনা নুমিৎ ১০ নি বেজ কেম্প তানা চৎলি। নুমিৎ ১০ অসিদা মখল মখা কযাগী এক্সপেরিয়েন্স কয়ামরুম ফঙখি। চীঙজাও অসি কাবদা চাউরাক্না মী অমগী ওইনা লুপা লাখ ৩ দি চঙই। সুপ্পগী ফিরোল খংন্দা লুপা লাখ অনী, রোয়েলীটি ফি ওইনা লাখ মরি চৎথোক লৈশিন চান থক্কবা, অতে অতে দরকার লৈবা পুন্নমক্কী লাখ তরুক পুন্না লাখ ১২ চাদিং লৌখি। হায়রিবশিং অসি লারু সরকারনা পুথোকপা য়াওনি। বেজ কেম্পতা এপ্রিল ১৫ দা থুঙই। মফমদুদা নুমিৎ মাররোম একেমেটাইজ তৌবা ওইনা লাগ। খাপ্পা ১৬ দগীদি মাউন্ট এভরেষ্টকীদমক চাঙযেং লৈবা হৌই। খুচ মীশিং অমা চৎপা তৌবা খুম্বু গ্লেসিয়র শায়না খঙনবা অঙম্বা পাকাং অনীগী মরুক্তা যাম্না শাথিবা জগা অমা অহানবা ওইনা লানবা তাখি। মিমাস লানবদা খুম্বু দাই কপ হায়দুনা খঙনবা লোক খুবগী লায়না অসি যাম্না লাগনি। বাস অমুকপু লাম্নবদি চীঙকাবগী থবকসি হেক লোইদিফাওবা খুনাল ফনা হিদাক চাবরসু ফবা ঙমদে। অদুগা অমরোমদা লোক খুবা হায়বসি চীঙ কাবগা যাম্না চান্নদে, ইনর্জি যাম্না মাঙহল্লি। হায়না হায়না অখাবা অরুম্বা ফিরোল ময়াম অমা শেং চারবসু, গ্লোব, মাস্ক ফনা উপ্পুনসু অসুম খুমজিনলগা চৎপা নুংঙাইহনবনীনা ঙৈহাক হাঙদোক্লুবদা নুংশিং, নুংশা অহঙ অশা ময়াম অমনা ইরাই লাইনা এটেক্ট তৌবা অদুম শম্মী। চেকশিন চেকশিন্না ঐখোয় লোইনমক খুম্বু দ্রাইকপনা অদুমক খুহনখি। য়াম্না হেন্নদি তৌখিদে। অহানবা বেজ কেম্পতগী

খোঙশানবা অসিদা ঐখোয় শাখি শাখিরবা মফম ৪০ দা কৈরাক অনীনা শমজিন্নরগা শেম্বা থোঙশিংদা ময়া ১২ পানবা খোঙউপ তোঙদুনা লানবগী চাঙয়েঙ অমা তৌখি। অহানবা লানবদদি ইশাদা তুজুংবা, নিংজিং মাঙজিংনবা ময়াম অমা পোকখি। মমৈথংদদি খরা খরা এদজষ্ট তৌরকখি। ঐখোয়গী টিমদা য়াওখিবা নুপী চীঙকারোই অনীসু য়াম্না ৱানা লানখি। মমৈদা মখোয়সু ফজনা হৈনরকপা ঊখি। অমরোমদা এপ্রিল ১৯ অসি ঐগী বর্থ দেনী, হন্দক্কী মাউন্ট এভরেষ্টতা ঐগী ইপোক নুমিংকী পালন অসি য়াম্না চন্না পাঙথোকমীন্নখি। খুম্বু গ্লেসিয়র অসি ঐগী বাথ দে নুমিংতা লাম্থোকখি । অদুনা ঐঙোন্দসু কাউঙমদবা নুমিং অমা ওইজখি। তৌবদি, ঐখোয়গী টিম অসি হেন্না মায়পাক্না চীঙদোন লোম্বা ভন্নবা বেজ কেম্পতগী কেম্প মরিথোক্না খায়দোক্নগা কানবা শেম শাখি। হন্নং-হন্দা ৪ রক ট্রাই তৌখি। নুমিং নীনী এপ্রিল ১৯ অমসুং ২০ কেম্প ৱান্দা লৈখি। ফুট লিশিং তরাতরেং চামডা ৱাংবা মফমদুগী হন্না-নুংশিংকী ফীবম্না শারগনা দিগ্রি ৪০, ইঙলগনা মাইনস ১০ দগী ১৫ ফাওবনি। নাকল অনীদসু অকনবা রোক, আইস ফোল ময়াম অমা লৈবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নে। কেম্প নম্বর ৱান্দগী টু ফাওবগী অরাপ্পা অসিনা পুঙ মঙানী, ফুটনা লিশিং ২১ নী। জগাদুনা খরা পাকই, সাইলেন্ট ভেল্লি হায়না খঙনবা মফমদুদনা নুংশিং শিংতে, ফিরোল শেংদে। চাবিবা ময়ামদুনা ওমাচাকবা নুংঙাইতবা ময়াম অমা ফাওহনদে। হেক লোথোক্লুরগনা নুংশাগী মৈশানা কাথেকপদী শোইদ্রে। কেম্পাশিং অসিদা য়োক্লরম্লগা ঐখোয় অমুক অমুক বেজ কেম্পতা হনলি।

কেম্প নম্বর ৱান অসিনা টেমপোররীনী, কেম্প টুনা এদভান্স বেজ কেম্পনী, থ্রি অমসুং ফোরনা দেথ জোন হায়না খঙনে। কেম্প নম্বর থ্রি য়োরক্লগদি ফুট লিশিং ২৪ ৱাংখংলকপগা লোইননা নোমেল এক্লেমেটাইজ তৌবগী মতমসু লোইখে। শকাংসু তপ্না তপ্না শোম্বকপা হৌরক্লে। চাবখকপসু নোমেল ফঙদে, ম্রাই ফ্রুদ ডাংলা চাবা হৌবে। কাবসু অচৌবা মচেক ময়া পানবা ঊনগী চীঙচেপ, অঙখ্বনা দিগ্রি ৭০ দগী ৮০ ফাওবা অকনবা আইস ভাক্সগী ওইরক্লে। অসুম্না এপ্রিল ৩০ ফাওবদি হন্নং হন্দা বেজ কেম্পতগী কেম্প নম্বর টু ফাওবদা চৎতুনা লৌখি। মরকাসিদা বৈজিং ওলিম্পীক্তকী টোর্চকী মৈরা টুখৎকনি হায়দুনা মে ১ দগী ১০ ফাওবা মাউন্ট এভরেষ্টতা চীঙকারোই অমতা চীঙকাকগী অয়াবা চীনারোমদগী পীখদে। চীনি শাটিন্না মে ৮ দা ওলিম্পীক্তকী টোর্চ মৈরা থুঙখিবদগীদি

মে ৯ দগী ঐখোয় অমুক কাবা হৌই। বেজ কেম্পতগী দাইরেক্টর ওইনা কেম্প টু ফাওবা চৎলগা মফমদুদা মে ৯ অমসুং ১০ অহিঙ লেকই। মে ১১ দগী অমুক কেম্প নম্বর থ্রি তানা চৎলি। কেম্প থ্রি য়ৌরকপদগীদি ইশাদা থীজুং কিবা ফাওই। কেম্প টুদগী থ্রি ফাওবসি চৎপদা পুঙ মরি চঙই। হৱা নুংশিৎকী ফিভম চাং নাইরক্তবা, খুদোংচাদবা কয়া লৈবনা য়াম্না ৱানা য়ৌই।

মাউন্ট এভরেষ্ট কাবা হায়বসিদি টিম লিদরগী, এক্সপীদিশন ইন - চার্জগী মখাদা ঐখোয় য়ারিমখৈ খুদোংথিবা মায়োক্নদনবা হোৎনখি। হন্দক চহীগী ওইনদি রেকোর্দ ময়াম অমা থম্বা, য়াম্নমক মাই পাকপা চহী অমসু ওইখি। ৱার্ল্ড রেকোর্দকীদমক মশাগী চহী ৭৬ শুরবা মীন বহাদুর সেরপানা থোনা ফনা এভরেষ্ট চীঙতোন লোমদুনা থাইদগী অহল ওইবা চীঙকাবোইগী রেকোদ থমখি। জেপানিজ চহী ৭৫ শুরবা মিউরাসু ৱার্ল্ড রেকোর্দকীদমক লাকখি। অদুবু চহী অমা খেন্নবগী মীন বহাদুর সেরপানা রেকোদ থমখি।

হন্না হন্না বয়ারক অকা অকুম শান্নরবা মতুংদা মে ১৮ গী অয়ুক পুং ৩ দা লৌশংতুনা সাম্মিট অসিগীদমক পুজা তৌখি। অয়ুক্কী ৭. ৩০ দা ব্রেক ফাষ্ট লোরগা শেম শাবা লোইরবা মতুংদা পুং ৪ দগী বেস কেম্প শীজিন্নরগা চৎপা হৌই। ঐখোয় ক্লাইম্বর ১৫ গী মনুংদগী ১১ খক্তমক ফিট ওইদুনা, মন্দকী শোইদনা চীঙতোন য়ৌদবা য়াদে হায়দুনা মে ২০ গী অাশাদা খোঙশানলকখি। কেম্প টুদা মে ১৮ অমসুং ১৯ নুমিৎ নীনী পনলম্লগা মে ২০ দা কেম্প নম্বর থ্রীদা থুঙলে। মফমদুদা তুম্বা মতমদসু আর্টিফিসেল ওক্সিজেন শীজিন্নরে। অয়ুক নুংথিলদদা থরা ফে। নুমিদাংদদা ওক্সিজেন যাওদ্রবাদা শরু লোননা তনদে। মফমদুদা অাহুং অমথক লেরম্লগা মে ২১ গী অয়ুক পুং ৩রেপতা ব্রেক ফাষ্ট লোরবা মতুংদা ওক্সিজেন শীজিন্নরগা কেম্প নম্বর ফোরগীদমক চৎনা অমুক লেরে। অসুম অসুম ৱাখল্লাকপগা লোইননা খুদোংথিবা কয়া অমসু মখুং মথুং থেংননা হৌরে য়েল্লো বেল্ট অমী অসুম লানলগাদা শোইদনবগী মাউন্ট এভরেষ্ট চীঙতোন ফঙগদবে খল্লবদা নুংঙাইবসু পোক্লকখি অাকবগা ফাওরকখি। য়েল্লো বেল্ট অমমম লানবদা খেঙনরিবা অরাবা কয়ানা ইশাদা শাই শ্বাই লাওবা কয়া অমসু পোকহল্লি উন্নদি ক্লুম্বে হায়ববু কাবদি ফংদে য়াম্না লোবা মফমনি। অদুবু লেপ্তুনা চঙশিনলকপনা য়েল্লো বেল্ট কোশ তোর॥ [illegible] ॥ মে ২১ গী নুমিৎ পুং ২ দা কেম্প নম্বর ফোরদা থুঙ॥ [illegible]

ঐখোয় ঙৈহাক পোত্থানরে। অদুদগী নুমিদাংগী পুং ৭.৩০ দা চীঙদোন লোম্লুনবগীদমক ইশা ইশাগী গর্দ সেরপাশিংগা লোইননা কেঃ জিঃ মরি/মরিগী ওক্সিজেন সিলিন্দর অনী, লিটর অমগী ঈশিং বোটল, চান্ন থক্লবা হাম্পা হেবর সেক, হেদ লেম্পনচিংবা হাপচিন্দুনা কাবা অমুক হৌরে। পুং ১২ গী লশ্মীনি। মতাংদুদদি বারুনী নুমিত্তা শোংমাইজিং চীঙদা মৈরা পরেং চৎপদু য়াম্না নিংশিংলকখি। হন্দক্তী শোইদনা চীঙদোন লোম্লগনি হায়বগী থাজবসু লৈখি। ব্রাবদি করি হায়রুগনি। পুক্লিংদা লৌরিবা থাজবা অদুখক্তা ঙাইশিনলক্লে। লেপ্তুনা থাঙলকপা খোঙথাংনা সম্মিট আসিগী ময়াইব্রাইদা লৈবা বেলকোনী য়োঁশিনলক্লে। মফমদুদা ওক্সিজেন সিলিন্দর শিংলে। নক্লাদুদা ঐগী খুৎশাশিং আসি অঙকপা ফঙনা ইঙশিনলকখি। এক্সপীদিশন অসিদা ঐনা যাম্না পাখৎচাখিবা ফ্রোস্ট বাইট হায়বদু তোরব্রা হায়না চীঙলখি। মদুগী লায়নাদুদি খুৎশা অমদি খোঙশাগী মতোনশিং আসি মুশিনলক্লগা অদুম কেললকপা য়াম্না শাথিবা মখলনি। ঐনা ঐগী খুৎমোজা মনুংদা খুৎশাশিং শাগৎনবা কল্লা হোৎনবদগী তপ্প তপ্পদি শাগৎলকখি। করিমত্তা তৌদ্রে খঙবদগী পুক্লিংসু নুংঙাইরে। বেলকোনীগী মথংদগী পুংখায় অমরোম ফক্লাংদৌনা তোবা, ভটিকেল ওইবা জগা অমা লানলগা তপ্পা তপ্পা লানশিনলকপনা নোংঙানলমদাংগী পুং ৪ ৩০ তাশিনলক্লে। নোংসু ঙানলি ঙানলি তৌরক্লে। হীমালয়গী লাইরেম্বীনা ঐখোযবু লোকমী নোকমী কোরকপগুম পুক্লিংদা ফাওরকলে। অয়ুক্কী পুং ৫ দা সাউথ সম্মীটতা থুঙলে। সম্মীট আসিদগীদি মাউন্ট এভরেষ্ট মতোন ফজনা উবা ফঙলে। চীঙদোন য়োঁক্রুরগা কুম্নকপসু কাগদবসু ক্রোশ তোনফম হিলারী ষ্টেপ হায়না খঙনবা মী অমমমতা লানবা য়াবা মফমদুদা পুং অমা গরা হেন্না লাম্নোক লানাশন তৌনরবা মতুংদা অয়ুক্কী পুং ৭ ০০ দা মাউন্ট এভরেষ্ট মতোন য়োরে। চীঙদোন্দুনা শুঙবা মীংকুপ্পু ইশাদা থাজবা পোকখিদে। থঙনবা মীংকুপ্তা হায়ফম খঙদনা নুংঙাইবা ময়াম অমা ফাওরকখি। মণিপুর মচা অমা ওইনা মালেমগী খ্বাইদগী ৱাঙই হায়না শীঙথানরিবা চীঙদোন আসিদা লেপ্পা ঙম্লে থল্লুবদা তশেংনমক অপেনবা পোকখি। অহানবা ওইনা ঐবু পোকপীরম্বী লৈখিদ্রবী ইমা খুমনলৈমা অমসুং বাবা এন জামীনীগী ফোটো মফমদুদা থম্লমখি। ঐগী ইমা বাবা অনীমক লৈখিদ্রে। অদুবু ঙসি মখোয়না ঐবু পোকপিরম্বনা ঐদি অচৌবা চাঙয়েঙ অমদা মাইপাক্লে। ঐগী ইমা বাবানা ৱাঙলবা চীঙদোন্দুদা নীঙাইদনা লৈহৌবদু ঐনা লমন মচা অমখক মচা অমা ওইনা শিঙলবনি হায়না লৌজে। অদুগা ঐনা য়াম্না নুংঙাইখিদবসি মণিপুর ষ্টেটকী ওইবা কংলাশা নত্রগা মণিপুর মেপনাচিংবা সিম্বোল ওইবা য়াবা পোং অমত্তা পুহোঁদবসিনী। ঐনসু মসিগী মতাংদা নোলেজ থরদি

ব্লাংহৌরে। মসিগীদি ঐ তশেংনা নুংঙাইতে। অদুম ওইনমক মণিপুর ষ্টেটকী ওইনা, মাউন্ট এভরেষ্ট জয় তৌবা ঙম্বা মীশক অমদি ওইরে খল্লুবদদি তশেংনমক নুংঙাই। অরোইবা ওইনা নোংমাইথেম সুরজনা ব্লাফম অসিমসু ফোংদোকপীরম্মী, হোংনদবা মীনা মাং পাকই হায়বসি ঐদি থাজদে। সক্সেস ওইখিবা মী খুদিংমক অঙকপা ফঙনা হোংনখিবা ঙাক্তনি। হোংনবা কনবা মীদী দাওসু য়াগনি, মাইসু পাক্কনী । অদুনা পুকচেল শেঙবা, লমচং শাজং ফজবা, হোংনবা কনবা হায়বসি মীওইবগী পুন্সিদা খ্বাইদগী মরু ওই।

ইচেম্মা, ওগষ্ট ২০০৮ ।

*****

মার্সেল আর্টতা

কে: আর: নোংথাং

ঙল্লিঙৈদগী হৌনা মণিপুরী জাতি অসি মশা মরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা থাঙ তা শরিং-শরাং, হুয়েন লালোঙ অমদি মুক্নানচিংবা শাগোল্লদুনা লাকই। অমরোমদা মৈত্রবাক অসি শা - লান কনবা মফম অমা ওইনা ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংনা হায়রিবা বিদ্যা অসি হৈনরকই। মৈতৈ অমা ওইনা শিংলি নাউরি লু-তোঙদা মথং মথং শমথদুনা লাকপনা অসিগুম্বা মখলগী কাংলোন অসিনা স্পোর্টস ওইনা চোঙথোরকপসু ঐখোয়গী মফম ফঙলক্নি। মৈতৈ মচাশিংগী মনুংদগী মার্সেল আর্টকী ওইনা তোঙান তোঙানবা মশান্না কয়াদা ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা মফম ফঙখ্রবা শ্রীকোম্খৌজম রঞ্জিং সিংহগী মতাংদা মরিক চুম্বা ৱাফম খরদং মীয়ামদা ফোংদোকচরি।

শ্রীকে: রঞ্জিং সিংহ, শ্রীকোম্খৌজম ইবোতোম্বী অমসুং শ্রীকোম্খৌজম ওংবী শঙ্গাই দেবীগী ইতোন তোনবা মচানুপানি। ইং ১৯৫৯ গী মে তাং ৭ তা তেরা খুরাইজম লৈরক্তা লৈবা ইমুং অমদা পোকখি। শ্রীকে: রঞ্জিং সিংহ, মীয়ান্না কে.. আর: নোংথাঙ হায়রগা হেন্না খঙনৈ। মশামক আর্টর্স গ্রেজুয়েটনি। কারাতে দো ইন্টরনেসনেলগী ব্রেক বেল্ট ফাইভ দাননি।

কে আর নোংথাঙ পিক্লিঙৈদগী মশা মউ কয়া ফত্তনা হৌরকখি। শোনদম নাদম্বা মীওই ওইনা হৌরক্লগসু তোঙানবা মতিং মথৌনা অমদি লোযনরকখি। শান্না খোংনবা অমদি থাঙ তাগী কাংলোন পামজবি অপোকপী মমানা ওঝা নোংথাঙবু মশাগী চহী ১১ শুরকপা অদুৱাইদা থাঙ তাগী অফাওবা ওঝা শ্রীএস: দেবত্তগী (কৈশামথোঙ লাইশোম লৈরক) ময়ুমদা পুরগা হৌনবী মতুং ইন্না বোরীরগা থাঙ তাগী বিদ্যা অসি তমহনলকখি।

মার্সেল আর্টতা থৱাই য়াওরকপা মীওই অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা ওঝা-গুরু কয়াদগীসু তম্বা য়াবা পুন্নমক মথং মথং তম্লকখি। ওঝা দেবত্তগী মথংদা শ্রীএন: নীলকান্ত দগী কারাতে-দো, মৈতৈগী শরিং শরাং হুয়েন লালোঙ তম্লকখি। মথংদা ওঝা টি:ঐচ: ইবোতোম্বী সিংহদগী মুক্না তম্লকখি। থাঙগী কাঙলোনগী তোঙান তোঙানবা মখলগী মান্নদবা মওং কয়া শ্রীঙাঙোম বিরজিৎ,

শ্রীখাইদেম মোমোন অমসুং লৈখিদ্রবা ওঝা খুদোঙবম নিপামচাদগী তন্নকখি। মণিপুরগী জুদো অমদি কারাতেদা মমিং লৈরবা ওঝা তোম্বা অমদি ওঝা খোইবী সলামদগীসু আর্ট অসিগী মতাংদা তম্বা য়াবা কয়া তন্নকখি ।

মার্সেল আর্টকী মতাংদা কে: আর: নোংথাঙনা অসুন্না হায়, মার্সেল আর্টপু কনাগুম্বনা ফুন-চৈনবগী কাংলোন হায়না অর্থ হল্লি । তশেংনা হায়রবদি মসি অরানবনি । ঐগী মোত্তদি কাংলোন অসি 'ব্লে ওব লাইফনী' হায়জনিংই । মীওইবা অমা ওইনা হিঙবদা তোঙান তোঙানবা শরুকশিং অসি মমিং-মনা শিংনা তীঙ্গেল-লাইচেন্দনা থম্বা ঙন্নবা শাজেল কাংলোনশিং অসি দরর ওই । কারাতে- জুদো, ব্লুসু-বোদোকান, শিশৈকান হায়রিবশিং অসি তোঙান তোঙানবা শাজেল কাঙলোন ঙাক্তনি ।

ইশাগী খোঙ-খুং ব্লাখল বুখি-লৌশিং নীয়ম চুন্না শিজিন্নদুনা মশক থোকপা মী অমা ওইনা হিংবা ঙন্নবগীদমক অহানবদা শিশৈকান হায়বা শাজেল কাংলোন অসি শান্নবা দরকার ওই । ইশাবু ইশক খঙজবা ঙন্নবা, হিংবগী অর্থ থোরুনবা, অশাউববু খুদুম চনবা ঙন্নবা, পুন্সিবু শান্তি লৈনা হিংহন্নবা করম্বা লম্বেলদা চৎকদগে হায়বদু শিশৈকানগী শাজেলদা ময়েক শেংনা য়াউরি। কাংলোন অসি ১০০ দা ৭৫ দি যোগগী শরুক্তি ।

শিশৈকান্দা ইন্টরনেসনেল ইন্সট্রক্টর ওইরবা কে: আর: নোথাঙনা অসুন্না মখা তারি, কাংলোন অসিগী অহানবা পারাদি পুক্লিং অমদি হকচাংগী পাঙ্গল কলহনবগা লোইননা অখাং কনবগী শক্তি লৈননবা হোংনবনি । পৃথিবীগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক্কী মীওই মিলিয়ন ১৫ রোন্না শাজেল অসিগী কান্নবা খংনখ্রে । মীওইবগী কান্নবা মচাক কয়া য়াউবনা পৃথিবীগী মীওই কয়ানসু নোংমা নোংমাগী পান্নবা হেন্নরক্লি । অসিগুম্বা কান্নবা কয়া অসি লৈবদগী ইং ১৯৮৭ তা কে: আর: নোংথোঙনা মশামক্কী য়ুম তেরা খুরাইজম লৈরক্তা 'ওল ইন্দিয়া হৃকিনরা সৈতো শিশৈকান যোগ-কারাতে-দো ট্রেনিং সেন্টর' নোংথোঙ মার্সেল আর্টস হায়না মীংথোন্দুনা সেন্তর অমা লিংখৎখি । হৌজিকসু সেন্তর অসিদা লমদমসিগী নহা-অহল কয়ানা শাজেল অসি শান্নরি ।

ওঝা নোংথাঙনা শিশৈকান কারাতে শান্নবগী কান্নবশিং পল্লদুনা অসুন্না মখা তারকখি, শাজেল অসি শান্নবনা মীওইবগী হকচাং, শিংলী-নাউরী মসল, তোংশা, শরু হকচাংগী শরুক খুদিংমক মপাঙ্গল কন্না, শক্তি লৈনা হীংহনবা

ঙমহনলি । পুক্রিং হকচাং তরু তরু থম্বা হায়বসি মীওইবা অমগী তৌফম থোকপনি । হকচাং ফরবদি পাঙ্গল কল্লি, থৌনা লৈরকই ।

থাঙ তাদসু মমিং লৈবা মীওই অমা ওইনা ওঝা কে: আর: নোংথাঙনা অসুন্না হায়,

'পুন্সিগী অহানবা ওইনা ঐনা শাল্লজখিবা অসি থাঙ তানী । বিদ্যা অসিগা অতৈগা খেন্নবা অমদি থকশি খাশিগী মতাং অসিনি । কনাগুম্বা মীওই অমনা থাঙ তা তম্লীংই হায়দুনা শেল পিরগা হেক্তা তম্বা য়াদে । গুরু অমদি শিষ্য ওইগদৌরিবা অনিগী মরক্তা ফজনা মরি অমা অহানবদা লৈনবা চংই । ফনা তম্লীংই হায়দুনসু গুরু ওইগদৌরিবা মীওই অদুগী অয়াবা ফংদ্রগদি তম্বা ওইথোক্তে। খম্মোইগী ওইবা ফজবা মরি অমা লৈনরবা মতুংদা গুরু অদুনসু পেল্লবদি তৌনিংবা নুমিং অমদগী অদুম হেক্তা হোবা য়াই । মণিপুরগী থাঙ তা তম্বীবগী চংন লোনচং অসিগা জপানগী শিশেকান তম্বীবগী মওং অসিগা য়াম্না নকশিন্নে । গুরুদ্বু পেলহনলিমখৈ শিষ্য ওইরিবা অদুনা তম্লীংবা মখৈ তমজহোবা য়াই ।

ঐ ইশামক্কী ওইনসু লাইবক ফবনা ঐনা লোইনজরকখিবা, তমজরকখিবা ওঝা গুরু কয়াদগী তম্বা য়াবা কয়া অমদি মপুং ফানা তম্বা ঙমজরকখি । ওঝা গুরুশিংগী মপান নাইদ্রবা থৌজাল অদুনা ইং ১৯৮০ দা মার্গেতি রিভর কারাতে ক্লব শিশেকান ইন্সট্রক্টর, ওষ্ট্রেলিয়া দিপুটি একজামীনর (নোর্থ ইষ্ট জোন, ইন্দিয়া) ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরকখি । চহীদুগী ঙসি ফাওবা মার্সেল আর্টকী লমদা লেন্না খুমাং চাউশিন্নবা মণিপুর য়াউনা নাগালেণ্ড, মিজোরাম, আসাম, মেঘালয়া, অরুনাচল প্রদেশ, ৱেষ্ট বেঙ্গল, বিহার, অন্ধ্র প্রদেশ, মদ্রাজ, মহারাষ্ট্র অমসুং উরিষ্যাদা গোঙান তোঙানবা সেন্তর লিংখৎতুনা ইন্টরনেসনেল ইন্সট্রেক্টর ওইনা তোঙানবা সেন্তর লিংখৎতুনা ইন্টরনেসনেল ইন্সট্রক্টর ওইনা থবক পুজরি ।

কে: আর: নোংথাঙ - শিশেকান কারাতেদা ভারতকী খ্বাইদগী নহা ওইরিবা ইন্সট্রক্টরনি। হৌখিবা ইং ১৯৯০ গী এপ্রিলদা রঞ্জিংপু মহাক্কী গুরু শিগেকী ইজুমী (টেন দান, অষ্ট্রেলিয়া) না শিহান (ওঝাগী ওঝা) মীংথোন পীদুনা ইকাইখুম্নবা উৎনকখি । শিশেকান্দা ম্যানমার, বঙ্গলাদেশ, হোঙ-কোঙ, মালেসিয়া নেপাল, পাকিস্তান অমসুং শ্রী লঙ্কাদসু ইন্সট্রক্টর ওইরুনবগী অয়াবা পীরকখি । হৌজিকসু কে: আর: নোংথাঙ চহীসিগী জুন তাং ১৮ দা মালেসিয়াগীদমক থা অনিগী খোঙচত্তা ইম্ফাল থাদোকখে । মালেসিয়াদগী হল্লক্লগা হোঙ-কোঙদা থা খরা

অমুক লৈরুগনি হায়রি ।

অমরোমদা ওঝা অসিগী অহানবা পুখোকচবা ছাত্র অসি এস: রাজেন সিংহ (৬শুবা মণিপুর বিধান সভাগী লমশাং কেন্দ্রদগী কারকপা এম: এল: এ:) নি। এস: রাজেন সিংহনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরকপসি মহাক্কী ওইনসু অচৌবা মাইপাকপা অমনি হায়না লৌজে। মার্সেল আর্টতা চহী ২৬ চুপ্পা লুপশিনখ্রবা ওঝা কে: আর: নোংথাঙবু ইকাইখুম্নবা উৎতুনা ইং ১৯৯৪ গী ফেব্রুৱারীদা 'দি সোসাইটি ওব এনসীয়েন্ট মার্সেল আর্ট' অষ্ট্রেলিয়ানা 'কম্মান্দর ওব দি ওর্দর' হায়বা মীঙথোল অসি পীরকখি । মসিবু মখোয়গী লোন্দা সি:ও:বি: ফংবা হায়না খংনৈ। হায়রিবা মীংথোল অসি ভারত মচাশিংগী মনুংদা মহাক্না ফংবা ইহান হানবনি । মসিমক ঐখোয়গী ওইনা চাওথোকচনিংঙাইনি ।

পৃথিবীগী ওইবা তোঙান-তোঙানবা শাজেল কাংলোনগী আর্ট অসি ২১৮ লৈ । মণিপুরীশিংগা চান্নবা খরা লৈরিবসি মৈতৈগী মুক্নাগী লৌ ২২ রোমগা য়ান্না মান্নবা লৈবদগীনি হায়নসু ওঝা নোংথাঙনা ঐখোয়দা তম্লকখি ।

কোম্থৌজম রঞ্জিৎ সিংহ হৌজিক হৌজিক মাগী লোইনবী শ্রীমতী মনোরমা দেবীগা মচানুপা চহী অনিরোম শুবা অমগা লোইননা তেরা খুরাইজম লৈরক্কা লৈমীন্নরি । হোম ষ্টেট অসিদা মতম শাংনা লৈবা সুকফং ফংদ্রে । ভারতকী ষ্টেট ১১ দা কোইনা চৎতুনা তুংগী আশা লৈবা মীওই কয়া, লৈজবী থৌনা উৎতুনা পুথোক্নবা কন্না হোৎনরি । ওঝা নোংথাঙগী মতাংদা খরদং পনবা য়াবদি ইং ১৯৭৮ গী (মণিপুরী ট্রেদিসনেল ষ্টাইল ওব রেষ্টলিং গী) মুক্নাগী ব্রিন্নর্রনি । চহীসিদা পাংথোকখিবা চৈ হাইনবীগী (হুয়েন লালোঙ শিন্দমশঙনা শিনবা) চাংদম্নবদা অহুমশুবা ওখি । ১৯৮৪ দা ওল মণিপুর কারাটে এসোসিয়েসন্না শিনবা ষ্টেট লেভেল টুর্ণামেন্টতা কাতা কম্পীটিসন্দা অহানবা পোজিসন ফংখি । নেসনেলগী থাক্কা ১৯৮০ দা শ্রীনগরদা পাংথোকখিবা ফাষ্ট নেসনেল স্কুল জুদো চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিভিজুয়েল চেম্পিয়নশিপকী মনা ফংলকখি । মথং ১৯৮১ দা হাইদরাবাদতা পাংথোকখিবা সোটোকান কারাটে চেম্পিয়নশিপ্তা টিম চেম্পিয়ন ওইরকখি। ১৯৮৪ দা গুৱাহাটীদা পাংথোকখিবা ফাষ্ট ইন্দিয়া ইভাইটেসন মার্সেল আর্টস চেম্পিয়নশিপকী (সেভেন ইন্দীভিজুয়েল ওপন মেদালিষ্ট ব্রেক বেল্ট ইভেন্টতা 'বেষ্ট ফাইটরগী' মিংথোল ফংলকখি। অসুন্না মথং মথং ভারতকী মীয়ামদা শকতাক্রবা মতুংদগীদি পৃথিবীগী অফাও অফাওবা মীওই কয়াগা থেংনবা হৌরকখি । লোইননা

জপান অমদি অষ্ট্রেলিয়াগী অফাওবা গুরু কয়াগা থেংনদুনা মথং মথং হনবা নাইদনা হোৎনরকপদগী শিহান মীংথোল ফংদুনা মণিপুরগী ওইনসু লেমজনীংঙাই ওইরবা মীশক অমা ওইরকখি । ওঝা কে: আর: নোঙথাং মণিপুরগীতা নত্তনা ভারতবর্ষদগী অফাওবা মশা-মউ ফবা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা থৌনা অমদি শক্তি লৈনা হিংবা ঙম্বা মীওই কয়া পুথোরকপা ঙম্বা ওইসনু ।

অমরোমদা ওঝা নোংথাঙ, থাইনগী অরিবা পোৎ-চৈ নিংখিনা খোমজিন-তাশিন্দুনা মচু থোক্না থম্বা পামজবা মীওইনি । ঙসি ফাউবা ঐখোয়না কোইনা চৎতুনা উন্নজরুবা মীওইশিংগী মনুংদা ওঝা অসিগা অতৈগা মান্নদবা মগুণ অমদি হেক শান্নবা হৌরকপদগী ঙসি ফাওবসি চে-চাং পোৎ-চৈ পুন্নমক মথং মনাও নাইনা নীয়ম অমগী মখাদা ফজনা থম্নম্বা অসিনি । লোইননা ভারত অমদি ভারতকী মপান লৈবাক্তা চৎলুবগী টিকেৎ, বার্ত্তোন, সার্টিফিকেটনচিংবা মতু'মফাউবা তেক্তনা লৈরমই । খ্বাইদগী নুংঙাইবা মফম কয়াদগী খোমজিল্লকপা থাঙ-তা, পোৎ-চৈ কয়াসু ম্যুজিয়ম অমা হাংদোক্লগা থমগনি হায়দুনা অমমমতা ওইনা য়েংহল্লকখি। ব্রাফম অমনা কে: আর: নোংথাঙনা শোইদনা লৈগনবা পোৎ অমদি লাইরিক্তি । মহাক্না চৎলুবা মফম কয়াদগী লৈরকপা মার্সেল আর্টকা মরী লৈনবা লাইরিক কয়ামরুমসু উপু অহুম মরি পীক থন্না লৈহৌই । মসিবু ম্যুজিয়মগা লোইনবা লাইব্রেরী অমা হাংদোক্লগা মীয়ামদা অথুবা মতমদা লাম্থোক্লগনি হায়না ফোংদোরকখি।

মার্সেল আর্টতা ভারতকী শক্লাইরবা মীওই অমা ওইদুনসু মণিপুরদদি কে: আর: নোংথাঙবু থোইদোক্না শকখঙনবিদ্রি । পনবা য়াবা ব্রাফম অমদি, চহী খরগী মমাংদা মেরিটরিয়স স্পোর্টস সার্টিফিকেট কয়াদুগা লোইননা রাজ্যসিগী য়ুথ এফিয়ার্স এণ্ড স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতা পি:ই:টি: গী থবক তান্নরমই । অদুবু ফংখিদে- মতাংসিদা ওঝা নোংথাঙনা হায় -, ষ্টেট সার্ভিস ফংলমদবা অদু ঐগীদমক্তদী খ্বাইদগী লাইবক ফবনি । থবক ফংলম্নবদি দিপার্টমেন্ট মচা অমদা পুন্সিসি লেল্লম্বা তাবনি । ঙসি ঐনা পৃথিবীগী মীয়াম অমা থেংনদুনা অচৌবা লম্বি অমা শেম্বা ফংলিবসি ফংলম্লোই । মীয়ামগা তীন্নবগী খুদোংচাবা অমা রাজ্য সরকারনা পীবিরবনি খল্লগা ঐদি থাগৎচনিংই । ঐবু মখোয়না লমদমসিদা থবক পীবিরম্নবদি ঐনা ঙসি ফংজরিবা মীংথোল অসিসু ফংলম্লোই । অদুনা ঐদি সরকারনা ব্রাবৌজবা নুঙাইতবা করিমত্তা লৈজদে । হেন্নবু থাগৎচনিংই ।

'মরকসিদা নুঙাইজদবা অমনা জুন তাং ১৮ দা ঐহাক মালেশিয়াগীদমক

ইম্ফাল থাদোক্লগনি । থা অনিরোমদি ঐহাক মফমদুদা লৈৰবা য়াই খল্লি । ঐনা ইম্ফাল থাদোকখিগৈদা, ঐনা থৱাই য়াউনা পৃথিবীগী মফম কয়াদগী খোমজরকপা থাও মখল কয়া, নন-চক্কু, তা অমদি তোঙান তোঙানবা খুংলাইশিং অসি লৈরমগদ্রা লৈরম্মোইদ্রা হায়বসিদা ঐহাক চীংনবা পোকই । মরমদি মণিপুরদা অথুবা মতমদা চীঙ অমসুং তমদা কোম্বিং ওপরেসন অমা শোইদনা তৌগনি হায়না তাই । অদ ওইরবদি ঐগী পোং-চৈ থাঙ-তেন, চৈ ময়াম অসিদি সিফাইশিংনা পামগদবা কয়া অমসু য়াওরি । অদুনা লৈরমগদবা মানদে । মমল য়াম্বা খরদি ষ্টেট ম্যুজিয়মদা থম্লুরে । অতে খরা অমদি য়ুমদা সুম থম্লম্বা তারে । রানা খোমজরকপা তশেংনা পোং-চৈশিং অসি পামুই । অদুবু থোকঅবা অমা লাক্লনি । অরোইবদা, ঐনা পামজনা শান্নরকখিবা মশান্না অসি হেন্না চাউখৎলক্লনবা ঐগী লৈজরিবা শক্তি পুন্নমক পুথোক্লুনা হোংনজগনি হায়বা ৱাফম অসি মীয়ামদা থমজরি ।' হায়বসিনা ওঝা নোংথাওগী কায়নরমদাই ৱাহৈ ওইরকই । ওঝা নোংথাও মণিপুরগীদমক মালেমগী অতিয়াদা লংনা ঙানবা ওইসনু।

নংথোং, জুলাই ১৯৯৫ ।

*****

মণিপুরগী শক্লাইরবী

বোক্সর সরিতা

শান্নরোয় অমগী মগুণ কৈদৌনুংদা লোংপা য়াদে । মতাংদু চারবদি ফুদোরক্কদবগী ওাইদুনা লৈ । শান্ন-খোংনববু পামজরকপী সরিতানা পুঙকক চাওরকপদগী মবুং অমসুং মচেগী মতুং ইন্দুনা শান্নবা হৌরকখি । মহাক্না অহানবদা ওইনা শান্নরকখিবা মশান্নদি টাইক্বোন্দোনি । বেঙ্কোক এসিয়ান গেমস ২০০০ দা দিঙ্কোনা সনাগী মেদল লৌরকখিবা মীকুপ্তুদগী সরিতা বোক্সিংনা হেন্না শান্ননিংবগী রাখল লাকখি । বোক্সিং গ্লোব উপ্তুনা নুপীদি গেম অসি শান্নবা য়াদব্রা হায়না কন্না খল্লকখি । করিগুম্বা য়াববদি মণিপুরগী নুপী মরক্তগী মফম অমত্তংদি কনগে হায়না চপ-য়ুংনা নিঙলকখি ।

লাইশ্রম সরিতা খোৌবাল খুন্নৌ ময়াই লৈকাইদগীনি । বোক্সর অসি লাইশ্রম বাবুচান্দ সিংহ অমদি শ্রীমতী লাইশ্রম ওংবী খোমদোনবী দেবীগী মচা তরেৎ (নুপা মঙা নুপী অনী) মনুংদা মঙাশুবীনি মচানি । বোক্সর অমা ওইগে খল্লকখিবী সরিতানা অহানবা ওইনা খোৌবাল অথোকপমদা লৈবা ওঝা ইবোতোম্বীদগী বোক্সিং অমসুং কংফুগী মশান্নশিং তম্লকখি। অদুদগী বোক্সিংদা মমিং লৈরবা ওঝাশিং উন্নদুনা বোক্সিংদা তোঙান তোঙানবা টেক্নিকশিং খঙনিংলকখি ।

খোৌবালদা পোকখিবী সরিতানা খুমন লম্পাক্তা লৈবা স্পিসিয়েল এরিয়া ওব গেমস (এস এ জী) কী হোলদা কৈদৌঙে বোক্সিং শান্নবা ফঙগদগে হায়বসি তত্তনা মঙ মঙজরকখি । সাইগী শান্নরোয় অমা ওইবা হায়বসি করি করি গুণ চেপ্নাবদি যাগদগে হায়নসু কন্না খল্লকখি । গেম অসি হেন্না মপুং ফানা শান্নবা য়ানবগীদমক খোৌবাল অথোকপমদা লৈবী ব্রাংখেম সন্ধ্যারাণীগা লোইননা খুমন লম্পাক্তা লাক্তুনা ষ্টেট কোচ ওঝা নরজিৎকী মখাদা ট্রেনিং তৌরকখি । ইন্দিয়াদসু লাকপা কুইদ্রিবা গেম ওইবনা মণিপুরগী নুপীশিং মফম অমদি কনবা ঙমগনি হায়বদি ষ্টেটকী কোচ ওঝা নরজিৎত্তসু কন্না থাজবা অমা লৌখি । বোদি কন্টেক্ট গেমদনা হেন্না চান্নবা মণিপুরগী নুপীশিংদা মশান্না অসিগী জ্ঞান ফজবা লৈনবা নিংখিনা তাকপী তম্বীরকখি । থব্লাই হকচাং লুপ্পা হোংনবদা মাই পাক্পবা লৈতে। খোৌবালদগী হঙ্গৎ-হন্দা চৎপদু অয়ুক অমসুং নুংখিল প্রেকটিশ তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া থেঙনবদগী শোইবম লৈকাইদা লৈবা ভারাগী য়ুম অমদা লৈদুনা হনবা

নাইদনা হোংনরকখি। অসুম্না কন্না হোংনজরকপগী মপান্না ইং ২০০০ গী লোইরমদাইদা পাঙথোকখিবা সাই সেন্তরদা চঙনবগী টেষ্টতা মাইপাক্তুনা খুমন লম্পাক্তা লৈবা সাইগী হোষ্টেলদা লৈরকখি। সাইদা চঙলবা মতুংদগীদি অনৌবা পুন্সি অমা ফঙবগুম খল্লখি । তোঙান তোঙানবা মশান্না কয়াগী মমিং লৈরবা ইন্টরনেসনেল শান্নরোইশিংগী মমিং মথা এস এ জী হোলগী অকোইবদা থেংলম্বদু উবদা সরিতাদসু থৌনা অমা পীবগুম থোকখি । সাই সেন্তরদগী হৌখিবা মীয়াম্না শোন্নরিবা শান্নরোয়শিংগুম কন্না হোংনগে হায়না নিঙখি ।

সাইদা লৈরবা মতুংদগীদি সেন্তর অসিগী মমিং লৈরবা ওঝা এল ইবোমচাগা থেঙনরকখি । অকনবা নীতি নিয়ম অমগী মখাদা অয়ুক অমসুং নুংথিল ওঝা ইবোমচাগী মখাদা থরায় য়াওনা প্রেক্টিস তৌরকখি । বেঙ্কোক এসিয়ান গেমসতা গোল্ড মেদল লৌরকখিবা দিঙ্কোগী ওঝানী খল্লুবদুনা হেন্না নুংঙাইজবসু পোকখি । খুৎথিন লাকখিন্দা মওং চুম্বদা নুপী বোক্সরশিং হেন্না খুৎশিং নাশিংনবা ওঝা অসিনসু ব্রেঠ হাইফেৎ মান্নবা নুপামচাশিংগা তোইনা ট্রেনিং তৌমীন্নহল্লকখি । নেসনেল কোচিংদা পিবা মখল কয়াগী ট্রেনিংনাচিংবসু পিদুনা শান্নহল্লকপগী মপান্না য়াম্না থুনা নুপী বোক্সরশিং ইমপ্রুপ তৌরকখি । শান্নগে হায়রগদি নহাক্তা শান্নগদৌরিবা ইভেন্ট অদুদা পুক্নিং থমগদবনি অহিং নুংথিল তুম্বা চাবা মশান্না অদুদা করম হায়না থরায় অমদি হকচাংবু লুপশিনগদগে হায়বসি খনগদবনি হায়দুনা সাইগী কোচ ওঝা ইবোমচানা ইতৎ তগুনা হায়বা ব্রাহৈশিং সরিতানা ঙসি ফাওবা ঙাক্তুনা চৎলি । নহাক্তা শান্নগদৌরিবা মশান্না অদুগা নহাক্তা অচেৎপা মরি থমদুনা নিয়ম চুন্না প্রেক্টিস তৌবদা শোইদনা মদুগী মহে ফঙগদবনি । শান্নবদদি অফোঙবা চাঙয়েং তৌনদবা য়াদে । চাঙয়েং অদুগীদমক নহাক হোংনবা তাই । অখাঙ কনবা তাই । ওঝা গুরুনা তাকপা টৌক্লিক ষ্টাইলশিং মুন্না তারগা মদু খবক ওইনা ওম্ৰোক্লবা হোংনগদবনি হায়দুনা ঐখোয়দা ওঝানা পাউতাক পিবীবসি য়াম্নসু নুংঙাইজে । চাওরাক্তা চহী অমরোমদদি মণিপুরদা মরু ওইনা পাঙথোকপা হরাও কুম্মৈ অমত্তা ঐখোয় শরুক য়াখিদে । য়াউশঙগী থাবল, মাইকৈ বয়াদগী খোংলকপা মাইকর্কী আরংবা খোঙ্কেল, নিঙোল চাক্কৌবগী মথেল নুবোংই, চৈরাওবগী নুংঙাইবা অমত্তা য়াওখিদে । ঐখোয় খরা অমদি ইং ২০০১ দা অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ মেদল লৌদবা য়াদে হায়না কন্না হোংনজখি হায়নসু সরিতানা ঐখোয়দা ফোঙদোকপীরকখি ।

মখা তারদুনা বোক্সর অসিনা নেসনেল থাক্তা শরুক য়ারকখিবগী ৱারীস অসুন্না পাউদন্নকখি' ঐহাক নিংশিংলি, মদু ইং ২০০১ দনি। নুপীগী 'ফষ্ট ৱিমেন নেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ' অসি চেন্নাইদা ফেব্রুৱারী ৬ তগী ১১ ফাওবা পাঙথোকখি। মদুদা ঐহাক্না কে জি ৫৪ গী কাংলুপ্তা গোল্ড মেদল ফঙজরকখি। চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরদগী হেভি ৱেঠ খক নত্তনা বোক্সর তরেংনা শরুক য়াখি। মদুদা মেদলসু লোইনা লৌরকখি। আসাম, মেঘালয়, ওরিষ্যা, হিমাচল প্রদেশ, সিক্কিম, উত্তর প্রদেশ, পঞ্জাব, দেল্লি, মহারাষ্ট্র, হরিয়ানাদগী লাকখিবা নুপী বোক্সরশিংগা লাম্বা তৌনখি। মেরি কোম, সুশিলা, জয়মতী, সন্ধ্যারাণী অমদি ঐহাক্না ঐখোয় মঙানা সনাগী মেদল তোঙান তোঙানবা ৱেঠ কেটিগোরিদা লৌবা ঙম্লকখি।

নেসনেল চেম্পিয়নশিপতা ঐখোয়না গোল্ড মেদল ময়াম পুরকপদু উবদা ওঝানসু ঐখোয়বু হেন্না চ্যোকশিন্না শান্নহন্নবা হোৎনবিরকখি। কম্পিটিসন্দা হৌজিক ঐখোয়গা কন্না লম্বা তৌরিবা ষ্টেট অসি হরিয়ানানি।

অসুন্না মথং মথং লাকপনা 'সেকেণ্ড নেসনেল ৱিমেন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী মতম য়ৌশিনলকখি। মসিদদি সার ইবোমচানা অনৌবা মওংগী ষ্টেপ্পিং, থিনবগী ষ্টাইল, পোইন্ট থুনা লৌবা য়াগদবগী ষ্টেপকা লোইনবা খুৎথিন্নচিংবসু তম্বীরকখি। ওঝানা তাকপীবা পুন্নমক ঐখোয়সু থৱাই য়াওনা থুনা হৈনবা হোৎনজে। অহানবা শরুক য়াবা চৎপদা করম হায়না শান্নদোইনো, কয়াম হৈরমগদবনো খঙনদবা চমন্নবা অমা পোকখিবদু মদুদদি পোকখিদ্রে। সিদসু অদুমক গোল্ড মেদল লৌবা ঙমজরকখি। লোইননা ইং ২০০৩ দা পাঙথোকখিবা নেসনেল চেম্পিয়নশিপ্তসু থৎন থৎননা অহুমলক গোল্ড ফঙজখ্রে।

অদুগা, ইং ২০০১ অসি ঐখোয় বোক্সরশিংগী লাইবক লেম্পা মতম ওইখি। বেঙ্কোক্তা অহানবা ওইনা পাঙথোকদৌরিবা 'ফষ্ট এসিয়ান ৱিমেন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০০১' দা ঐখোয় শরুক য়াবা ফঙনবগী তাঞ্জা অমসু লাকখি। থা অহুম্লোম ঐখোয় নেসনেল কোচিং সেন্তর ন্যু দেল্লিদা কোচিং তৌজখি। লোইননা ইং ২০০১ গী ওগষ্ট ২৫ দগী ২৯ ফাওবা বেঙ্কোক্তা 'ফষ্ট ৱিমেন চেম্পিয়নশিপ্তা মেরি কোমনে, ঐনে, জয়মতিনে ভারতকী নুপী বোক্সর ওইনা শরুক য়াজখি। অহানবা ওইনসু পাঙথোকপা ঐ ইশামক্কী ওইনসু অহানবা ওইনা ইন্দিয়াগী ৱাংমদা শান্নজরুবা অদুদা ঐহাক সিলভর মেদল লৌজরকখি।

মসিগী মতুং ইং ২০০১ গী নবেম্বর ২৭ তগীনা দিসেম্বর অনী ফাওবা

য়ু.এস. এ.গী সোরানটোন্দা পাওখোকখিবা 'ফর্ষ্ট ৱার্ল্ড ৱিমেন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ' তসু শরুক য়াজখি । ৱার্ল্ড ষ্টেন্দর্দ য়োরকপদদি অফাওবা নুপী বোক্সর কয়াগী খুৎখিল-লাকখিল উবা ফংলকখি । চহী কয়ামরুম মখোয়না মাওজিল থানা লাকপনা ঐখোয়না নোঙ্ক লৈখি । মখোয়গা খেওনগে হায়রগদি ঐখোয়দা লৈজরিবা খরসিনা ওইবা য়াখিরোই হায়জনিংঙি । মখোয়গী বোদি ষ্ট্রকচরগা ঐখোয়গসু য়াম্না খেন্নরি । উরুবা, খঙলুবা অদুগীদি য়াম্না নুংঙাইজে। মখোয়গী বোদি ষ্ট্রকচরগা ঐখোয়গসু য়াম্না খেংনরি । উরুবা, খঙলুবা অদুগীদি য়াম্না নুংঙাইজে। ঐখোয়গী থাক অসিসু অচৌবা চেম্পিয়নশিপ মথং মথং খেংনরগদি হেন্না ভাব তারকই । তশেংনমক ৱার্ল্ড ষ্টেন্দর্দতা লৈরিবী নুপী বোক্সরগী ফিগরশিংদুদি ঐখোয় ফাওবা উবদা কল্লকপা পোকই । মতিক চাবা ট্রেনিংগা লোইননা দাইটসু ফজনা চারমগনি খল্লি । ৱাং-চাওবগীদি ঐখোয়দগী খরা হেনবা, হায়ফেৎ মান্নবা অদুম খেওনৈ ।

অমবু ওইরে অমবু ওইরে ঐখোয়সু খোরল্লবনিনা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ ওইরো, ৱার্ল্ডগীবু ওইরো খেওনবা ঙম্লবদি হোৎনখিগনি হায়নসু সরিতানা ফোঙদোকপিরকখি ।

বোক্সর সরিতা ইং ২০০২ গী এপ্রিল ২৭ তগী মে ৩ ফাওবা টরকিদা পাওখোকখিবা অহমদ কোমরেট বোক্সিং টুর্নামেন্টতসু ভারতকী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুরে। অসিদসু নত্তনা চহীদুমক্কী ওক্তোবর ১৯ দগী ২৮ ফাওবা টরকিদা পাওখোকখিবা সেকেণ্ড ৱিমেন ৱার্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অমদি ইং ২০০৩ দা পাওখোকখিবা অহমদ কোমরেট বোক্সিংদসু মথংশিংনা শান্নরুরে । মসিদদি সরিতা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখি ।

লোইননা হরিয়ানাদা ভারতনা য়ুম্বু ওইদুনা ইং ২০০৩ গী নবেম্বর ১৯ দগীনা ওক্তোবর ২৮ ফাওবা চৎখিবা ' ২ শুবা এসিয়ান ৱিমেন চেম্পিয়নশিপ' তসু ভারতকী বোক্সর ওইনা শরুক য়াখিবদা লুপাগী মেদল অমা লৌরকখি ।

অরোইবদা পুন্সিদা খেওনরকখিবা অরা নুঙাই কয়াগী মতাংদা বোক্সর অসিনা অসুম্না হায়, ঙসিগী থাক অসি ওইরক্লবা হোৎনবদা ওঝা গুরু কোচ ময়াম্না অসুক্কী মতিক থরায় য়াওনা হোৎনবিখি । ওঝাশিংনা ঐখোয়বু অহানবা ওইনা খোরকপা বোক্সরশিংনি হায়না য়াম্না চেকশিন্না হোৎনবিখি । মদু তশেংনমক্কীদি ঐখোয়গী লাইবক য়াম্না ফবনি খল্লে। খল্লুরগা তশেংনা নুংঙাইজে । ভারতকী নুপী

বোক্সর হায়রগদি ঐখোয়বু ওইনা ফজনা খঙনবী ।

অদুগা নুংঙাইতবা হায়রগদি মমাং চহীগী সেপ্তেম্বর থাদা লাইবক থীবা থৌদোক মচা খরা লৈখি । ঐখোয়বু বোক্সিং তম্বীবা য়ারোই হায়না কিহল্লকপগুম্বা য়াম্না নুঙাইজদবা খরা থোকখি । মসি লোইশিনখ্রবনিনা শাংনা পঙ্গ্লনিংদ্রে । মীয়ামদা খম্মোয় শেংনা হায়জনিংবদি, ইমা লৈবাক ইরমদম অসিগীদমক ঐখোয় থৌনা লৈনা শান্নবা ঙমহনবীয়ু । ঐখোয়বু লৈবাক অসিগী অশেংবা লননি খনবিয়ু। খম্মোয়শেংনা শান্নবা পামজবা ঐখোয়না কনাবুসু লাম্না খঙ্গদে । ঐখোয়দা থৌনা হাপ্পীয়ু, শক্তি পীবীয়ু । ইমান্নবা লাম্বা চাম্মা-চাম্মা থেঙনবদা হেন্না মাইপাকপা ওইদুনা ইবরমদম অসিগীদমক ইমা লৈবাক অসিগীদমক মেদল মশিং নাইদনা পুরকপা ঙমজগে হায়নসু সরিতানা ফোঙদোকপিরকখি ।

অটোবা আশা কয়াগা লোইননা বোক্সিংদা মফম অমা ফঙদবা য়াদে হায়না থৌনা লেনা চোঙথোরক্লিবী সরিতা, ওলিম্পিক গেমস ফাওবা য়াওবা ঙমদুনা মাইপাকপা ঙম্বী শান্নবোই ওইননবা *অথৌবা*গী মায়কৈদগীসু আর্শিবাদ পিজরি।

অথৌবা, জুন ২০০৪ ।

*****

ঐখোয়গী শান্নরোইশিং



এন. মাইপাক



এভেরেষ্ট মতোল লোমখিবা সুরজ অমসুং মহাক্কী লোয়নবশিং



এল. সরিতা (বোক্সর)



এন. কুঞ্জরাণী দেবী (ৱেঠ লিফটর)



এন জি দিঙ্কো (বোক্সর)



এন. কুঞ্জরাণী (ৱেঠ লিফটর)

ঐখোয়গী শান্নরোইশিং



পি. নিলকমল অমসুং সি. এম ইবোবী




কুঞ্জরাণী অমসুং রত্নেশ্বরী



এন কুঞ্জরাণী অমসুং কোচ কুঞ্জকিশোর



অনিতা (জুদোকা) অমসুং কোচ জিবন



শগোল কাংজৈ



এভেরেষ্ট মতোল লোমখিবা সুরজ

ঐখোয়গী শান্নরোইশিং



রত্নেশ্বরী অমসুং লিম্বোইঙম্বী



সনামচা (রেঠ লিফটর)



লমদমসিগী লময়ানবী নুপী বোক্সরশিং



ওলেম্পিয়ান নীলকমল



মেরি কোম (বোক্সর), এম. এল. এ. বীরেন

অমসুং সরিতা (বোক্সর)



মিং	:	রত্নেশ্বরী গোস্বামী
অপোকপগী মিং	:	মেঘচন্দ্র গোস্বামী
অপোকপীগী মিং	:	পীশকতোম্বী দেবী
পোকপগী চহী	:	১৯৬৫ ইং
মহৈগী থাক	:	এম. এ. (মণিপুর য়ুনিভর্সিটি)
লৈফম	:	ৱাংখৈ মৈহৌফম লৈরক, ইম্ফাল (নোংপোক)
শিনফম	:	স্পোর্টস জর্নেলিষ্ট
এৱার্ড	:	বেষ্ট ৱুমিন্স রিপোর্টর ১৯৯৭ ইং
	:	বেষ্ট স্পোর্টস জর্নেলিষ্ট ১৯৯৩ ইং
ভাইস প্রেসিদেন্ট	:	ওল মণিপুর ৱর্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (২০০৭ - ২০০৯)
মেম্বর	:	ৱুমিন্স ইনভাইরনমেন্টেল প্রোটেক্সন ফোর্স, ইম্ফাল। (এ. আই. আর.,ইম্ফাল অমসুং দি. দি. কে. ইম্ফালগী স্পোর্টসকী ৱাঙাংলোই ওইনা ইং ১৯৯২ দগী হৌনা লৈপাক্কী সেবা তৌজবিবীনি।)

ISBN 978-81-908152-9-1

এল. ডি. এম. আর্টস সেন্টর, ইম্ফাল

Rs. 200/-